মণিপুরদা লিনরিবা ৱারীগী

মহাভারত

সভাপর্ব

(তৃতীয়ার্দ্ধ)



সংকলন :—

শ্রী অহৈবম ধনঞ্জয় সিংহ

থৈবামথোই থেংক অংহবম লৈবাই

ইবাগে ।

সম্পাদক :—

শ্রীসিংথোকম হরিদাস সিংহ

উপনাম রাইমা সিংহ

কৰ্ম্মাকাল ত্ত।

শ্রীশ্রীগোবিন্দজীউদু খুরুমজরি

মণিপুরদা লিনরিবা ৱারীগী মহাভারত

(সভাপর্ব তৃতীয়ার্দ্ধ)

সম্পাদক :-
শ্রীনিংথৌজম হরিদাস সিংহ
উপনাম য়াইমা সিংহ
কথাবাজার, ব্রজ।

কোংহোকপা :-
পৌরাণিক পরিষদ
ইম্ফাল।

শ্রীগুরু পরিষদকিদী।

মমল রুপা-



অহুমশুবা শৎলম

নিংশিংজবা মেয়া ৩মি পানবা ভাগ্যচন্দ্র নির্ব্বাণ তিথি।

১৯৮৪ ইং

কপি ৫০০

পৌরাণিক পরিষদ লেখীবদ পণ্ডিত ওবা অমিবু নিংশিংজবা
৺হুড়লেম্বম চাওব সিংহ (কোংবা থাইরেম লৈকাই)
৺লাইশ্রম গোকুল সিংহ (নোংমৈবুং অমাংপাম)

মণিপুর পৌরাণিক পরিষদ কার্য্যালয়
যাইস্কুল বিক্রমবা লৈকাই
ইম্ফাল।

অরিয়েন্টেল প্রিন্টিং হোম, যাইস্কুল পুলিশ লেন, ইম্ফাল

নিবেদন এইবে

শ্রীলশ্রীযুক্ত রাজর্ষি ভাগ্যচন্দ্র মহারাজা না হাক্তদা শ্রীশ্রীগোবিন্দজিগী নাট্যমন্দিরদা শ্রীচিত্তরাম শর্ম্মা কথাবাচক মাচৎপুংশিং মসা হাৎং মতুং ইন্না (শ্রবণ ভক্তি) বাল্মীকিগী রামায়ণ মহাভারত পুরাণ বারী লিবা হৌখি। মতম অমুদগী বারী লিবা কলা অমি কৌতুক কাওবা লম অমিদা মাংখা মপুংফাবা মপাঙমরেং কম হিংলি অমসুং হিংবিগনি। পুরাণ তাবা অমিদি মতম যুগতগী হৌবা শ্রীকৃষ্ণ ভক্তি লৈবা ব্রজমণ্ডলদা তাররকই। মতাংদা শ্রবণ ভক্তি তাকরকপদা কলিযুগ প্রথমদা (পরিক্ষিত জন্মেজয় নিংথৌ) পিতা পুত্রনগী হৌরকপদা (সূত, শৌণক) মপা মচানা লিরগা ব্রহ্মাগী রাখং মতুং ইন্না কলিযুগগী মঙ-খাগদা কৃষ্ণ ভক্তি তাংবা মায়কোই শ্রবণ ভক্তিদা মতম কলম্ব কয়দি পুরাণ তাবদা ভক্তি অমতি থেংনা লেপত্রে হায়বগী বারী অংগ্রেজদা মহাভারত তাজরুম আশ্রমবনপাল অমসুং অযোধ্যাইদা মপা পুন্নানা পোত্থা তাঙলাখ কোন্থনা পুকিদা রাজাকুম পাণ্ডবশা অযোধ্যা মতমদা বৈকুণ্ঠ কাখি। হায়বগী শৌনকনা চংবা ব্রাহ্মণ লিশিং খুদা নৈমিষারণ্যদা মতগী মহাভা পুরাণ তাখি। মণিপুরদা বৈষ্ণব ধর্ম্ম হৌরিবা ব্রহ্ম আত্মা সাধন চংলিবদা (ফুংগাক বারী) হায়দুনা পুরাণ হৈববা লিরগা তাররকই নিংথৌ কয়াগী হাক্তগা মরাই তাবা অমুবা চংলরকই।

বারী কলা অমি ওয়াবা লিখা তারগা চিংখাৎ ভইনা তত্তকপদা অমাখা ভইঙগী অমম শক্তি হয়রকপদা চোংকাইমখিগনৌরিবা অদুগা লিখিবশিংদগী ওয়াগী মতগী হায়তিদুনা ওয়াশিংসু অথাবদা শিজিন্নবা যাওনরক্কে। অদুগা ওয়া অমগা অমগা মত থোররকপ চুমশিন্দুনা পুরাণগী মত কায়রমদা শেরেং লেপ্পগা নোনা হৌরকইবা মীয়োম্বা শিন্নবা হায়বদি মণিপুর পৌরাণিক পরিষদকি অপাম্বনি মণিপুরগী লিচরিব বারীগী শেরেং ঈবা লোম্বা কোংথবা খণ্ড অমি লাহোকচনবে অমুক খণ্ড অহুমগুগা লাংলাকচরে। বারী লিবা শিজি মচমাইত্তবা মহযোগ লৈন শিবীরকপা অমসুং পৌরাণিক পরিষদ সংস্থান অমিদু লিংখৎলকপদা পাণ্ডাক শিবীরুদা কোমাংমিখিবা শ্রীব্রজবাসি মযুম মনিদু শর্ম্মা সাহিত্য ব্যাকরণ শাস্ত্রী এলাংবম নৈকাই। পরিষদ অমিদু হেংবাংবিদুনা থৌনা হাপ্পীরকপা শ্রীএলাংবম নিলকান্ত সিংহ ভদ্রলোক এলাংবম নৈকাই। অমসুং শেলগী মতেং শিকিরকপা ছেট কালা একাদেমী পুরনম্বী কৃতজ্ঞতা থোকলোকচরি। পরিষদনা মতুং চথরকপা ধর্মকুল পরিষদগু য়োকথবশিংদা পুরনংগী মতেং কংবুনা পরিষদকি পাবজরিবা পরথুং (মহাভারত, রামায়ণ) পুরাণ অমি অমি বারী শেরেংবা থোংজরপা লাহোকচবা অমিদা পরিষদকি পাবজবা পরশুংগি হান্নিবু ভয়রকবিমদাব ঈবরদা নিজরি।

পরিষদ্‌পু য়োকখংলিবা পোষক সদস্যশিং

১।	৺অবোকপম ঙাঙম সিংহ কোংবা খেত্রি লৈকাই	....	...	রুপা ১০০
২।	৺রাইমন ঙমবোম সিংহ মোইরঙ লৈকাই	...	....	" ১০০
৩।	শ্রীইবোম ভোনজোম সিংহ চিংগা মখা	....	....	,, ১০০
৪।	শ্রীকোংব্রাইলাকপম পারিজ ও শর্মা মমাই কোইরী	...	....	,, ১০০
৫।	শ্রীকোরশম সেনুং সিংহ থোঙজোমঙাম কোহিম ভূষণ	....	....	,, ৫০
৬।	শ্রীনাওরেম মণি সিংহ জ্যোতির্ভূষণ কালিকাই	...	....	,, ১০০
৭।	শ্রীচন্দ্রবীর চন্দ্র সিংহ রাধীশিবা কবোবাকচিং	....	....	,, ১০০
৮।	শ্রীতাম্বম বতু সিংহ কবোবাকচিং	....	....	,, ১০০
৯।	শ্রীকুঞ্জবিহারী অঙৌ সিংহ অবাং বাগাই	....	....	,, ১০০
১০।	শ্রীগ্রাম মণি সিংহ জ্যোতিষ ভূষণ সিংজমই	...	....	,, ১০০
১১।	শ্রীরাইবোম খোরৈ সিংহ খাগম.	....	....	,, ১০০
১২।	শ্রীবলরাম কোংবোমবম খাগম	....	....	,, ১০০
১৩।	শ্রীমোইরাংথেম চন্দ্রকান্ত সিংহ কক্চিং ব্.ইরি	....	....	,, ১০০
১৪।	শ্রীনাওরেম বিরহরি সিংহ কক্চিং বাইরি	....	....	,, ১০০
১৫।	শ্রীসেগাইজম ইবোচৌ সিংহ কক্চিং বাইরি	....	....	,, ১০০
১৬।	শ্রীখোমাঙজম চৌবি সিংহ লমু কম	....	....	,, ১০০
১৭।	শ্রীআতোম খোইবা সিংহ অচাংবোইল	....	....	,, ২০
১৮।	শ্রীখুদোংবম অমেজ্য সিংহ হৈরোক	...	....	,, ২০
১৯।	৺ময়ম মণি সিংহ চজিং থক্তি	....	...	,, ৩০
২০।	শ্রীখুমনকপম মণি সিংহ ...	...	....	,, ১০
২১।	শ্রীখুমনকপম ইবোচা সিংহ খুমনকপম লৈকাই	....	....	,, ১০
২২।	শ্রীলৈমাপোকপম ভাঙ্কর সিংহ	...	...	,, ১০
২৩।	শ্রীইবোমচা শর্মা লোইতাং খুল্লেন	....	...	,, ১০
২৪।	শ্রীমনী শর্মা খোংমন মংজিন	....	....	,, ১০০
২৫।	শ্রীলাইরাম ইবোতোম্বী সিংহ	....	....	,, ১০০
২৬।	শ্রীনিংথৌজম বাইরা সিংহ	রূপা কার্য্যানুসার, যথাশক্তি ইত্তি।		
২৭।	শ্রীআইরাংবম বতু সিংহ খাবব কাংলাবাদ্রা ...	....	....	,, ১৫০

২৮। শ্রীঅহৈবম খজয় সিংহ হৈয়াঙ্গোইথোং .... রূপা ১০
২৯। শ্রীলৈশাংথেম সেনুং সিংহনা চৌবম শারদা মতাং ইম্বিকশা ... ,, ৩০
৩০। শ্রীসোরকোবম অমু সিংহ লাংজিং .... ,, ১০
৩১। শ্রীকোংব্রাইলাকপম পাবিত্রাং শর্মা ময়াই কোইরী .... ,, ১০০
৩২। শ্রীলৈমাপোকপম ভাস্কর সিংহ লৈমাপোকপম ... ... ,, ১৫
৩৩। শ্রীঅহৈবম খমখম সিংহ হৈয়াঙ্গোইথোং ... ... ,, ১৫
৩৪। শ্রীচাম্পম তোম্বী সিংহ মলাম .... . ,, ১৫
৩৫। শ্রীযুম্নাম রাজমোহন সিংহ মলাম ... ... ,, ১৫
৩৬। শ্রীবাইবা সিংহ নম লেখক যোগ্য কার্য্য কর্ত্তা যথা শক্তি ইতি

অধ্যায় পাথাই

অধ্যায় লামাই

মনিপুরদা লিনরীবা রারীগী মহাভারত

আদি পৰ্ব্ব

৩শুবা খণ্ডগী

অহানবা অধ্যায়

সভাপৰ্ব

ময়দানব রাজনা পাণ্ডবকী সভা শেমবগী ৱারী মতাং।

বেদগী অর্থনা কুপ্পা নৈনরগা জগত জীব পুম্নমক্কী ফননবগীদমক শ্রীকৃষ্ণগী শক্তি অবতার ওইরবা শ্রীব্যাসদেবনা লেংবিরম্বা মহাভারত অসি মরোল অচুম তুনা কাওরবা অথোইবা গ্রন্থনি। মীওইবনা দান কয়া তৌবা, রানা তীর্থ চংপা অফবা কর্ম্ম কয়া তৌবা পুণ্যদগী মহাভারত তাজবনা হেল্লি। অসি গুম্বা শ্রীমহাভারতপু জাতি কয়ানা মাগী মাগী মাতৃভাষাদা ইদুনা লৈনরবনি। মসিবু ওঝা গুরুশিংনা রারী শৈরেং ফোংনবা পৌরাণিক পরিষদ লিখৎপিরম্মী, অদুগী য়াথং মতুং ইন্না মৈতৈ সাহিত্যগী সেবা পামজবদগী ইমালোন্দা রারী শৈরেং অসি ফংজবা পুরাণ খরগী মত য়েংজদুনা সংগ্রহ ওইনা ইজবনি। পাঠকশিংনা অরাংপা হাপচনবি, অশোয়বা চুমশিনবিদুনা মপুং ফাহনবিগনি নিংঙৈ।

নৈমিষ বন্দা রারী তারিবা শৌনকনচিংবা মুনি ময়ামগী মকমদা সৌতিনা হায়জৈ:— সভাপৰ্ব্বগী হৌরকপদা পরিক্ষিত নিংথৌগী মচা জন্মেজয়না বৈশম্পায়ন মুনিগী মকমদা হংজরকই। মহামুনি খাণ্ডবনগী মৈরক্তা কৃষ্ণগী চক্রনা ককনা শিরগদবা দানবকি নিংথৌ ময়গী থরাই কনগ্রবা ইবুধৌ য়াইমা অর্জ্জুননি। অদুগুম্বা ময় রাজনা পাণ্ডবকি করি লমন শিংবগে, মাহু হায়না লিরিদু, ঐগী চংনবা হোকতুনা নুংঙাইজগে।

নিংথৌগী রাহং তারগা শ্রীবৈশম্পায়ননা হায়, মহারাজ! ভারতকী রারীবু পুক্লিং চংনা তাজবদা অশ্বমেধ যজ্ঞগী মহৈ লেপ্পা ফংগনি হায়রবসি শ্রীগুরু ব্যাসদেবনা হায়রম্বা রানি, ঐ লিরগে পুক্লিং চংনা তারো। পাণ্ডবকী মিংচংনা মরোল অচুম শিনথুংনা চংখরে য়েকবনা কিনদুনা মরু লুকনখরে। দান, যজ্ঞ, ব্রাহ্মভোজন, স্বর্ণ রৌপ্য, গাভী, ভূমি, অলঙ্কার দান কয়া তৌই।

পাণ্ডবকী দানদা ইন্দ্রপ্রস্থ, তিলপ্রস্থ, মাকুণ্ড মাকুণ্ডি, বারনাবট গ্রাম মঙা লাইরবা লৈরে। মতৌ অসুমনা পাণ্ডব নবুধো এনা ইন্দ্রপ্রস্থদা পাম্লি; শ্রীকৃষ্ণ ইবুংঙোস্থ মরক মরক্তা লেংবিরকহুনা মনাইগী পেন্নবা লৈবরে।

নোংমা গোবিন্দনা দরবারদা বিরাজ ওইরিঙৈ "ময়দানব রাজ" পাণ্ডবকি সভাদা থুংলরে, শ্রীহরিবু থুংমঙৈ, ধর্ম্মরাজাবু ভক্তি তৌই, প্রেম আলিঙ্গন তৌনরে আসন থাম্নুনা ময় নিংথৌ কমলে। ময়না হায়রকই, হে পার্থ! চক্রগী অকিবদু কোকহনুনা মৈদগী থরাই কনবিক্লরবা অর্জ্জুন নুংমৎ অহুদগী হেইহনা ঐগী থরাই অসি নংঙোন্দ যোনপ্রবনি। নহাকী পেন্নবা করি তৌসিগে হায়বা রাখলনা ঐগী অপাম্বা ওইরে: করি থবক তৌরগা নহাকনা পেনগদগে হায়বিয়ু। দানবকি রা তারগা অর্জ্জুননা হায়রকই মহারাজা, নহাক ঐহাক তকনা নুংশিনবা, মতম থুদিং অঙম্বা উপায় তৌনবা অহুনা ঐগী অপেনবনি নুংঙাইহরে। নহাক্কী ব্যবহার থম্মোইবিবা অহুনা পেজ্জরে হৌজিক নহুন্দা যৌবিরো। অর্জ্জুনগী রা তারবদা ময়না হায়রকই, ধনঞ্জয় ঐনা অঙম্বা থবক অমত্তং তৌরমক্রবদি নংগী নমন শিংঙ্গ্র হায়বগী অহাবা অমা ঐগী থম্মোইদা লৈরগনি। মরম অসিনা ঐনা হুমগদবা থবক্তা অমত্তদি হায়বিয়ু ঐ লাংজরমগে, অসুম দানব রাজনা খুৎ লোম্নুনা হায়জরকই। অর্জ্জুননা হায়রকই, মহরাজ ঐনাক্তি থবক অমা তৌরমউ হায়জরবোই: নহাক্না নুংঙাইত্রে হায়রবদি ঐগী ইবুংঙো শ্রীকৃষ্ণনা পেনগদবা অমা হঙ্জলগা লাংঙমউ।

রা অসি তাবদা ময়না খুৎ লোম্নরগা গোবিন্দগী চরন্দা করি তৌগে হায়বগে তাকপিয়ু প্রভু অসুমনা হায়জে, তাকপিবহ ঐ বিশ্বকর্ম্মাগী শিষ্যনি, থবক তৌকো হায়বদু হুমজগনি ননাই ভক্ত পাণ্ডবকী পেনগদবা থবক্তা তাকপিয়ু। শ্রীহরি অহাক রাখল তৌরগা হায়রকই, মহারাজ। ঐগী দাদা মহারাজগী সভা অমত: মরোল অক্মদা লাপ্পা লিক্না ফজনবা, লাইনা মীনা ঙকননবা শেম্মু। কৃষ্ণগী বাক্য তাবদা ময় হরাওনা যাওরে; বিদায় লৌরগা হনখিহুনা ময়ুমদগী হিংযাই, মণি মুক্তা মীরৈবাত্তা ফংঙোইদবা মখৈ রথদা হাপকংহুন সাজন তৌরে। মচা মনাই মিস্ত্রী জুগালি কয়া পুরকহুনা লাকপনা ইন্দ্রপ্রস্থনা অমুক থুংলরে। শ্রীকৃষ্ণগী য়াথং মতুংইন্না ময়না শাগৎপা হৌথরে। চেকপল রাংনা নখৎাল, চেকপলনা কোইরিরা লম অহু মরাক ময়ুংদা ক্রোশ ১০ নি। অমগী মনুংদা রাজসভা শাগৎলকই, যেংবদ অঙকপা কংনা ফংহল্ল অমত্তং নাইকৈ মরিগী লম্বী ইংগ্রে শিৎলি। রত্নস্থল শাম্লকম, হৈকোল লৈকোল, পুখ্রী কজনা শেম্মী লম্বীগী নাক অনিদা উগী পরেং থাই, হৈকোল লৈকোল শেমম্মী, সরে বর, পুষ্করিণী থমই। চেকপল রাংমদা থাজপাৎ থমই। হৈখোং লৈখোং খুদিংদা রত্নবেদী থমই, মণিবিদ্যগা লোইননা শেংবনা চংবা হুমদনবা শেমই। মবুক চুমদবনা চংঙগা অনৈম অরাং লম্বীকাউ থংদনবা। বিদ্যাশক্তিগা লোইননা শেমই। ইষ্টদেবগী মনি মন্দির মাঙোপ শাই (ব্রহ্মসভা, পণ্ডিত, বৈদ্য, চিকিৎসা

লোইশং, শিল্পবিদ্যা লোইশং) গুনা থম্মী, থা অমগী মনুংদা শাগৎপা লোইরক্লনা শ্রীকৃষ্ণ যুধিষ্ঠিরদা ময়না কৎলে। গোবিন্দনা পাণ্ডবকী সভাবু য়েংলগা য়য়বু থাগৎলি, ময়না হায়রকই হে পার্থ! সভাসি শেম্নদা নৈতেংনিংবা মনি মুক্তা রত্ন থন্না ৱাৎলি, য়াথং পিয়ু; কৈলাসগী অরাংথংবা মৈনাক কৌবা চীং অমা লৈ মহুদা মমাংঙৈদা বৃষপর্ব্ব কৌবা নিংথৌ অমা পাম্লম্মী বৃষপর্ব্ব মরোল অহুম ঙুম্না পাম্লম্মী, মাগী সভাদ ঐথোয়না শেমখ। স্বর্গ, মর্ত্ত, পাতালদগী থোমগৎলকপা মনি—রত্ন য়ামনা লৈ। কৃষ্ণগী কৌমোদকী গদাগা মান্নবা গদা অচৌবা অমত্তু লৈ, গদাদু ভীমগী খুৎশ্রু ও বদা মতিক চাগনি, অদুগা বরুনদগী লৌরকপা শঙ্খ অমত্তু লৈ। লাইনা পীরকপনি কাংহনা মনা শঙ্খগী মমিং দেবদত্ত কৌই, শঙ্খ অদুগী মখোল ভাবদা য়েক্ন শিংগী নাপাল মাংলি, মচনা নহাক্কী খুৎতা ওইবগা মতিক চাগনি। হায়রাবা পোৎশিং অসি বিন্দু সরোবরদা তিংথুনা লৈরি। পোৎশিং অদু লৌরুরগা ঐ থুনা হল্লকে।

অর্জ্জুননা হায়রকই, মহাত্মানা নিংবা মতুংইন্না তৌবিয়ু। ময় অর্জ্জুনদগী বিদায় লৌরগা মচামনাই পুম্না চংশ্রুরসি রথদা তোংলগা বাউ মান্নবা পাইরকপদু মিংকুপ খরগী মতুংদা কৈলাসগী অরাং হিমগিরিগী মনাক, মফমসি গঙ্গা কাংনবা ব্রত তৌদুনা মতম কুইনা ভগীরথ নিংথৌনা লাই নি ঙম্ন মফমনি। নর নরায়ণ, শিব, যম, ইন্দ্রনা মতম কুইনা যজ্ঞ তৌরম্বা পুণ্য ক্ষেত্র. ব্রহ্মাগী সৃষ্টি হৌরমদাইগী লাইনিংকম, শিংথানিংঙাই লৈতনা গুণ থিকনা তিন্নবা মফমনি মফম অদু য়োরক্লুনা ময়না বিন্দু পুখ্রীদা নুংথুনা লৈরিবা খুৎশ্রু-খুৎলাই হিরা মণি মুক্তা সনা লুপা লোইনা লৌখংলে। অদুগীতুংদা মচামনাই, বৈত, দানবশিংগা লোইননক্লুনা ইন্দ্রপ্রস্থদা লুংলে। গদানা ভীমদা পীরে, মোইবুংনা অর্জ্জুনদা পীরে; ভীমার্জ্জুন পেনথরে। অদুদগী ময় রাজনা বৈদুর্য্য মনি, ইন্দ্রনীল মনি, পদ্মরাগ মনি, প্রবাল, হিরা, মরকত মনি, রত্ন, স্বর্ণ, রৌপ্যশিং হায়রবা পুক্কমকনা ময়েক হনথুনা থম্মী অমসুং শামকম, পোথাকম, কজরবা রত্নবেদী, কমকম আসন মচুং তোঙান তোঙাননা শেম্মী। অদুমনা শেম শাইনা মং তৌবা লোইবা কাণ্ডবদা থা অমা চংই। অসিদগা তিথি অকবা য়েংলগা ধৌম্যানা অধিবাস হৌখরে। ব্রাহ্মণ লক্ষ অমা পাণ্ডবকি বাঙুম কংবমথৈ য়োঁথকতুনা তিন্নরে। লেংঙাক্লকপদা যজ্ঞ হৌংবা অমুক্তী পুং ১০দা. পূর্ণাহুতি তৌরগা ব্রহ্মভোজন তৌরে। জ্ঞাতি ভোজন অমসুং কাঙালি ভোজন তৌরে, সনা লুপা বস্ত্র অলঙ্কার মতিক চানা দান দক্ষিণা কংলে। ব্রাহ্মণ ময়ামনা স্বস্তিপাঠ তৌরকনা পুখমিল নিংশরে। পাণ্ডবকি সভাদু ইন্দ্রগী দেব সভাগা মান্নরে, কয়ামুকী মশীং ওইরম্ম মী হন্দক্রে।

মতৌ অদুমনা পাণ্ডবকি সভা শংগাথরে। পাণ্ডবকি পরিবার পুম্নমক সভা অসিদা হোংজিন-নরককুনা লৈনমরে; শ্রীকৃষ্ণনু মতম কুইনা লৈরকলবদা পিতা বসুদেব রাজ্মলগদি নিংহনা দ্বারিকা চৎরগে হায়দুনা কুন্তীবু খুমন্না। মূক নিংথৌগী মচানুপী কুন্তীনা মমা ইবুংঙো কৃষ্ণগী কর্ণদা

কোল্লগা কণংনা বিদায় তৌই। সুভদ্রা মচন ইবেম্মা বিদায় তৌরকই। সুভদ্রা মথুংগী প্রেমা হৌক হৌক কপ্পকই। রুক্মিণী নাথনা মচনবু থেমজিনবিদুনা হায়রকই, ইবেম্মা ভদ্রা, কপকহু ইবুংগু মরক মরক্তা লাকনি কুন্তী ইনেমগী সেবা লুনা তৌ। দ্রৌপদী নচেম্বু ইনেমগা মান্ননা লুনা লিংঙু। ভদ্রা কৃষ্ণবু খুরুমজদুনা সুভদ্রা লৈজহৌই। শ্রীকৃষ্ণনা মচনবু বিদায় তৌরগা দ্রৌপদীগী নাক্তা লেংশিল্লকই, রাণী ঐ দ্বারিকা চৎলগে; ইচল ভদ্রাবু ভাকপী তিকপীদুনা পোকমিল্লবা ননাওশুমনা নিংবিয়ু। দ্রৌপদী কৃষ্ণবু খুরুমজদুনা বিদায় কৎলে। গোবিন্দ ধৌম্যাদগী বিদায় লৌরে, অদুগা ধর্ম্মরাজবু খুরুমজদুনা হায়রকই, দাদা মহারাজ ননাও দ্বারিকা চৌজরগে কুইরে দ্বারিকা থাদোকলঙ্গা। ইমা ইপা ডাউজানচিংবনা রারমগনি। যুধিষ্ঠির কৃষ্ণবু কোল্লগা প্রেম শিন্নরকই, অদুগা থুংদা ভীমার্জ্জুন অনবু প্রেম আলিঙ্গন তৌনরে নকুল সহদেব অনিনা কৃষ্ণবু খুরুমজরে। সহদেবনা গণনা তৌরগা নক্ষত্র লগ্ন তিথ য়েংলগা বেদগী রায়েল কাইদনা কৃষ্ণগী পূজা তৌরগা মঙ্গল কৎলে। দারুকনা গরুড়ধ্বজ রথ সাজন লোইরগা গোবিন্দা কৎলি, রথকি মথক্তা কৃষ্ণ পাণ্ডব মতাংগা তোংখৎলকই; যাত্রাগী মতমদা নিজনাম শোন্দুনা য়াথং পী। দারুকনা রথ খোরে। হুথক অমা লাপ্পা খোদোক্লবদা দারুকপু রথ খামহল্লগা শ্রীকৃষ্ণনা হায়রকই, দাদা মহারাজ লাপমল্লে লৈবিহোরো ননাও দ্বারিকা চৎশিনগে মতমলৈবা খিবক্তা ঐবু কাউদবা ওইবিয়ু। মপু মনাই মথং মথং কোনরগা রথদগী কুমথ হৌরে, মশাদি লৈহৌদুনা হল্লকই, রাখল্দি কৃষ্ণগা লোইনদুনা ইনথি। বৈষ্ণবী থম্মোইদি শ্রীকৃষ্ণগা থানদে।

মতম অদুদা দ্বারিকা নাথ দ্বারিকা চৌরক্লগা বলরাম খুরুমদুনা পাও পুথমক তম্মী। দ্বারকাগী অহন নৎ পুনী অতাং কাওবা পাণ্ডবকি মুঙাইবা পাও তাবগা পেনখরে। পাণ্ডবকি সভাদা ধর্ম্মরাজনা পুরাণ শ্রবণ তৌই, মথুদা তাবা য়াউরারবা ব্রাহ্মণ মুনি ঋষিশিং— অসিত, দেবল, সত্যভদ্র, সর্পমালি, মৈত্রেয়, সুমিত্র, শনক, সুমন্ত, জৈমিনি, মহাশির, অব্বাসিত, পেনাক, পৈলজ, কৌশিক, মাণ্ডব্য, মার্কণ্ড, বৈশম্পায়ন, শাণ্ডিল্য, সাবর্ণি, সৈত্যপানি, সনাতন, শিক্ষাবস্তু, ভৃগুবাবস্তু, বক্রমনি, ভাতকর্ণ, মৎস্যকর্ণ, পরাজিত, গালব, বরাহ, পরাশর, উদ্দালক, ভৃগু, ঔর্ব, চ্যবন, ধৌম্য হায়রবা আসনচিংবা মুনি ঋষি মশিং খাবা চম্লোইদবা সত্য লৈরবা ইন্দ্রিয় খুদুম চল্লবা লাইনিংবনা মরম ওইরবা মুনিশিংনি। মতিক মগুণ লৈরবা লাইরিক লৈরবা ঋষিময়াম যুধিষ্ঠিরগী সভাদা লাকতুনা বেদ পুরাণ ধর্ম্ম শাস্ত্র গ্রন্থ শ্রবণ য়াউরদুনা অহিং সুংখিল ধর্ম্মগী কথাবু নৈনদুনা লৈরে। অদুগা পৃথিবীদা পাল্লবা মতিক লৈরবা ক্ষেত্রি নিংথৌশিং ধর্ম্মরাজগী সভাদা তত্তনা য়াউরারবা নিংথৌশিং— মুঞ্জকেতু, নির্ব্বন্ধন, কুন্ত, উগ্রসেন, সুধর্ম্মা, সুশর্ম্মা, কৃতব্রহ্মা, জয়সেন, অঙ্গ, বঙ্গ, কালঙ্গ, কৈকেয়, মগধ, সুমিত্র, সৌরাষ্ট্র, ভোজ, গন্ধার, বসুদাম, চেকিতান, কেতুমান, কাশিরাজ, মৎস্যরাজ, ভিষক, কোশল, শিশুপাল, সুবাহু, সৌভদ্র, জয়ন্ত, মদ্ররাজ অমসুং অনিশিংবা নিংথৌবনা য়ামল্লবা ক্ষেত্র নিংথৌ যদু, ভোজ, বৃষ্ণি, পঞ্চাল রাজ,

বৈশ্য শূদ্র হুনাও পুলিন্দ কিরাট যবন অসনচিংবা হায়রিবা নিংথৌশিং অসি পাণ্ডবকী সভাদা যাওরি। মাগী মাগী হক খুংথোশিং অর্জুনগী মকমদা লোইনা থুংলাই তম্মী, ইন্দ্র খুম চন্দ্রনা থম্মদা মায় ওন্নিন্দুনা লৈনৈ। (চিত্রসেন তুম্বুরু হাহা হুহু গন্ধর্ব) অপ্সরা কিন্নরী কয়া পরিবার পুরক্লুনা যথ লৈশে ঙগোই পাণ্ডবকী পেন্নবা থৌগল্লে, ব্রহ্মাবু ইন্দ্রানচিংবা লাই পুন্নমক্না খোপনতৌবগুম্না; ধর্মরাজবু থৌগল্লে. অসিগুম্বা সভা অসি মথক্রম্ভ ওইথিদ্রি মথা-গুম্ব লাক্লরোই। ময়দানবরাজা পাণ্ডব মহাবু বিদায় লৌরগা মাগী লৈপাক্না মাগী মী লোই-নক্লুনা কনল্লে, পাণ্ডবকি ইন্দ্রপ্রস্থ অসি অমারপুরগা মান্না পাল্লে। সভাপর্বগী বারি অসিবু অমৃতগী মশকনি। তাক্কবদা মীওইবনা অরানবা কণ্ডই হায়বসি ব্যাসগী য়াথংনি। মসিবু তোল্লবঃ শ্রীহরিগী মনাইনা শ্রীআলোন্দা ইজবগী অরানবা কয়া বৈষ্ণব সমাজনা তাকপীগনি॥ ইতি ॥

অধ্যায়ঃ –

নারদনা সভা বর্নন তৌবগী ব্রারী মতাংঃ—

শ্রীবৈশম্পায়ননা হায় মহারাজ জন্মেজয় পুক্নিং চংনা তায়ো, মথাগী বারী লিয়গে মতৌ অসুম্না পাল্লিবা নবুথৌ মহাগী ইন্দ্রপ্রস্থদা লিল্লিবা লৈবাকী শাসন অসি ভীমনা মন্ত্রি ওইদুনা শেম্বা সাসন্দুনি, অশি অনা লৈতবা নোংজু মুংশা চুম্বা মহৈ মরোং কবা য়েক্লবা ছরান ভিম্নি লৈতবা লাইনা অযুক মুংথিল মুমিদাং কুপ্পা শেন্নহুনা তক্কনা মথৌশিল্লিব! পাণ্ডব মহাগী (ইন্দ্রপ্রস্থ, তলপ্রস্থ মাকুণ্ড, মাকুণ্ডী বারনাবত) গ্রাম মহানি মতম অহু শ্রীকৃষ্ণগী কৃপানা মরম ওইদুনা ফুংডাইরি।

নোংমগী মুমিত্ত ব্রহ্মাগী মচা নারদ থত্তৌদনা থুংলরে, পুক্নিংনা নিংবগা মান্নবা, থোংজত্তা চৎলিবা লোশিংগী থাওমৈনা থমোইদা শেংনা তাল্লিবা গুণ থিবিক্লা তিল্লিবা ঋষিনি। বেদ মরিনা লৈরেংদা পক্লুনা লৈরবা ব্রহ্মাণ্ডদা পোকপা ব্রহ্মনা থমোইদা ভূত ভবিষৎ বর্ত্তমাণ থংনা তাল্লবা বৈবিক্তগী থোইরবা ঋষি জীবনা পারমার্থ থংনবগী লাইনিং থংলবা পুন্নমক্তগী থোইদোক্লা থংলবনি। মিংকুপ্তা ব্রহ্মাগী সৃষ্টি অসি ওইম্নিংবা মওংদা ওইরনবা তুবা থংনবা শিনবদা হৈরবা; কোক্তা জতানা লৈতেং ওইবা লাইবক্তা সিন্দুর নম্বা নাকোং অনিদা কৃষ্ণগী নির্ম্মলানা লাইন ওইনা লৈতেঙই। চিন্দা হরি নাম শোল্লি থুং অনিনা বিনা যন্ন থোংই

মিং অনিদা শিন্থরকপা পিরাংনা গজা ঈহৌরকপগুম্না চেন্থরকই, তুজুংঙকপনা কোদোম পামগা গুম্মী, নিনাযম্বগী গুরগা চানা রাগ রাগীনি পান্দুনা শো লবা মাইথোংনা শরৎকী পুর্ণিমাবু ঙমজৈ পাথোম্না থুকন্ড য়োনা চোঙ্লি নকচাংনা মণিনা তাঙনা শাবগুম্বী মন্থামা মৈরিগুম্না ঙাল্লি। কৃষ্ণশার কোবা শাজিগী মউন শেংলি। অসুগুম্না নারদ ঋষি সভাদা থুংঙদুনা পাম্বোম য়াংনা থাজংলেগা স্বস্তি স্বস্তি হায়না অশীর্ব্বাদ তৌরকই. নারদবু উবদা সভাদা লৈরিবা মীয়ামদু হৌগৎদুনা মুনিবু থরুম্মী. যুধিষ্ঠির মনাওশিংগা লোইননা ঋষিবু খুরুমজদুনা অম্মিংবা ঈশিংনা খোং হাম্মী। রত্ন আসন থাবে ৫ং থোইদিং তিংথৌ ধুপ থাওমৈ ষরযোপচারনা ঋষিবু পুজা কংলি, ছন্দেছনা মুনিগী সেবা কংলে। মুনিনা পেন্নদুনা মুংশিবা য়াবায়না হায়রকই।

ধর্ম্ম রাজ নহাকী সাসনগী য়া হায়মু, শাগৈগী কৌলিক ধর্ম্মবু ঙাক্না কর্ম্ম তৌরগা ধর্ম্মবু থুপ্না তাম্লিবর, মহারাজ নহাক্তি থৈথাই থিজ্জাইবা লৈতবরা সাধু বৈষ্ণব পণ্ডিত নতুং ইল্লিবা পাত্র মন্ত্রশিংবু করম্না য়াহয়না পেলহল্লিবগে। নতোমননা অদুক য়াম্না মী পুম্নমকী বিচার অচুম্বা কমদোনা তৌরি. অপংবা প্রজাবু শিন্দোক্তুনা কমদোনা থবক পন্থনা শুকল্লিবগে মীওইবগী চান লেংনবা পোংথশঙ্গী অমাং অতোংগী অচুম্বা মমলদা য়োলহনল্লিবরা ব্রাহ্মণদা দক্ষিনা দান কংনবা লন কমদোনা পৈন্থুনা থমইবগে, মতিক চানা থংঙবা পুরোহিত, ভুত ভবিষৎ খংবা ঙম্বা জ্যোতিষ পণ্ডিত গুরুবর্গশিং হায়জকম হংজকম নোঙ্জকম মতিক চানা থম্মীবরা। মৈবু ব্রাহ্মণবু অতিথীবু পুজা হোম তৌরিবরা, ভোল্লবা ভিক্ষুরি কনা লৈজরবা অসোন অনা শা-যণশিংবু মবুক থনহল্লিব্রা ? দেশ কয়াগী নিংথৌশিংগী মান কংবা ঙম্বা কমদোনা নতুং ইন-হল্লিবগে. চেং-কৌ সনা-রুপা মণি রত্ন য়াংতনা লক্লৈদা পৈহনা থম্মীবরা। দেশ রক্ষাগী থুংগু খুংলোই মতিক চানা থমহনা শক্তি চুম্না করম শিজিনরিবগে, মতিক চাবা ঈ পাও অচুম্বা লৌনবা ভুত থম্মীবরা, ভুমনিংবা অতনবা শান্ননিংবা লৌনিংবা কোইনিংবা অশাওবা অংাম্বা থোরাংবা অঙকপা ইংগ্রেবু লাকশিল্লিবরা অমংং সাসনগী হৌনবী মতুং ইন্না লন থোমগংলিঙা। আয় ব্যয় চানা থম্মগা সত্যবু ঙাকংনা নচা মুংশিবগুম প্রজাবু পালনতৌরিবরা, সত রজ তম গুণতগী বিচার ঙাক্না চংলিবরা হায়মু তাগে ধর্ম্মরাজ অদুম্না হংঙকই ব্রহ্মাগী মচা নারদ ঋষিনা।

যুধিষ্টিরনা মুনিবু খুরুমজদুনা হায়জরকই মুনিনা তাকীরিবা অদু ঐন থরা থঙজবা অসিনা ঙাকপা ওম্বা চংচরি, মুনিনা অমুক তাকপীব অসিদগীম্ন হেন্না থংজরে ওসিদগী হৌন অমুকম্ন চেকশিন্না হোংনজরগে। মুনিদা য়াকম অমতং হংজগে ঋষিদি মরোল তরামরি য়োদবা থংদবা লৈত্রবনি ননাইগী রাজ শভা অসি ময়দানবনা সেবিরম্ব সভানি, অদুম্না কজবা সভা অসি মকম করম্বদা লৈবগে অমুত্তা তাকপীয়ু ননাই থংকনিংই ময়দানবা রাজানা সনা-রুপা মণি মুক্তা পোরক্তুনা শেম্মী। ধর্ম্মরাজগী য়াহং অসি তাবদা য়োমোন নোরগা মুনিনা হায়রকই,

মহারাজ । ঐ চায়গ তারো, নহাকী সভা অসুম্বা কজবা অসি মীগী লৈপাক্তদি উজ্রি লাইগী লৈবাক্তদি মসিদগী হেনবা মীওইবনা অঙকপা কংলগদবা সভা ওাক্তা লৈ । মহুদি ব্রহ্মাগী সভা কৈলাসগী ইন্দ্র যম বরুনগী সভাগী গুণদি শিংখাবদা লোইবা নাইরোইদবা ওাক্তনি যুধিষ্ঠিরনা চায়জৈ মুনি হায়রিবা দেবা সভাগী গুণ অমুক্তা শিংখবিয়ু ননাই তাজবগা পাপ কোকচগে । মক্তুবা সভ পর্বিগী বারী অসি শ্রীব্যাসনা কন্না লেংবিরম্মবা মীওইবনা তাজবদা পাপ মাংনবা ওইরবা অসিবু শ্রীগে বিন্দগী চরন্দা পুক্লিং কচ্চহুন তেৎন্নবা শ্রীহরিগী নন্নাই ঐনা ঊংলোন্দ ইজবনি ॥ ইতি ॥

অধ্যায়ঃ—

নারদনা সভাবর্ণন তৌরকপগী ৱারী মতাংঃ—

শ্রীবৈশম্পায়ন মুনিনা হায়রকই, মহারাজ জন্মেজয় পুক্লিং চংনা তারো লিরগে যুধিষ্ঠিরগী মহমদা নারদ মুনিনা হায়রকই, অহানবদা ইন্দ্রগী সভা বর্ণন তৌরগে ইন্দ্রনা চহি কয়া তপ তৌজবগী মহৈনা শেমজবা সভানি । মরেপ্পা দুথক মঙা ৱাওই মরাক মহুং ৱুথক চাম্মা চাম্মা মশৈম্ন নিংথিন য়েক খোংকুনা শেমগ্রবা পুর্ণিমা কোটি অমাগী মঙাগা তিনবগুম্না ওাল্ল; ইন্দ্র শচি অনিনা তমন সভা অদা ওাল্লি রোগ শেক জরা মৃতু লৈত্রবা ভক্তনা ফুংওাইগুনা লৈবা লাই পুম্নমক নিংথবা খিবিক্লা তিল্লবা বস্ত্রপুষ্প মণিমুক্ত স্বর্ণরোপান লেভেংই । যম, কুবের মৈ, ঊশিং, নুংশিং, দবগ্রহ, অষ্টমবসু ধর্ম্ম কাল, অর্থ, মেঘক্রম নোংখাং জমকুমরি নোপাল মরিঃ যজ্ঞ, দক্ষিন্যা দান, যোগ, মন্ত্র, সিদ্ধ, চাতুর যক্ষ, রক্ষ, গন্ধ , কিন্নর দেব কোটি কুনথরাহমদোই না ইপুবু সেবা তৌরি । সিদ্ধঋষি ব্রহ্মঋষি ধর্ম্মগী সভানি কনানা শিংথাবা ওম্মরোই ।

হরিচন্দ্র নিংথৌ সভাক্তদা ওান্নুনা লৈ; নহুষ, যযাতি, শিবি, ভরথ দশরথ নিংথৌ মশিং লাকপম-ত্রব কয়া লৈ হাংবিবসি ইন্দ্রগী সভানি মাশিবু পৃথিদা পোকপা মীংইবনা পুন্য তৌরক্পা ইন্দ্র সভাদা লৈরি । নারদনা হায়রকই যমরাজগী শক্তিমনিপুরগী সভা মযুংদ যোজোন চাম্মা মরাক্তা মরিক্ত চাওবা মরেপ্তা দুথক মঙা ৱাংই, য়াম্মন্ত ইংদে য়াম্মন্ত শাদে অবাবসু লৈতে হিংসাসু লৈতে প্রেমগী মশকনি মভম পুম্নমক ফুংওাইগুনতা লৈ মুমিংকী তেজগুম ওাললি । সভাক্তদা

কম্বীবত্র যামগ্রে থরদং হায়গে পুরুমন্ধাতা, ভরত, কৃতিধ্বজ, কার্ত্তবীর্য্য, সুনিজ, সুরথ, মৎস, বৃহদ্রথ নল, বর্দ্ধিনর শ্রুতকর্ম্মা, পৃথু, পরিচয় দিবোদাস অম্বরিষ রঘু, প্রর্দ্দন, বৃষধ্বজ সম্বর্ত্ত বসমান, মুরক শরত, শঞ্জয়, উশিনর প্রদম্ভ, বাহ্লিক, জনক শরবিন্দু, কক্ষসেন, কৈকয়, জন্মেজয়, অজ, ভগীরথ, রাম দিলিপ, লক্ষ্মন, ভীমরথ, ভীমতনু প্রতিপ শান্তনু, পাণ্ডু, নথোয় মহারু পোকপা লিপ্তা অশ্বমেধ যজ্ঞ দান পুণ্য কর্ম্ম তৌরকপা নিংথৌ কয়া লিংথারা ঙমনা লৈরি । হৌজিক বরুণগী সভা অমুক হায়রগে বিশ্বকর্ম্মানা শেমগ্রবা সভা পুস্পরমালি কৌবা থাম বংশীমচোন কৌবা কোম্নুং অঙকপা কংনা কল্পবৃক্ষবনি, যুথক চাম্মা চাম্মান, মরাক মযুং মান্নবা মচু কয়াগী রোতোয়া লামগ্রবা সভানি । বারুনা রাণীগা লোয়নমনা বংননা ফাম্লি । মচা মশু পাত্র মিত্র পুরোহিত ঋষিং তরানিথোই যামগ্রবা লিনগী মীপ বাসুকিন চংব সভাদা যাওরি, দানবকিজাত নমুচি ময় সহ্লাদ অনুহ্লাদ, প্রহ্লাদ, বিপ্রচিত্তি, কালখজ, কাল, কেতু, দুর্ম্মুখ, সরভ, বিরোচন, বলি মতিক লৈরবশিং লবন, ইক্ষু সুরা, সর্পি, দধি, দুগ্ধ জলাত্মক সমুদ্র তরেং তীর্থ, জাহ্নবী, যমুনা, সরস্বতী সিন্ধু কাবেরী, গোদাবরী, তাম্রভাগা, নর্ম্মদা শরয়ূ, ভাগীরথী, রেবানদী, মহানদি, ভৈরবী, ভারতি, তমসা, গোমতী গণ্ডকী, করতয়া, ক্ষীরবতী, দুগ্ধবতী, লোইহিত্যা, সুরভী, চন্দ্রভাগা ব্রহ্মপুত্র, ইরাবতী, পদ্মাবতী অসিনচিংবা লিংথাবদা লোইবা নাইত্রবা তীর্থ কোটি চাতরেংমখৈ মুর্ত্তি পান্দুনা তড়াগ কারনি হ্রদ কুণ্ড বরুনগী থৌগল্লি । বরুনগী সভা অসিদা লৈরিবসি মাগী পরিবারদা চারিমেথ, পরিবার লোইনদুনা ততুনা বরুনগী সভাদা লৈ মহুদা লৈবত্র কনানা লিংথাব ঙমলরোই ।

ধর্ম্মরাজ হৌজিক কুবেরগী সভা অমুক হায়রগে কৈলাশগী চিংশাং চিংয়াং অলকাপুর কৌবা কোম্নুং বিশ্বকর্ম্মানা শাগ্রবা সভাহ্ মরেপ্পা যুথক মরি মরাক্ত যুথক হমফুতরা মযুংদা যুথক চাম্মানি । চিত্র বিচিত্র হিরামনি মুক্তানা সূর্য্যগী কিরণশুরা অহিং ংখিন নাইদনা ঙাল্লবা সভাহদা গুহ্যক, যক্ষ, রক্ষ, কিন্নরগী জাত (কুবের নলিনি রাণীবু ; থৌগল্লি, অপ্সরা চিত্রসেন রম্ভা ঘৃতাচী ইরা মেনকা চারুনেত্র উর্ব্বশী বুদ্বুদা, চিত্ররেখা, মিশ্রকেশী আলম্বুষা, বর্গ উবর্গা অনুকা সাহবর্গা রত্নবর্গা অসিনচিংবা জগোই শাবী কয়ানা জগোই ঊশৈন থৌগল্লি । মচা নল কুবের পাত্র মন্ত্রি গন্ধর্ব্ব হাহা হুহু বিশ্বাবসু চিত্রসেন চিত্ররথ মহেনত্র মাতঙ্গ তুম্বুর বিদ্যাধর কয়ামরুম ততুনা লৈ, হিমাদ্রি মৈনাক গন্ধমাদন মেঘনাদ অসিনা কয়া নাগগী কাংবু কয়া মনাও বিভীষনশু লাকুনা কুবেরগী সভাদা রাওরি লিংথারদা ঙমলরোইদবা সভানি ।

যুধিষ্ঠির হৌজিক শিবগী সভা হায়রগে কৈলাশগী চাংদোম্দা শিবপুর বিশ্বকর্ম্মানা নিংখিনা শেমগ্রবা, সভাশি মরেপ্পা যুথক মরি মরাক্তা যুথক চাত্রেমতানি মযুংদা চাম্মানি অমুবা পাক চাওবা মণিমুক্তাগী মখল কয়ানা থামহুন। লৈতেং ওইগ্রবা চন্দ্র সূর্য্য কোটি অমনা থোক-পগুমা ঙাল্লিবনি । সভা অমুদা রত্ন আসনদা হর-গৌরীনা মিরাজ ওইরি, ভদ্রা, কালী, কত্যায়নী

বিজয়া, ভৈরবী, অন্নপূর্ণা চণ্ডী, উগ্রচণ্ডা ব্রহ্মচারীনি, যোগমায়া, যোগেশ্বরী যোগনিদ্রা, ঘোগভদ্রা উমা, ক্ষুধা, তৃষ্ণা, পিপাষা দাকিনী যোগীনী, দানবী, ভুচরি অসিনচিংবা শক্তি দেবী ময়াম্না হরগৌরীগী থোগল তৌরি। গণেশ, কার্ত্তিক নন্দি, ভৃঙ্গী বিরভদ্র মনিভদ্র, শ্বেতভদ্র, ভদ্রশুলেচিন, ভুত প্রেত, পিষাচ, রাক্ষস, দিব্যরক্ষ কলকক্ষ, কলধক, ডুধুক অসিনচিংবা মচা মনাই কয়াশিং থাবা ডম্বরেইদবা অসিন শিবা দুর্গাগী থোগললি। কৈলাশ উদয়াগিরি, অস্তাচল, সুমেরু, বিন্ধ, হিমাচল, গন্ধমাদন, ঋষমুখ, মেঘনাদ নিলগিরী, মলয়াপর্ব্বত অসিনচিংবা মাগী মাগী মুর্ত্তি পান্দুনা সভাদা যাওরে শিবগী সভাগী গুণ অসি ধর্ম্মরাজ অঙ্গকপগী মশক্তি।

নারদ ঋষিনা মহারাজ অসিগী তুংদ ব্রহ্মাগী সভা হায়রক্লগে, মমাংদে দেব যুগ কৌবা মতমদা দিবাকর কৌব লাইনা মীগী মশক তৌদুন পৃথীবীদা কোইরকই, ঐনা নাম শোন্দুনা পৃথীদা লৈরিঙেদ ইনাক্ত থুংলরে লাইননা ঐ, শকথঙদুন বারী শারকই। ব্রহ্মা ইপাগী ব্রহ্মা সভাগী খবর পাগংলকপদ ঐনা যেংলুগে হায়বদা হুমিং কৌবা লাইনা হায়রকই। হে নারদ লাইনিংবনা সক্ষ দেহ ওইদ্রবদি ব্রহ্মা সভাদু মিং তক্লুনা নিংথিনা উবা ফংদোই অহুনা যেংলুগনম্ন কান্নরোই মিং থক্লুনা তোক্লনি। তপ তৌরগা সিদ্ধি তানথো যারগদবা মতমদা ঐ যৌরক্লগে ঐথোয় অনি চংখিমরগা যেংলুসি ঐস্নু মিং থক্লুনা লাকপনি অহুনা পৃথীবীদা কুম্ভ কনা তীর্থ থুদিংমক লুপ্লগা গঙ্গা তাল্লরিবসিনি। মরম অসিনা নহাকন্নু ঐ লাকব্রিকাওবদি চৎলুহু কান্নরোই তপ তৌথো। হুমিংকী রা তাররবদা ঐ হিমালয়গী চিংথোংদা চৎলগা চহি চাম্মা মহাব্রত তৌহুনা তপ তৌই, মহুতদা হুমিং ইনাক্তা যৌবিরক্লগা ঐগা লোয়নহগা চংখিমরগা ব্রহ্মা সভাবু ঐনা যেংজবদা তপকি পুন্যনা উজবা ফংবনি। সভাদুগী চাওবা মরেপ মরাক মযুংগী হায়বা ঙমদে, ব্রহ্মাগী পুক্নিংনা নিংবগী মতুং ইন্না ওইবা মনসিদ্ধি সভানি, চন্দ্র সূর্য্য কোটি থোকপগুম্না ঙাল্লি। অতিয়া অহাংবা অরাংবদা লৈব্রবা ব্রহ্মলোকী সভানি মহুদা লৈরগা ব্রহ্মানা জগৎ অসি সৃষ্টি তৌরিবনি, প্রজাপতিগী জাং পুম্নমক্না ব্রহ্মাগী থোগল তৌরি। প্রচেতা, দক্ষ, মারিচ, পুলক পৌলষ্ট, গৌতম ভরদ্বাজ, অঙ্গিরা বশিষ্ঠ, ভৃগু, সনক, কর্দ্দম, কাশ্যপ ক্রতু পুলস্ত্য মাণ্ডবা, প্রহ্লাদ, অগস্ত্য, বালখিল্য অতিয়াদা লৈবা চংগা ঙম্বা মৈ, ঈশিং, হুংশিং, পৃথী, জল শব্দ, স্পর্শ গন্ধর্ব্ব, চন্দ্র, সূর্য্য তারা, আয়ুর্ব্বেদ ধর্ম্ম, অর্থ, কাম, মোক্ষ, সন্ধ্যা, ছায়া, দিশা, নিশী ক্ষণ, পল, মাষ ঋতু আয়ন মুহুর্ত, দণ্ড, লগ্ন, তিথি, বর্ষ যুগ, কান্তি, শান্তি ক্ষমা, দয়া অষ্টবসু, নবগ্রহ, চারিবেদ, ছয়শাস্ত্র আগম, নিগম, তন্ত্র, শ্রুতি, স্মৃতি, চারিযুগ, বর্ষা, মাষ, দিবা, রাত্রি, সাবিত্রী, গায়ত্রী, ভারতী, লক্ষ্মী, অদিতি, বিনতা, কদ্রু, ভদ্রা, গঙ্গা, অরুন্ধতী, ইন্দ্র, যম, বরুন, কুবের অসিনচিংবা লাইশিং লাক্লুনা সৃষ্টী কর্ত্তাগী সেবা তৌরি। নারদ ঐনা শিংথাবা ঙম্বরোই, অনুপ্পা সভা অসিদা ঐস্নু ভক্তনা ইপা ব্রহ্মাগী থৌগল্লি।

যুধিষ্ঠির হায়রিবা মশা সভা অসিদি লাইওইরবসু মীওইরবস ভগবানগী কৃপাতনা লোৎবা ওমই। হায়রিবা সভা অসিগী মতুংদা "প্রথোম বৈকুন্ঠ, গোলোক, কৈলাস মথুদি সচ্চিদ আনন্দগী ধামনি সিদ্ধ লিতা ওইরিবা জীবনা য়োৎবা ওমদ্রে অসি পুরুষক ঐনা লোইনা নিংথৌনা উরক্রবনি। মীগী লৈবাক্তদি নহাক্কী সভা অসিগা মাঙ্গবদি মাওঙ্গ্রে অতৈ্না নারদনা সভা বর্নন তৌরকপা অসি তারগা যুধিষ্ঠিরনা হায়জরকই।

মুনিগী থৌজান্দগী ঐনা তাজবা কংবদা অঙ্কপা অমা মাওংরে অমাশা নিংথৌশিংনা যমলক্তা লৈরগা হরিশচন্দ্রনা ইন্দ্রগী সভাদা তাল্লিবত্তু করি পুণ্য তৌরকপগনো; অদুগা যমশেংক্তা ইপা পাণ্ডুরু উনবা মতমদা যুধিষ্ঠির ঐবু ইপানা নিংশিংবিরকপর ঋষি অমুক্তা তাকপিয়ু। নারদনা হায়রকই সূর্য্যবংশগী অথোইবা হরিশচন্দ্র নিংথৌনি রথ অমা তোংলগা দ্বীপ তরেৎ অসি জয় তৌরগ রাজসূয় যজ্ঞ তৌই, পৃথিবীগী নিংথৌ পুম্নমক্না মাগী য়াথং ইল্লি। সত্যবাদী, জিতেন্দ্রিয়, ক্ষমা, দয়া, শান্ত, ধর্ম্ম লৈবনি। জগতকী ব্রাহ্মণ পুম্নমক যজ্ঞগী মতমদা সেবা তৌদুনা পেনহল্লি, পাত্রগী রায়েন কাইদনা দক্ষিণা দান কংল্লি, অদুগী পুণ্যনা ইন্দ্রগী সভাদা তাল্লিবনি অদুগা রাজসূয় যজ্ঞ ওমদবা নিংথৌশিংনা যোগ তেঙ্গনা থবাই থাজাথবশিং অদুনা ইন্দ্র লোক্তা লৈ। অদুগা যমলোক্তা পাণ্ডুরজ উরবদা এখোন্দা অনোনবা য়ু হায়না কপ্পুনা হায়রক, মুনি ঐগী ইবা যুধিষ্ঠির নিংথৌদু মনাও পাললবা মরিনা মাগী য়াথং ইল্লি, অদুগা কমল লোচন শ্রীকৃষ্ণনা মাগী সহায় তৌবিরি পৃথীবদা মানা তৌগে হায়বদা ওমলোইদবা লৈরোই। রাজসূয় যজ্ঞ ওমগনি মানা ঐবু নিংলবদি, রাজসূয় যজ্ঞ অমুক্তং তৌরকউ হায়বিয়ু। ইচানা রাজসূয় যজ্ঞ তৌরকপগী পুণ্যনা হরিশচন্দ্রগুম্না ইন্দ্রগী সভাদা লৈজগে মুনি ইচাদা তথীবু হায়রকই। যজ্ঞ থৌবিক্তগী রাজসূয়না হেল্লি রাজসূয় যজ্ঞ তৌগে নিংলকপদা বিঘ্ন য়ামা লাকনি, ঐনা মুম্না থংজি। লাই, মী, হিংচা-রাইতম্বা, যক্ষ, রক্ষনা যজ্ঞ থুগাইনবা হোৎনরকনি। যজ্ঞ তৌগ হায়না লাংতুবা নিংথৌশিং লান্দা শিথিবা তাকনে মরম অসিনা নহাকি ফগদবা থল্লগ। তৌ, ঐহাকপু বিদায় পিরো দ্বারকানাথ শরণ তৌকথগে অসি হায়রগা ঋষি বিদায় লোইরগা চংথে। সভাপর্ব্বগী নারদনা সভা বর্নন তৌব, মতাং অমৃতগী ইচেল ওম্বা য়ারনি মসিগী রস লৌরন, তাজরবদি মীওই-বনা লেপ্পা মুক্ত কনদি হায়বা ব্যাসনা লেখুবা মহাভারত সভাপর্ব্ব অসি শ্রীহরিনা শাররিবা লিলা রসবু য়ারী শৈরেং ওইনা ইবগী দোষ য়েংবদনা ভারতকী য়োসবু বৈষ্ণবশিংনা লোবিগনি। কলি যুগ অসি হরিনাম নত্তবা অমনগী জীবগী লামবা উপাই অমি লৈরোই। হেঃ পুক্নিং অপংবা, হরি মাবু নিংশিং, হরি হায়না শোনসি মাগী নাম গুণ লিলা তাজবা শোজবনা জীবগী আত্তেবা লননি হায়বদি রস শাস্ত্র কয়াদসু ইথিরমী ইতি॥ হরি হরি হরি॥

অধ্যায়ঃ —

শ্রীকৃষ্ণবু ধর্মরাজনা দূত থাড়না ইন্দ্রপ্রস্থদা পৌকবা ৱারী মতাংঃ —

শ্রীবৈশম্পায়ন মুনিনা হায়রকই, লইবক করবা শ্রীজন্মেজয় মিংথৌ, শ্রীমহাভারতকী কথা-মৃতবু পুক্কিং চংনা তাক্তবদা নথুংনা কংনা ব্রহ্মাণ হাৎলুবগী পাপ নথুংমক্কা শৃঙ্গি মুনি মৈরকবগী দোষনা নশাদা পঙ্খবা অকোরাই কোংগা নঙী পুক্কিগী অরোইবদা লেপ্পা শ্রীহরিগী ধাম কঙলনি মিংথৌ। জন্মেজয়না হংজরকই. মুনিদেব নারদগী হায়রদগী পিতা পাণ্ডুগী ৱারম তাবদা যুধিষ্ঠির ইবুংঙোনা করি তৌরকইবগে। মুনিনা হায়রকই, ধর্মরাজনা অরাবগা লোইনা মনাও মরিবু যেংলগা হায়রকই। ভীম, অর্জ্জুন, নকুল, সহদেব খুঘিগী মুখদগী ইপানা তাকপীরকপা য়াথং তাক্কুনা রাজসূয় যজ্ঞ কৎলগা ইপাগী সেবা তৌনিংই, অদুবু ইয়াম্বাদি পাংজদে নখোই মরিগী নপাক্তন লাংজবা ঙমগদবনি। ইনাওশিংগী পুক্কিংদা করি থনবগে হায়রগা যুধিষ্ঠির মাইথোং লাংশিন্নবা মরু লুকথরগা চিন্তা তৌদুনা লৈখি।

মনাও মরিনা খুমত্রিওইঙদা পাত্র মন্ত্রিশিংনা হাত্তজরকই, মহারাজ করিগী চিন্তা তৌবিরি-বগে ননাও ইবুংঙো মরিনা অমম, থংজুম্বা তাক্কুনি। পাণ্ডব মঙাগী পক্ষদা শ্রীগোবিন্দ ইবুংঙো-নমু লেপ্লৈরি। ধর্মরাজনা তৌগে নিংবদা ঙম্মোইদবা করি লৈগদগে রাজসূয় যজ্ঞ তৌবিয়ু। জগৎনা বিঘ্ন পীবনবা লৈরোই য়াবনু মহারাজ। মন্ত্রিশিংগী ৱা তারগা মনাও ইবুংঙোয়িংমা হজংলি, দাদ মহারাজ মচা ওইবনা পিতৃ ঋণশিংবা তৌগদবা মচাগী ধর্মনি, ননাও ঐথোইদি দাদ মহারাজগী য়াথং পিবা পামজবনি। দাদ মহারাজনা তাকপীব য়াথং ইজগনি। পাত্র মন্ত্রি অমসুং মনাওশিংগী ৱা তারগা যুধিষ্ঠির পুক্কিংদা ৱাখল তৌরকই। থবক অসিনা ঙমকদবা ওইবদগী ঐনা কার তৌগে হায়রগা ঙমদবা থোক্লবদি পৃথীদা মিংচৎ থিহোরগনি। মরম অসিনা হায়দোকপিদৈদা ঙমগনি ঙম্মোই তৌ তৌগদু হায়বা অন্তর্যামি গোবিন্দদা হজংলগা য়াথং মকুং ইন্না যজ্ঞ তৌগে তৌরোই হায়বসি কোম্না হায়দোক্লগে। অহ নত্তনদি ঐনা হায়বা য়াত্রি পাণ্ডব ঐথোয়গী থরায় ওইবিরিবা হরিদি জগৎকী কর্ত্তা কারণনী। ৱাখল অসি লেপ্পুনা দূত থারগা দ্বারকানাথবু কৌরগে নিংঙন সহদেবদা দূত কৌশিনলকউ হায়না য়াথং পিরক্লে। রাজ-অজ্ঞা মতুং ইন্না দূত কৌরকই, দূত চংঙক্লুনা ধর্মরাজবু থুরুম্মী, যুধিষ্ঠিরনা দূত নিপা অহম পত্রগা কোয়না দ্বারকাদা কৃষ্ণ কৌরু হায়দুনা থারে। দূত নিপা অহমসু শগোল তোংগা চেংজেন পুক্কনা লাকপনা য়ুমিৎ হুমনিদা দ্বারকাদা থুংলক্লে। গোবিন্দগী মণিমন্দিরগী হোজংদা দ্বারীশিংদা শগোল শিংরম্মগা শ্রীকৃষ্ণগী মনি মন্দির তায়া চংজরকই। কৃষ্ণ মণিমন্দিরগী মনোঙ্গা রত্ন আসনদা ফামদুনা ইবেম্মশিংনা ছন্দেছ পেখা কাংহায় চামর থৌগৎ তৌরি। হরি ইবুংঙোদু

ধর্ম্মরাজগী হুত উবদা শ্রীমুখবানিনা তরাম্না কৌবিরকই. চিংনগনু মাঙোল কারকউ পনগনু পাণ্ডবকী পাও থুনা তানিংই। দদ মহারাজগী হুত, ইয়াম্না করি য়াথং তাকপ রক্কু্না লাকপনো। লাও চংগকউ দাদ মহারাজগী পাও তস্মোলাও অমুম্না তরাম তরাম্না কৌশিনবি। হুতাশংহু চংজররুগা দারি মখাদা মঙক্কা কি থেংলগা দণ্ডবত তাহুনা খুরুমজরকই। শ্রীকৃষ্ণনা মনাই হুত য়েংহুনা তাকপীরকই। মাঙোন্দা কাখংলকউ হায়রগা মখাদা লৈরিবা করিগীনে. নখোয়না হায়নিংবা হায়রে হুত অহুমহুনা লাইংকুংকগা কাখংচরকই গোবিন্দগী চরন্দা খুরুমজরগা হংচে ধর্ম্মরাজগী পত্র পুহনা লাকচবনি, চরন্দা কংকগে। কৃষ্ণনা ইয়াংগী পত্র ওংরবদি নখোয়না কংকে হায়রিবহু খোংগল্লোন ওয়রে লাও এগী কিপাওদা খাদরো হায়না তাকপীরগা কীপাও শাহুনা তাইরি।

হুতনা পত্রহু মুরারিগী কিপাওদা হাপচরে. শ্রীকৃষ্ণনা পত্রহু চাজুম হাংদোক্লগা পাহুনা য়েংই। যুধিষ্ঠিরনা পত্রদা ইরক্লিবা মরোলদি, প্রাণনাথ হে কৃষ্ণচন্দ্র ঙনাও অবুংতোগী মাইথোং থম্বালবু উবা কংজদবদা নয়াখগী খম্মোই পুবা উমত্রে. ঙীন থাজ্জিনবা পত্রহু কংবগা অমুঙ্কং লেংবীররুগা শিরবা দেহদা জীবশক্তিরিনি শিক্লগা লিংহনবগুম্না লাইবক থিরব যুধিষ্ঠিরবু অরাবগী ঈপাক্তগী অমুক্তা কণবিয়ু। পত্রগী মরোল কংলবদা মনাই হুতাশংবু কোনবীরগা ছন্দেছ কয়া পীনবিহুনা তাকপিরকই। নখোইস্নু হল্লো কৃষ্ণ য়াকস্ন শোইদনা ইন্দ্রপ্রস্থ য়োরক্লগে। কৃষ্ণগী য়াথং কংলবদা হুতশিংহু হরিবু খুরুমজরগা থোকচরক্কুনা শগোল তোংখংলগা ইন্দ্রপ্রস্থদা হুত হনখি। হুত ইন্দ্রপ্রস্থ য়োরক্কুনা ধর্ম্মরাজদা গোবিন্দ শোইদনা লেংওংগনি কাংন ভক্তি তৌজহুনা হজচ্ছখি। অসোমদা শ্রীকৃষ্ণনা দারুক্কা য়াথং পিহুনা গরুরধ্বজ রথ সাজন লোইরে ইন্দ্রসেন লোইনহুনা বাস্থদেব রথ তোংলে। দারুক্কা রথ মুংশিংকী মাং থানা থোরকপনা ইন্দ্রপ্রস্থগী সিংহদ্বারদা থুংগরে. শ্রীকৃষ্ণ লেংগকলে হায়বা পাও ধর্ম্মরাজদা দ্বারীশিংনা কংহলি। ধর্ম্মরাজনা মন্ত্রি মন্দোল মনাও ইবুংঙোশিংদা য়াথং পিহুনা মযাম থোরগা শ্রীকৃষ্ণবু ভক্তিগা লোইনন ওকচহুনা দরবার সভাদা লেংশিল্লকলে। দরবারদা শৈরম্মীবা মীংাম ওম্মক গোবিন্দবু দণ্ডবত ভক্তি কংনখি। শ্রীকৃষ্ণ ময়াম্বু আশীর্বাদ তৌবিরগা লেংশিন খহুনা যুধিষ্ঠিরবু খুংম্মী ধর্ম্মরাজ আসন্দগী চোংথররুগা শ্রীকৃষ্ণবু চিংখংলগা চেংনা কোল্লে, মপু মনাই প্রেম আলিঙ্গোন তৌনরগা সহদেবনা রত্ন আসন কংলি। গোবিন্দ আসন্দ বিরাজ ওইরে, ধর্ম্মরাজ রাজ আসন্দা ফমলে. সহদেব হরিগী চরন সেবা পুজা লাংই, ছন্দেছ কয়া কংলি। শ্রীকৃষ্ণগী শক্তি চংলবা খম্মোইদা বেদনা তাল্লবা শ্রীব্যাসদেবনা লেংওমলবা মহাভারত সভাপর্ব্ববু ঈমালোন্দা রারী শৈরেং ওইনা ইজবা অরানবা কয় বৈষ্ণব সমাজনা তাকপীগনি, কবি কংনা লেংঙম্না মহাভারত কয়াদস্থ হায়রি অমৃতগী মশক্তি, মীওইবনা তাজবদা পুন্য কংই ইতি॥ হরি হরি হরি॥

অধ্যায়ঃ—

শ্রীকৃষ্ণনা যুধিষ্ঠিরগা য়ারী শানদুনা যজ্ঞগী বারম খন্নরকপগী মতাংঃ—

শ্রীকৃষ্ণনা ধর্ম্মরাজগী মফমদা হায়রকই, দাদ মহারাজনা ননাওবু চুত থারকুনা কৌবিথবু করি তাকপীগদবা লৈরগে ? যুধিষ্ঠিরনা হায়রকই, প্রানকৃষ্ণ নয়াম্বগী সভাদা নারদ মুনি লেংঙ কুম্মী। যমলোক্তা ইপা ইবুংঙো পাণ্ডুরাজ লৈ. ইপান মুনিদা পাও অমা চেন্নকই হায়দুনা ঋষিনা ঐঙোন্দা তাকপীরম্মী। রারমদি হরিশচন্দ্র নিংথৌনা ইন্দ্রগী সভাদা রাজসূয় যজ্ঞগী ফলনা তংনা চান্দুনা লৈবঙু্ম, ইপাগু ইচাশিংদি নপান্দগী ইন্দ্রগী সভাদা লৈগে রাজসূয় যজ্ঞ অমুক্তা তৌরক্‌উ, অসুম্মা ইপানা হায়রকপা রাকম অসি মুনিনা তস্থিরদগী ময়াম থরবদা কনানা পিতনা পেঙ্গবা তৌগদবনি হায় কনানা অফবা কর্ম্মনি তৌগদবমক্কি হায় কনানা লন চাথৎকনি তে হায়, কনানা যজ্ঞদি মীওইবনা পংনা ঙম্মদে য়াম্না মুন্না অথং অকৈ তাম্নরগা তৌ হায়। কনানা হাব গে বিন্দনা সহায় ওইবিরিবা পাণ্ডবনা তৌবদা ঙমগনি হায়, অদুবু ময়ামগী রাকম অসি নয়াম্বগী পুক্নিংদা লৌখিংদে। ননাই পাণ্ডব মঙাগী কর্ত্তা কারণ ওইবিরিবা হরি ইবুংঙো য়াথং লৈতনদি ননাই নয়াম্বনা তৌগে হায়না লেপকদবসু ইতিক ওইজদে, মরম অসিদগী ঐনা চুত থারগা প্রানকৃষ্ণ ইবুংঙো নয়াম্বনা কৌজবনি। অদুগা মচা ওইবনা মপাগী য়াথং তাক্নবা সেবা ঙমজবা মচাদুদি কাপুরুষনি হায়রি. মসি খল্লুবদা অরাবগী ইপাক্তা লুপ্নবা নয়াম্ববু অমুক্তা অরাবা সমুদ্রদগী লান্থোকপীনবা পৌজানবীদুনা যজ্ঞ অসি তৌজৌ হায়বরা তৌগদ্রু হায়বরা য়াথং তাম্না পিনবিয়ু।

শ্রীকৃষ্ণনা হায়রকই. দাদ মহারাজদি গুণ খৈবিক্না তিল্লবা পৃথীবীগী মহুৎদা ইয়াম্বগা মান্নবদু কনা লৈব.গ রাজসূয় যজ্ঞ তৌবদা মতিক চায়. অদুন্দি ওইরবদ যজ্ঞ তৌবিয়ু হায়রবা ঙমদবা রাকম অমত্তঃ লৈরি মন্থ ননাও অমুক্ত হায়জখিগে তাবিখো। মমাংঙৈদা পাণ্ডু মামা য়াইমানা পৃথী জয় তৌদুনা সর্ব্বভৌমপদবী লৌবিরম্বনি মৃগ ঋষিগী শাপ কংদুনা সংসার থাদো কল্লিবদগী মগধ দেশকী জরাসন্ধনা সর্ব্বভূমাপতি ওইখিদুনা হৌজিক মুনিং তৌনা পাল্লি য়ারোই। রাজসূয় যজ্ঞদি পৃথীগী নিংথৌ ল্যাক অমা শুনা য়াওরগা রাজ অভিষেক কৎকদবনি, অদুবু হৌজিক নিংথৌ মশিং ঙনা লৈজ্রে। নিংথৌ কিশিং মরিক্তু জরাসন্ধনা কারগা পুল্লুনা থমগ্রে। শিশুপাল, দণ্ডবক্র, অঙ্গবঙ্গ কলিঙ্গ, যবনরাজা, ভগদত্ত কৎত্রবা নিংথৌশিংন. মাগী মিচং ওইরি। পৃথীগী নিংথৌশিংনা মাবু পূজা তৌনরি, ইক্ষ্বাকু শাগৈ ইলাগী বংশ নিংথৌ কয়ামকুমগা শংনকুম্বদগী লৈবা ঙমদদুনা মরৈবাক থাদোকুনা হিমালয়গী বাংমদা লৈখি। কংসগী রাণী অস্তি প্রাপ্তি ইনেম অদুদু মাগী মচানুপীনি ধর্ম্মযাগ যজ্ঞদা কংস হাৎলুবগী মথোই অদিনা

হায়রুবদগী লান তৌরক্লুনা মথুরাদা তেঙ্গোলনা কোইররবদা দাউজিগা ঐগনা লাম্থোংনহনা তেঙ্গোল কয়ামুক থাংজবদা কায়হনা চেনখি । অহুগী তুংদা জরাসন্ধুগী হৌরকপা লালহৌ তম্মানিপাল-লক্লি, মাগী তেঙ্গোন্না য়াম্নসিদি মশিং লাকওমত্রবা চহি চাম্মা থেংনহনা থাংপদা লোইবা নাইররোইদবা তেঙ্গোলনি । মরম অহুদগী মথুরাদা লৈবা য়াদহনা অয়াম্পা দ্বারিকাদা লৈরিবা অসিনি । জরাসন্ধগী লানহৌ অহুদা লান পাংথদবা নিংথৌ মখৈ কারগা পুন্দুনা মাগী বন্দি-শালাদা, উচেক মখা কারগা পোন্দা হাপ্পুনা থম্বগুম্না লৈরি । নরমেধ যজ্ঞ তৌরগা রুদ্রদা নিংথৌ লিশিংমরিফুহ বলি কংকনি হায়রুনা হৌশিক খৌরাং তৌরি । জরাসন্ধ হাংলগা নিংথৌ ময়ামসি থাদোকপীহনা মথরাই কনবীরবা, অহু ওইরবদি রাজসূয় যজ্ঞ পাংথোকপা য়াগনি । জরাসন্ধ হিংলমখৈদি যজ্ঞ তৌবা য়ারোই, মরম অসিনা জরাসন্ধ হাংলগা পৃথীবীগী নিংথৌ কয়া খুহম চনবিথো, অহু ওইরবদি সোইদনা তেগে নিংবা থবক পাংথোকপা য়াগনি, ননাওগী মন্ত্রনাদি অসিনি অহম্না শ্রীকৃষ্ণনা হায়রকই ।

কয়রিবা য়াকমসি তাবদা, ধর্ম্মরাজনা হায়রকই, দিনবন্ধু নয়াম্বনা পামজবদি পৃথীবীগী নিংথৌশিং মসি শ্রেম্না খুহুম চম্বা শান্তি ওইনা হোংনরগে, তৌপনব থবক লংঙগা কেন্না জরাসন্ধবু অহিংসাগী লম্বীদা মানবা উপায় হোংনরগা যজ্ঞ পাংথোক্লবা তৌবা পাম্মী । ময়াম্বগী রা তারগা ভীমসেন্না হায়রকই, দাদা মহারাজনা তাকপীরিবা রকম অসি ননাওদি পামজদে, জরাসন্ধবু হাম্না হাংলগা ভাইসেন শাগে মরূপ মপাংবু হাম্না কল্লবদি যজ্ঞ থুগাইদনবা কনা লৈররাই নিংথৌ ওইবনা য়েক্লববু খুহুম চন্দ্রবদি লৈবাক্তা শান্তি ফংলরোই রাজ্য লক্ষ্মীনা হৈররেই । মমাংনৈগী নিংথৌ কয়া ইতিহাসতা হেংবিয়ু, ভরত নিংথৌ পাঙ্গোম পাঙ্গলনা য়েক্লবা নমথহনা শেমগংলম্বদগী মাগী মমিংনা ভারত ভূমি কায়না কওরি । সূর্য্যবংশগী মান্ধাতনা রাথল শোইখিহনা করিগুম্বা অমতা শেম্মমদনা লবন দৈত্যগী মথুরা লায়না মথরাই থখিবনি । মাগী প্রতাপনা য়েক্লববু লাকশিন্দুনা পাল্লম্বদগী কার্ত্তবির্য্যবু জগতা শিংথানরি, জীবগী মক কনবা ভগীরথনা গঙ্গা পুথরম্বনা মরোন অহুম তুনা কাওরি, মরম অসিনা জরাসন্ধ হাম্না জয় তৌখিসি । মতাং অসিদা শ্রীকৃষ্ণচন্দ্রনা হায়রকই, দাদা মহারাজ পুক্লিং তপ্না ভাবিয়ু তেঙ্গোল লোইননা চংগুরবদি জরাসন্ধবু জয় লোবা ঙমলোই । মাগী লানমিদি মশিং লাকগুমত্রবা মীয়াম্না মতেং পাংই, দাদ য়াইমাগা ইতাও অর্জ্জুনগা পীবিয়ু ঐগা লোইননা চংলগা উপায় য়েংহনা মগধপতি হাংপা ঙমবা হোংনজরুগে ।

গোবিন্দগী য়াহায় অসি তাবদা যুধিষ্ঠিরনা হায়রকই, হে-কৃষ্ণ তাকপীরিবা রাকম অসি নয়াম্বনা চিংননা থোকই, মাবু কিবদগী মথুরা থাদোক্লুনা নোংচুপ সমুদ্র থোংবান্দা লৈবিরিবা ইবুংঙোনি । ইয়াম্বগী মিং অনিগী মিংনহা ওাইরিবা শ্রীকৃষ্ণ ইবুংঙোনা যুধিষ্ঠির ঐগী থরাইনি ।

কমদৌন চিংনরবা জরাসন্ধগী মক্কমদা থাগদগে, যজ্ঞ তৌররোই লাইবক থিব ঐদি লম্বোইরগা মক্কম থুদিং কোইনা চংলগা ভিক্ষা নিহুনা পুজি লেপ্প্রগে । রা অসি তাবদা অর্জ্জুননা হায়রকই, দাদ মহারাজ করিগী অচুপ্পুম্ব হাথং তাকপীবগে, ব্রহ্মাণ্ডগী জীবা পুম্নমক কনাম্ব অমম হাওদে লান তৌত্রবসু শিখিনি । থবক অম পাংথোককে হায়রবদি অরাবা থরা থাংবা তাবনি অরাবা থাওদনা মুংডাইবা চাক্না ংবেদি হারোই, মীওইবগী পুন্সিদা অফবা থবকপু তৌরমত্রবা মী মহাক অদু কিনগী কারদে অরেম্বা পুন্সিনি । মরমসিনা থবক অমা তৌরগে নিংলবদি কান্ন উপায় য়েংনা লাংতৌরগা কেনা নিংঙিবা থবক অদু প্যাংথোকপা তঙ্গবা হোং-লগদবনি । পায়গী রা তাবদা কৃষ্ণনা থাগৎলা হায়রকই, সাধু সাধু ধনঞ্জয়, হায়রিবা রাকমগ্র অচুম্বমক্তি যুধিষ্ঠিরনা অমুক হংকই, হে নরায়ণ জরাসন্ধগী মমিং অসি অর্থ লৈব, মমিংনি করি মরমদগী থোংখিবনো, মপাললনা কয়ামুক কনবগে, কনাগী বর ফংবগে, শ্রীকৃষ্ণবু য়েত্রবা মানা মঙ্গল ওইহনা কৃষ্ণনা তঙ্কদং, হৌংক ফাওবা লৈরিগা অসি কাইননো তাবদা তুকই অমুক্তা হায়বিখো ।

গোবিন্দনা হায়রকই, তাংবনু দাদ মহারাজ, জরাসন্ধগী মপোক্পী রারী শিরগে পুক্নিং চংনা তাবিয়ু । মগধ লৈবক্কী নিংথৌ বৃহদ্রথ কৌবা অমা পাল্লম্মী । মাগী তেঙ্গোল লান্মী শগোল শামু মশং, থাবা তুমলোই, মহান চাওবদা সুমিংকুম্মী, শওরঙ্গগা যমগুম্মা, মশক কক্তবনা কামগুম্মী, তাকপীবৈবা গুণ চেম্ব্র, কাশি নিংথৌগী মচানুপী অনিনা মাগী রাণী ওইহনা সেবা তৌই । দান ধর্ম্ম যজ্ঞ ভাগদা পুক্নিং চংই, মচাদি পোকত্রে । যৌবনগী মতম হৌখ্রে, মচা ফজে হায়রহুনা যজ্ঞ তৌবদসু পোকত্রহুনা লৈবাক্কী সাসন পাত্র মহিদা শিন্নরক্লগ রাণী অনি পুহুনা তীর্থ বন কয়া কোইরকই । বন অমগী মংদে গৌতমগী মচা চণ্ডকৌশিক কৌবা মুনি অমা হৈনৌ পাম্মী অমগী মখোংদা ধ্যান তৌহুনা লৈ । মুনিবু উবদা নিংথৌ চঙ্কুনা দণ্ডবতনা থুম্মী, মুনিনা ধ্যান লেপ্পুনা হংই, বৃহদ্রথ নিংথৌ, রাণী অনিগা লোননা কদাইদা চৎলিবনো । নিংথৌনা হায়-জরকই, মুনিদেব ঐগী অরাবা হঙ্গচগে মরম পুম্নমক্তি রাংতনা প্রজাবু পালন তৌবনি । দান, ধর্ম্ম, কর্ম্ম কয়াম্ব কংচহনা যজ্ঞ ভাগসু তৌজরে, লাইক থিবনা ইচাদি পোকত্রে, মরম অসিদগী রাজাভুগ থাদোগে লম্বোইহনা লাইনিংগ্রগে হায়হুনা বন্দ লাকচরবনি । নিংথৌগী রাহায়হু তাবদা ধ্যান তৌহুনা ঈশ্বরদা নিংথৌগী মচা অমত্তা পীনবিয়ু হায়না নিবিরকই । মতম অদুদা ঈশ্বরনা পেনবীরহনা মানা যজ্ঞ কচ্চখিবগী ফল পীনাবিরগে থক্লুনা হৈনৌ অমুনবা অমদা শক্তি হাপ্পীরগা মুনিগী মাংদা থাদবীরকই । মুনিনা হৈনৌহু থম্মোইদা কোম্বিল্লগা ধ্যাননা য়েংবদা কৃপাগী হৈনৌনি সোইদনা নিংথৌ গুণ লৈবা মচানিপা অমা কংগুগনি থংহনা হরাওনা নিংথৌদা পীরে । মহারাজ হৈনৌশি রাণী অমদা পীজরো সোইদনা গুণ চেম্নবা

নচানিপা অমা কংঙ্গনি। নয়ুমদা হল্লো রাজাভূগ চারুখো কায়রগা কৃপাগী হৈনৌহ্ন মথুক হাপ্পীরে। নিংথো কৃপাগা হৈনৌহ্ন কংঙবদা মুংঙাইজরহনা মুনিবু খুরুমজরগা রাণী অনি পুহনা মরৈবাক্কা হল্লকে। রাণী অনিহ চপ মান্নবা পুংশিবদগী হৈনৌহ্ন চপ মান্নবা শাইরগ রাণী অনিদা পিজখরে, মতম অমত্তদা মীরোল্লে। থা তরা মুমিং তরা নশুবদা রাণী অনি রাজ্জোলশং চংহনা মতম চপ মান্নন মচা পোকে। অমত্তা কন্নদবদা তংখাই যেন্নরগা চাখিবহনা মচাহ্ন তত্থাই অনি পোকপনি। মথুং অমা, মখোং অমা মমিং অমা, নাকোং অমা রাণী অনিহ্ন মচা তত্থাই তত্থাই পোকপহ উবদা পুক্লিংদা অঙকপা ওইনরে। নিংথেমনুবীশিংনা হায়রকই ঐখোই থা তরা রানা গর্ভ পুরুরিবসিদি অরেম্বা তারে হেংনিংত্রে হন্দোকউরো।

রাণীগী রা ভাবদা মনাইমনুপীশিংনা খুংথংগা পুখিন্নন কমজাওদা হন্দোকউরে, খুংথক অহুদা গর্ভপাত ওইবা মুমিং থা শুদনা পোকপ অসুম্বী সোরেনগী জাৎ অসিগুম্বসি চাবা জরা কৌবী হিংচাবী অমা লৈ, মানা উরহনা চাগদবগী খুংথক অহুদা থুংলরে। জরানা পাইথংলুনা য়েংবদা তত্থাই অনিহ যুং যুং শারি, তত্থাই পোকপা অসিগুম্বসি মাগী অমুক্তা উখিত্রি ওক্রহনা চাত্রে মাংবাক রাখন তৌই। তত্থাই অনিহ মাম্নমন্দুনা চপচানা নপক্সিলুবগা মশা অমত্তা ওইখহনা কিংঙক্রগা মথুং অনিহ্ন মচিন্না চুম্লগা হংঙা কংঙা কায়না কপ্লক্ল ওই খোকখিত্রিবা মতৌহ উবদা জরা হিংচাবীহ্ন রাখন তৌই, অঙাং অসি চারগম্ম ইবুকম্ম থল্লোই, বৃহদ্রথ নিংথৌগী মচানি, অমতা পোক্কদবদা রাণী অনিদা য়েন্দুনা পিজ্জখিবনা অনি থক্লা তত্থাই অনি পোক্লখনি, পুনসিন্নুবদা হিংঙে নিংথৌগ পিরুরবদি মচাসি কংবদা যাম্না পেঙ্গরগনি পীরুরগে। রাখনসি তৌহনা হিংচাবীহ মীওইবগী মশক ওইরগা অঙাংদ্র মথাদা কোন্দুনা পুরকই। অঙাংহুনা কপলকপা খোঙ্গেম্না নোথাংবগুম নিঙ্গি, নিংথৌগী দরবারদ চংঙক্লুনা হায়রকই। মহরাজ নচানি, অঙাং অসি লেহৌরো হায়রগা নিংথৌগী তম্পাক্তা অঙাং অহু হাপ্লগা অঙাংনা তত্থাই পোরম্বা পুনসিন্দুনা কিংঙকপগী রারম পুম্নমক তকে। নিংথৌ মচা কংবদা গুমৈথ লৈতনা মুংঙাইরহুনা জরাগী মক্কমদা হংঙকই। ইবেম্মা নহাক অসি নমিং কব্রি কৌবগে কনাগী মচাশুপীনো কনাগী ভার্য্যানো নয়ুম কদায়দা লৈবগে, ঐবু নহাক্কা অমুক হান্না চানবীরিনা অসিন করিগীনো, মরোন অহম অসিগী মনুংদা নহাক্কা ঐবু মুংশিবরিবা অদি-গুম্বদি লৈররোই। নিংথৌগী রাহায় ভাবদা হিংচাবীনা হায়রকই মুনিনা পীবা হৈনৌহ মংবা যাদবনা তত্থাইহ্ন পুনসিনবদা হিংঙকপনি। মহারাজ ঐদি সৃষ্টিগী অহানবদা ব্রহ্মানা শেমগ্রবা ইমিংনা জরা কৌই জগৎ অসি যুম পানবদা লিচং শজং চুমদবাশিংগী বিঘ্নি পীবা ওইরি। ব্রাহ্মণ, ক্ষেত্রি, বৈশ্য শূদ্রশিংগী শাস্ত্রনা পীরিবা নিয়ম থওইদবা বৃন্দাদেবী সেবা লৈত্রবা সন্ধ্যা ভোজন লৈত্রবা মুপী নিপা লমচং চুমত্রবা, গঙ্গা তীর্থবু থওইত্রবা দেবালোয়বু নিন্দা তৌরিবা



ষণ, ব্রাহ্মণ, বৈষ্ণব, অতিথী ভিক্ষুকি, মুপা... তৌরগা জীবশিং য়েকরিব: জাতিগী নিয়ম ঙাকুনা চাবা থকপদা মনিং তম্মৌবা মমা মপা গুরু ওঝাবু থওইরবা মীওইশিংগী মংমদা ঐনা ওংখাইহনা লাইরল্লি, মচা মচ নাহল্লি শিকল্লি মা পোক্ন শিরা তৌল্লি। ধর্ম কাইদনা চংলিবা মীগী মুংদদি অকবা মঙ্গল পী। ঐনা চাবদি অঙাং সায়, চবগী থনবা নাইত্রবা ইবুঙ্কি। ঐবু পুজা তৌজরবদি মচামচ অঙাং নাহনদে শিংনদে, লাইখুং লাইনা ঐনা ঙাক থোকপী। মহারাজদি ধর্ম তৌগে পুজা করামক্রম তৌই নহাক্কী পুজা চাবদা পেল্লবা ঐনি, চিংনবিরুগদু ঐনা জগতকী মুমপাল্লিবা থুদিংসি য়েংই। মরম অহুনা মহারাজবু ঐনা হুংশি জহনা নচাসি হিংল্লগা শিরবিবনি। বা অসি লায়রমগ অরা হিংচাবীপ্র মাংখিহুনা মকমদা হনপ্রে। বৃহদ্রথ মা কংসদ হরাওনা য়োকচরে। জাক কর্ম তৌই জম্ম কোষ্ঠি ইরে, অঙাংগী মনিংনা অরানা সন্ধি তৌনা হিংহল্লকই হায়দুন জরাসন্ধ কায়না থোল্লে। পানথংলকপা থানা পূর্ণিমা তাম্নরকপগুম চাওরকুনা নিতি শাস্ত্র, ধনুর্বিদ্যা তমৗহুনা মতিক চানা হৈহনপ্রে। মতম থরা লৈরগা, মচাদা নিংথৌ কাপলে, অ.গ রাণী অনিগা লোইনহুনা বন্দা লাইনিংহুনা মুক্ত ওইখি। জরাসন্ধ মপাঙ্গল কল্প মাগী সেনাপতি অনি লৈ, অমনা কংস, অমনা ডিম্বক কৌই। মখোই অহুম অসি জগৎনা ঙমকদবা ওইপ্রে। মতুংদ অস্তি প্রাপ্তী কৌবী মচানুপী অনি থাজহুনা ভোজ বংশগী কংসবু মমাক ওইহুনা অকনবশিং পুন্নগা পৃথী জয় তৌহুনা জরাসন্ধনা সর্ব্বভূমাপতি ওইখিবনি। কংস। ঐগী ইথুনা শিপ্রবদা মচানুপী অনিনা তম্মুবদা মানা শাওহুনা গদা লংঙকপদা যুথক চাম্মা লাপ্প লম মথুরাগী কোজংদা থাই, কোজং নিংথাইরে মথুরা থক থক নিকই। অক্ষৌহিনি তরানিপাল পুহনা লান কৌরকুনা মথুরা কোইরে দাউজিগা ঐগা লান য়ান্নবদা হংস ডিংক অনগী ময়াম্বা হংসসেন কৌবা নিংথৌহু দাউজি রামনা হাংপ্রে। ময়াম্বা শিখিবগী মৈচাক্না হংস ডিম্বক সেনাপতি অনিহু যমুনাদা চোংথহুনা শিপ্রে। জরাসন্ধ তরানিপালক কৌর-কপা লাননি, অহুনা খাংবা রারহুনা দ্বারিকাদা লৈখিবনি। কৌজিক মাগী ঙমকদ্রবা সেনাপতি শিপ্রে কংত্রবা মাদা ঙাইরে। মরম অসিনা চিংনবিগদু উপায় লৈগনি, তেজোলগা খুংলাইগা লান পাক্নরবদি মাবু ঙম্নীনবা পৃথীদা লেতে, কৃষ্ণ ননাওনা থজ্জবদা উপায় অমদি লৈ। জরাসন্ধদি মল্লযুদ্ধ নহুনা শিরোই. মরম অসিনা পাদ য়াইমা ভীগা মল্লযুদ্ধনা থেংনরবদি শোই-দনা হাংপা ঙমগনি। পাং য়াইমগী পাম্বোমগী পাজল ঐনা খংই। মরম অসিনা ভীম অর্জ্জুন পীনবিয়ু, ননাওগা চংলগা জরাসন্ধবু জয় তৌরগা রাজসূয় যজ্ঞ ঙমগনি, ননাওনা কায়বা থাজবিয়ু। শ্রীকৃষ্ণগী য়াথং তারবদা যুধিষ্ঠির ভীম অর্জ্জুনগী মাইথোং য়েংঙকই, মনাও অনিনা ধর্ম্মরাজদা কঙংলি। শ্রীগোবিন্দগী য়াথং ইনবনা পাণ্ডবকী মঙ্গল ওইগনি। মনাওগী পুক্নিং থংলবনা কৃষ্ণগী মকমদা অনোনবা রাহায়না হায়জরকই। প্রান বহুমনি ননাই পাণ্ডবকি

কনা উপায় লৈজগে হরি ইবুংঙোতনা ঐখোএগী পান্নল ওইরিবনি নয়াম্বনা চিংনজরে, হোৌজিক্কি থংজরে মংমদি লক্ষ্মিনা মাই ওন্থোখ্রবা মীভনা হরিগী নামবু থওইদবনি, কৃষ্ণ নামবু পুক্লিং চংনা শোল্লিবা মীনা জগতকী অকবগী মশক ময়া সমুদ্রদগী লাথোকখি অমৃতা জীবগী লানবিনবা মপু ওইবা শ্রীহরিনা থ শোকপীদনা লেইপিরী, করিগী অরাবা ভারুগনগে ননাই নয়াম্বা থুংঙাইজরে । যুধিষ্ঠিরনা ভীম অর্জ্জুন অনিবু শ্রীকৃষ্ণগী শ্রীহস্তগী চেকশিনা শিন্নজরে । শ্রীব্যাসনা লেওখ্রবা মহাভারত অসি অমৃতগী মশক্কি, মসিবু পুক্লিং চংনা তাকবদা কলি যুগকী পাপ সগরদগী লায়না নাম্থোকনা অবোইবা মতমদা জীবনা শ্রীহরিগী ধাম কংই, অসিগুম্বা মহাভারত অসি ধর্ম্ম, অর্থ, কাম, মোক্ষ, চতুর্ব্বর্গ কংই ইতি ॥ হরি হরি হরি ॥

অধ্যায়ঃ—

ভীম অর্জ্জুন লোইনদুনা শ্রীকৃষ্ণনা মগধ দেশতা লেংঙকপগী রারা মতাং ঃ-

শ্রীবৈশম্পায়ন মুনিনা হায়, মহারাজ জন্মেজয় মথাগী রারী লিরগে পুক্লিং চংনা তাগো ! হুমিং থবান পুংকম অকবা য়েংলগা মপু মনাই অহুম যাত্রা তৌখ্রে । ব্রহ্মচারীগী মতৌ কিজেং লৈতেংহনা পদ্মসর লাম্থোকখি । কালকুট চীং গণ্ডকী ঘর্ঘরা, মথ্থ খুদোংখিবা চীং কয়া লাম্থোকখি । ভাগীরথী, সরস্বতী, যমুনা লাম্থোকনা নোংপোক পাংনা লাকপনা হুমিং মঙানি শুবদা মগধরাজ্য কংগরে, চৈত্ররথ চৈত্রধ্বজ চৈত্রঘোর, চৈত্রবিন্দু, চৈত্রমুখ কৌবা চীং মঙা অসিনা কোইরগা গিরিব্রজপুরী কৌবা জরাসন্ধগী কোম্নুং লৈ । চাংমনিঙাই লৈতনা ফজরবা দেশনি, চাক হোংই, লন হেংই, যণ, ইরোই, শগেল, হামেং যাও মরাং কইনা লোই । খোংনাং পাম্বী অমগী মখোংদা মপু মনাই অহুম পোংথারে, খোংনাং মখোংদা কম্মগা শ্রীগোবিন্দনা ভীম অর্জ্জুন অনিদা হায়রকই ।

চীং মঙানা কোইরিবা অসিগী ময়াঙদা লৈবা জরাসন্ধগী কোম্নুংনি, য়েক্রবা চংবা য়াদবা সহরনি । কোইরিবা চীং মঙা অসিগী রারম হায়গে তাবো । য়েক্রবা চংঙবদা চীং অনি পাইশিল্লকনা য়েক্রবু চপথাইহনা হাংনি অদুগা অঙকপা ওইবা ভেরী কৌবা পুং অহুমথকনু হোজংদা য়াম্নুনা থম্মী য়েক্রবা চংথিবদা মতোমতা মীয়াম ভানাবা য়েরকই, পুংখোল ভাবদা ভেঙোল ময়ায়া লম্বী থিংথিগনি, অদু নত্তবা য়েক্রবু য়েংশিনবা ঙম্বা লিন অনিথক লৈ ।

লিন অসিবু কিখনা য়েকুব চংবা ওমদে. থোং খুদিং অকনবা রথি কয়ানপ ওাকই । মসিগী উপাই অমতং থয়দিনি, কৃষ্ণগী য়াথং তাবদা অর্জ্জুননা হায়রকই, ভেরী অহু ঐগী দায় ওইগে কৌহল্লরোয় তেম্না য়াওকনুনা থাদানিগে । ভীমনা হায়, চীংঙু ঐগী দাই ওইরগে. শ্রীকৃষ্ণনা হায়রকই লিন অনহু ঐগী শরুক ওইরগে অদুগা মীয়াম্না খংদনবা থোংলোমদা চংগনুশি। চীংগী লম্বীদা লৈবনা মী খংহন্দনা মাগী যজ্ঞশালা য়োশি । য়াকম থরবা লোইরহুনা চীংগী লম্বীদা কাখংলক্লে । লিনগীদমক কৃষ্ণনা মনাই গরুর কৌরকই, মবুংঙোনা নিংথিংগকপদা সিদ্ধিনা খুংথাংগা গুণ্ডুরে । গরুরনা ছেংহকপদা মরোন অহুম নিকই, গরুরবু কিহ্নবা লিন অনিহু পতান্দা চঙ্খরে গরুর মনুংঙো পুরুম্মগা লমন্থ্রে । অর্জ্জুননা শব্দভেদি তেন কাপ্পুনা ভেরী কোবা পুং অহুমহু দংমাই শানকপত্তুনা হেংশক্লে, য়েকুবা চংহকতএহু উবদা চীং অনিহু ভংদুনা পাইশিল্লকই। ভীমনা ব্রজগী চৈথাগা মান্নবা খুংহুম অনিনা চীংমাই অনিদা থাবদা চীংমাই নিম্বাইহুনা লেংদনা থিমদে । মপু মনাই অহুম চীং লাম্বোক্লুনা সহরদা চংহকে । জরাসন্ধগী দেশহু লাইগী পৈলযাকক্ষস্থ কজে, লৈরক থুম্লক সোরোক লেইনা, লম্বী থুদিং ইজিং শিংলি, কথেল ফকান পোসারি দানবা কঙ্কনা লৈ কৈকোন লৈকোন পুখ্রি থাঙ্গপাং মকম চান চানা থম্মী. লৈ পরেং কক্সনা লেনবা পোপারদগী লৌনা, কৃষ্ণ ভীম, অর্জ্জুন ক্ষেত্রিগী থুদম উদনবা লৈপাং কয়া শিজিন্নুনা লৈতেংই । ব্রহ্মচারী ব্রাহ্মণগী ফিজেৎ লৈতেংহনা ব্রাহ্মণ শারগা নোংপোক থোংদা লংহকপনা ব্রাহ্মণ চঙ্ককপাদি থিংদে দ্বারিশিংনা অহুম থাজিল্লকই, থোংলোল অহুম লানশিল্লক্লুনা যজ্ঞশালা য়োঁবক্লে ।

অথোন জরাসন্ধ পত্তোমদা ব্রত কন্নুনা ব্রাহ্মণশিংগা বেদগী নিয়ম লাংহুনা লৈরিবা ব্রাহ্মণশিংনা যজ্ঞগ দিক্ষা পীরি । মতম অহুদি নিংথৌগী স্না য়াথং নত্তনা অতোপ্পা মী অমা চংবা য়াদ্রিবা মতমনি । ব্রহ্মচারী অহুম লাকপহু উবদা জরাসন্ধ হৌগংলক্লুনা থুরুম্মী । আসন অহুম থারঞ্জুংলন্নুনা লৈ স্বস্তি থাস্ত হায়রগা আসন্দা অহুমক ফমী । মুন্ডিহু চিংনা য়েংবদা চীংগু উপস্বীগুম্না লিংই, কুহুনা খুমিংকুম্না মঙান তাই. হায়থরকপা পাম্বোম্না গর্ভ লৈরবা লনগুম্না পুম্নুম তারকপনা থুণ্ড ভ.জিন য়োনা গো হ, পাম্বোমদা থুংলাই চিহ্ন লৈ. য়েকথোংপ্পা কি লেংলি, লৈ পরেং চোম্না শি, মওংহু ইবদা জরাসন্ধনা নিন্দা তৌহনা হায়রকই, ব্রহ্মচারি ব্রাহ্মণ্না লমচং ওয়রিবা করিপানো ? য়েংবদা নথোই অহুমসি ব্রহ্মচারি মানদে, মুনিশিংনা ত ভুনা ঐ ব্রহ্মচারিগী লমচং মুম্না থংই, করগুম্বা লৈ পরেংঙক্তা শিরোইদবনি । অরংবা কিনা লৈতেংলোইদবনি. অদুগা পাম্বোমদা লিরুং লিরিগী দাকগু লৈ । ব্রহ্মচারি ব্রাহ্মণ শাহুনা লাকইবা নথোই অহুম অচুম্বা হায়য়ু, কন্না তাত্তিনো, ব্রাহ্মণ নত্তনদি ঐগী নাক্তা অচুম্বা লম্বীদাদি চংহকপা য়ারোই । নথোই অহুমমক হয়ান লম্বীদা চংহকপা ওইরমগনি, নক্কগা

চৈত্রগিরি য়েথাইরগা লাকপরা, নিংথৌ য়েক্লবদি মহাপাপনি কিদবরা, করি ভিক্ষা নিগে লাকপনো করি দান পীয়ুগে কনানা করি পাম্বগে হায়রু। জরাসন্ধগী ব্রাহ্মণ শ্রুবনা বাসুদেবনা নোংনা ঙংবগুম্বা হায়রকই। লৈ পরেংদি লক্ষ্মীগী তুংনকমনি অনো শিবনি। লক্ষ্মীবুদি মী খুদিংনা খাংহোইরবনি, থোংদা চংগুকলম্মোই হায়বরুদি চুম্মী য়েক্লবগী মকমদা চংবদি থোংদা চুম্বা চংঙো-ইদবনি অঙুনা উপায় য়েংদুনা চংগুকপনি। মহারাজ ঐখোইস থবক পাংখোকপা লাকপনি। জরাসন্ধনা হায়রকই, ঐদি নিংশিংজে নখোই অহমবু করম্বা মতমদা ঐনা য়েক্লখিবনো। ঐদি য়েক্লবদা য়েক্লরিবা মী মহাক অদুগা মাপবা মহাশাপতি জগতদা মীদুগা মাপ্পবা লৈতে। ঐদি ঐনাবুস্থু য়েক্ল দে কমদোনা নখোইবু য়েক্লবা ওইরিবনো হায়য়ু তাগে।

গোবিন্দনা হায়রকই, মহারাজ জাৎরিবা রাজ ওইনবা কাক্কা ঙাংলে, মহাক্তি মী খুদিংগী য়েক্লবনি হায়ন জগতদা ফাওরিবনি। পৃথীবিগী নিংথৌ কয়াবু ফাদুনা পুম্লগা শাগী মতৌঙুং বন্দিশালাদা থমই। মহাদেবদা বলি কংকনি হায়না তারে, হায়য়ু অসিগুম্বা থবকসি কনানশু তৌখিবা উত্রি. গুমতৈনবা থবক অসি তাখিবস্তু লৈত্রি. শাগৈশিংবু বলি তৌগনি হায়বা অসি মহাপাপনি। ঐদি অরাবা তারবা মীবু কনখিবা ধর্মবু য়োকথংপনি, শাগৈবু য়েক্লরবদ য়েংদুনা লৈবা ঙমদে। অক্ষৌহিনি কুনহুমদোইগা লান হৌরকপদা তরানিপালক মাইথবা পিথিবা বসুদেবগী মচা কৃষ্ণহু ঐহাক্তি অনিসিনা পাণ্ডুগী মচা ভীম অর্জ্জুননি। মহম অসিনা নহাক্তী কনবা পামলবদি ঐগী বা ইন্দুনা নিংথৌ ময়ামক্ত থাদোকউ। অহ নত্রগা ঐগা লাম্বা থেংনসি হায়রিবা রাকম অনি অসিদা নংনা অপাম্বা অম হায়রু।

শ্রীকৃষ্ণগী বাহায়সি তাবদা জরাসন্ধ মমিত্তা ঈ কাহুনা ফত্রবা রাহায় কয়ানা হায়রকই। গোপা মচা নং মমাংগৈগী রা কাওরবরা, ঐগী লানদা খাবা ঙমদহুনা লমহুং মচাঙমনা চেনপ্রগা মথুরাদ লৈবা ঙমদহুনা সমুদ্রগী ঈথক্ত খুন্দাহুনা লোংখিবা নংনি। হৌজিক ওইথো-কতনা ঐগী ইকমদা লাক্কুনা নাপন তৌনা নিংথৌ ময়াম থাদোকউ হায়ররি, ঈপাঙলনা ফাহুনা মহাদেবদা বলি কংকে হায়না সংকল্প তৌহুনা পুম্লগা থম্মীবনি। ইকাইদব, গ্বাল মচা, লাম্পি নংনস্থু লান তৌসি হায়রাবা শাই, উংকুম্ব নংগবু ঐনা লম্ব পাব হৌনবরা, ভীম অর্জ্জুন অনিসিস্থু অঙাং ওইমক্তি মখোয়গা শারবস্থু লাম্ব. চানে হাংনুরে মিংচং লৈরোই মাইথিবা থোক্কে মিংচং থিনিঙাইনি। জরাম লিচং চংপ গোপা মচা ঈ খুজিন্দগী লাকপা ওইরমগানি ভীম অর্জ্জুন অঙাং নখোই অনি চেঙত্রো নমা বৈষ্ণবী কুন্তীনা বারম্বগনি জরাসন্ধ ঐ অসি যথগুম্বনি হায়বা থংত্রা। ইকাই থংত্রবা কৃষ্ণ অসিদি ঐনা কারগা শিবদা বলি তৌরনি। জরাসন্ধনা শাওবদগী অশুম্বা ঙংহুনা হায়রকই। জরাসন্ধগী রা তাবদা ভীম শাওমনখিহুনা ময়া ক্রক ক্রক চিক্কুনা ঙংরকই, গোবিন্দনা হায়-রকই জরাসন্ধ কাররোই নত্তোমতা চাওথোক্কুনা ঐনা মকলে হায়রিবা, নিংথৌশিংবু কারগা

হাংকদবগী অতোনবা জীবগুম থল্লিবা হৌজিক অহুগী মকৈদি থিন্দনা ফংলগনি, নংগী নাপন্থু থাদোকউ, ঐগা পানিংঙ্গবন্থু ভীম অর্জ্জুন অনিগী মথুংদগী অপামবা অমগা পাণ্ড. নহাক্নি হায়রুনা থওইদবা তৌরুন্থু রনভূমীদা থোক্লগা পান্নরগা থংগনি। জরাসন্ধনা হায়রকই, ফরে লান পাম্মবদি লান তৌবিগনি, করম্বা লানলোংদা পাসিগে হায়য়ু। চক্রপানিনা হায়রকই ক্ষোত্র ধর্ম্মগী নিয়মদা তেঙ্গোলগা তেঙ্গোলগ পানাবা অমা, মশা মশা পানাবা অমা ঐখোয়না তেঙ্গোল য়াওদবনিনা নশা নশা পানাবা গদা যুদ্ধরা, মল্লযুদ্ধদরা অপাম্বা য়াগনি। থিল্লে নং। পাম্বা থল্লো। শ্রীকৃষ্ণগী বা তাবদা বৃকজ্ঞগী মচানা হায়রকই, ফরে অর্জ্জুন অসিম্থু নৌনা উই, ঐগী মিং থাদে মাগা পানিংদে। নহা ওইজরবগু ভীমনা মিং থরা থাংজি, ভীমগা পাবগে হায়রগা জরাসন্ধ চংখৎনা থুথক অত্তুদা গদা অচৌবা অনি পুররুগা অমনা ভীমদা পীরে, অমনা মানা লৌহৌরে। অহংদগী কিজেং লৈতেং লোইনফুনা মশাল কাওজেবুংদা থোরক্লে। গদা যুদ্ধ থেংনগদৌরি তাবদা কোপুংগী মীয়াম চেম্বোক্লরক্তুনা রঙ্গভূমিদা পৈররে। ওইথোকখিজিবা গদা যুদ্ধ ভীম. জরাসন্ধ লৌখরে। শ্রীহরি লাপতক লৈহনা হরাওনা য়েংই। শ্রীব্যাসনা লেংক্লবা মহাভারত সভাপর্ব্বগী জরাসন্ধগী মতাং অমৃতগী মশকনি। মসিবু শ্রীব্যাস মুনিগী মুলগী মতনে কবি কয়াগী কাব্য পুন্সিহনা ঈমালোন্দা বারিগী শৈরেং ওইনা পরিবদনা সাহিত্য সেবা পামজংনা ইজবনি অরানবা কয়. সমাজনা ঙাকপিগনি ইতি ॥ হরি হরি ॥

অধ্যায়ঃ —

জরাসন্ধ ভীম লান্থেংনবা জরাসন্ধ হাৎপগী বারী মতাং ঃ—

শ্রীবৈশম্পায়ন মুনিনা হায়রকই, মহারাজ জন্মেজয় পুক্নিং চংনা তারো, লিরক্লগে মথাগী বারী। মাংদম্থু ওইথোকখিজি ভীম মগধ রাজা অনিমক পোংথাবা লৈতনা পানরি-বত্থু ইন্দ্রগা ব্রেতাসুরগা ত্রিপুরগা মহাদেবগা রাবনগা রামগা পাথিবা লম্বাগুম্বী, মরক্তা গুগু গুগুহুনা চৈনরকই। কুণ্ডলিবাগ, বাউবাগ, চক্রবাগ, অষ্টমণ্ডলিবাগ তৌনৈ, গদা অনি থেংনবদা হৌর-কপা মৈনা মশা পুন্নমক মৈতনা পুমরোম য়োমখরে। চুবাদা। লাইপকতা থদাংদা লেংদোন্দা গদানা থানরকপগী ঈতনা পুমথাং ঙাংনা চেম্বনরক্লে, অঙকপগী মতৌ ওইরক্লে। জরাসন্ধনা হায়রকই, আরে হে পাণ্ডব, মগধ দেশতা নখোংনা থোংনা লাকই, নংগী শিকম মকম অসিদা

লৈহনা মত্তুানা নত্তক শউন থৌরি হক্কনা চিংথিরকপনা লেপ্লা ইখুন্না শিবা ভারেদা। রাজাগী ভাবদা কুম্ভীগী মচানা হংহনা হায়রকই মুর্থ নংগী ভুংবা যমগী চুতনা শউন থৌরি পায়হনা পুন পদবগী ভাইহন লৈরে। নংন নমিং কাহনা উত্রবনি, এদি উরে কুইরোই নংদি খংজো নংগী যমনি এসে, গদা লৈরগা চোংশিন্দুনা মকেক ওম্না কায়থরকপদা জরসন্ধনা ভাকই গদা অনি থেংনবগী মথোংদা মীয়াম নাকোং রৈশিল্লি। শরমগী কোন্দোংরকপনা নোংলৈ মুংশিংকো মত্তো ওইরে। মশাদগী চমাংনা নোংমা ক মরিক চুকগী মত্তৌগুম্মো, যমত্তগী মতমদা হত্তীংশিগী মরমদা শামু থাপনব আনবা মাথিরগুংবী। জরাসন্ধ ভীমসগী গদা যুদ্ধগা আত্তয়াদা লাই গন্ধ, যক্ষ, রক্ষ, সিদ্ধ ঋষি পুমমকনা লেংই। সুরভী পান্দদগী শগেন্দা চেংশিনরক্কুনা যণ কাও অনি রইনবগুম্মী। অক্ষকপগী মত্তো ওইথরে, অহিং লুংথিল পোংথাদনা পানরকপসি মেরাগী থোংমা পানবগী হৌখিবনা বিজয়াদশমি য়োরে। জয় পরাজয় নাইনরে, উশিংনদবগী মরাই কানরকপনা লাও শেগাইনরসি হায়হন গদা হুন্দোক্লবগা পাম্বোম খিংহনা ভীম জরাসন্ধ চোংসিনখরে। মল্লযুদ্ধ অমুক থেংনখরে, কোক্কা কোক্কা থেংজিরে, নরাক্কা থবাক্কা থেংগাইনে খুউগা খুউগা শুশিরে, কিনগা কিনগা খিরে, খুপাক্কা খুপাক্কা, খু মগা খুচুম থারে, ইরে কাওনে শিংমা পুন্নীগীদা হায়হংনৈ, থরো থরো ওনৈ, কিং কিং নমনৈ, তেংশ কাইহনা ঈনা ক্ক্ কাঙ্কই পুন্নীদা ওয়রকপগী ঈগা উক্কুলগা তৈশিনখিবনা থেংবদা জরসন্ধনি ভীমনি হাংবা মশক থংখিদে। ভীম জরাসন্ধ অনিগী মল্লযুদ্ধ আসদা মগধ দেশ ভুমি কম্প তৌরে, মীয়াম ঙকে। অম্মা মল্লযুদ্ধদা থেংনরকপসি অহিং লুংথিল পোংথানা পানখিবহু নুমিৎ মরিনি অমুক শুরে মরাগী চতুর্দশীগী নোংঙালকপা মতমদা ভীমনা জরসন্ধগী থম্মোইদা কাওবদা মপাক্কস হিকথরা লোইশ্রহনা লোংনা তাপ্রে ভীমনা মথোং অনি পায়শিনগা অত্তিয়াদ হায়গংনগা লৈরে।

মতাং অসিদা রারা তাকিবা জন্মেজয়না হংজরকই, মহামুনি রারী অমুক্তা লেপ্পীথো, চংনবা অমা লৈরে, কল্লবা জরাসন্ধনা পাঙ্গল হল্লগা ইখুধৌনা হনদবগুম লৈরিব করিননো? বেশম্পায়ন মুনিনা হায়রকই, মহারাজ নবুধোসি মীগী মাঙদবা শক্তি অমা লৈ। * মহু গুরুদেব ব্যাসগী সিদ্ধান্তদা অগুম হায়রি, মহগী মরম হায়গে মহারাজ নবুধো ভীমদি রূপা ফুদোংবগী কুচু, থোং তোন মাঙবা, লেম্প্রদা হিম লমগুম চিং লাউবা, খুহুপ ফুনমরি রাংবা, শামু লশিংতরাগী পাঙ্গল কনবা, চাবগী থনবা লৈতব, পাম্দা অরাবা নাইদবা, ভাংনবদা মীবু ওন্নবা থেক্কা সরস্বতীগী কৃপা লেবা, মরৈ ফবদ কৈগুম মদুক চাওব মীনি।

---

* মুল তথাহি— রৌপ্যবর্ণ নির্ম্মিত দেহং হিমরাজং শিতলং সমম্।
চাতুর্ব্বিংশহস্ত পরিমিতঃ দশকরিমাস্ত বলম্॥
আহারে ন তৃপ্যন্ত রনে ন পিরিতী ন বক্তব্যং পণ্ডিত।
নবনব শালব্য বুদ্ধি যম্ভবেৎ বৃকোদর ইতি স্মৃতঃ॥

মরম অসিনা ভীমদি মপ জল হম্বদে, জরাসন্ধদি তুইরক্লগা অয়েং তাঙকই। মরম অসিনি মহারাজ, মুনি খংজরে মথা লিবিরো। মুনিনা হায়রকই, পুক্নিং চংনা তায়ো মথা লিয়গে মহারাজ জন্মেজয়। ভীমনা হাম্বরক লৈরগা পৃথীদা ফুথবগী সাকুনা মগধ লৈবাক নিকলে। মী পুম্নমক খ্রাম্বনরে, থা তরুকী গর্ভ পাত ওইনরে মথবাক্তা কম্বগা চরম মেৎলগা থুহ্মা মচুবানা থাই, কাইদে, নবুক্তা থাই শিদে, মঙক লৈথেকই শিদে, লৈথোক্লম্মবা মঙক্তু ভীভব তানা লৈশিল্লক্লগা ঙক লৈখেক্নম্ম মহামূর্খ হায়রকই। ভীমসেন চোংথোরক্লগা মেংহুনা লৈরে। শ্রীকৃষ্ণনা হায়রকই, দাদ য়াইমা করি য়েংইবগে, য়েক্নবা হাৎল্লিবা করিগীনো? গোবিন্দগী ব: তাবদা বৃকোদর অশাওবগা লোইননা মখোং অনি অমুক পায়শিল্লগা কোকথক্তা লৈ পৃথীদা কল্লি কাওই, থিল্লি, মুই, লোংনা পেক্কই, লংই তুকশি শিবা লৈত্রে। ভীমনা জরাসন্ধ মূগাইরকপা শব্দনা শগোল শামু যণ ইরোই পশুপখি কাইহুনা চেক্নরে, কনা অমত্তা রা ডাবা তানত্রে। অতিয়া মণ্ডল শিরাকণ্ঠদা কুমি য়েংশিবা লাই গন্ধর্ব্ব কাও ক্লক্রে অহুকাও হোংনবদা শিব লৈত্রে। মবু শিনবা উপায় খংজত্রে প্রভু, বাহ তাবদা যদুমনিনা হায়রকই, দাদ য়াইমা মাগী খারী কাওরবা। জরাসন্ধনা সন্ধি তৌখিবহু তোঙান তাহখল্লিমথৈ শিররোই রা অসি হায়রগা পুংকাই মনা অমা থংহুনা লোরগা মশাইদা মূংনা থুং অনিনা পেগাইরগা তোঙান তাহনবহু ভীমবু উৎল্ল।

জরিনা তাকপীবা থুদমহু উবদা ভীম হরাওহুনা অমুক ওঙ্গিনখিবদা জরাসন্ধহু খর হন্দোক্তুনা কমদী,। অহু উংদা পাপ শিবা কৈতবা নং লোইরগে, ভীম ঙংহুনা চোংশিল্লগা মথবাক্তা চীং নিল্লাইবা বজ্র তাবশুম্বা চৈথা থুতুম্বা থাবদা জরাসন্ধ খর থিংহুনা লোংনা তাত্রে। চরায়বা নোংশানা শক্তি কারগা চিকথাইহুনা সংশেকপঙুম মখোং নামা খোংপাক্তা নেংলগা মখোং নমা মথুং অননা শাইরগা শেরে শেরে পেগাইরগা তত্থাই অনি সংশেক্রে। পোকপদা তত্থাই পোকপহু তাহনবদা জরাসন্ধ মথরাই শারে। সনাতন ধর্ম্মদা শিবনা জীবা অম্মানা দেব দেহে কংহুনা লৈগী দোলাই তোংলগা বৈকুণ্ঠ কংত্রে। জরাসন্ধ শিরবদা শ্রীনরায়ণ নুংঙাইরে, মপা শিরবদা মচা সহদেবা হরিগী চরণ পদ্মদা চংজরে। জগনাথনা থোজান পিনখীরে, গোবিন্দ ভীম অর্জুন হরাওনা কোমরে। সহদেব পুসিনবীরকতুনা রাজ অভিষেক তৌবিরে, অহুগা মপু মনাই চংখিল্লনা বন্দিশালাদগী নিংথৌ ময়াম মথং মথং থাদোক্লে।

সহদেব নিংথৌনা ময়াম পেম্নবা পোক্নকইবা রাজবেশ অলঙ্কার পুম্নমক পিহুনা লৈডেংহল্লে নিংথৌ ময়ারা শ্রীকৃষ্ণগী চরন্দা খুরুমজল্লনা কয়াম্নথ স্তুতি তৌরকই। থোজান হৈরবা নমাই ভক্তগী মথা পোনখিবা পাজল লৈজদবা মীগী পাজল ওইবিরিবা নাপল চাওবশিংবু নাপল য়েথেকপীরিবা মপু

লৈজদবশিংগী মপু ওইবিবা জীবা মুংশি থংজবশিংগী রেক্ষবা ওইবিরী। ধর্ম্মবু য়োকখৎ পগে হায়বগী গে লোক বৈকুণ্ঠ থাদোকতুনা পৃথীদা অবতার তৌখিবা ইবুংঙো নহাকী শুংবু বেদনা থংজবা মহাদেবনা তত্ত্বনা যোগ ধ্যান তৌবদা থংবা ওমজবা ইবুংঙোগী খোং থম্বালবু নিংজবনা জীবগী মহৈ য়ানবা ওইরি। প্রাক্কল লৈজত্রবা জরাসন্ধনা পুন্দুবা ধর্ম্মীবা নোংমদা শুলপ বলি তৌগনি হায়দুনা মতম কয়া বন্দিশালদা লৈরবু ইবুংঙোগী থোজাল্লা সমুক্রনী পান্দমগুম্বা হে প্রভু ঐখোয়বু উদ্ধার তৌবিরিবসি মীগী মপোকসিগী মহৈ য়ানহনবিরে। চহি কয়া চাদ থক্তনা নিংজবা যোগীশিংনা ফংঙমদরবা শ্রীরূপ দর্শণ ফংহনবিরে; শ্রীমুখগী অমৃতগা মায়রবা য়াথংবু তাহনবিদুনা নাকোংগী পাপপু শেংবিরে। ওমকদরবা থবক অসি নিংবগা পাংথোকপা ওম্বা হরিনা ননাই ঐখোয়বু অমুক হন্না পোকপিরে, হৌজিক করি তৌজো হায়বগে তাকপীরো? শ্রীগোবিন্দগী মধুর বাক্যনা তাকপীরকই, রাজসভা তারো হাদা হাইমগী মপা লৈকী নখোয়গী অচৌবা কোকপনি. হাদা মহারাজন রাজসূয় যজ্ঞ তৌগদৌরি, মতমদুদা নখোয় ময়ামনা পাণ্ডবকী সহায় ওইয়ু। হৌজিক্তি নযুমদা হন্দুনা মুংঙাইনা লৈক্নরো।

শ্রীকৃষ্ণগী য়াথং ফংঙবদা নিংখো ময়াম ভীমার্জ্জুন ভক্তি তৌরে। সহদেব নিংখোনা পাত্র মন্ত্রি পুজারী সেবারী ভাণ্ডারীশিংদা য়াথং পিদুনা পাকান্ন ব্যঞ্জন শৌখরে। ময়াম চুমনমক স্নান ক্রিয়া লোইদুনা শ্রীকৃষ্ণদা লুক কৎদুনা হরি মনাই সহদেবগী সেবা লৌবিদুনা লুক হাবিরে, ভীমার্জ্জুন, রাজসভা পুরণ ওইনা কংলে; লোইরদুনা সভাদা ফম্মে সহদেবনা কৈ-পানা সন্দেস কয়া সেবা তৌদুনা পেলহল্লি। সহদেবনা নিংখো ময়ামদা হায়রকই রাজসভানা ঐবু বারৌগন, নখোয় ঐখোয় পুকচেল তিন্নদা পাণ্ডবকি উপায় তৌসিকো হৌজিক্তি হনবিরো হায়দুনা। রথ অমমম পীরে। রাজসভানা শ্রীকৃষ্ণবু খুরুমজদুনা ভীমার্জ্জুন সহদেবগা প্রেম বিদায় লৌজরগা রথ তোংদুনা হয়খরে। শ্রীগোবিন্দ, ভীম, অর্জ্জুনগীদমক্তা মপানা শীজিননরম্বা দিব্য রথ থোক-রকতুনা হিরামণি রত্ন কয়ামরুমগা কংলে। জরাসন্ধগী রথ অসি মমাংদা ইন্দ্র দানমকী লান্দা ৯৯ রক দানবপু জয় তৌখিবদা ত্রিভিন্নখিবা রথনি। ইন্দ্রদগী বসুনা ফংই, বসুদগী বৃহদ্রথন ফংই মচা জরাসন্ধদা মপানা পীরম্বা রথনি। ধ্বজনা য়ুথক অম য়াংই, হায়রিব রথ অসিদা তোংদুনা মপু মনাই অহুম হল্লকলে। গোবিন্দনা গরুর কৌই খুদক্তা থুংলে য়াথং মথৌইন্না গরুর ধ্বজদা লৈখি। রথ অসিবু জগতকী মমুংদা শ্রীকৃষ্ণগী গরুরধ্বজ হায়না কাওখি। খুদক্তা কৌগে নিংবা মকম য়ৌবা ওম্বী। গোবিন্দনা শঙ্খ খোংদুনা রথদা লেংঙকপসি দণ্ড অমগী মমুংদা ইন্দ্রপ্রস্থদা থুংঙরে। হোজংদা রথ থারগা অহুমমক দরবার য়ৌরকতুনা ধর্ম্মরাজবু খুরুম্মে। যুধিষ্ঠিরনা পুক্নিং মুংঙাইনা হরিবু অমম্বুং মনাও অনিবু কোল্লি। বাসুদেবনা হৌবদগী লোইবা কাওবা পাণ্ড পুমনমক লোইনা তয়ে, রথ মণি রত্ন ধর্ম্মরাজদা কংলে। যুধিষ্ঠিরনা গোবিন্দবু মতিকচানা পুজা

কৎলগা জরাসন্ধগী রথ ফংওকপা মণি রত্ন পুংনমক কৃষ্ণদা পুন্নিং সুংওইনা কৎলে। শ্রীকৃষ্ণ ইন্দ্রসেনগা পাণ্ডব বিদায় লোইনরগা দ্বারকাদা লেংখরে। সভাপর্ব্ব জরাসন্ধ হাৎপা মতাং অসি অমৃতগী ঈচেম্নি। শ্রীগুরুগী পাদবু ইকোকতা হাপচরগা পাংত্রবনা শ্রীহরিগী গুণ লীলাবু পৌরাণিক পরিষদকী মাথং মতুং ইনা ইমালোন্দা ইজবনি। ইতি। হরিবোল হরিবোল॥

অধ্যায়ঃ —

যুধিষ্ঠির ভীম অর্জ্জুন নকুল সহদেব মওানা যজ্ঞগী থন্নবা অর্জ্জুননা দিগ্বিজয় চৎপা বারী মতাং

শ্রীবৈশম্পায়ন মুনিনা হায়, মহারাজ জন্মেজয়। কলি যুগ অসিদি শোঙবা তাজবনা লননি। ধর্ম্মরাজ নবুধোগী দিগবিজয়গী থন্নকপা নবুধো মরিনা দিগবিজয় চৎপগী বারী লিরকলগে পুক্নিংচংলা তারো। পরিক্ষিৎকী মচানা হায়ই মুনিদেব, মহাভারত কথামৃতবু পূর্ণ ওইনা তাজহনা ননাইগী দেংগী পাপ অসি কারগা সাধু সঙ্গ শিজবা কৃষ্ণভক্তিবু থজিক্রং নকচনিংহনা সংকল্প শ্রবণ তৌজবনি, সম্পূর্ণ শ্রবণ ফংজানংই মথাগী বারী লিবিরো।

মুনিনা হায় নিংথৌ! ধর্ম্মরাজগী সভা মনাও মখি, পাত্র মন্ত্রী, নবরত্ন পণ্ডিত, ব্রহ্ম সভা গুনা দরবার শম্মে। যুধিষ্ঠিরনা মনাও ভীম অর্জ্জুন, নকুল, সহদেব মরিগী মফমদা হায়রকই,—ইনাওশা। ইমুংদি পাংজদে, নখোয় মরিগী মপান্দগী রাজসুয় যজ্ঞ কৎলপা ইপাগী সেবা অমুক পাংথেকসি ঐনা মিংইবসি নখোয় মরিনা থংহল্লু। মরাম্মুংগী রাহৈ অসি তারগা কাম্নুন্নি হায়রকই, দাদা মহারাজ বৈদিক যজ্ঞ পাংথোকপা ওন্নগনি পুক্নিংদা লেপ্পীরো। বৈদিক মাইকৈ যেম্মংনা দ্বিবিজয় চৎলগা পৃথিবীগী নিংথৌ জয় তৌনা কোর লৌথৎলগা কোয়া যজ্ঞ পাংথোক্কদবনি। মরম অসনা অরাংথংগা মাইকৈ অসি লমহেন্নবা যক্ষ রক্ষ দানব, গন্ধ, গুহ্যকা, কিরট, হুনান, পুলিন্দ, ধুৰ, শবরি, রাক্ষস পিশাচনা কয়া লৈ। উত্তর দিগবিজয় অসি ননাও অর্জ্জুন চৎচগে। পূর্ব্বদ্বীপ নোংপোকথংবা মাইকৈ অসি নিংথাইচাউরবা নিংথৌ কয়া পারি, দাদা যাইমা ভীমনা চৎপিয়ু। খাথংবা মাইকৈদনা সহদেব নংনা চৎলু। ম্লেচ্ছ, যবন, ক্ষেত্রি, বৈশ্য, শূদ্র নিংথৌ কয়া লৈবা নোংচুপ মাইকৈ অসিনা নকুল যুবরাজনা চৎলো। অদুমা ধনঞ্জয়না দিগবিজয়গী মাইকৈ শিন্দোকতুনা সহদেববু যাত্রাগী তিথি য়েংহন্দুনা হুমিং লেপপ্রে।

শুভ তিথী ওইরবদা ব্রহ্মভুজন কংলে দান কয়া তৌরে বেদজ্ঞ ব্রাহ্মনশিংনা গনেশ পুজা কংলগা যাত্রাগী মঙ্গল আশীর্বাদ লাংখ্রে, মোধবা সতীশিংনা লম্বু. চু. থাদুনা ঘট পুজা লাংলগা সুবর্ন কুম্ভনা ঈশিং থম্না পরেং ২ থিরু লৈপরেং চেং, থোইদিং, তিংথৌ. পত্র লৈ পায়দুনা বত্তি চমথংলগা মঙ্গল ওকদবগী লম্বী কাপ্তপ লেংদুনা ঙাইরি। তেঙ্গোল ময়ামশু সাজদ লোইরগা ঙাইদুনা লৈরি, অর্জুন ব্রাহ্মণশিংগী মঙ্গল আশীর্বাদ কঙ্গবদা কুন্তী মমাবু খুরুমজরগা বর লৌজরে. ধর্মরাজবু খুলমজরক্লে মনাওবু কোরগা আশীর্বাদ তৌদুনা হায়রকই. শ্রীকৃষ্ণগী চরনবু কাওগনু মকম খুদিং জয় ওইরকউ যাত্রা তৌরো য়ারে হায়রকই।

সহদেবনা যাত্রাগী পুংকম য়েংলগা মহেন্দ্রদগী চপ চানা যাত্রা য়ারে হায়রক্লে মমাগী মমাংগী বিদায় কঙ্গবদা ধুলি লৌরক্লে মকোক্তা হাপচরে, কিরিটি উপ্নে নাইনু চিল্লে গান্ডিব লিকুং লেংবান্দা য়াল্লে তেঙ্গোং পোরে চুক্লোই থাং নাকন্দা য়াল্লে খাংদা শেরি থেংলে। মহারথ মনঃসিদ্ধি তোংলে সারথীনা সনরুপ্পা চুপ্নি শাক্লে পাইরে যাত্রাগী পুংকম চানা পাণ্ডব ৫ মোইবুং খোংঙি. যত্র পাংবা ময়াম্বা ঘত্র খোংঙে, য়ৈরে অত্তুগী ধনিনা পৃথ্বী মিকই জয় নিংঙবা দুর্গামায লাওদুনা পার্থব যাত্রা তৌরে মাধব ৩ হায়বা নামতনা নিনখ্রে। অর্জুনগী রথনা তোজং কাওবা জপ্ন থৌদোকই মোধবা সতী ময়াম্বা মঙ্গল কংলি চেং থোইদিং লৈ চাইরক্লে, ময়াম কল্লিমকোরে তেঙ্গোল পুদুনা লাকপনা অর্জুন কুলিন্দ নগরদা থুংগরে কুলিন্দ রাজা জয় তৌরে কালকুট দেশ অনর্ত্ত দেশ মথং ২ জয় তৌই। সুমণ্ডল জয় তৌদুনা মথং ২ কের লৌথংলকপনা শালমনিদ্বীপকী মমুং মমুংদা পাল্লিবা, ভুধর চীংজাওগী চমথৈ কাওবদা লৈবা নিংথৌ ময়াম লান থেংনদুনা জরা জয় তৌরগা কোর লৌথংলকই। মহুদগী লাকপনা প্রাগ জ্যোতিষদা পাল্লিবা ভগদত্ত নিংথৌগী জাগা থুংগরে, মতম অহুদা ভগদত্তগী মথা পোল্লিবা লৈপাক চীন রথিগানশিংবা নোংপোক চীংথৈ সমুদ্র নাথৈবগী মমুংদা পাল্লিবা নিংথৌশিং কিরাট রাজানচিংবা নিংথৌ ময়াম অশিনা তেঙ্গাংদুনা ভগদত্ত অর্জুনগা অকনবা লান্নোংদা শোক্নরকপনি, মুমিং ৮ নি থেংনবদা অর্জুনগী মখুত্তা লাম্নি মশিং নাইদনা তুরক্লে। অর্জুনগী লানকমদা থাংবা ওমত্রদুনা কল্লবা নিংথৌ কনা চেংরে মতৌপু উবদা ভগদত্ত নিংথৌ লান লেপ্তুনা রাখন তৌই, অর্জুনসি ইমাক নিংথৌগী য়েক্রবনি লোইগে তৌরুবনি মাংবা তারে থংদুনা হায়রকই, প্রতাপ চাওরবা হে: ধনঞ্জয় লান অসি তৌরুরসি নহাকপু লোকপা ইন্দ্রগু ঐগা মরূপ ওইরি। নহাক্তা দুর্যোধনগীসু ইনা রাণী ওইরি নহাক ঐগী চাংদা প্রেম সমদ্ধিনসু য়ায়া নকনৈ; ঐ অসি কনাগুম্বা মী ১গী মখুত্তা লান্দা মায়থিত্রিবনি অহুবু নংগী লানকমদা পাজল হিকথরক্লে নংনা অপাস্ত হায়মু নংগী অপাস্থ ঐ লাংঙগে। অর্জুননা হায়রকই মহারাজ ধর্ম্ম অবতার ওইরবা ইয়াম্বা যুধিষ্ঠির নিংথৌগী রাজসূয়যজ্ঞ তৌগদৌরি রাজথোরসু পিবিয়ু মখদা মহারাজগী অভিষেকসু য়াওবিয়ু; মরম অসি য়ানদুনা মাইগৈ অসোংগী নিংথৌ পুরমক অর্জুনদা কোর পিরে রাজ অভিষেক য়াওজরবনি হাংনা য়ানরে। ভগদত্ত জয় তৌরগা

অয়াং পাংনা অমুক লাকপনা চীংদা ভাবা নিংথৌ কয়া ভম্পাক্তা লৈবা নিংথৌশিং লোইনা জয় তৌহনা লন্ কয়ামুক থোমগৎলক্লে, শগোল, শামু, উত্তা ইন্দ্রপ্রস্থদা থাগৎলী। অর্জ্জুননা অহুদগী নেপাল, ভুতান, উলুক, মোদাপুর, সুদাম, সুসঙ্কুল, অয়াংগী উলুক দেশগী শুমথৈদা লৈবা নিংথৌ পুরমক জয় তৌরকই। অমম্তুং মথোং য়াংবা শগোল, শামু কয়া থোমগৎলকপা কোর, লম্বুম্ পুরমক ভেঙ্গোল কয়ামুক্তা শিন্নচুনা ইন্দ্রপ্রস্থ ধর্ম্মরাজগী মকমদা থাগৎলক্লে।

অহুগী তুংদা কাশ্মীর নিংথৌ পৌরবরাজ পার্ব্বতীয়গী লাং নিংথৌ কয়া, দস্যু জাতি ম্লেচ্ছ জাতি যবন জাতি অহুদগী লৈবাক ১০ গী মথক্তা পাল্লিবা লোহিত মণ্ডলগী নিংথৌ লোইনা জয় তৌরে। ক্ষেত্রি নিংথৌ ত্রিগর্ত্ত পুরুদাক অমদি কোকনদ দেশগী উরগ দেশগী অভিসারী নগর রোচনানরাজা সিংহপুর সুম্মরাজ সুমল নগর ; বাহ্লিকগী জাত দরদ-কাম্বজ-পূর্ব্বউত্তর-পশ্চিমউত্তর মথং ২ জয় তৌরবুনা ঋষিক জাতি সিঙ্গা অকনবা লান থেংনবুনা অর্জ্জুননা খুহুম চাল্লে। রাজকোর লোইননা শগোলগী জাত্তা মচু শংবানবা ফজবা রাহোং মচু মাম্না ফজবা মথোং য়াংবা কয়ামুক লৌথৎলকই ; ইন্দ্রপ্রস্থদা শগোল, শামু, কিরোন, মানচাং, সনা,লুপা মণি, রত্ন লাম্মী কয়াদা শিন্নচুনা থাগৎথি। অহুগী তুংদা নিস্কুট গিরি হিমাচল চৌগু নিংথৌ ধবল পর্ব্বত জয় তৌরগা দ্রুমরাজনা ছাকইবা কিংপুরুষ শগ্র খুহুম চল্লে।

অহুগী তুংদা গুহ্যকনা লৈবা হাটক দেশ জয় তৌরে, মানস সরোবর য়েংরকই ঋষি কন্যা দেব কন্যাশিং শারকমনি। অহুগী মাইপাক ৪ মক গন্ধর্ব্ব নগরনি অর্জ্জুননা জয় তৌহনী গন্ধর্ব্ব নগরদগী, তিত্তিরি, কল্মাষ, মাণ্ডুক কৌবা শগোলগী জাত কোর ওইনা লৌথৎলকই। অলকাপুর যক্ষরাজ কুবের জয় তৌরগা কোর লৌরকই। অহুগী তুংদা অয়াং হরিবর্ষ জয় তৌরগে থম্বুনা লাকপনা হরিবর্ষ লৌরক্লে অর্জ্জুন লাকপা উবদা, মশা মউ করবা মশা চাওরবা থোংঙাকপা কাংবু ময়াম পার্থগী মাংদা থুংঙারে। অর্জ্জুনগী মকমদা দ্বারপালশিংনা হায় মকম অসি উত্তর কুরু কৌই। মীওইবনা চংবা যাবা মফম নত্তে, গন্ধর্ব্বশিংগী বিহার স্থান বিষয় থোইনা ফংলোই ভেঙ্গোল মীওইবনা চংবা যাবা মফম নত্তে, গন্ধর্ব্বশিংগী বিহার স্থানি বিষয় থোইনা ফংলোই ভেঙ্গোল লাম্মী ময়াম গতায়াত্তা চংপা যাবা থাগানু নত্তে। মরম অসিনা করি পাম্বগী লাকপনো নহাক্কী অপাম্বদু হায়রু, ঐথোক্তনা লোইদনা লংঙগে য়াহৈ অসি ভাবদা মোমোন তৌরগা ফাল্গুনিনা হায়রকই। মহাশয় দাদা মহারাজ যুধিষ্ঠিরবু রাজ অভিষেক কংকে নিংলি অহুগী দিগবিজয় লাকপনি উত্তর কুরুগী কোর পিহু; অর্জ্জুনগী বাক তারবদা গন্ধর্ব্ব কিন্নরগী থোংঙাকপশিংনা হোল্লুনা মমল নাইরবা কিগী জাত্তনা কয়ামুক কোর ওইনা পীরগা য়াহৈ কয়ানা পেনবল্লে। অর্জ্জুন অতোপ অতোপ্পা লৈপাক দস্যু কাংবু রাক্ষস, পিশাচ, দানা, ভুচর, খেচর, দানব লোইনা শুমলক্লগা, কোর লৌথৎলকপা লোইরক্লুনা ধন, রত্ন, বস্ত্র, আভরণ মশক ফজবা মপাঙ্গল লৈবা মথোং য়াংবা অহোং মচু মানবা অশ্ব মশিং লাইদনা পুরক্লগা থা ৬ শুবদা হল্লকই হুমিং কয়ানিমুক্তা ইন্দ্রপ্রস্থদা শুক্লল্লে। অর্জ্জুনবু মঙ্গল ওক্লগা মীয়াম লোইননা দরবারদা পুশিল্লকই ধর্ম্মরাজবু খুরুমজে, গুরুকপা

লন পুন্নমক ময়াম্বুংদা কংলে, ধর্ম্মরাজ মনাওবু চেংনা কোল্লগা, পোৎখাজরুরো হাৎং পীরে। ভীমবু খুরুম্না নকুল সহদেব ময়াম্ববু খুরুমজে, মনাও অনিবু কোনখিরগা অন্তপুর চংগজ্জনা কুন্তী মমা খুরুমজরগা, মাগী লঙ্গাইদা ইবেম্মশিংনা সেবা তৌরগা ধনঞ্জয় পোথাখি। সভাপর্ব্বগী অর্জুন দিগবিজয়গী মতাং অসিবু পুক্কি চংনা তাজবদা মীওইবগী ধন সম্পত্তি চাওখংলি হেন্দেগী পাগলু কোকই। শ্রীব্যাসদেবনা লেংলম্বা মহাভারত সভাপর্ব্ব অসিবু সাহিত্য সেবা পামজবনা ইয়াম্লোন্দা বারী শৈরেং ওইনা ইজরি। ইতি॥ হরিবোল হরিবোল॥

অধ্যায়ঃ—

ভীমসেন্না নোংপোক মাইগৈ দিগবিজয় চৎপা বারী মতাং

শ্রীবৈশম্পায়ন মুনিনা হায়রকই মহারাজ জন্মেজয় নবুধো ভীমগী দিগবিজয় চৎপগী বারী লীরগে পুক্কিং চংনা তারো। যুধিষ্ঠিরগী য়াথং মতুংইন্না সহদেব পণ্ডিতনা যাত্রাগী তিথি য়েংদুনা, বেদজ্ঞ ব্রাহ্মণশিং মঙ্গলগী পূজা লাংহনা ভীমগী মঙ্গল আশীর্ব্বাদ লোইদ্রে ব্রাহ্মণ দান কনা কংলে। ভীম কুন্তী মমা খুরুমজহনা বোর লৌজৈ মমাগী ধূলি লৌজরগা মকোক্তা হাপচৈ ময়াম্বা খুরুমজরে; ধর্ম্মরাজনা মনাওবু চেংনা কোল্লগা হায়রকই বৃকদর শ্রীকৃষ্ণগী কৃপানা মরম ওইহনা পূর্ব্বদ্বীপ জয় ওইরকউ ইনাওশিংগী নপান্দগী ইয়াম্বনা যজ্ঞ ওমগনব ন। পুরনারীশিংবু নোংপোক মায়গৈ যাত্রা মঙ্গল লাংউ হায়না নিংথৌগী য়াথং পিপ্রে। নোংপোক থোংগী লম্বি লমু চু, যুংহনা ঘট পূজা লাংজে, লম্বী চন্দন চাইরে সনাপুল ঈশিং থম্মা ২ হাপ্তুনা লম্বীগী নাক নাকতা পরেং ২ থিল্লে সোধবা সতীশিংনা চেং থোইদিং লৈ পাত্তুনা ধুপ থাগৎ থরি চমথংলগা কাওপ পরে ২ লেপ্পী ইয়াকিনা মকোক থুমজরগা মঙ্গল কংকদবগী ডাইরি। ভীমগী পিষক সারথীনা রথ সাজন লোইহনা খাইগী মাংদা রথ থিল্লগা শগোল চুপালি পাইহনা ডাইরি; অহুগী তুংদা শগোল তোংবা শামু তোংবা রথ তোংবা পদাতি চতুরঙ্গদল থরথারি পংতি ২ পরেং চানা লেপ্পী য়েংবদা পুক্কিংহন কজরে। যাত্রাগী মতমদা ব্রাহ্মণশিংনা বেদ মন্ত্র পাঠ তৌরে ভীম রথ করে জয়শঙ্খ পৌমজ্জু লৌথংলক্লে যুধিষ্ঠির, অর্জুন নকুল, সহদেবসু ভীমগী যাত্রা মঙ্গলগীদমক জয়শঙ্খ চপ মায়না খোংজি। মোইবুং ৫গী শোর তথিজ্জৈদা বৃথি ময়াম্বা মাগী ২ জয়শঙ্খ চপ মাংনা খোংলে, পুং শেন যন্ত্র পুন্নমক হৈরে খোংলে, ভীম সিংহনাদ তৌরকই ধ্বনিনা মীয়াম নাকোং হৈনশিল্ল। মথং ২ সিংহনাদ লাওনরকপা মোইবুং মখোল পুং শেলগী মখোল ধ্বনি ময়াম আসনা কম্পনরহনা পৃথী নিক্রে,

মাধব হায়রবা নাসনা পুম্নিন নিয়া পোক্লে থাম্বা তৌরক্লে সোধবা সত্তীশিংনা চেং, থৌইদিং, ঙিংথৌ, লৈ থুবাম ২ চাইহুনা মঙ্গল লংঙি অম্বুম্বা য রা তৌত্রে মীয়াম হক্তিংলৌরে। ভীম নে ংপোক পাংনা লাকপনা পঞ্চাল ভারকভুনা পঞ্চাল কাংবু জয় তৌরে অহুদগী বিদেহ, গণ্ডক নিংথৌশিং জয় তৌরগা কোর লৌথংলকই ; অহুদগী দশার্ণ দেশদা তার হই দশার্ণ নিংথৌ সুধর্ম্মগা ভীমগা লানফমদা মল্লযুদ্ধ অহৎকপা ফংনা থেংনবদা ভীমনা শুমহুনা থুডুম চল্লে নোংপোক পাংনা অমুক লাকপা শগোল, শামু তেঙ্গাল ময়ামগী পদভরনা পৃথী নিক্লে। অশ্বমেধেশ্বর কৌবা নিংথৌ রচমান নিংথৌ শুমহুনা কোর লৌথংলকই, নোংপোক মাইকৈগী নিংথৌ কয়া জয় তৌরক্লগা খা পাংনা অমুক হয়থরকপনা পুলিন্দ নগর যৌরক্লে। সুকুমার, সুমিত্র নিংথৌ ২ জয় তৌরগা কোর লৌরকই অদুগী তুংদা চেদি লৈপাক যৌরক্লে, অদনবা শিশুপালগী দা থুক্তরে শিশুপালগা ভীমগদি মমা ২ পোকমিন্নবা মচিন মনাওনি ভীমনা দূত পত্রগা থাজিন্নি চেদি রাজদা ভক্তি ভীমনা দূতনা পত্র কত্থুনা পাও জনজরে। চেদি রাজাপত্র পারে ভীম লাকই হায়বা পাও ংবদা শিশুপালনা পাত্রমিত্র থারক্তুনা ভীমবু ওক্লগা মরণারদা পুসিনখি ভীম শিশুপালবু খুরুম্নী শিশুপালনা ভীমবু কোল্লি আসন থারে বৃকোদর কম্মে চুম্মেদ কয়া পুথ রকভুনা ভীমবু পোম্লে। শিশুপালনা হংজকই ইন্দোনবু মঙ্গল ওইরিবরা দাদা মহারাজগী ইন্দ্রপ্রস্থগী সাসনা কমদৌরে, ইনাওশিংসু মঙ্গল ওইরিবরা ; ইয়াম্নগী চেদি লৈবাক অসিদি ও জাগ নিংথৌগা পুকালে ভিন্নবা পাল্লে। হেং বৃকোদর তেঙ্গেল লাম্নি ময়াম পুহনা লাকপবু করি থবক অপাম্না হৈবগে হায়ে ; ভীমসেনা হাংরকই। দা মহারাজ যুধিষ্ঠির রাজ অভিষেক তৌহুনা সম্রাজ্য লিংথংকদৌরি অদুগী মমক ধর্ম্মরাজগী রাথং মতুংইন্না লৈপাক খুদিং কোর লৌথংনবা দ্বিগবিজয় চংচরিবনি ময়ম অগৌদমক মনাও লাকচবনি। ভীমগী রাকৈ তাববদা চেদি রাজনা ভীমদা রাজকোর পিরে। তেঙ্গেল ময়াংগ থাংনা শিশুপালগী জাগানা মুমিং ১৬নি লৈরগা বিদায় তৌনহুনা অমুক লাকপনা শ্রেণীমান নিংথৌ কোশলরাজ বৃহদ্বল নিংথৌ মখং ২ জয় তৌরক্লগা অযোধ্যা লৈপাক যৌরক্লে।

ধর্ম্ম খংবা পাঙ্গল চাওরবা অযোধ্যাগী নিংথৌ দীর্ঘযজ্ঞবু লান থেংনবদা ভীমনা জয় ওইরে মহুদগী য়াল নিংথৌশিং, কোশলরাজ, মল্লরাজ, জলোদ্ভব দেশ মখং ২ জয় তৌরক্লে ; ভলাট, শুক্তিমান্ চৌক্তি নিংথৌ, সুবাহুরাজ, কাশিরাজ জয় তৌরে। অদুগী তুংদা সুপার্শ্ব যুধমান্, ক্রথক রাজা জয় মৎস্যদেশ, মলদদেশ. জয় তৌরগা ; লৌথংলকপা কোর ইন্দ্রপ্রস্থদা লাম্মী কয়ামরুমগা শগোল, শামুগা লোইননা থাগৎলকখি।

অহুগী নোংপোক পাংনা হায়গংলকভুনা ভীম মদধার, মণিধর, সোমধেয় নিংথৌশিং জয় তৌরগা, অমাং পাংনা হাইগংলকপনা উত্তর দেশগী নিংথৌ লোইনা জয় তৌরে; অহুদগী নিষদ জাতিগী নিংথৌ মনিমান্‌চিংবা নিংথৌ কয়ামুক জয় তৌরে। ব্রাহ্মণ নিংথৌ বৌদ্ধাচারগী নিংথৌ দস্যুবৃত্তি নিংথৌ জাৎ কয়া জয় তৌরগা জনকরাজ মিথিলা জয় তৌরে। অহুদগী ভীম জলম্বা চৌংদা তাবা কিশেংপা কংদবা মীওইবগী চিন্নাক চাবা কংদবা অপংবা মীওইবগী জাৎ, য়াম্না

রানা হিংবা তোঙ্গবা মীওইবগী জাৎ কয়াবু থেমহুন; কাগনা শেম্বাগদবগী পুথিরকই, অমগী তুংদা মথং ২ নোংপোক পাংনা হায়গৎলকপনা ইন্দ্রগিরি থৌরকতুনা চীংদা তাবা চীংমীগী জাৎ মথল ৭ লোইনা জয় তৌরে; মহেন্দ্রনগর চিত্ররথরাজ চিত্রাঙ্গদা, নাগীনী উলূপী, মণিপুর ইপাবশু, বভ্রুবাহ অর্জ্জুনগী থারা উনরে ভীমবু পূজা তৌহনা পেনহল্লি সুমিৎ ৩নি পম্বনা পোথারে। অহুদগী বিদায় লৌই, মণিপুর থনম্মগা ভীমসেন কিরাটরাজ পুলিশু হনাশু. ফুকি চীংগী নিংথৌশিং থুহুম চক্লমম্মগা ব্রহ্মদেশ ভারতে, ব্রহ্মদেশ, চীন, জাপানগী পুরুপকী মথৈ ইরাবতী পুর্ব্বসাগর নিংথৌশিং জয় তৌহনা রাজ কোর লৌথৎলকই। মগুলে, শিঙ্গাপুর. দক্ষিণ সাগরগী মথৈ জয় তৌরকই অমুক ভারত মহাসাগর খোংবান হায়গৎলকতুনা দেশ কয়া জয় তৌরকই. মথং ২ অমুক লাকপনা কল্লবা পৌণ্ড্র নিংথৌ বাসুদেব, কৌষিক, মহৌজা অঙ্গ, বঙ্গ, কলিঙ্গ, বঙ্গরাজ, বঙ্গোপসাগরগী খোংবান্দা তাবা ম্লেচ্ছ যবন দেশ কয়াগী নিংথৌশিং মথং ২ কোর লৌরকই

অহুদগী সমুদ্রসেন, চন্দ্রসেন, তাম্রলিপ্ত, কর্ক্কট রাজা, সুহ্ম রাজা লৌহিত রাজা মতৌ অম্বুম্বা জয় মথং ২ তৌরকই; থোমগৎলকপা সনা, রুপা, মণি, মুক্তা, ভস্মা, হিরা, জাচন্দন অগরু, কিগী মথল কত্রংনা শাবা, পতুনা শাবা, উরংনা শাবা, লংজমনা শাবা, কম্বলগী জাৎতা মথল কয়া মাগী মাগী দেশতা থোকপা কেংর ওইনা কৎলকপা পুন্নমক ইন্দ্রপ্রস্থদা থাগৎখরে। ভীমনা শেঙ্গো লাম্নী কয়ামুক্তা লোইনহুনা নোংপোক পাংনা লাক্কুনা কস্তার দেশ থোরকই. পিতা লাকপা পাণ্ড কংবদা ঘটোৎকচ পাত্র মন্ত্রি লাইনহুনা থোকক্রই মপাবুংবু থুরুমজরে। বৃকোদর মচাবু চেৎনা কোল্ল তেঙ্গোল ময়ামগা দরবার সভাদা পুশিল্লরে, রত্ন আসন কৎলে ভীম মন্মে মীংমম্মু ফংকম চানা চানা ফমনরে। রাজ মাতা হিরম্বী মমৌ কামকতংটা রাণী লোইনরগা সভাদা থোরকতুনা ভীমবু থুরুমজরে; হিরম্বী অশেংবা ঊশিংনা মবুংঙোগী খোং শেংলে পাদোদক লৌরে, ছন্দেশ লাংথুনা সেবা তৌরে মীয়ামম্মু ছন্দেশ কয়া পিজ শিথকতুনা পেনকল্লি! ভীমনা মচা ঘটোৎকচদা হায়রকই নপাবুংকন ধর্ম্মরাজবু রাজ অভিষেক তৌগদৌরি নতোন অর্জ্জুননা দ্বিগবিজয় অরাং মাইকৈ লোইস্নরে; ঐনা নোংপোক মাংকৈ দ্বিগবিজয় লোইরকে. হৌজিক মগধরোমগী নিংথৌ থরা জয় তৌরুখিগে অহুরগী ইপাগী শরক লোইরে ইন্দ্রপ্রস্থদা হল্লিরগনি। নতোন্ যুবরাজ নকুলনা নোংচুপ মাইকৈ, নতোন্ মন্ত্রি সহদেবনা খা মাইকৈ চংকদবনি, ইচানা মরোল অহমদা লৈবা ঐংখোইনা শঙ্খদবা সমুদ্রদা লৈবা, পাতান্দা লৈবা দ্বিপ ৭তা লৈবা, চীংমুং-মাসুং লৈমুংদা লোৎতুনা লৈবা কত্রবা যজ্ঞ থুগায়নবা হোৎনরক্রদবা; রাক্ষস প্রান্ত হিংচারাইতন্না জাৎ, অসি থিগৎহনা থুঙ্গম চনশিল্ল। ভীমগী মাথং তাবদা ঘটোৎকচচনা হায়জরকই পিতাজী জগৎকী লমহেন্নবা হিংচাবগী জাৎ নচাগী দায়ি ওইজরগে; অম্বুম্বা মপা মচা মুংঙাইনহনা সুমিৎ ১৫নি পোথাহনা লৈরগা বিদায় তৌহনা হিরম্বী ঘটোৎকচ ভীমবু থুরুমজহুনা লৈহৌরে। বৃকোদর তেঙ্গোল অরাং পাংনা হায়গৎখিবনা অরাং মাইকৈরোমগী নিংথৌ মথং ২ জয় তৌরক্রগা অমুক চংখিবনা গিরিব্রজপুরদা থুংব্রে; দূত, থারকতুনা মগধরাজদা পাণ্ড পীরে থোরকহুনা ভীমবু

সহদেব নিংথৌনা ভক্তি তৌদুনা দরবারদা পুনিজখি সহদেবনা মযামগী পেন্নবা সেবা তৌদুনা ভীম কুমিং ওনি পল্লে। সহদেবনা মগধ দেশগী মন্ত্রিকচানা ভীমগী পেন্নবা কোর কৎলে ভীম অহুদগী লাকপনা কথ নিংথৌগ। লাপ্তেংনদুনা জয় লৌরে; চাংদা পানবা নিংথৌশিং শুদ্ধকদুনা কোর লৌথৎলক্লগা ইন্দ্রপ্রস্থদা হল্লকে; ধর্ম্মরাজদা সুপা ১৫ পাও থাগৎথরে। যুধিষ্ঠির মনাও হল্লকপগী পাও কৎখদা পাত্র মন্ত্রি মনাওশিংদা মাথং পিদুনা; অর্জ্জুন, নকুল, সহদেবনা মীযামগা লোইননা থোরকুনা মযাম্বা ভীম ওকচরে। মনান ওনা খুরুমজরে বৃকোদর মনাও ংবু কোল্লে মীযাম লোইননা, দরবার সভা য়ৌরকদুনা মযাম্বুং নিংথৌবু দণ্ডবত তাদুনা খুরুমজৈ। ধর্ম্মরাজ আসনদগী কুমথরক্লগা ভীম মনাওবু চিংথৎদুনা থমোইদা চেৎনা কোম্লগা থাগৎলকই; যুধিষ্ঠির আসন ফম্মে ভীমনা পুরকপা পোৎচৈ লম্মুম পুম্নমক ধর্ম্মরাজনা কৎলে রাজা অজ্ঞা মহুৎইমা মকম চানা থমখি। বৃকোদর কোম্বুং মম্বুং চংগকদুনা কুন্তী মমাবু খুরুমজরগা সনা, লুপা, মণি, রত্ন, মমাগী শরুক কৎলে, ভীম মমাদগী মাথং লোজরগা মাগী শক্ত ইদা ইংেম্মশিংনা সেবা তৌদুনা পোত্থাথরে। ভীমগী দিগবিজয়গী মতাং অসি পুক্লিংচৎনা তাজবা মীওইবগী লন চাওখৎলি পাপ কোকই মসি ব্যাস বাক্যনি। ইতি ॥ হরি হরি হরি ॥

অধ্যায়ঃ—

সহদেবনা থা মাইগে দিগবিজয় চৎপা ৱারী মতাং ॥

শ্রীবৈশম্পায়ন মুনিনা হায়রকই মহারাজ জন্মেজয় নবুথৌ সহদেবনা থা থংবা মাইগে দিগবিজয় চৎপগী ৱারি লিরক্লগে পুক্লিংচংনা তারো; যুধিষ্ঠিরনা সহদেবগী যাত্রাগীদমক মঙ্গল লাংগু হায়না মাথং পীরে। তেক্লোল অতিরথি মহারথি, অর্দ্ধরথি, পদাতি, শগোল, শামু, রথ, চতুরঙ্গদল শেম লাদুনা থা থংবা থোংদা পৈদুনা লৈরে। সারথীনা মনসিদ্ধি রথ সাজন তৌই, নিলচক্রদা জয়পত্র বানা থেংলে শত্র ও কাপ্লে কাজি অমারি মাইগে মদা কিরান অতাংবা, অঙৌবা, অমান্বা, অমুবা, অযাংবা, মেকথোংপা যুং চানা ২ থেংদুনা লৈতেংলে। থাং, তা, গদা, খগর, শেল, জাঠা জাঠি, মুষল, মুদগর ভিন্দিপাল খুংলাইগী জাং, দোলাইগী থঙা থমা হাপকৎথি উচেশর্বা শগোল ও জুরিয়ে তেঙোল সেমশাবা লোইদুনা লৈরে। থা থংবা লম্বী নাক মেৎলোম মাইয়োম লকু, চু মুদহা ঘট পূজা লাংতী সনাপুল জৈশিং থম্না হপ্তুনা পরেং ২ থিল্লে। সোথবা সঙীশিংনা চেং, থোইদিং, ভিংথৌ, লৈ পরেং শাইদুনা সোমোক কাণ্ডপ লেংদুনা লৈরে, সহদেব রৌদজ

ব্রাহ্মণনা মঙ্গল আশীর্ব্বাদ লোইয়ে, মমাদা ভক্তি তৌরুনা ধূলি লৌই, কুন্তী মমানা বর পীবিরে। ধর্ম্মরাজ, ভীম, অর্জ্জুন, নকুলময়াম্বা ৪বু খুকমজে মনাও "সহদেববু কোম্মুনা মঙ্গল ওইরকউ কৃষ্ণচরণ কাওগনু হায়না বর পিবিরে; সহদেব বীরবেষ লৈতেংবা লোইরে. ওইগী লেংবান্দা বিজয় ধনু য়ালে, নঙ্গন্দা মন:সিদ্ধি তেম্দোং পোরে, নাক য়েংতা চুঙ্গোই থাং য়ালে, খাংদা শোরি থেংলে। রথ কারে যাত্রাগী মঙ্গল ওইনবা জয় শঙ্খ ময়াম্বা চন্ন, কৃষ্ণী শাম্বা মরোন হাগুনা খোংলে. যাত্রাগী ইনিনগীদমক বন্দুক কামান, বম, তোপ থাদে যন্ত্রধারি ময়াম্বা পুং শেল্ য়ৈরে। পুংগী জাং মৃদঙ্গ, ঝাঝুরি, ভেউরি, মুখোরি, দকবে, দকরা, শকারস্তা, মৃহঙ্গ, মৃথাল, জয়ঢাক, কাড়ক, তামা, ডমম, কেমজ, খেমঙ্গ, বাগ্বাজ, ঢাক, ঢোল, রামকর, রামঙ্গ; জগঝম্ফ, ঝপক, জম্পাক, দম্পক, শেটাক, টবর, টুরি, ভেরি:, দুন্দুভি:, প্রলাক, খমক, খঞ্জুরি, ধুলক, তবলা টকট, বন্ত্রগী জাং বীনা, বেণু, শিঙ্গা, বাঁশী, তৌম্রি, সেতার, ইস্রাজ, তম্বুর, মধুযন্ত্র, বেহালা, রশমা ঘন্ট কাঁশী, করতাল, মন্দিং থাবদ লোইবা নাইপ্রবা যং ময়ামনা য়ৈরক খোংজকপগী ধ্বনি মোইবুং খোংবগী মখোল সিংহনাদ লাওনরকপা শব্দ অসিনা ইন্দ্রপ্রস্থ ভূমীকম্প তৌরে! সহদেববু সতীশিংনা লৈ পরেং হুক্রগা চেং, খোইদিং, তিংথৌ, লৈ, পত্র সিন্দুর চাংদুনা মঙ্গল অভিষেক তৌরকই, মী ময়ামনা যাত্রাগী মতমদা মাথব ও হামবা নাংনা পুমনিল নিম্না শোল্লকই। সহদেব খা মাইগৈদা তেঙ্গোল ময়াম লোইননা যাত্রা তৌরে ব্রাহ্মণ বৈষ্ণব নুপী অহল নহা মীয়াম মনমক কল্পিনখৌরে সহদেব মথুরা য়ৌরকতুনা মথুরা রাজা জয় তৌরে মথংদা মৎস্য দেশ বিরাট নিংথৌ জয় তৌরে অমুদগী দন্তবক্র রাজা লানকমদা মাইথিবা পীরুনা মতকচানা কোর লৌখংলকই। অমুগী তুংদা সুকুমার নিংথৌ সুশর্ম্মা রাজ জয় তৌরে, অমুদগী নিষাদভূমি চেরকতুনা গোশৃঙ্গ চৌডাওনা কোনবদা লৈবা শেনিমান নিংথৌ অমস্থং পার্থিবক রাজ খুদুম চল্লে; অমুগী তুংদা মহারাষ্ট্রগী নিংথৌ জয় তৌরগা অমুক লাকপনা কুন্তিভোজ নিংথৌগীদ খুংজরে। সহদেব মংথৌ কুন্তিভোজগী সভাদা চংজকতুনা দণ্ডবতনা খুরুমজে; ভোজ রাজনা কুন্তী মচগী পাও হংডি সহদেববু চেংনা কোম্লগা বারি শান্নরে, পাণ্ডবকী মঙ্গল ওইবগী পাও তাবনা নুংঙাইবগী ঔপাঙ্গা তাওরে। সহদেব মণ্ডবু কোম্বুংদা পুশিল্লকই রাণী মবেম্বোবু খুরুমজে সহদেববু চেংনা কোম্লগা নমা মঙ্গল ওইরিবরা ময়াম্বুংশিংনা কমদৌরি নহাকনা লাকপগী মরম হায়রো মবেম্বোনা ছন্দেশ কয়া পিজহুনা পেনহল্লি সহদেবনা হায়রকই ইবেম্বো গোবিন্দগী থৌজান্দগী ইমা ইয়াম্বা লোইনা মঙ্গল ওইজরি, এৌনা লাকচবনা দাদা মহারাজ যুধিষ্ঠিরবু রাজ অভিষেক তৌগদৌরি. মরম অমুগী খা মাইগৈসি এৌগী শরুক তারহুনা দিগবিজয় লাকচবনি রায়ম অাস ত বদা নুংঙাইজরহুনা ছন্দেশ কয়া লাংহন্নুনা সহদেববু পেমবা পিজরে। ভোজ রাজনা মহিদা শিরহুনা তেঙ্গোল মীয়াম পুম্নমক মকম চানা লৈহন্নুনা পিজ পিথকতুনা নুংঙাইনা পোথাহনল্লে। মতৌ অসুম্না সহদেব নুমিং ওনি পোথাহনা লৈরে। ওনি হুরকপগী অমুক্তা চাবা থকপা লোইরগা মবুথৌদা বিদায় নিরে, কুন্তিভোজনা মতগী

পেন্নবা রাজকোর পিরে। সহদেব তেঙ্গোল পুহনা অমুক লাকপনা চর্ম্মণ্বতী তুরেনগী খোংবান্দা তাবা জম্ভরাজগী মচা, মহোশা মপা হাক্রক্তগী কৃষ্ণবু য়েক্লবা, বিজত্ত রাজগা সুমিৎ ৫নি অকনবা লান শোক্লবদা সহদেবনা শ্রমহুনা খুৎ্নম চল্লে। মতুংগী কোর লোখৎলক্লগা খা পাংনা অমুক লাকপনা বিসেক, অপরসেক নিংথৌ ২ জয় লৌতুনা কিয়া, মণি, রত্ন কয়ামুক কোর লৌখৎলকই; অতুংগী নর্ম্মদা তুরেলগী খোংবান্দা তারক্লে অবন্তি দেশপা পাল্লিবা নিংথৌ বিন্দ, অনুবিন্দ, মচিন মনাও অনি অকনবা লান থেংনবদা সংদেবনা শ্রমহুনা সনা রুপা, মনি, রত্ন কয়ামুক কোর লৌখৎলকই। অতুংগী তুংদা ভোজ কটপুরদা পাল্লিবা ভীষ্মক নিংথৌগীদা থুংত্তরে ভীষ্মক কৃষ্ণগী মকু নিংথৌগা। সুমিৎ ১ লান থেংনবদা সহদেবনা মাইথিবা পীহনা কোর হৌখৎলকই। অতুংগী কোশল নিংথৌ জয় লৌরে, অতুংগী বেণ্বা তীরগী খোংবান অরন্যার নিংথৌ অবোধ্যাদগী নোংপোক পাংবা মাইগৈ অসোমদা পানবা নিংথৌ পুম্নমক লান্দা মাইথিবা পীহনা কোর লৌখৎলকই; নাটক জাতকি হেরম্বক জাতকি নিংথৌ মথং ২ জয় লৌরে।

অতুংগী মারুধ রাজা, মুঞ্জগ্রাম নিংথৌ খুৎ্নম চল্লে। অতুংগী তুংদা নাটাবিক, অনচ্ছুদ, হস্তগত, পুলিন্দ জাতকি নিংথৌ বন্দা লৈব কাংবু নিংথৌ পুম্নমক খুৎ্নম চল্লগা খা পাংনা লাকপনা পাণ্ডা রাং জয় তৌরগা খা পাংনা হায়থরকপনী মরোন ওদা কাওরবা য়োংগী লৈপাক কিষ্কিন্ধ্যাদা পাল্লিবা মৈন্দ্য দ্বিবিদ, ২গা সুমিৎ ৭নি লান শোক্লবদা শ্রমদরে; সহদেবগী শক্তি বিস্তানা য়োং হেক্লিনবা রাদ্রে শ্রক্লরে, সুমিৎ ৭নি লান থেংনবদা সহদেবগী পাংল হন্‌বা লৈত্তবা মতৌঙ্ উবদা মৈন্দা; দ্বিবিদ য়োং নিংথৌ যুবরাজ অনিহু পেল্লহুনা হায়রকই। হে পাণ্ডব শার্দ্দূল নঙ্গি শক্তি উবদা ঐথোই পেল্লে লান তোক্লরসি মনি, রত্ন কয়ামুক কোর পিরগে, নংনা তৌগে নিংবা থবক খুদিং মঙ্গল ওইক্লরো অসি হায়রগা কোর পিরে। সংদেবনা কিষ্কিন্ধ্যাদগী স্বর্ণ, রৌপ্য, মনি, রত্ন কয়ামুক কংলহুনা অমুক লাকপনা মহিষ্মতীপুর য়োরকহুনা নিলধ্বজ নিংথৌগা লান থেংনবদা নিলধ্বজ থাংবা শ্রমক্তহুনা অগ্নিদেববু স্মরণ তৌরকই। মৈকৌবা লাই লান চংলক্লে তেঙ্গোল চাকথেংগে হায়বগী প্রলয়গী মতৌগুম মৈ হৌরক্লে অদু উবদা সহদেব শ্রক্লহুনা খুলাই লেপ্তুনা মৈবু স্তুতি তৌরকই।

ভারত তারিবা জন্মেজয়না হংজরকই মুনি ইবুধৌনা দ্বিগবিজয় লাকইবহ রাজসূয় যজ্ঞগীনি মৈ মঙোন্দা হোম কংকদৌরিবনি করিগী পাণ্ডব য়েক্লররিবনা? মুনিনা হায় নিংথৌ নিলধ্বজগী মচানুপী স্বহা কৌবীহু মৈদা ওংঙী, মরম অদুনা মকুনা কৌবদা লাকহুনা মকুগী পেন্নবা লান চংশ্রকইবান। মরম অসিদগী কিনহুনা নিলধ্বজগী লৈপাক অসি হেক্লবা চংনদে, মসিগী রারীদি অশ্বমেধ পর্ব্বদা য়াওরকনি হৌজিক্তি শমলপ্ পল্লিবাসনা লোইরসি। বৈশম্পায়না হায় মথাগী বাৰী তারো জন্মেজয়, সহদেবনা মৈগী মন্ত্র জপ তৌরগা শুক্রমজহুনা যজ্ঞগী মরম পুম্নমকা লোইননা হঙ্গৎচৈ। সহদেবগী ভক্তিদা পেল্লহুনা অচাকপা তেজ হক্তিল্লগা সংদেবগী মাংদা থৌজালগী মূর্ত্তি লেপ্লীবরে;

নিংথিবা রাইহেনা হায়রকই হে সহদেব ! ধর্ম্মরাজগী রাজসূয় যজ্ঞগীদময়ক লাকপনি হায়বা ঐ থংচো। অদুধু নিলধ্বজগী লৈপাক অসি ঐন ওাবই অদুনা লান চাঙকইবনি নঙি ভজিদা পেঙে নোনা নিংবহ থুংজরো, মৈ কৌবা লাইনা বর পিরমগ হনখিহনা নিলধ্বজদা পাণ্ডব মেকুগমু সহদেববু, পেনহল্লু, অদুনা ইকুগী মঙল ওইগনী হায়রমগা অগ্নিদেব মৌ.প্র। নিলধ্বজ মৈগী মাপং মকুংইম পেনহল্লু, অদুনা ইকুগী মঙল ওইগনী হায়রম্মগা অগ্নিদেব মৌপ্র। নিলধ্বজ মৈগী মাপং মকুংইমঃ সহদেববু পেলহন্দুনা মতিক চানা সেবা তৌই সন, কুপ, মনি, রত্ন কয়ামকুম কোর পীরে সহদেব, নিলধ্বজ নিংথৌ বিদায় তৌরগা অমুক লাকপনা ত্রিপুর দেশ, কৌশিক, সুরাষ্ট্র, ভোজ, কটক, মথং ২ জয় তৌদুনা কোর লৌখৎলকই ভীষ্মক নিংথৌগী মচা রুক্মিগা লাম্বেংনবদা সহদেবনা জয় তৌদুনা কোর লৌখৎলকই, শূর্পরক দেশ দণ্ডকারণ্য জয় লৌরে।

অদুদগী মথং ২ জয় তৌরকতুনা থা সমুদ্র খোংবান থোরক্লে, কিরাট নিংথৌ জয় তৌই অদুগী থা থংবদা রাক্ষস কয় মুক পাল্লগী সহদেবগা লান শোদুনদা হিংচাবা কয়া শিরে হিংচাবগী নিংথৌ কিরক্তুনা সহদেবদা চংজরগ মনি, রত্ন, কয়ামুক কোর কংলে মতুদগী দীর্ঘকর্ণ দেশ মনা শাংবা মরেপ রাংবা মীওইগী জাৎ, কালমুখ,মমাই মুবা মশক থিবা হিংচাবগা মীপা যারগনা পোকপা মীওইগী কাংচুস মুখ কোলগিরি তাম্রদ্বিপ. রামগিরি, একপাদ দেশ. সঞ্জয়ন্তী. কর্ণাট কলিঙ্গ পাণ্ড্য দ্রাবিড়. কেরলা উণ্ড্র, উড়িষ্যা, আটবীর, যবন দেশ, মথং ২ জয় তৌদুনা কোর লৌখৎলকই। সেতুবন্ধ অমুক থোরকখিনা রাক্ষস দেশ লঙ্কা বিভীষণগী সভাদা দ্বিগবিজয় লাকপগী পাণ্ডব পাণ্ডবগা লোই না দূত থাদিল্লকই বিদ্যাগী শুপ্না সমুদ্র লাল্লক্তুনা লাকইবা পত্র কবদা হংকি লিলা থংব বিভীষণ লান তৌদনা সহদেববু পেলহন্দুনা বস্ত্র অলঙ্কার, মনি, রত্ন কয়ামুক কোর ওইনা পীরে। সহদেব বৈষ্ণব রাজ বিভীষণবু ভক্তি তৌদুনা বিদায় লৌজরগা হল্লক্লে সেতুবন্ধ রামেশ্বর পূজা কাংলী ; লেপ্লোল ময়াম ধন, রত্ন, বস্ত্র, অলঙ্কার মাল ময়ামহ শগোলদা শামুদা, রথদা, উংটো হাপকংলগ হল্লক্লে তুমিং কহানিমুক লাকপনা ইন্দ্রপ্রস্থ থোরক্লে, দূত থাগংলক্তুনা ধর্ম্মরাজদা হজংখি ; যুধিষ্ঠিরনা মাথং পীংকতুনা পাজ মনিচংবা মীয়াম থোরক্লগা সহদেববু ওকলগা দরবারদা পুশিল্লকই। সহদেব কোর লৌখৎলকপা মান থুম মান-চাং মনমক ধর্ম্মরাজদা থুরকহনা কংলি; মনাওবু কোল্লগা থাগংখি সহদেব ভীম অর্জ্জুন, নকুল ময়াম্বা তবু থুকমইজে, ময়াম্বা ওনা মনাওবু কোল্লগা বারি শানদুনা মুংওাইনরে। অদুদগী সহদেব কুন্তী মমাবু থুকমজহনা কজবা কিরোম সনা মনি, রত্ন, ছন্দেংলগা লোইনা মমাগী শরক কলি ; অদুদগী মাগী পজাইদা ইবেম্মলিংনা সেবা তৌহনা পোথাথরে সহদেবগী দ্বিগবিজয় অসি তাজবদা পুণ্যগী মশকনি। ইতি ॥ হরি হরি হরি ॥

অধ্যায়ঃ—

নকুল যুবরাজনা নোংচুপ মাইগৈ দিগবিজয় চৎপা বারী মতাং ॥

বৈশম্পায়ন মুনিনা হায় জনমেজয় নিংথৌ নকুল যুবরাজ নোংচুপলোমগী দিগবিজয় চৎপগী বারী লিরগে পুক্নিংচংনা তারো। নোংচুপ থোংলোমদা শগোল, শামু, রথ তোংবা রথ পদাতি লান্মী অক্ষৌহিনি ৫ যম্ভ থোংবা পুং যৈবা লেংহুনা লৈরে। নকুল বীরবেশ খুৎলাই শাজন লোইহনা কুন্তী, যুধিষ্ঠির খুরুমজহুনা বর লৌজে; ভীম, অর্জ্জুন ভক্তি বিদায় লৌজরে। সহদেব মন্ত্রিনা মঙ্গলগী ব্রাহ্মণ বেদপাঠ, সতী সোধবা কন্যা দ্রৌপদীগা লোইননা লাংথি। দম সারথিনা রথ সাজন লোইজহুনা তাইথি যুবরাজ রথ কাহুনা থমোইদা শ্রীকৃষ্ণবু চেংনা কোনহনা, মাধব নাম ৩ লক শোন্দুনা মহেন্দ্রদণ্ড শোরগী পুং থেংহুনা যাত্রা তৌরে। মোংবুং খোংবা, পুংশেল, যন্ত্রগী ধ্বনি সিংহনাদ লাওরকপা, থোঞ্জেল ময়াম অসিনা পৃথ্বী লিক্লে, ময়াম হক্লিংখৌরে নকুল পশ্চিমগী দিগবিজয় চৎথি। নোংচুপলোমগী রোহিত দেশগী নিংথৌ * শিখিধ্বজগা, নকুল লানবা তৌনবদা তেঙ্গোলদু কাউরে শিখিধ্বজ মাগী তেঙ্গোল লেনগ্রবদা! বাহোং তেংলগা বাহোং তেঙ্গোলগা লাস্না তৌরকই। নকুলগী তেঙ্গোল শুক্রে শিখিগী লাল্লোং হৈবা নকুলনা। বাউ মখ শোন্দুনা কাপ্পদা বাহোং ময়ামদু প্রলয়গী মুংশিংনা বজ্রগী শাকুগা মান্নবদা য়োংলগে পাইশিল্লকপা বাহোংশাক্ত তেঞ্জিল্লকপা গুম য়। নকুল মৈগী তেন কাপ্পুনা ময়ুর সৈন্য চাকথেকুনা উৎ ওইনা থাদথরে; শিখিধ্বজ মতোমতা হাইখৌরে নকুলগী (শক্তি বিদ্যা) উবদা নকুলগা চংজহুনা কোর কচ্ছরে। অদুদগী নকুল মাধর্ব, শৈরীয়, শিবি, বর্ব্বর, পুস্কর দেশশিংগী নিংথৌ জয় তৌহনা মথং ২ কোর লৌখৎলক্লে। অদুদগী সিন্ধু তুরেলগী অমসুং সরস্বতীগী মনাক্তা পানবা নিংথৌশিং লোইনা জয় তৌরক্লে। মাদ্রী নন্দন অদুদগী খরক, কণ্টক, পঞ্চনদ, গৌতিক, বৃন্দরক, দ্বারপাল্ল, প্রতিবিন্দ, নকুলাস্ত, নিংথৌশিং লোইনা জয় তৌরক্লগা গুজরাট য়োরকহনা দ্বারিকাদা দূত থারক্লে। দ্বারিকাগী উগ্রসেন, বাসুদেব, বলদেব, শ্রীকৃষ্ণ থম্নহনা ধর্ম্মরাজনা পেন্নবা মতিকচানা কোর পিনরে। নকুল রাম কৃষ্ণগী ভক্তি বিদায় লৌরগা দেশ মথং ২ জয় তৌরকপগী কোরদু; উট্টা, শামুদা হাপহুনা ইন্দ্রপ্রস্থদা থাথি। দেশ মথং ২ জুম্মকপনা মদ্রদেশ য়োরকলে, পাণ্ডসি শল্যনা তারহুনা

---

* ব্যাখ্যা—রোহিত দেশগী নিংথৌগী মমিং শিখিধ্বজ কৌবসি শিখি বিদ্যা হৈবদগী শিখিধ্বজ কৌবনি। মানা ময়ূর বিদ্যা হৈবসি চহি ১২ কার্ত্তিক দেব সেনাপতি নিংহুনা কার্ত্তিকনা পিবা শিখি বিদ্যানি। মাবু কিদনা যেক্কবা অমতা চংবা ঙমহনা মনিংতম্না পানবা নিংথৌনি অদুম্না স্কন্দ পুরাণ অমসুং শিব সংহিতানা হায়রি ॥

পাত্র মখি মীয়াম থারকত্তুনা নকুলবু ওত্তুনা পুশিল্লকখি। নকুল মাতুলবু ভক্তি কচ্চে, শল্যনা মমাকপু কোল্লগা মতিকচানা পেলহন্দুনা জয়পত্র কোর পীগ্নুনা বিদাই পীরে। নকুল মাতুলবু ভক্তি বিদায় লৌইনরগা সমুদ্রগী খাবান্দা লাকনা ম্লেচ্ছ দেশ য়ৌরকলগা ভমখিরবা যবন জয় তেরে, সমুদ্র মধ্যদাগী পানব নিংথৌ নোংপলোমগী দেশ লোইনা জয় তৌত্নুনা সনা, লুপা, মণি, রত্ন, বস্ত্র আভরন কয়া পুরগা দ্বিগবিজয় লল্লকলে।

রথদা, শামুদা উট্ট পোরক্তুন, তেন্গোল মপে মরিগা ইন্দ্রপ্রস্থ য়ৌরকলে ; মথাঙ্গ জয়ধ্বনি লাওত্নুনা ওকখি নকুল ময়াম্বুং খুরুমজরগ কচ্চরে, যুধিষ্ঠির মনাওবু কোল্লগা য়াথং পিথরে। যুবরাজ মম ময়ম খুরুমজরগা যুবরাজ কোল্লুংদ পোথাখরে, ধর্ম্মরাজনা ধন, রত্ন, বস্ত্র, বস্তু পুম্নমক ভাণ্ডারদ শিন্নরে পাণ্ডব দ্বিগবিজয়গী য়ৰী অসি ভারতবদা মীওইবগী য়েন্নব লৈতে, তৌদবা খুদিং মঙ্গল ওই সভাপর্ব্বগী রস অসি অমৃতগা মাগ্নে শ্রীব্যাসমুনিনা লেংঙম মুল সংস্কৃতগী তোল্লব কাশিদাসনা পদ ছন্দদ ইথোকখবনি অমুক বন্দনা তৌজে। মসি কাশী ভারতকী মতনি। বৈশম্পায়ন মুনিনা হায় তারে মহারাজা জন্মেজয় ইন্দ্রপ্রস্থ ধর্ম্মরাজন পাল্লব লৈপাকসি, রোগ, শোক, পিড়া জড়া, মৃত্যু, বৈর, অগ্নি, বায়ু, চোরে, ডাকুগী অকিবা লৈত্রে মহৈমরোং লন চাওখৎলে। শগোল, শামু, যনবী, যনাও মংহেম অসিন অবর্বৃত অবর্বৃত ওইরে; অতংগা লৈতনা দান মহোৎসব কৎলি। পৃথিবীগী নিংথৌশিংন কারকইব কের শুভ অসি উবদা। রাজসূয় যজ্ঞ য়ারগত্রা নিংহুন দরবারদ নিংথৌ মথাগ ব্রহ্মসভ মনাওশিং পাত্র মখি হুনা কৌখৎত্নুনা কপ্পগা যজ্ঞগী মরম ভানরকলে। সভা পুমনমক্না যজ্ঞ তৌহিরো হায়রগনি কাপ্পকলে, মতাং অসিদা ধর্ম্মরাজ জগৎকী কর্ত্তা কারন ওইরিব শ্রীকৃষ্ণগা য়াথং য়াওহন ঐগী ইচিগ্না করমন যজ্ঞ তৌরনি হায়রিগে, খল্লুহন্দ হায়বা ভমজ্রহন থমোইদা শ্রীকৃষ্ণ ধ্যান তৌরকলে।

মতাং অসিদ ঋষি নারদ সভাদা থুংগরে, নারদবু আসন সেবা পূজ কৎলগ ধর্ম্মরাজন খুরুমজে ঋষিবু ময়ামনপু খুরুম্মী। ঋষি আশীর্ব্বাদ তৌরকই, ধর্ম্মরাজবু মুনি ঋষি, নিংথৌ ময়ামনা ধন্যবাদ তৌনত্নুনা সভা পুমনমক নুংঙাইহনরি। দ্বারিকারোমদা সর্ব্বজ্ঞ ভগবান শ্রীকৃষ্ণন ধর্ম্মরাজগী পেন্নবগীদমক, যদুসৈন্য শগোল, শামু, তেঙ্গোল মপে মার মণি, রত্ন কয়ামুক পুরগা গরুরধ্বজ রথ তোংত্নুনা লেংখকপনা॥ যুধিষ্ঠিরনা ধ্যান তৌরকপা মতমচান ইন্দ্রপ্রস্থদা থুংবিরগা পঞ্চজন্য শঙ্খ খোংলকলে। শ্রীকৃষ্ণগী মেইথুং খোঞ্জেল তাবদ ধর্ম্মরাজা ভীম, অর্জ্জুন, নকুল, সহদেবদা য়াথং পিরে। পাণ্ডব ময়াম খোরক্লগা নোংচুপ খোংলোমদা শ্রীকৃষ্ণবু ভক্তি তৌত্নুনা ওকচরে। শ্রীহরি রথদগী লেংথরগা ভীম, অর্জ্জুন, নকুল, সহদেববু প্রেম আলিঙ্গন তৌব, মনাই ওনা খোল্লগা শ্রীকৃষ্ণবু লেংশিল্লকই মীয়াম্না তুংদা খোগল ইল্লি। মরোল ওঙ্গা লাই, মীনা ধ্যান তৌনরিবা (নারদ, ধ্রুব, প্রহ্লাদ, শুকন) শ্রীচরণ পদ্মনা ঐখোইগী লমি লেপপ্রবা সনাকিগে খোনবা

সুবর্ণ মেখলানা লৈতেংলি। মনি কিরিটি কুণ্ডল লৈতেংবা, শ্রীবৎসনাঙ্ক আজানু লম্বিত ভুজদা খুজি তাল লৈতেংবা কৌস্তুভ মনিনা ঙাল্লিবা, ফুলমালা, বনমালা, বৈজয়ন্তিমালা খোনবা, মনিগী নপুর শ্রীপাদদা লৈতেংবা সূর্য্যগী তেজবু হুবা !! শ্রীকৃষ্ণ পাদনা লেংশিল্লকপনা দরবার সভা য়োৎবদা মনাইগী মথা পোনবা কায়বাদি জগদা থম্বীরকপে কায়বগী ধর্ম্মরাজগী মাংদা মধুর বাকানা দাদা মহারাজা নমাঙ য়োঙরক্কে থুকমজার হায়রগা অষ্টাঙ্গ প্রণাম তৌরক্লে যুধিষ্ঠির রাজা আসন্দগী চোংথরক্লুন শ্রীকৃষ্ণবু প্রেম আলিঙ্গন তৌকে, সহদেবনা রত্ন আসন সেবা পূজা কলে শ্রীবাসুদেব আসন্দা বিরাজ ওইহনবরে। রাজ সভা এক্না সভ মীয়াম পুম্নমক অষ্টাঙ্গভক্তি কচরে শ্রীকৃষ্ণনা আসিষ্য তৌবিরে, দ্বারিকাদগী পুরকপা মণি, রত্ন ধন্যসা দা কলে রাজাজা ভাণ্ডারদা শিন্দরে। যুধিষ্ঠির কৃষ্ণগী য়েংলোমদা ফংলেংবা ফিরি আ পা, দয়া ভক্তিদ ফম্লগ, হনেনবা রাহৈনা হে প্রাণ কৃষ্ণ, ইবুংঙোগী থৌজালগী পৃথিবী জয় তুমজরে; ঐনা শৌক্লিংইবা অনিক ওন্নগনি নিংশরে মনি, রত্ন পুগৈ-লংগৈ চন্নক্লে, থমক্ম হ্যাগ লৈশিল্লক্লে। লন মরামসি হনাইনা থমজোগে ঐনা ব্রাহ্মণগী খুত্তা শিন্ননিংঙি, কমজৌরগা দেব সভা পেনগদবা ইন্দগী মাল পাংথোক্লগা ইপানা দেব সভাদা মাওনবা শ্রীমুখনা তাকপিয়ু। ব্রাহ্মণগী চরণ থম্বালদা যজ্ঞগী শিক্ষা লৌজরগে ননাইগী ভিক্ষা হাপ্পীরো, হায়রগা ধর্ম্মরাজ লেমগী নারানা মিংশু লেগা ইফুং লেকপঙম শিঙ্গরগা হিক ২ কপ্লক্লে। শ্রীহরি মনাই বৈষ্ণবকী নিংবা খুংহল্লগে থল্লগা প্রিয় বাকান হায়রক, দাদা মহারাজা পৃথিগী নিংথৌ লোইন। ইয়াম্বগী জুনা খুদুম চল্লে ঐখোই পুন্নমক্কী মাইবককবা ওইবে লেরুবা তিনথং লৈরয়োম রাজসূয় যজ্ঞ তৌবিয়ো। ননাঙনা মাবং পীবিয়ু যদুবংশ মরুপ মপাং পান মনি অকন-অথৌ ইচিন-ইনাও, থবক খুদং মতিকচাবা মকম সদা তৌজগে থবক পাংথোকপা য়ারগনি। গোবিন্দগী য়াথং কংজবদা ধর্ম্মরাজ নুংঙাইজহনা খুং লোন্নরগা স্তব তৌরকই, ঐনা নিংজবগা য়ৌবিরক্লুনা পুক্লিংগী অপাম্বা পিনবিবসি নিংজবগী মহৈ য়াঙ্গরে, জগতকী ভক্তি লৈবা চরণবু নিংজবা ঋষি পুম্নমক্কী নিংজববু থুংহনবিবা ভাক্ত লৈজবা ননাইশিংবু চানবীনৈব, ইবুংঙো নহাক্কী থুম্বা থম্বালদা প্রান আত্মাগা লোইননা সম্পতি সো গোত্রগা পুমনমক কন্দরে কায়না ভক্তি আশ্রয় তৌজরে। ব্যাসগী মূলবু পদছন্দ লেংথোকচবা কাশীদাসনা কায়কে, ময়া সমুদ্রবু লাইনা লাম্বা সাধুশিংনা দেব ভগবানবু নিংজগদবা ওই। ইতি ॥ হরি হরি হরি ॥

অধ্যায় —

রাজসুয় যজ্ঞ হোবগী মতাং

মুনিনা হায় মহারাজা যুধিষ্ঠির নুংঙাইহনা সহদেব মন্ত্রি কৌশল্যগা হায় যৌগা গুরুগী যজ্ঞগী পোৎলম হংলগা গুরুনা অমক হংলগা হায়রকখি মক ২ লাংঙু পৃথিবীদা লেবা নিংথৌ জাতি খুদিংমক বার্ত্তন তৌ ব্যাস অমা মুনি, ঋষি অমা, বৈষ্ণ, লোইনা পার্ত্তোনা তৌনবা দূত থারো। চানবা থকনবা রস শব্দ পুমনমক ভক্ত্রসেন, বৃষক, যম, পুরু, সার খুদিংদা শিল্পরগা মকম খুদিংদা হাৎতনবা থমকও, মরম পুমনমক সহদেবদা শিংখদা ধর্ম্মরাজান শ্রীকৃষ্ণদা অমুক হংজরকই। পাণ্ডব ঐখোইগী কত্তা কারন ওইবিদ্রিবা কে গোবিন্দ কংকং মতম তেগাদব থবক পুমনমক যাথং তাকপীয়ু যাথং মকুংইমা তৌজগে শ্রীকৃষ্ণ হাল হায়রক অমা হৈ হরিশ্চন্দ্রনা তৌখিবা যজ্ঞনা পৃথীদানি, হক্কো যজ্ঞদি স্বর্গ মর্ত্ত, পাতাল শুন, যা অনিশি শিব ব্রহ্মা ইন্দ্রনচিবা লাই পুমনমক ; পাতালগী শেষ নাগরাজ, দৈত্য দানব খোন ও শুন লাইরিক্লগ লে রসি। যুধিষ্ঠিরনা হায়রকই হে নরায়ন ইন্দ্র, যম বরুন ব্রহ্মলক, কনানা বার্ত্তন চৎপা জুমগনি, শ্রীকৃষ্ণনা ধর্ম্মরাজ অরুগীদি শগোল অচৌবা ৪না চিংব মন পীবা কর্ণবাথ কাপিধ্বজ রথদি মরেলদা নোংমদা কোইবা ওম্বনি ইতাও অর্জ্জুন থাদিয়ু অরাং মাইগেগী চং বন খুদিংমক পানবা জাতি নিংথৌ খুদিং বার্ত্তন তৌরগা কুবেরগী বার্ত্তন তৌবগনি মাগী মাথং লৌরবদি পাংথে কপা জুমগনি। দেব, গন্ধর্ব, যক্ষ, রক্ষ, দানব, ইন্দ্র, যম বরুন মহারাজ ওগী সঙ্গ, সাধ্য, ঋষি তৌরগা লঙ্কাগী বিভীষণ তৌগদবনি, অমসুং বার্ত্তন তৌনবা লাকওই হায়ব নিংথৌশিং পুম্নগ পুরকপবনি অতিয়াদা লৈবকাও দাদা মহরাজবু সুংশিন্নুন লোইনা লাকনি অসুমনা কারকপা সামুদরগী য়াথং তারবদা ধর্ম্মরাজ মনাও ইবুংঙোশিংদা য়াথং পীরে। রাজরাজ ফংলবদা মরোন্দ রাজসুয় যজ্ঞদি মহোৎসব য়াওবীগদবনি হায়ন ; পার্থনা কোয়নগা নোংপোক, নোংচুপ মথা দূত থারে, অরাংলোমদনা অর্জ্জুনা চৎলে। মন্ত্রিনা মিস্ত্রি পুগালি কৌহনা কোটি মনা, দেবপুর, ব্রহ্মপুর, রাজপুর, ম্লেচ্ছ, যবন, হুনাও, পুলিও, কুকি শবর জাতি খুদিংগী, লৈকম স্বর্ণ, রৌপ্য রত্ননা লৈতেংহনা মকম মতিক চানা ২ শাংলে ; পুর ১দন স্তুম চান ২নি ; শয্যা, শেৎন, ইৎব গি চান-থকনবা মরম শুনা থম্মী। উপাল, হৈকোল, লৈকোল, পুত্রি, গুহা, ঈশিং কজ ২না শেমহন থম্মী, অতকপা অমসুং পুক্রিং হুনবগী মশক্তি চাবা থকপগীন ইন্দ্রসেন হুচিংহনা হাওনবা পৈরি মাইহৈ খুদিংদগী শামুদা, উট্টা, শকটতা, হিন্দ দেশ খুদিংদগী পুরকতুনা কোর কৎলৈ। মহেনা লেম্বা সভা লাইনা মীনা থাগৎনরবা সভাহূদা ধর্ম্মরাজা মধুপূর্ণিমাদা যজ্ঞ হোরে, শ্রীবাসনা ব্রহ্মা ওইরে ধৌম্যনা তন্ত্রধার ধনঞ্জয় মুনি বেদপাঠ ওইরে, ব্রাহ্মণ ময়ামনা যজ্ঞহোতা ওইরে

ব্রাহ্মণগী মথো থবক খুদিং নারদ ঋষিনা শিন্দুনা তৌহল্লে। নকুলদ ধর্মরাজনা হায়ে ইনাওনা হস্তিনাগী পাবুংনন, ইবুধো গুরুদেবনচিংবা অহল-লমন ব্রাহ্মণ-বৈষ্ণব, গন্ধারী ইমাবোক্কুচিংবা শাগৈগী মৌ পুম্নমক ইনাওনা খুনা চৎলো লোইনা পুরকউ। নকুল খুদক্তা রথনা চৌথিহুনা হস্তিনা কোম্নুংগী ধৃতরাষ্ট্র গন্ধারী খুরুমজহুন, ধর্মরাজগী মাকম যজ্ঞগী মরম হাংচরে অঙ্গরাজ দুর্য্যোধন মচা নিংথোদা মাথং পিরে। খুদক্তা যজ্ঞগী চৎননবা রজাজা পাণ্ডবজেন পুংঙ্গ্রে হস্তিনা ব্রাহ্মণ, ক্ষত্রি, বৈশ্য, শূদ্র বাল, বৃদ্ধ, যুবা, নারী নরগা মুংচাইনা, চতুরঙ্গদল শেমশাহুনা দুর্য্যোধন নকুলগা লোইননা যজ্ঞগী দমক লাকুনা ইন্দ্রপ্রস্থ থৌরক্লে। অর্জুনা ময়াম্বু ওক্লগা মতাঙ্গা আসন সেবা তৌরগা ভীষ্ম ধৃতরাষ্ট্রদা থবক পুনবা শিন্দাকপয় হায়ক্লে, ভীষ্মনা যুধিষ্ঠিরগা তানহনা মতিকসাবা চাবদা থবক পুনবা শিন্নরকই।

থবক তৌগনবা থৌরোইদবা মতম শিনবগী দাই ভীষ্ম, দ্রোণনা ওইরে, ভাণ্ডার ধন, রত্ন পাম্নবগী থবক দুর্য্যোধনদা শিন্নরে; ময়ামগী চানবা থরবগী সিনবগী দাই দুঃশাসনদা শিন্নরে, ব্রাহ্মণ পূজাগী মরম্না অশ্বত্থামানা পুরে, নিংথো ময়ামগী সেবাগী ভার অর্জুনদা শিন্নরে, কৃপাচার্য্যনা ব্রাহ্মণ দক্ষিনা তৌবগী চংগ লৌরে শ্রীকৃষ্ণনা থবক পুরিবা খুদিংমকসি সেংইদনবা য়েংহনা তাকপিবা শিনবিবগী দাই লৌবিরে। বাহ্লিক ধৃতরাষ্ট্র, সোমদত্ত জনা গুরুতুঙ্গী থবক পুবা মপু ওইহল্লে, যজ্ঞ সভা লোংগোক থোং চুকপ ইন্দ্রসেনদা শিন্নরে, অরাং থোংদনা অনিরুদ্ধবু পুহল্লে, রথি ৬০০০ কক্ষুগা লোইনহল্লে। খাগী থোংদা সাত্যকিবু রথি ২০০০গা পুহল্লি, নোংচুপকী থোংনা রথী ২০০০গা শিন্নহন দুর্য্যোধনবু থবক অভিমন্যু পুহল্লি। থংনা চৈনবা লমহেনবা থিংনবা অকল অথৌগী থরক্তা রথী ১০০০০ অমগা থোংগী মপান্দা তাহিং নুংথম্দা কোইহুনা তত্তুনা লাকই, নিংথৌশিং থৌরকপগী ওাও পীবা থাজিন্নরপা মাবা যাদবগী পাও, ধর্মরাজগী মাথং মইগৈ মরিগী থোংদা থবক নকুল, সহদেববু পুহল্লে। অসুম্না পুন্নমক্তা থবক শিন্নরগা যুধিষ্ঠির যজ্ঞাসনদা ফমদুনা যজ্ঞ হৌরকইরদি, ব্রাহ্মণনা সামবেদ পাঠ তৌরি হোতা ব্রাহ্মণ সদস্যশিংনা মন্ত্রগা কোমনা মৈদা হোম পীরি। (আয়-বায়) কারকপা জন চৎনখিবা লনগী থংনবা বিদুরনা পুরি, দানগী থবক্তা কর্ণবু পুহল্লি। শ্রীকৃষ্ণবু মোইরাং থোংবগী দাইসু ওইবনু হায়না ধর্মরাজগী মাথং মতুংইন্না, পঞ্চজন্য শঙ্খ আসন থারগা পূজা তৌদুনা থম্মে।

মাইপৈ খুদিংদগী নিংথৌনা যজ্ঞ য়াওগদবগী লাকইবা খুদিং, শগোল, শামু, রথ, উট্রা শগা লোইননা পাণ্ডবনা পেমবিনবা হীরা, মণি, রত্ন, স্বর্ণ, রৌপ্য, বস্ত্র, লোমজ, কিটজ, পুষ্পজ, চর্মজ, অলঙ্কার কয়া ২ পুদুনা লাকরিবসি ক্ষেত্রি, বৈশ্য, শূদ্র, ম্লেশ, যবন, চৌংদা পানবা জাতি খুদিংগী নিংথৌশিংনা পুনরকপসি শিলী, মাই, মণিগী জাত্তা অঙাংবা, অঙৌবা, অশংবা, অরংবা, অমুবা, মৈথানবা, নাপু জাং মুনা যাওরে। চন্দন আগুরু, জাচন্দন, রক্ত মৃগমদ কস্তুরি, ম্নগ, নাচৌ,

কুমকুম, গৌরচন, মাগী ২ দেশদা কংব কজব খিবিক লোইনা পুনরকই, পৃথিবীগী জাতি খুদিং বার্ত্তন কংব কংদবা পুম্নমক, রাজসূয় যজ্ঞ য়েংনিংবদগী লাকই। ঈশিংদা লৈবা, কংখাঙ্গ লৈবা, চীংদা লৈবা খিবিক, সিদ্ধ ঋষি মুনি, ব্রাহ্মণ, দৈত্য, দানব যক্ষ রক্ষ, গুহ্যক গন্ধর্ব, অপ্সর, অপ্সরী, কিন্নরী কিন্নর, যজ্ঞ শত হায়রদ খুদংরে। রাজাভা নকুল সহদেবন লৈরগ খো খুদিং পাণ্ড পিনুন পুনিনগদব নিংথৌশিং সভদা পুনিশিন্নি। অর্জ্জুনা লাকইবা নিংথৌ সভাদা লৈব খোং মপান্দা লৈবা পুম্নমক মতিকচনা ২ সেবা তৌই। অশ্বথামানা ব্রাহ্মণ মচ কোটি শা লোইনহনা, সিদ্ধ ঋষি ব্রাহ্মণগী পূজ সেবা তৌরি, দুঃশাসন সেবারী কোটি ১গ লোইনহনা মকম খুদিং চানবা দ্রব্য বাংহনবা পিরগ পূজা কোটি ২ন খোংহনা পেম্নগা চাব থকপগী সেবানা জাতি খুদিংমক পেনহল্লি।

মতম অনিদা একচক্রগী নিংথৌ ঘটোৎকচ মখ ভিরন্নীগা মরাক রাক্ষস লক্ষ ংগা শামু অজৌবা চাইশ তোংহনা লাকপ অবাংথোংদা লুংহরে, দ্বারী গ পাণ্ড পিনুনা সহদেবনা রাজাজ্ঞা লৌরগা সভাদা পুনিনখি। ঘটোৎকচ ভক্তি কোননগা সভাদ রাজাগ্রে হিরন্নীনা লোনবী সখীশিংগা কজবা শককম কিজেং লৈতেংগ রাণীগী সভাদা চংগুক্রগা সভা খুকম্মী অঙুপ কুন্তী মনেন্মু খুরুমজে। হিরম্বীগী কজব মশক মতৌ উবদ স্ত্রী সভা অঙকপা ধইনৈ, দ্রৌপদীগী ওইদা কম্বীবী সুভদ্রানচিংবী মৌশিং অতৈহ হিরম্বীবু ব্যবহার তৌই দ্রৌপদী রাণীগী অভিমান হিরম্বীবু কৌদনা পৈথোকতুনা লৈ, মতৌ উবদা তৌবা দুস্বী হিরম্বীনা সখীদা ঈঙ্গিত পিরুনা কিদা থাদল্লগা দ্রৌপদীগী মাং সভা মরাইনা কম্মী। হিরম্বীগী মতৌ উবদা দ্রৌপদীনা শাংনা হায়রকই হে বনাচারী নংসি কামাতুর ওইবদগী নচুং কাংপা ভীমদা নথবাক কংলগা। বন খুদিং নিপা পুরুনা কোইনা বনিংভম্বী মরাইদা কম্মীবনু নমাক কাইন্দ্রা। হিরম্বীনা কে পঞ্চালীনা নংবু পোকপা দ্রুপদবু কারগা অর্জ্জুনা দ্রোনদা কংপ্রবা। পিতৃবৈরী পাণ্ডবতা ওংগী নংনদি ইকাইরহনা ঐহোন্দা হায়জবা শারি, ঐদী হায়না প্রাণ কচ্ছরবনি কোমা ইবুংগা একুরকপদগী থরাই মাংখিবনী। সত ধর্ম্ম ভারগা ঐনা ইনমগী সেবা কান্না কংগুক্রবী নচেমনী, ব্যবহার তৌগদবনি পাণ্ডবকী মৌ ঐখোই ১৩দগী ঐনা অহল্লী, অঙবু ইতৈ ইবুংথোগী গুণ অমম্তুং পদবীগী য়েংহনা ইন্দ্রপ্রস্থ শঙ্কারগা ঘটোৎকচ লুহোংবদা থানীর পদবি মান ভাকতুনা য়েংল্লা কমকল্লগা। কুজবা থাহনগ্রবনী ঐম্নি রাজা মাতানি, অমম্তুং পাণ্ডব যজ্ঞ তৌগদৌরে ভাবদনা কৈলাসদা দৈত্য পুম্নমক যজ্ঞ থুগাইনবা যুক্তি তৌনবা পাণ্ড কংহনা, ইচানা রাক্ষস লোইনা জয় তৌরগা পুন্নুনা ২ মন্ত্রী থম্মী। পৃথিবী বন, চীংদা পানবা পুম্নমক জয় তৌহনা পাম্লিবা। ইচাগী মতেংদগীসু পৃথিগী রাণীনা ব্যবহার তৌগদৌরিবনী; অঙুগা ঐনা লাকুগা কৌদবা কবিগীনো মরম অঙুগীনি থংও। দ্রৌপদীনা হায় হিংচোবী মম ২ থাগংলিবা নচাহ কর্ণগী একাম্নি টানা থাহনা পিবা

ওইরসনু, মচাবু শাপ পীবগ ভাবদা ছিরস্নীনা খ্রৌপদী ইচাদি লানকমদা লেপ্লা শিরগা বৈকুণ্ঠ কংসনু। নংগী মচা ৫হু লান্দদা শিকৌত্রগা অমসু অহিংদা অশ্বত্থামানা থাংনা মভক কক্লুনা শিরগা যমালোক চৌসনু, নংনা মচাগী অরাবা কংত্তু হায়না সতী শাপ তৌরে। কুন্তিনা মমৌ ২না শাপ চৈনরকপা ভারহুনা অন্তপুরদগী চেপ্পোক্লকুনা থামজিল্লগা রায়েন্নুনা দ্রৌপদীগী ওইদা শুভদ্রাগী যেং অনিগী ময়াইদা ছিরস্নীগী কমকম পীরে মনেমগী য়াথং য়ানজুনা কশিন্নরে।

মতাং অসিদা নোংপোক থোংলোমদা পঞ্চালগী নিংথৌ থুংজরে, দ্বারীনা পাও পীরে খুদক্কা নকুল সহদেবন রাজাজ্ঞা লৌরগা মকু দ্রুপদ নিংথৌ পুশিনকপদ। নিংথৌগী য়াথং য়াওদবা নিংথৌ কয়ামুক দ্বারীনা থিংবা নংকৌদনা পঞ্চাল নিংথৌগী তুং ইল্লগা চংবদা য়াওখরে। মরম অতুদগী ইন্দ্রসেনগী মতুং শিন্নুনা ঘটোৎকচবু নাংপোকথোং পুংল্লে অমসুং চিত্ররথ গন্ধর্ব্ব ইন্দ্রগী য়াথং লৌরগা লাইগী রাজাবেষ, অমাংবা, মনবা, শেগাইবা মোংপা, লৈরবা পাণ্ডব ৫ রাণীগীগা আভরণ ৬ কিয়া, মণি, রত্নগী লৈতং পুম্নমক পাণ্ডবনা পেনবা গন্ধর্ব্ব অপ্সরী পুম্নমক্কা লোইননা অরাং থোংদা থুংওরে। দ্বারীনা সহদেবনা পাও শিরবদগী ধর্ম্মরাজগী য়াথং লৌরগা সহদেবনা গন্ধর্ব্ব রাজা মংগী প্রজাগা পুসিনখী, ধর্ম্মরাজদা মণি, রত্নগা দেব আভরণ কংলে, চিত্ররথবু ব্যবহার সেবা তৌহনা পেলহনখি। যজ্ঞ কৌরকপা থা ১ কারকপা জ্যৈষ্ঠ মাসগী পুর্ণিমাদা যজ্ঞ কর্ত্তা শ্রীকৃষ্ণনা রাজা অভিষেক তৌরো হায়বা ব্রহ্ম সভাদা য়াথং পীরে; ধৌম্য, ব্যাসনা তীর্থ পুম্নমক্কী জল পুসিলক্লে অসিত, দেবল, পরাশর, ভরদ্বাজ অসিগা লোইনা স্নান মন্ত্র হোল্লগা ধর্ম্মরাজবু চাংথবগী অভিষেক লোইবদা চিত্ররথ গন্ধর্ব্ব রাজনা যুধিষ্ঠিরবু বেষ অলঙ্কারগী থোগল্লগা রাজাসনদা লেংখৎলগা ধর্ম্মরাজা কপ্পে, সাত্যকিনা অতোবা শেকপিন মথোল ৯ থোগল তৌরে। শিশুপালনা পানাগী থোগল তৌই, ভীম, অর্জ্জুনা কাংহায় হমাই থোগল তৌই, নকুল, সহদেবনা চামর থোগল্লে, থাংশাং ছুরি পাইহনা মাংদা থোগল লেপ্পী চেকিতান নিংথৌনা ওইদ তেম্পোং থোগাল্লি, য়েংলোমদা কাশী রাজা লিরুং থোগাল্লি, দক্ষিণর নিংথৌনা চর্ম্ম, পাংকা থোগল্লী। নারদনচিংবা সিদ্ধ ঋষিশিংনা বেদপাঠ তৌরে, ব্রাহ্মণ ময়াম্না স্বস্তিবাচন তৌরকপনা অহিয়া কাওবা লিনল্লে; গন্ধর্ব্বনা ঈশৈ শক্লে, অপ্সরানা জগোই শারে, শ্রীকৃষ্ণনা পঞ্চজন্য শঙ্খ থোংলকপদা সাত্যকিনা বিজয় শঙ্খ, ভীমনা পৌলণ্ড্র, অর্জ্জুন দেবদত্ত, নকুলনা সুঘোষ, সহদেবন মণিপুষ্পক, ধৃষ্টদ্যুম্ন চন্দ্রকান্ত শঙ্খ, ধর্ম্মরাজগী অনন্তবিজয়, মোইথুং ৮ অসি থোংলকপদা স্বর্গ, মর্ত, পাতাল কাওদা ভাথরে। সভাগী অহল, নহা, হুপী রাজরে অমত্তু উবদা ধর্ম্মরাজানা শঙ্খগান থামল্লে, শ্রীব্যাস, ধৌম্যানচিংবা মুনি ময়ামনা বেদগী বিধি কাইদনা ধর্ম্মরাজগী অভিষেক অমুক তৌরকই। ইন্দ্রগি আলম্বুষ, মিশ্রকেশী, বুর্ব্বুখচিংবী অপ্সরা কয়া পাণ্ডবকী হেমবতী, পুষ্পাবতী, প্রেমাবতী, মালিনী, চন্দ্রনী, সৈরন্ধ্রিনী, তোলিনী, গন্ধাবতী হায়রিবীশিং ১০ অসিনা লুচিংবনা মণক কদবরী

কুপী ১০০০০০না যজ্ঞগী লৌরইবা নিংথৌ পুমনমকপু লৈগী, হৈগী পানগী, চন্দনগী অনম লুংশিবা থাওগী আসনগী শয্যাগী সেবা থৌওনা পেলহল্লি, মাইগৈ ৪দা যজ্ঞগা, ঈশৈ, জগোই অপ্সরী কয়া মীয়ামগী পেনবা শেম শাজ্বন পল্লী। সত্য ত্রেতা মশকী যুগ কয়াদা ওইখিত্রিবা দ্বাপুর শেষদ ওইরিবা ধর্মরাজগীনি অজওপগা মশক ওইরে নারদ ঋষি বিণা যন্ত্রগী জরগা তান মাজ্র চানা রাগ রাগিনি হৌরগা শ্রীহরিগী নাম শোঙ্কে নারদগী শোঙ্কপা নামনা লাই মী পুমনমক শুমহৎলে। মতম অদা ঋষি শুক লিলা থংবনা অতিরাদ লেপ্পগা হায়রকই, হে ধর্ম্মরাজ নহাক্কী যজ্ঞ অসি কল্লবা লুংঙাইবগী ওইথে থোরে। অমকপা লৈজবা থজবদগী ওইগা ১ লুংঙাইবা পান্দোল লোম্নীগা ১ হাথকক্কম থকপদগী ওইরকপ ৩ উপাত্ত অহুমসি কংবা তুংদা পুশিসি শাত্তি ওইরগনী। শ্রীহরিবু কওগন্নু নারদগী পাওজাকসি, অতৈ পুমনমক ভাব থংনদে যুধিষ্ঠিরদি তাৎপর্য্য থংনদা থমোইনা রাখি সভাপর্ব্বগী যজ্ঞ হৌরকপা মঙ্গাংসি অমুতগী মশকসি মীওইবনা পুকনিং চানা তাজবদ লন চাওথংলি অত্তকাংদা জীবনা কদ্বিধম কংথী হায়বা সোইত্রবা বেদগী বাকানি। ইতি ॥ হরিবল হরিবল হরিবল ॥

অধ্যায়: —

শ্রীকৃষ্ণগী য়াথং অর্জ্জুনা লাই লৈপাক বার্ত্তন তৌরকবগী ৱারী মখাং।

ভারত তারিবা জন্মেজয়না কংজরকই মুনিদেব ইবুধৌ অর্জ্জুন লাই লৈপাক বার্ত্তন তৌরকবগী ৱারী তাকানিংঙী অমুক্তা লিবিথো. বৈশম্পায়ন মুনিনা হায় লিরগে তারো মহারাজা অর্জ্জুন শ্রীকৃষ্ণগী য়াথং মতুং ইন্দুনা. গোবিন্দ ধর্ম্মরাজা খুরুমজরগা কর্ণরাথা রথ তোংদনা অরাং পাংনা যাত্রা তৌথরে। অলকাপুর কুবেরগী থাম থোরকুনা যজ্ঞগী বার্ত্তন শ্রীকৃষ্ণনা তাকপিরকপা য়াথং লোইননা কুবেরদা কংলগা প্রার্থনা তৌজরে. ধনপতিনা চীংগী লাই ঐগী ওইরগে, চিত্রসেন নংনা রথ থোরকপা কৃষ্ণদাসগী লাইগী বার্ত্তন তেম্মাংবিরু. চিত্রসেনা রথ থৌরুনা অর্জ্জুন শিবধাম থোরক্লে। অর্জ্জুন শিব-দুর্গা খুরুমজরগা বার্ত্তন কচ্চরে দুর্গানা ধনঞ্জয় চাক থোংবা মতমদা পুজা য়না ঐবু নিংশিংহল্লু থরদনা মরাম থুংনব তেংবাংবিগনী, মহাদেবনা ঐ লোইশনা লাক্লে কৃপা পীরে। অর্জ্জুনা তাক্ক বিদায় লেরা অমুক ইন্দ্রলোক থোরক্লে। দেবরাজ ভক্তি তৌরগা বার্ত্তন কচ্চরে ইন্দ্রনা সারথী মাতুলিবু ব্রহ্মাগী বার্ত্তন চংহন্নগা ঐ লাইয়ামগা লোইননা লাকগে যজ্ঞগী মতেংপু পাংনি হায়দুনা অর্জ্জুনবু বিদায় পীরে। বিজয়, পিতা ইন্দ্র ভক্তি বিদায় লৌরগা চিত্রসেনা রথ থোরকদুনা যমপুর থোরকই, অর্জ্জুন যমরাজবু ভক্ত তৌগা বার্ত্তন কচ্চরে, যমরাজনা বার্ত্তন লৌরে।

অর্জ্জুনবু কোনবিরে। পার্থবনা হায়ৈ প্রভু ইপ নিংথৌবু সিদ। নৈ কায়না স্বর ঋষিনা তাকপিরম্মা, অমুক্তা উনকগে যমনা হে পাণ্ডব অর্জ্জুন পরলোক ইহলোকা উনবা য়াদে যজ্ঞ লোইরবা তুং। ইন্দ্রলোক্তা উনবা য়াগনী। অর্জ্জুন যমরাজা বিদায় লৌজরগ ময়ারথনা পাইরক্লুনা বরুনগী লৈপাক য়ৌরক্রে, অর্জ্জুন জলেশ্বরবু খুরুমজরগা বার্ত্তন কংলে, বরুননা বার্ত্তন লৌরগা ঐনা যজ্ঞগী মতেং পাজনি হায়দুনা বিদায় পীরে। অদুবগী লঙ্কা চৌরকতুনা বিভীষণ বার্ত্তন কংতুনা খুরুম্‌, বিভীষণনা কোয়গা ঐ লাকনি কৃষ্ণ দর্শনগু ফংজগনি হবাজনা বিদায় লৌরে। কুন্তী পুত্র অদুগী অমুক লাকপনা দানবপুর ময়রাজগী য়ৌরক্রে, ময় অর্জ্জুন অনি প্রেম আলিঙ্গন তৌনরে ময় বার্ত্তন লৌরগা ঐ মতেং পাংলগে হায়দুনা লৈহৌরে, অর্জ্জুন ভাংকাদুরদা ইন্দ্রসেন থনম্মগা ইন্দ্রপ্রস্থ য়ৌরকতুনা কৃষ্ণ ধর্ম্মরাজা খুরুমজন্নুনা পাও হজংতরে।

বৈশম্পায়ন্না হায় মহারাজা রাজসূয় যজ্ঞ লাকওই কায়না দূতকী পাও ফংবদা, অর্জ্জুন চৎ চত্লনা লমহেনবা নিংথৌশিং ফার ফারগা পুম্মুন ২ লৌরুই। উত্তকী জাং গরুড়গী পরিবার য়োংগী জাং হনুমানগা লোইনদুনা লাকই, শওমগী জাংনা জম্বুবানগা লোইনদুনা লাকই, ময়গা দানা দৈত্য লোইননা য়ৌরক্রে। কুবেরগা লোইনদুনা অষ্ট কুলাচল সনাগী চীং ৮ যেমালয় ধবলগিরি, গন্ধমাদন,, বিন্ধ্যগিরি, মলয়াপর্ব্বত, হেমকুট, গোবর্দ্ধনচিংব জগতকী চীং পুম্নমক দেবরূপ ওইদুনা যক্ষ, রক্ষ, কিন্নর, গুহ্যকগা যজ্ঞস্থান য়ৌরকই। বরুণগা সমুদ্র ঈরম ৭ তীর্থ কোটি ৭৫০গা য়ৌরক্রে, বাসুকিগ নাগলোকশু লাক্করে, স্বর্গ মর্ত্ত, পাতালগী সুনা য়ৌনরক্নে, পুম্নমকসি পাকাম বেঙ্গন পূরি, পূর, ছন্দেসনা জীব কিংসা য়াওদনা চাবা থকপগী মতিক চানা ১ সের য়ৌদুনা পেনহল্লি। * যজ্ঞগী মতম চাবা য়েংদুনা কৈলাশদগী শিব, দুর্গা, গণেশ, কার্ত্তিক, নন্দি, ভৃঙ্গি, বিরভদ্র, একাদশ রুদ্র দ্বাদশ আদিত্য নবগ্রহ চারিযুগ, দিবা, রাত্রি, মুহূর্ত্ত, দণ্ড, লগ্ন, যজ্ঞ, দক্ষিণা, দান, ভুচর, খেচর, ভুত, প্রেত শুনা লোইনদুনা লাক্রে। ব্রহ্মা প্রজাপতিলোকা সাবিত্রী গায়ত্রী লোইনদুনা

---

* ব্যাখা—যুধিষ্ঠিরগী যজ্ঞদা ময়না বিত্তাগী শক্তিনা মৈগী থাংমৈগী মতেংনা অহিং অমত্তা লৈহন্দে। বরুণনা মকম খুদিং ঈশিং য়াংহন্দনা পিবগী দাই ওইরি। অন্নপুর্ণা, লক্ষ্মী ২না থোং থাক চানবগী মরমদা কুপা পীনবীরি। গন্ধাবতীপুরগী নৈঋত হেবনা ছয় ঋতুবু হৈকোল লৈকোল পুম্নমক ভত্তনা থৌগল্লি। খুংশিং নিংথৌ রাই চাইহন্দবা অমস্থং মলয়া-সমিরণবু অমৃত লোইনবা হৈ, লৈ, চন্দনগী গন্ধগা ভত্তনা থৌগহল্লি। ইন্দ্রনা চারিমেঘদা য়াথং পিদুনা খুংগা শাহন্দবা নোং মকম চানা চুহনবা লৈখোম, উযুল থোকহন্দবা ঈশিং চাওহন্দবা, কংহন্দবগী মতেং পিরি। ঈশানদেব চীংথৈ কোবা লাইনা চীংথৈ কিছুপ ওনা নিপা, সুগীগী ইন্দ্রি খুদিং অমৃতরস লিক্লা কংহন্দবা পীরি। যমরাজনা চিত্রগুপ্তনা শিনদুনা অচুম অরান থংনবা কুপা য়েংদুনা ইথংলগা পাণ্ডবতা নিত্তিগী থংনবা পিখংলি। অগ্নিদেব মৈ কুনত্তরেংনা যজ্ঞগী হোম লৌরগা লাই পুম্নমকী মুখদা

লাক্লে, ইন্দ্রদেব ত্রেত্রিশ কোটি থুংগরে, সিদ্ধ ঋষি মারিচ, লোমশ, ক্রতু, মার্কণ্ড, মৈত্রেয় অগষ্ট, ভৃগু, অত্রয় দুর্বাসা, অষ্টবক্র, ঔর্ব চেবন, বাবলিকি, শুক্র, বৃহস্পতি, চতুসন থামদগ্নি ব্রহ্মাগুগী সিদ্ধ ঋষি লোইনা থুংগরে।

শ্রীকৃষ্ণনা যজ্ঞ সম্পূর্ণ ওইনবগী মতম পানা অর্জুনদা হাতাও পাতালগী শেষ নাগরাজা বাক্তন তৌরগা নাগরাজগী মহুৎ নংনা পুরো, শেষ নাগরাজা চেরক্লগ যজ্ঞ সম্পূর্ণ ওইগদবনি চংতো তাকপীরে অর্জ্জুন রথ তোংলগা লাকপনা পাতাল শোরক্লে। নাং ময়ামনা থোগক্লগা শেষ পৃথিবী ভার পুরুনা লৈরি, অর্জ্জুন নাগরাজ থুরুমজরগা নিমন্ত্রণ কচ্চরে। নাগরাজনা হে পার্থ। ঐদি পৃথি পুরি থাবা থাদে ঐগা ইহুৎ শিনবিনবশু লৈতে কমদোনি হায়রকই। অর্জ্জুনা ঐ পুজরগে কৃষ্ণা য়াথংনি য়োবন্ত্রো হায়রগা গাণ্ডিব লিরি লক্লে। স্তম্ভশ্বর সংলগা তেক্লিন্দা কৃষ্ণগী মন্ত্র শোল্লগা দ্রোনগুরু স্মরণ তৌত্তুনা কাম্মী. পৃথি পুনবা লৈরে অতু উবদ শেষনা পৃথী স্তম্ভশ্বরদা হাপ্লে লেংননা ভারী পুবা ওমথী, মতু উবদা কৃষ্ণদাসবু ধন্যবাদ তৌরে। অর্জুনা লেংবীরো ঐদ নাগরাজ হল্লক্তি কাওবা লৈজরগদবনি, নাগর জ নাগ ময়াম লোইনহুনা ইন্দ্রপ্রস্থগী নোংচুপ থোংদ থুংগখী চংবা য়াদহুনা রাজাজ্ঞা ওইহুনা লৈগ্রে মতম অসিদা লঙ্কাগী বিভীষণ রাক্ষস সভা লোইহুনা মথা থোংদা থুংহুনা চংগে হাংবদা দ্বারীনা থিংহুনা লমগ্রে, বিভীষণ কৃষ্ণবু দরশন কংনিংবদগী কা কৃষ্ণ ২ শোন্নুনা কৌজরকই। অন্তরজামি হরিন উবিহুনা মাংদা কাওবিররে, শ্রীরূপ দরশন কংজবদা স্তুতি পাঠ তৌজরগা পুরকপা হিরা, মাণ, রত্ন চরন্দা কংলগা থুকমজরে। শ্রীকৃষ্ণনা মনাইবু কোনবিরগা প্রাণ মিত্র বিভীষণ মণি, রত্ন আসদি ঐ লৌবা হংখোই ইয়াম্বা ধর্ম্মরাজদা কংকদবনি, বিভীষন প্রভু দ্বারীনসু থিংহু। থম্মে চংবসু য়ারোইদৌরি ঐদি যজ্ঞগী আসাসু থোইনা লৈজদে দ্বাপুরগী লিলা অবতার রূপ দরশন কংজানিংবা থুংগরে ননাইদি হজরগে। কৃষ্ণনা মিত্র যজ্ঞ বার্তনগী লাক্লগা উনরমদনা হনগ্রবদি ঐন নিয়ম থুগাইবা তারগ'ন ঐনা চংবদি থিংগোই। ধর্ম্মরাজদি উজং। থুরুমজবদা মীওইবগী পাপ কোকপনি ধর্ম্মরাজগী গুণ খংথো হায়রগা কৃষ্ণনা মাংদ লেংগে বিভীষণনা তুংদা ইল্লে। কৃষ্ণনা থুরাতোন কৌরকপদা থোং হাংহুনা কৃষ্ণ লেংশিল্ল বিভীষণবু থংগে কৃষ্ণনা থরাতোন লঙ্কাগী রাবনগী মনাও বৈষ্ণব বিভষণনি ঐ পুসিনখিগে দাদা মহারাজ উন্নরগ থুনা হন্নিংবামে অসংদ থাজিনসি সাত্যকিনা ইবুংগোনা তাকপীরিবহু রাকাজ্ঞা য়াওদনা থাজিনবা য়ারোই থা মাইকৈগী নিংথৌ লিশিং কুম্ভ থা ১, ২, ৩, তবা রাওরি

য়েনবা হোংনরি অহুগ অচুম অরানগী শাক্তিশু লেপ্পী। কুবেরনা মথেং তাদনবা থন, রত্নগী ভাণ্ডার খুদিং চেকশিন্ন মতেং পীরি। শ্রীকৃষ্ণনা যজ্ঞগী কর্ত্তা কারণ ওইহুনা মকক মতম চানা থবক পাংথোকনবা হোংমবিরি। শ্রীহরিগী কৃপা পাণ্ডবকী পাংথোক্লবা যজ্ঞ অসিদি মরোল অহুমগী লাই মী পুনমক্তা ওইখিগ্রি। ইতি॥

গুণ লৈরবশিং, রাজাজ্ঞা কৎনবমা থিংদুনা থম্বীবনিসি যায়রোই হায়রকপদা কৃষ্ণ শাওনা লেংথোক্লগা মিত্র লাও নোংপোক থোংদা চংলা হায়রগা বিভীষণ পুদুনা লেংল্রে। নোংপোক থোং য়ৌরকুনা ঘটোৎকচ বিভীষণ লঙ্কাগী নিংথৌ স অমুক্তা পুশিনগে থোং হাংদোকউ, ঘটোৎকচন প্রভু রাজাজ্ঞ লৈতনা পুসনবদি যারোই পঞ্চাল নিংথৌ পুশিনবা মতমদা যাথ যাও বা নিংথৌ খরা কেজিনখিবগী, ইন্দ্রসেনগী মহুৎ ঐনা পুরিবনি নোংপোকলোমগী নিংথৌশিং থিংদুনা থংবসিনি জাইখিবো রাজাজ্ঞা য়ৌরক্লগা লেশিনবিয়ু। চংগে যাত্রবদা শ্রীকৃষ্ণ বিভীষণবু অরাং থোং লোমদা পুদনা লেংলক্লগা অনিরুদ্ধগী থোং য়েত্রিইওনা নিংথৌ মরি পুন্দুনা পুরম্বা উরে, কৃষ্ণনা নিপা মরি পুক্লগা পুরবা করিগীনো নখোয় কনা কনানো পুরিবশিংনা হায়রকই প্রভু নাংই ঐখোয় ভীমগী মনাইনি নিপা মরি অসি লোহিতমঙ্গলগা ২ শ্বেতদ্বীপকী ২ নিংথৌশিংনি য়োংকী হুম্বীদা পুক্লগ য়োংস্তনা নিংগদে রিবনি। মখোয়সি অনিসিনা ব্রাহ্মণ লাইরবা নোকুরম্মী, ২সিনা যজ্ঞ বার্তন কংদুনা মণি রত্ন, স্বর্ণ, রৌপ্য, পুদুনা লাক্লগ জাইবা শুম্বরোই চৎলনি তৌরম্ব মরালগীনি, কৃষ্ণনা জাইখো দাদা যাইমগা অমুক্তা জাংনাশগে হায়দুনা পুরগা ভীমগী মনাক য়ৌরগা শ্রীহরিনা হায়রকই।

দাদা যাইমা, মরাল থরপীদনক অকনবা দণ্ডি পীরবদি নিংথৌ ময়ম্বা শাওদুনা কৌনরুবদি, ইতাও অর্জুনা পাতালদা নাগরজগী মহুৎ পুদুনা লৈখিবগা ময়ামসি লাকুসিনবা ওমদদুনা যজ্ঞদা অকায়বা লাকনি থাদোকপিয়ু মথোই মরিসি। ভীমনা প্রাণ কৃষ্ণ তাকপীরিবা রাক্ষসি মতিক থরা চাদে, পৃথিগী নিংথৌ লক্ষ অসি হৌরকবদু থুদক্তা দমন তৌজগে, জগত লই. মী হৌরক্লবদু নয়াম্বা লোয়না নৈহৎপা শুমগনি চিংনশিকুগদু হায়রকই। কৃষ্ণনা দাদা যাইমা গুণ থংজর নিংথৌ মরিসি গুণ থংজরুদহুনা তৌবানি থাদোকপীয়ো হায়রকই। ভীমনা ঐগী ইবুংঙোনা থোজাল পীরবদি থাদোক্লো হায়রক্লে, ভীমগী মনাইশিংনা নিংথৌ ৪ থাদোকপীরে. গোবিন্দনা অরাং য়েরকুনা অনিরুদ্ধদা লক্ষেশ্বরসি পুশিনগে তাকপিরকই, অনিরুদ্ধ আসন থারে ভক্তি কৎলি। শ্রীকৃষ্ণনা অনিরুদ্ধ লক্ষেশ্বরবু ঐ অমুক্তা সভাদা পুশিনগে অক্তে য়ারক্লে, নং অমুক্তা থাজিল্লু ইবুথৌ ননাইনা শুমজদে সহদেব লাক্লনি ওাহাজং জাইখিবো রাজাজ্ঞা লৌরগা যাগনি।

কৃষ্ণনা মংদু ইশুজি যামজ্ঞা হায়বনি যাত্রবদি চৎলে হায়দুনা বিভীষণ পুরগা নোংচুপ থোং লোমদা চংবা যাগজি হায়দুনা লেংলক্লে, শ্রীকৃষ্ণনা সথা পাণ্ডবকী গুণনা চাওবসি ইত্তমক্তা মপু ঐহাক্কী যায় কাওবা য়েংল্লে, য়েংও ব্রজগী জাতি খুদিং পুরে লিন, গরুড় উনব যাত্রিবনি, হিংজাবমা মীগদু পুম ২ চামনা লৈমিম্মরে। জগত্তা ধর্মরাজাগা মান্নবসি লৈল্রে হোরেন হেক উবমা লেহগী পাপ কোক্লবা নওমত ভক্তিনা থুকমজগদবনি, রাজাজ্ঞা কংলগা হৌগৎলু অত্ত কায়রবদি ভীমগী মথুক্তা অরাবা কংগনি, থজিক্তং লাম্বুবনীদমক নিংথৌ ৪ য়োংস্তুক্তা অগায়গনি তৌরম্মিবহনি। বিভীষণনা হায়রকই প্রভু জগবানগী কৃপাতনা শুমনি, পাণ্ডবনা শ্রীহরি ইবুংঙোগী কৃপা কংজবনা

জগংনা ভুমকয়রবা থবকপু ভুমজরিবনি, ননাইদি তব চরনদা লেহে আত্মা কচ্চপ্রে, অতোপ্পা অমদদি খুরুমজরোই। শ্রীকৃষ্ণনা খল্লকই বিভীষণনা দণ্ডবত তৌত্রবদি সভা মাংদা ধর্ম্মরাজা ইকাইখুম্নি, বিভীষণ পুশিল্লুরগা থবক কত্তবদি থোকহল্লরোই ঐসি যজ্ঞেশ্বরনি, ঐগী মাথংদা ইকাইরম্নি, বিভীষণ পুশিল্লুরগা থবক কত্তবদি থোকহল্লরোই ঐসি যজ্ঞেশ্বরনি. ঐগী মাথংদ ী তৌরিবা যজ্ঞনি ব্রহ্মানচিংব লাইনা মীন তৌবগী হন্দক্লী যজ্ঞনা হেনহল্লগে। বিভীষণদি ভুমগুলনি ব্রহ্মা, শিব কাওন ধর্ম্মরাজাদা দণ্ডবত তৌহল্লগে অঙ্গুম্না হাথন তৌহুনা লেংগুকপনা লোংচুপ থোং মৌরক্লে লোংচুপ থোংদি দুর্য্যোধন, শৌকনিগা ২না লনগে পাম্নবা থোংগী দই পুরি শ্রীকৃষ্ণবু খুরুমজরগা প্রভু তুংদ লেপ্লীবসি কনানো হংজে দুর্য্যোধনা। শ্রীহরিনা কুরুরাজ লঙ্কেশ্বরনি, পুশিনগে তৌবদা ননাইশিনা থিংজে অমুক্তা থাজিল্লু, দুর্য্যোধন আসন ২ থারে অসিদা লেংশনবিথো সহদেব মৌরক্লগনি: রাজাজ্ঞ লৌখিসি। ভীমগী গুণ খংবীরবনি য়াথং য়াওদনদি মাররোই। মতম অদুদা সহদেব খুংগুরে শ্রীকৃষ্ণবু খুরুমজরগা হাংজে প্রভু দাদা মহারাজনা কুম্মিশুনা দরশন ফংজ্ঞানা কৃষ্ণ লেংশিনবিরকউ তাকপিরকই লেংশিনবিরো, শ্রীগোবিন্দ বিভীষণগা লেংশিনবদা আবির্ভূত ওইনা ধর্ম্মরাজগী মাংদ ভাল্লগা মায়গৈ ৪দগী দেব, গন্ধর্ব্ব, যক্ষ, রক্ষ, কিন্নুর, গুহ্যকা, পখি, নাগ ধর্ম্মরাজগী মাথংনি থাজিনলকও তাকপিরক্লে।

মাইকৈ ৪মক্তী থোংদা রাজাজ্ঞা দেব, গন্ধর্ব্ব যক্ষ রক্ষ কিন্নুর, গুহ্যক, নাগ, পখি সিদ্ধ খষি লেংশিনবিরো মারনি হায়না লাওথোক্লে, মাথং ফংবদ মথকলোমদগী ব্রহ্মানচিংবা প্রজাপতিলোক, কৈলাসগী শিব, দুর্গা, গণেশ, কার্ত্তিকনচিংবা, ইন্দ্রনচিংবা দেব সভা, শেষনচিংবা নাগলোক, গরুড়নচিংবা পখি বর্গ বিভীষণনচিংবা রাক্ষস সভা, চিত্ররথনচিংবা গন্ধর্ব্ব কুবেরনচিংবা যক্ষ রক্ষ কিন্নুর, সিদ্ধ খষি নারদনচিংবা অমাগুগী ঋষি বর্গ পুম্নমক ধর্ম্মরাজদা পুল্লে।

মতম অসিদা শ্রীকৃষ্ণনা রাজাসন থাক ১০০নি থাক ৫০ লেংখৎলগা, ধর্ম্মরাজ কৃষ্ণ ঐনা দণ্ডবত প্রণাম কচ্চরি কায়হুনা লোইনা খুরুমহনগে থন্দুনা বিশ্বরূপ পুথোক্লগা লেপপ্রে। সহস্র পাদ, সহস্র ভুজ, সহস্র নয়ন, কৌস্তুভ মণি বনমালা, ফুলমালা, বৈজয়ন্তিমালানা লৈতেংলি, শঙ্খ, চক্র, গদা পদ্মন শরঙ্গ ধনু থোল্লি সূর্য্যগী তেজ কোটিনা ওাল্লকই বিশ্বরূপ প্রকাশ ওইবদা ব্রহ্মা কমণ্ডলুগা অভিয়াদগী হায়থহনা মুর্ধা ওইপ্রে। মহাদেব যোগী শাহুনা লোংলহদগী মুর্ধা ওইহনা হায়থপ্রে, দেব গন্ধর্ব্ব, নাগ, নর, ঋষি লোইনা রাম্বয়ে, মতোংদু উবদা ধর্ম্মরাজনা কিরক্লুনা ভক্তি স্তব তৌরকই তোল্লবা ননাইগী মকমদা জগতকী মপু ওইবা মূর্ত্তিনা ভক্তিগ মওং কোংদোক্লা উহনবিরিবা মূর্ত্তি হজিনবিরো। ননাইনা কোটি প্রণাম কচ্চরি হায়রগা দণ্ডবত ভক্তি তৌজরকই, কৃষ্ণনা ধর্ম্মরাজদা হায়রকই ঐদি ইনাই ভক্তগী মথা পোনবনি, জগংকী মীস্থু, লাইগু পুম্নমক্তগী ধর্ম্মরাজনা অথোইবা ভক্তনি ব্রহ্মা, ইন্দ্রদগী হেন্নে পুক্নিংনা পাক্সিবা ভক্তিনা থমোইদা লেংদনা লৈব ওইরসরু। শিরগা বিশ্বরূপ হজিন্নুনা মুর্ধা ওইরিবা পুম্নমক জ্ঞান তাহল্লগা, বাসুদেবগী মূর্ত্তিনা

যুধিষ্ঠিরগী থমোইদা মাতুংগী মচাগী প্রেম তাল্লগা দুদা মহারাজা ননাওনা খুরুমজরি কায়রগা দণ্ডবত তাথরে। ধর্ম্মরাজনা সহদেবদা য়াথং পীহুনা শ্রীগোবিন্দবু লেংখৎলে, কৃষ্ণনা কায়রক দাদা মহারাজা নোংপোক্রোংদ শা ডপমাল কমণ্ডলু পাইদুনা মথুং ৮ লোমহুনা দণ্ডবতনা ওন্দুনা লৈরে; য়েংথংবারোমদা যোগিগী কলেং শেংহুনা গণেশ, কার্ত্তিক লাইনন খুরুমজহুনা ওহোইহুনা লৈরে, ধর্ম্মরাজগী গুণন খুরুমজরিবসি পিত পাণ্ডুরাজা থানি। মিং লি শংদ পি শিহুন খুরুম্মী সুমিং ১২ রবি, সোম মঙ্গল, বুধ বৃহস্পতি, শুক্র শনি, রাহু, কেতু গ্রহন, বার, তিথি, যোগ মেষ, অগ্নি, নক্ষত্র ২৭ দেবঋষি, ব্রহ্মঋষি, রাজঋষি, অষ্টবসু, দেব তেত্রিশ কোটিন ধর্ম্মরাজগী চরণদা খুরুমজরি। থা মাইকৈদ যমরাজ খুরুম্মী, লোংচুপলোমদ বরুণ সমুদ্র ৭ নদী নদী লোইনহুন খুরুমজরি। দানব, দৈত্য, লাই য়েক্রবা পাংবুত্ত চুক্নী। য়েংবিসু মহারাজা মনাও ১০০০গা শেষ মতোক লিশিং উফুল তৈহুনা ওহোনা খুরুম্মী। অরাংলোমদা কুবের গন্ধর্ব্ব চিত্ররথ শ্বেতঅশ ৪০০গা কিন্নুর যক্ষ রক্ষ অপ্সরী, অপ্সরাগা ওহোইনা খুরুমজরী। খুবেরগী ওইরোমদা রাক্ষসগী মপু রামগী মতপ রাবনগী মনাও বিভীষণ খুরুমজরি। মচিন মনাও খগ গরুর পক্ষিরাজা খুরুম্মী। ভীষ্ম, দ্রোন, ধৃতরাষ্ট্র, উগ্রসেন, বসুদেব, শল্য, পঞ্চাল রাজনাংবে মীয়াম্না নহাক্কী পাংদা খুরুমজরি। পৃথীদা মহারাজাগা মাংবা কৈরে, ব্রহ্মাণ্ড শিবিক লিঙ্গুংবে মিংচল ওইরে, স্বর্গ মর্ত্ত্য, পাতাল, খুরুম শরে। শ্রীকৃষ্ণগী য়াথং তাবদা যুধিষ্ঠির মংলুদগী প্রেম শিহুন স্তুতি পাঠ তৌরগা খুরুমজরে।

ধর্ম্মরাজগী ভক্তিনা খুহুম চল্লবা গোবিন্দনা ধর্ম্মগী ভক্তিনা মমল ওইহুনা লৈরবনী, ঐদি তাকপীব। য়াথং মতুং ইল্লগনী ব্রহ্মানচিংবা দেবরাজদগী হেল্লবা পুম্নমক্না চরণ খুরুমজবা কৃষ্ণ ঐগী সুংশিবদি ইনাই ভক্তনা মহেল্লে। ইনাই ভক্তদি ঐগী খুরুমজকম্নি. ইনাই ভক্তগী চরণদা হন্না খুরুমজরি কায়রগা; দণ্ডবত তাহুনা ওহোইহুনা লৈরগা হরি মাগী মাংলানা পুম্নমকপু তমহংলি। ধর্ম্মরাজনা য়াথং পীহুনা সহদেবনা হে নরায়ণ রাজাজ্ঞানি লেংখৎপীরো কায়না থৌশরে শ্রীগোবিন্দ লেংখৎলগা কায়রকই দেব সভা সেবা পূজা লোইরে, বলভদ্রগা নিংথৌ মহাম মতম কুইরে থোংদা তাইহুনা লৈরিবা চরি কা দৌবা থাওয়ে থাজিল্লগা উবরিগা য়ার নি। হে শেষ নাগরাজা ইতাও অর্জ্জুনা মহুৎ শিন্দুনা পৃথী ভারী শরগা চাদ-থকুনা লেরিবা সুমিং ৭নি শুরে, নিংশিংক্রমাক্লে ঐদি থুনা য়োৎলিংলে হরগী বাহৈ তারগা শেষ ইকাইহুনা মরু শুকথী। কৃষ্ণগী য়াথংদগী পুম্নমক সেবা পূজা লোইরে, দেব সভা কোৎ কংলথগা ধর্ম্মগী বিদায় লৌরগা মাগী ২ মকমদা হন্নথরে। রাজসূয় যজ্ঞগী মতাংসি মুনা তাজহনা য়সসি থংনা মীংজরবদি লেপ্পা অরোইবা মতমদা জীবনা হরিধায় কজনী শ্রীব্যাস দেবনা জীবগী মুক্ত ওইনবা লেংখ্রবা মহাভারতনি পুরাণগী মসসিবু সাধু সজ্জনা নৈনরগা থংগদবনি। ইতি। হরি হরি হরি।

অধ্যায় ঃ—

শিশুপাল বধগী ৱারী মতাং।

বৈশম্পায়ন মুনিনা হায় রাজা জন্মেজয় ধর্ম্মরাজানা রাজা সভা পুশিল্লকও য়াথং পীরে, নকুল, সহদেবনা মাইকৈ মরিগী থোংদা রাজাজ্ঞা লাওথোকত্রে পৃথিবী নিংথৌ পুম্নমক যজ্ঞ সভাদা লোইনা চংল্লে। নিংথৌ ময়ামনা মান মন পুবকপ যজ্ঞগী পোৎপাং ধর্ম্মরাজদা কৎলগা খু মল্লরে, ধর্ম্মরাজগী আসিম্ন অাজ্ঞা কংলগা মাগী ২ মতিকচাবা আসন্দা ফম্লরে, ধন, রত্ন ধনাগারদা শিল্লত্রে ইন্দ্রগী সভাবু চুমজনা কল্লবা যজ্ঞ সভা। নৈরিবা নিংথৌ ময়াম্বু উবদা নারদনা ব্যাসদা হায়রকই পৃথিবী নিংথৌ ময়ামসি মতম খরা লৈরগা মহৈ ১ লান য়ান্নজুনা মুৎথ্রগা পৃথিবী ভারী কোক্লরগনি শ্রীকৃষ্ণনা শান্নরিব লীলাসি অওকপনি।

নারদগী ৱাকয়সি ব্যাসনা ধ্যান তৌদুনা য়েংবদ পোইনা উখি, অতৈ কনা অমত্তা থংনাখিদে, যুধিষ্ঠিরগী রাজসূয় যজ্ঞ সম্পূর্ণ ওইরে, পূর্ণাহুতি তৌরগা দেব পিতৃ পূজা লোইরগা ব্রাহ্মণগী দক্ষিণা কৃপাচার্য্যনা তৌরকই। দেশ ২দগী লাকপা ব্রাহ্মণশিং, দেশতুগী নিংথৌশিংনা পোরকপা লনগী মরম শুনা ২ দক্ষিণা তৌরকই অরাংপনা পুগৈদগী হেন্দোক্লগা তৌই ব্রাহ্মণ পুম্নমক মরৈপাক্তা হন্নরকপদা যথবী য়াও হোৱবা লক্ষ্ম প্লনবা গোপশিং লোইনবল্লি। কনানা শামুদা, রথদা, অশ্বদা, শকট লনংপোংচৈ হাপ্তুনা ব্রাহ্মণ ময়াম হন্নখরে। ভীষ্মনা ধর্ম্মরাজদা হায়রকই, ইগু নিংথৌ অরাপ্পা দেশদগী লাকপা নিংথৌশিং চহি কারকপ য়াওরে যজ্ঞ লোইরবনিনা মতিক চাবা সেবা পূজা তৌরগা বিদায় পিরগা হনহলত্রো। ধর্ম্মরজানা ইবুধৌ ক্ষেত্রি বংশগী মপুংদা কনাবু হান্না পূজা তৌগদগে ভাকপীয়ু হায়রকই। ভীষ্মনা ধর্ম্মরাজা যদুবংশদা অবতার তৌবিরবা জগতকী মবুংঙো মনাইগী মথা পোনবীবা; শ্রীকৃষ্ণবু পূজা হান্না কৎলগা অতৈ কোন্না অচৌ পিশক মথং মনাও নাইনা সেবা পূজা তৌগদবনি।

ভীষ্মগী য়াথং কংৱবদা সহদেবদা কৃষ্ণ পুজাগী য়াথং পীরে. ধর্ম্মরাজগী য়াথং মতুংইন্না সহদেব, স্বর্ণ পাত্রদা পূজাগ পোৎলম থেংগৎলগা শ্রীকৃষ্ণগী পূজা কৎকদবগী সভা ময়াইদা চংগুত্রে। কৃষ্ণ পূজা কৎকদবগী থৌরাং তৌরকই। মতৌম উবদা শিশুপাল মৈ হোৱজুম শাওনা সহদেব কৃষ্ণ পূজা তৌবা য়াদে ভাইথো রাজাধানি লৈরিভৈদা কৃষ্ণ হান্না তৌগদৌরিব। কবিমীনো হায়রকই। কত্তবা নিংথৌ কয়াম্ব কৃষ্ণ হান্না পূজা তৌবা য়াবোই হায়না লাওনরক্লে। মহু ভাবদা সহদেব কৃষ্ণ পূজা তৌবা চুমদনা লেপ্তুনা লৈরে। মতৌম উবদা জরাসন্ধগী মপা সহদেব চক্কুনা সহদেবদগী পূজা যত্নত কদাই নংনা চুমত্রবদি ঐ কৎলগে হায়দুনা লৌরগা। লাওনা হায়রকই শ্রীকৃষ্ণ নিন্দা তৌরিবশিংগী শিরদা বাম পাদনা থুদা ওইরগা; ঐনা কৃষ্ণগী পূজা কৎলি হায়দুনা

গোবিন্দবু খুরুমজরগা ননাই পাণ্ডবকী পূজাসি লৈবিয়ু হায়রুনা বন্ধি চমথংলগা পূজা কংদে। শ্রীকৃষ্ণ হরাওনা পূজা লৌবিয়ে। মতৌম্ব উবদা চেদীরাজানা হে গোপাল করি নঙ্গী লৈরুনা পূজা লৌরিবনো পাণ্ডবতি নত্তানি ভীষ্ম নংন খোকহনবনি, রাজা সভাবু থার্জুন তৌরুম কৌরগা মাইখিবা নীবদি ঐখোই নংগী সভাসি যাওরবোই হায়রুনা শিশুপালগা নিংথৌ কামরুম থৌগৎ-নবকই। ধর্ম্মরাজা মতৌম্ব উবদা হৌপংলকপনা কায়রুকই চেদীরাজা নহাকতি সম্মানবম্ব নত্তে নহাক্না অকাইবা কৌরবদ নংংইনবা কংম্ব যাওরক্লগনী অকাযবা থেকহনগনু কৃষ্ণ পূজ তৌবদা অচৌবা নিংথৌ কযা পেয়বি; করিগী চঙ্গ নিং তৌরিবনো ভীষ্ম ইবুংবু করিগী শাওরি ঐখোইনা কংক্কবগী তাকপীবনি ধর্ম্মগী মরমদা তৌবা যজ্ঞনি অকায়বা তৌ মু খামজিল্ল। ভীষ্মনা ধর্ম্মরাজা থাম্মুম জ্ঞান লৈজবা শিশুপালগী মিংদাগা মরমচংকা মাইম্ন অত্তাংগুম্মনি নিংথৌ ওইবগী মাবু সেবা তৌরবদম্মু করিম্মু কায়বাকংলোই। পূজা তৌব বিধিদি ব্রাহ্মণবু লৌব তারগা বেদজ্ঞ কায়া তৌগনি ক্ষেত্রিবুনা খাইদগী হেন্না প্রতাপ লৈববু বৈশ্যগীনা মরল লৈবা হেনববু শূদ্রগীনা চাক অহন ওইববু ক্ষেত্রিবুনা খাইদগী হেন্না প্রতাপ লৈবা। শ্রীকৃষ্ণদি দেহে পানবা জীব খুদিং আত্মাগী মশক কাননা পূজ তৌগনি অপুম্মা শাস্ত্রনা লেপ্পী। শ্রীকৃষ্ণদি দেহে পানবা জীব খুদিং আত্মাগী মশক ওইরুনা মোকপীরি সৃষ্টি, স্থিতি, প্রলয়ম্ম মহাক্নী, গোবিন্দগী পাদদা তৌজরিবা কর্ম্ম থিবিক কচ্চরগা জীবগী অন্তবা এইগদবনী; অসিবু খংত্রবা শিশুপালগা অপংব কাবু থরনা তৌকরিবসি নোংশানা তুম্মাইদা লমছইনা ঐখোঙনা মহেল্লে চোংঙছুনা নোংশানা মিংকপ থোরকপদা লমছই মথরাই মাংবগুম কুম্মন শাওরকপা কান্দা, মৈরানবীনা মৈদা চোংশিল্লুবগুম মথরাই মাংজরখিনি।

ভীষ্মগী রা তাংবদা দমঘোষগী মচানা অকনবা রাহৈনা ভীষ্ম নংসি শাগৈগী মৈতাল অসিবনি পাণ্ডবনা অহম্নি হায়ছুনা নঙোম্মা হংজরিবহু, মমিং তাবদা লম্মী হংবগুম্মনি, নংগী লমচংতি ফুলিঙগী মত্তৌনি নোংশানা তুম্মীদা যারক্তা পকপা মাংস চাকুরগা। অহাওবা মাংস চাকসি হায়রুনা হম্মিং থোংয়ানবী মযাম পুনিংলুহনা নোংশানা মযা উমশিল্লকপা মপা চারুহুনা পুলপ শিবগুম নহাক-থক্তী পাণ্ডব লোইনা মাংঙরগনি। কৃষ্ণ গোপ মচাবু অহক নংনা স্তুতি তৌরিবহ পুতনা নুপী হাংপা বৃষাসুর যণ হাংপা উ মরা লেম্ফ, কংলবা জমলার্জ্জুন উ কুকপা, লৈশোবুংগী চেজুম ফুকপগুম্মা গোবর্দ্ধন থাজংপা ইন্দ্রজাল তৌশিল্লগা কংস হাংপ অহুগীরা!! করি কায়রি নিংথৌ সভাদা অহুম্মা হায়জরম্মবদি মতিক চাবা মনা কয়া কংজগদবনি। ভীষ্ম নংসি থংদবা মীনা ব্রহ্মচারিনি সত্যবাদি জিতেন্দ্রিয়নি হায়বনি, নংগী নয়মচংতি কাপী নিংথৌগী মচা নুপী অম্বা কৈন্যাবু মৈন্দুংদা শিহনখ্রবা। অনাও বিচিত্রবির্য্য শিগ্রগা নুপীবু অতৈদগী থারা লৌহনবা, লমচং নাইদবা শাগৈগী মৈতাল অশিবা নংগী ব্রহ্মচারিগুম্মি নপুংসকশিংনা ব্রহ্মচারি ওইবগুম্মনি। ধর্ম্ম খংদবা নংনা অথংব শাহুনা পূজাগী মরমম্মু তাংজবা শাস্ত্রি। হায়রিগে তাজো যজ্ঞগী পূজাদা সবঙ্কি ওইবা গুরুজন হায়রগনা দ্রুপদবু তৌগদবনি, রাজ সিংহাসন পদবী য়েংলগ কুরুরাজ দুর্য্যোধনবু হায়া তৌগদবনি বিদ্যা প্রতাপকী হায়রগনা অজনাথ কর্ণবু তৌগদবনি। ভাই-সেন ওইবদগী হায়রগনা উগ্রসেনবু তৌগদবনি, বসুদেব পিতাবুদি তৌদনা

কৃষ্ণবু পূজা তৌরিবা মরম করিনো ? ঐনচিংবা লৈরিবা নিংথৌময়ামসিদগী গোপ মচাসুনা করি শুপ হেনবগীনো ; জা তকী মপুনিসু হায়জিনবা শাস্ত্র, জগতকী মপুনবু শুহাক লৈতনা শাগে হোংবা হৌনরা। জরাসন্ধ কাহুনা মরীকাদা খুন্দ খিবা মপাংদি পাংজরগা ব্রাহ্মণ শাহুন লোয়া চংলগা ; জরাসন্ধবু লোল তৌরনা অপংব ভীমবু হাংকনবা ইকায় খুম্নবা কৃষ্ণদা নোঙ্গবা ভীষ্ম নংদি হংস সংপ্রসিগী লমচংনি। হংস মন্ত্ৰ মনা থাংরক্নহুনা ময়ামগী যুম পংহল্লগা ভিম্বা মমাম চাথোকউবদগী, ময়ামা হাংতোকখিবগুম্বা মঙ্গন্নু অবেস্প তাহুনা নশু নপ্ন মথোয় লোইমা নথরাই মংগেরা হায়না ফংবা নিংথৌ কাংবুগা ভং লাওহুনা কৌগংলক্লে। শিশুপালনা ভীষ্মবু কন্নবা হাইহ কয়া কায়রকপহ্ তাবদা ভীমসেন অচাকপা লৈনা থৌ হৈজিল্লুবগুম গদা পায়রগা ; যম কালগী মতৌগুম মহাপাপী শিশুপাল নথরাই লোংগে থংনি হায়হুনা চেনসিল্লকই।

মতৌহ উবদা ভীষ্মনা হোংচনখিহুনা ভীমগী খুদাং পায়হুনা থাম্মী, মহু উবদা শিশুপালনা হায় থাদোরকউ মৈয়ানবনা লৈনা চোশিনবগুম শোকহনবে ইতিক যেংঙু, ভীষ্ম ; ভীম মবুথোগী শুপ ঙাকপদা হৈজিল্লুবদ শুমত্রগা না চিঙ্কুনা মীৎ ঈকাহুনা য়েংঙৌ। মতৌহ উবদা থাদোকপা য়াত্রহনা ভীষ্মনা তাও বৃকোদর শিশুপাল পোকপগী বারী অমা লখিবে, মস পোকপা মতমদা মখুৎ ৪ পাল্লি মমিংসু লাইশক্তা ১গা ৩ পায় পোকই, কপ্পদা লোলানা খোংগুম্মী। মওংঙু উবদা মম মপানা কিহুনা হুন্দোক্লুরগে তৌবদা লাইনা আকাশবানি লাওরকই। হে চেদীরাজা নচাহ হুন্দোকপু মপাঙ্গল লৈবা নিংথৌ ওইর নি, মাগী মখুৎ ২ মমিৎ ১হদি মাগী মৃত্যু ওইগদবা মী ১না শোকপদা মাংখিগনি ; আকাশবানি তাবদা হুন্দোকল্লে লুনা য়োক্লে অতাং উবত্রোপ ১ পোক্লে তাবদা নিংথৌ কয়া লাক্লহুনা য়েংঙৈ মমান য়েংবা লাকপা খুদিং নানকল্লি। বলরাম কৃষ্ণসু মনেমগী মচা পোক্লে তাবদা লেঙ্গৌ রাম কৃষ্ণনা মনেম মাতুলবু ব্যংহার তৌই, মনেম্মা মচাবু রাম-কৃষ্ণগী তুম্পাক্তা হাপ্তুনা পমকল্লি কৃষ্ণনা পম্বা মতমদা মরাইবক্তগী মমিংতু মাংত্রে পাম্লোম ২ শুন্নু কেল্লে। মতৌহ উবদা মনেম্মা নুংশা খিরহনা প্রাণ কৃষ্ণ ইনেম বর অমতং নিজপে, ইচাসিনা মাগী পুন্সিদা অরানবা কয়া তৌরক্রবসু ইনেমগী প্রেম য়েংবীহুনা ঙাকপীরকউ হায়জে। কৃষ্ণনা কলি ইনেমগী য়াথংদা ১০০রক লাল্লকপকাও ঙাকচগে ১০০দগী ১ হেল্লবদ বারোবিগনু ঐ ঙাকচরোই, হায়খি। অঙ্গনা কৃষ্ণনা য়েংরিরিবনা মপাদা বিষ্ণুগী কলা থর চংঙি অহুননি মানা উশিংতনা ঙাংনিংবদা ঙাংঙিবসি, শিশুপালদি কৃষ্ণগী খুত্তা শিগদবনি ভীষ্মগী রাইহেসি তাবদ শিশুপালনা হায় ভীষ্ম নংদী ফুলিঙ্গ পখিগ্নবনি, নখংসনি হায়হুনা নিংথৌ ময়ামনা য়েংবীবনি অহ নত্রবদি নথরাই লৌরগদবনি।

ভীষ্ম কন্নবা রাইহ্ তাবদা শাওরক্লুনা হায় ২ মহামূর্খ চারি বেদমক্তা থংবা শুমত্রবা, শেষ ব্রহ্মা, শিবনা মাগী চরণ সিংনরিয়া জগতনা মাগী নামবু লোয়রিবা; কৃষ্ণবু নম্না তৌরিবা নথোয়সি ঐনা নাপীগুম্না উই থংকৌ শায়রকই। রাহু তাবদা নিংথৌ কত্তবশিং অহ বুক ২ কৌগতুনা

লাওনরকই কনানা মাসি ইচ্ছামৃত্যু ওম্বী হায়দুনা উপিংঙ্ঘ্রিবরা ; মখোং মথুং পুম্নগা মৈ থাদোকসি ভীষ্ম হাংলো লাওনরকই। নিংথৌশিংগী মতৌ উবদা ভীষ্মনা নোক্তুনা হায়রকই হে মূর্খসা নচিন্দা পংঙাং ঙাংজবা শাম্বি, নখোইগী নকোক্ত ঐগী বাম পাদসিনা থাঙৎতুনা হায়গে ভাকৌ নথরাই শিনিংঙবদি চংঙকত্ত নঙ্কশিংক্ত কত্তুনা থাদবীগে। শিশুপাল স কৃষ্ণগী অংশ থরা নৈবক্তা কৃষ্ণনা লৌশিনবিসনু য়েংবিবনি কৃষ্ণন পূজাগী পেনবিদুনা নৈরিবনি, ঙহাক্তা ঙাইয়ে লৌশিনগদৌব নখোয় য়েংজখো অহুগী তুংদা ঐনা যমা খোংদা লোংনা থাবিগে।

রাহৈন্তু তাবদা শিশুপালন কৃষ্ণবু কেদনা হায়রকই কে গোপমচা নিংথৌ মমাম নৈলনা ময়বু পূজ তৌবগী পাণ্ডবকা লোইননা কাকে হায়দুনা লাওরক্নে। মতাং চারদুন শ্রীকৃষ্ণ নোক্নগা হায়রকই রাজসভা তারো শিশুপালগী মরাংসি মাসি যদু নিঙ্গোল মচানি ঐন প্রাগদেশতা চংশিন্নৈদা উগ্রসেনা রৈবত গিরিদা নৈ রহৈ মানা দ্বারীকা লুট তৌখিবনি। বসুদেব ইপানা অশ্বমেধ যজ্ঞ তৌবদা শগোল হুররবনি, অমসুং সৌবিরদ উৎসব চংশ্রিনৈদা বক্র কৌবী যদুগী নুপীবু হুখিবনি, অতুগা যদু নিঙ্গোল মাতুলগী মচা ভদ্রা কন্যা বভ্রু নিংথোনা থাজরবদু মানা হুখিবনি, লক্ষ্মীগী মশক ওইবী রুক্মিনীবুসু কভরা রুক্মি মবুংগা তারদুনা লুহোংগে তৌরম্বনি। মাগী দোষ মরাম স মমা ইনেমগী চেক্তুনা থাংলঙ্গরবনি কৎলবা মহামূর্খ শিশুপালনি। কৃষ্ণগী বাক্যসি তবদা সাধু নিংথৌশিন চেদীরাজাবু নিন্দা তৌনরকই শিশুপালনা নোক্নগা হায়রকই কৃষ্ণ নংগী কণ্ডবা লমচং হায়রিবে তাও রুক্মিনীদি ঐঙোন্দা বরিজবনি অদুবু নংনা হুদুনা পুখিবনি, ইকায়বা থংদবনা হায়কোকখিবনি নংগী লমচংতি ব্রজগী পরদার পুম্নমক হুরান লমচং চৎলকলবনি। অদুগুম্বা ননা নাপল তৌহন সভাদা ঐগী ইরান ঙাকশীবনিসু হায়রি, দোষ ঙাকল্লগা ঐঙোন্দা করি তৌজবা ঙমগনি হায়রকই। শিশুপালগী রাহৈ তাবদা শ্রীকৃষ্ণনা সুদর্শন চক্র থারক্নে চক্র মৈ কৌদুনা পাইশিল্লগা শিশুপালগী মঙক কত্তুনা থাদরে।

শিশুপালগী মশাদগী মঙাল অমা সুমিৎকুম লংনা পায়খোক্লগা কৃষ্ণগী চরণদা ঙিনখি জীবাত্মানা মুক্ত ওইখি। মীয়াম্ম মতৌহ উবদা ভীষ্মনা হায়বসি লাইনা হায়বগুম্বনি থমখি, করম্বা শিংথৌশিং কিনদুনা মরু লুক্রখি, সাধুশিং কৃষ্ণবু ভক্তি তৌনরকই। ধর্ম্মরাজানা মনাওশিংদা য়াথং পীদুনা শিশুপালগী দেহের সংস্কার তৌরগা মচানিপা শরভিজপু চেদী নৈপাক্তা নিংথৌ হাপ্লীরে মতম অদুদা রাজা সভানা ভক্তি নোন্দুনা হায়জরকই ধর্ম্মরাজা যজ্ঞসু সম্পূর্ণ ওইরে, লক্ষ রাজাগী মথক্তা সর্ব্বভূমাপতি ওইরে, জগতনা মর্য্যাদা তৌরবা মহারাজা। হৌজিক ঐখোইবু বিদায় পিবিরো, ঐগী ২ নৈপাক্তা চত্তরগে। রাজা সভাগী রাহৈ তাবদা ধর্ম্মরাজা মনাওশিংদা রাজা সভাগী পেন্নবা সেবা পূজা তৌরো য়াথং পীরে। সভাপর্ব্ব রাজসূয় যজ্ঞ শিশুপাল বধগী মতাং অসি পুন্নিং চংনা তাজবদা মীওইবনা বিষয়গী পাপ কোক্লগা জীনবা মুক্ত কংঙৌ হায়বসি বেদ বাক্যনি॥ হরি হরি হরি॥

অধ্যায় ঃ—

রাজসূয় যজ্ঞ লোইদুনা রাজা সভা মীয়াম হন্নথিবগী বারী মতাং।

শ্রীবৈশম্পায়ন মুনিনা হায়রকই মহরাজা জন্মেজয় নিংথৌ মহাভারতকী বারীসি পুক্রিংচংনা তাব্রবদি ব্যাসগী য়াথং থক্তদবদগী ব্রহ্ম বধ পাপ কংখৌবা অম ঃ শৃঙ্গী মুনিদা লংকরবগী নবামা অহোরাইনা পুম্মীবা নশাগী নবানহু কোক্লগ অমে ইব মতমদা [illegible] কৈনা, ব রী মথা নীরগে তারো। ধর্ম্মরাজগী য়াথং থংজবদ ভী, [illegible] রাজা সভাব সেব [illegible] মযামগী সেবা লোইবদ ধর্ম্মরাজনা কর্ম্ম শাক্ত ওইবা [illegible] শঙ্খ খোংবদে [illegible] শ্রীকৃষ্ণদা হাযজরকই। কৃষ্ণনা পঞ্চজন্য শঙ্খ কাম্বকপদা মখোন খোংরে, ধর্ম্মরাজন মোইবুং মখোন [illegible] করিগিনো হংজরকই, কৃষ্ণন মোইবুং আসন্দ থম্মগা দাদ মক রজা ঐ [illegible] [illegible] ধর্ম্মরাজনা কে পঞ্চজন্য কৈদৌরে নখোল খোকত্রিবা হংজকই।

পঞ্চজন্য শঙ্খনা হায়রকই মহারাজ অসুক চাওরবা যজ্ঞ [illegible] বৈষ্ণব [illegible] তৌদবসিদা ঐ খোজেল হৌবা ঙমদে। নোংপোকথংবা বঙ্গা বৈষ্ণব অম যজ্ঞদি যে [illegible] ঙমদ্রবনা কৃষ্ণ শোন্দুনা চাদ থক্তনা কপ্তুনা লৈরে মতৌহু উবদ ঐ ব্রাহ্মণশ্রেষ্ঠনা ইখোল [illegible] ঙমজে মাবু পোহনা লৌক্ররগা বৈষ্ণবপু পেনহল্লবদি ইখোল খোকপা ঙমগনি, মংম অমনা পিত্রা পাণ্ডুরাজা ইন্দ্রলোক্তা বক্লগী কলন যৌগ ববু বৈষ্ণবনা চৎপা ঙমদবগ উবনা ইন্দ্রলোক থৌবা য়াদ্রবা যম লৈপাক্তা কপ্তুনা লৈরে অঙুননি ধর্ম্মরাজা হায়রক্রে।

শঙ্খগী বারোন তাবদা মীয়াম ওক্লরে যুধিষ্ঠির পিতৃ সবাগীদমক কংপা যজ্ঞনি শঙ্খগী বারোন তাবদ কপ্লগ অর্জ্জুনদ হায়রক্রে, প্রাণভাই অর্জ্জুন বৈষ্ণবপু ইনাওনা পোরগা লৌক্ররে বৈষ্ণব সেবা ইচিন ইনাও ঐখোয় তৌরগি হায়রকই। ধর্ম্মরাজগী য়াথং মতুং ইদুনা অর্জ্জুন বন তাম্না চৎব্রে, বন মথাদা কুষ্ঠিরোগ মশা পুম্মবা, কস্তিনা সুত্রনগরদগী শাংলক্ক কৌব শূদ্র মচানি মনা ওইরিবা দযাসি চহি ১২ শুরে। মাগী কাংবুনা লায়েংবদ ফৎত্রহুনা বঙ্গা হুজেকুনা থম্বরবনি, মশাপুম্বা হন্না য়োম্মে, লৈপাক্তা তারকপা কন্দু মথুংনা লৌথংলগা মশাদা অমুক শাপচিন্নি বাহৈদি হে কুমী নংনা ঐগী তোংশাসি চাবিরগা পেনবীরকে। হায়গনা কপ্পী শ্রীকৃষ্ণগী নামতবু শোল্লগা চাদ থক্তনা অকিং থুংখিল য়ানা মতম লেন্দুনা লৈরি, অর্জ্জুন বৈষ্ণবকী মতৌহু য়েংলগা চংজকুনা কপ্লগা থুরুমজরে বৈষ্ণব অহু অর্জ্জুনা ভক্তি তৌরিবহু উবদ কৃষ্ণ শোল্লগা য়াম্থরে। পার্থব হজোইবা লৈতনা বৈষ্ণবপু কোনথংলকই প্রিয় বাক্যনা বৈষ্ণব ঐ পোজরগে, যজ্ঞ সভা শৌরগ স বৈষ্ণবকী সেবা তৌজনিংহনা নায়া মহারাজগী য়াথংগী ঐ লাকচবনি, পেংউসি। বৈষ্ণবনা হে কৃষ্ণদাস ঐদি পাপ দেহনি অপরাধ ওইগনি যজ্ঞ সভা য়োবদা মীনা হজোইনরগনি পুবিগদ্ধু হায়রকই।

অর্জুনা বৈষ্ণব যজ্ঞ সভা থৌরগা শ্রীকৃষ্ণ দর্শন করনি হৌরনি হায়দুনা পোরগা পুরকুনা সভা থৌরক্লে। সহদেবনা বস্ত্রাসন থারে অর্জুনা আসন্দা বৈষ্ণবপু থাজনে, বৈষ্ণব কৃষ্ণবু স্তুতি তৌদুনা থুরুমজ সভাদুদু থুরুমজরে। হিহনিং বৈষ্ণবপু স্নান তৌরগা পান্দোক পঞ্চামিনগ ইশিং ইনাও মচাথক পান তৌবয়ু তাকনীরকই। নকুলনা স্নান তৌনব রজত পাত্র পুশিনক্লে দ্রৌপদীনা জল পুরক্লে ভীমনা বৈষ্ণবপু স্নান তৌরে লোইরগা অর্জুনা সুন্দর থোং স্নু আসন্দা থাজনে ধর্ম্মরাজানা সুবর্ণ বৈষ্ণবকী পান্দোক হৌরু ভক্তি তৌরদ শঙ্খ পাত্রদা ২ থাম্বরগা থকচরে। দ্রৌপদী অরোইবা পান্দোকতুদা জল ১ নাইগা তানা নৈদ উবদগী করোইনা থকখি। ধর্ম্মরাজনা মোইবুং থোংনয়ু হায়রকই কৃষ্ণনা থোংবদা শঙ্খ মথোন্দ হৌরি। মরোল হাম্লদি যাদ্রে। যুধিষ্ঠিরনা মরোলশুনা থোংবয়ু হায় কৃষ্ণনা মরোল শঙ্খ যাদ্রে, মামা মহোঙান মোইবুংদা অমুক্তা হংবিয়ু হায়রগা শঙ্খ আসন্দা থম্মে।

ধর্ম্মরাজনা হে পঞ্চজেন্য নংগোন্দা হেরগা মরোল থোকত্রিব করিগনো? মোইবুংনা মহারাজা মহারাণীন পান্দোক লৌবদা হংজোইনা থকখি অদুনা ইরোল থোকপ ঙমদ্রে হায়রকই। যুধিষ্ঠিরনা দ্রৌপদী হায়রকপা পঞ্চালিনী ধর্ম্মরাজবু থুরুমজরগা হংচরে, শঙ্খনা হায়বা চুপ্পা পান্দোকতু চন নাই তাবা উকপদা মনাই হংজোইনা থকখ্রে। যুধিষ্ঠিরনা রাণী মাংবা তারে অপরাধ লৈরে অদুক হংনো বৈষ্ণবকী পাদ শেংনগা পান্দোক থকউ রাজাজ্ঞা হংবদা পাত্রগা জল পুশিনজনা বৈষ্ণবপু মথুংমরা থোং হাংগা পান্দোকতু চিংলবা নৈতনা পক্লগা কোত্তা হাপচরে।

শ্রীকৃষ্ণ পঞ্চজেন্য লৌখংলগা থোংবদা স্বর থোঙাং চনা মরোন হাপ্লগা পাণ্ডব জয়থবং হায়বা থোঙাংনা মরোন ও ফাওনা তাখরে। মতম অদুদা ইন্দ্রনা মাতুলি থারকতুনা পাণ্ডু রাজাবু যমলোকগী ইন্দ্ররথতা হাপ্লগা পুখংলকতুনা ইন্দ্রগী আসনগা মান্না থারগা লাইথাম্বা থোগন্দুনা দেব সভাদা কমহনখরে। যজ্ঞ সভাদা প্রালব্ধ বৈষ্ণব শ্রীকৃষ্ণগী পাদদা স্তুতি লৌজরগা প্রভু পাপ দেহে জগৎনা হংজোইনরবা নমাইবু সভাদ কয় কুইনা থম্বিগদৌরিবনো হায়না কপ্পুনা চরন্দা থুরুমজরকই। শ্রীকৃষ্ণনা বৈষ্ণব নংগী নপান্দগী মামা পাণ্ডু রাজা ইন্দ্রগী সভাদা লাইমরা থোগন্দুনা কমখ্রে, ঐ পোক্লে হায়দুনা মনাইবু কোনবিদুনা লাইথুং কোকহনবিরে, মতৌংদু উবদা রাজসভা কৃষ্ণবু থুরুমজরকই। ধর্ম্মরাজা * বৈষ্ণব ভোজন তৌরগা কিরোই হোংদুনা সেবা পূজা তৌরে। বিদায় তৌনদুনা রাজা সভা ধর্ম্মরাজবু থুরম্বগা মাগী ২ লৈপাকতা হন্নখরে পাণ্ডবকী যশকৃতি মরোল ও নিংথিখি। মীরাম হনগ্রবা তুংদা শ্রীব্যাস দেবনা ধর্ম্মরাজদা হায়রকই, হৌজিক যজ্ঞস্নু সম্পূর্ণ ওইরে,

---

* অনুবাদ—যজ্ঞ শাজ ওইবদা বৈষ্ণব ভোজন তৌবনি, অমসুং পাণ্ডুরাজবু যমলোকগী ইন্দ্রলোকতা লৌখৎনুবা, শ্রীকৃষ্ণনা মনাই বৈষ্ণবকী কুটিয়োগ কোকপীবগী বারী অসিনা জৈমুনি ভারতকী মতনি। অর্জুনা দেবলোক, লঙ্কাগী বিভীষণ, পাতালগী শেষ নাগরাজ, নিমন্ত্রণ তৌরা,

ঐ আশ্রমদা বিদায় পীরো ব্যাসগী মাথং তাবদা ধর্ম্মরাজানা হায়জরকই। গুরুদেব নারদ ঋষিনা মঙ্গ লিদগী (দিব্য, আন্তরীক্ষ, পার্থিব) উপদ্রোপ ওসি থোক্লকনি, অদগী তুংদা পৃথী শান্তি ওইবনি হায়খিবসি শিশুপাল বধ থোকখ্রিবা থৌদোক অসিনা শরুরগঞ্জ মতুং করি অমুক থোক্লকখিগদগে তাকপীয়, মনাইবু য়াম্না চিংনরে। ব্যাস মুনিনা হায়রকই ধর্ম্মরাজা ওসিগী লোঙ্গাম্মদাইদা শিবনা বৃষভ তেংখুনা (ত্রিশূল-পিনাক) পাকইগা থা মাইকৈদা যমলোক পাংলা চংপা উগনি। অদগী কন্দি চহি ১৩গী তুংদা ক্ষেত্রি বংশ তুম্মরগনি; ধর্ম্মবু ঙাক্ল চংপা মীন কৈহোরগা শান্তি ওইনা পালহৌ দবনি অদগী শিবন মপা দেশ ওইনা তাকপীরগদবনি চিংনরম্ম ধর্ম্মবু ঙাক্লা চংবু। মরমসি তাকপীরম্মগা বিদায় লোইনম্মনা ব্যাস পক্লরাকলংগা হেখিল্লুনা আশ্রম য়৷থরে যুধিষ্ঠির মনাও ৪বু কৌশিল্লগা হায়রকই, ইমাওশা নারদ ঋষি, ব্যাস দেবগী য়াথং চহি ১৩গী তুংদা ক্ষেত্রি নিংথৌ লাম্ভাও ১ থোকহনা মুংনরগনি হায়বা হাকমসিগী থম্লুবদা ইয়াম্নগী থমোয় সি হারে।

বিভীষণগী লাপণ মাংকনবা শ্রীচৈতন্য মনাই ভক্তগী মথা পোনবী হায়বা লাই, মী জ ত পু দা থংকনবীবা ওইনা ধর্ম্মরাজদা দণ্ডবত ভক্তি তৌহুনা হায়জবা হৈহ করানা তাকইবদি অসংকী অথোইবদি কৃষ্ণ ভক্তি লৈবা বৈষ্ণবনা লাই, মী পুম্মমক্তগী ক্ষেত্রি হায়বসিনি। মসি ব্রজ লীলাগী মতমদম্মু ভক্তি প্রেমগী মথা পোম্মি হায়বসি প্রেম বিলাস লীলাগী মথংদা থাস্তবা ঈর্ষায়মাক্তা থংহনবিরি। ঈশ্বরগীদি মথৌসি লাইরম্মু ভম্মা য়াদে মনাই শংনা নিংজবা অপাম্মু পিনবিবনি, ভগবানদি সত, রজ, তম, গুণগী রাংথদনি মায়া কাল লীলা নত্তে। ঈশ্বরনা শাম্নবা লীলাবু মীগী মায়াগুম থম্লুরিবা য়াথম্মু, সাধু সঙ্গতনা খঙগদবনি নত্রবদি ঈশ্বরগী মাংজনবনি হান্নবাস থংগনি। মরম অসিদগী ঈশ্বরগী মতোদি লোয়োই ঈশ্বরনা তাকপীব য়াথংবু ভকতনা তৌরুনা চংকদবনি হায়না বেদনা লেপ্পীবা মসিবু কাশী রামদাসগী ভারতকী মতনি। যজ্ঞগী মতমদা নারদ ঋষিনা উপদ্রব ওলক থোক্ল। পৃথি শান্তি ওইবনি হায়খিবগী মরম ব্যাসনা ধর্ম্মরাজাদা তাক্লকপা অমম্মুং মপ্পা দেশকী মরমম্মু, ধর্ম্মগী ওইবা পাও তাকপীরিবা মত্ত অসিনা ব্যাস মূল ভারতকী মতনি। অমম্মুং সৌবল শকুনিবা ধৃতরাষ্ট্রগী সভাদ পাক্ল ওইরিবা নিপা অসি মথুংদগী স্নবল নিংথৌগী মনাক নিপা অতোনবনি হায়বসিনা নিলকণ্ঠ টীকাগী মতনি। ব্যাসগী পাণ্ডবাক্তগী ধর্ম্মরাজ মনাও ৪ কৌশিল্লগা ইমাওশা নারদ ঋষিগী য়াথং, ব্যাসদেবগী পাওতাকসি শোইরবোই অতম থবা লৈরগা ক্ষেত্রি নংথৌ তুম্মরগনি ধর্ম্ম কায়দবনা লৈহোনি হায়বসি নখোই করি থম্মি ইরাম্নদি হারে। অর্জুনা হায়রকই দাদা মহারাজা চিংনবিগম্মু মনাও ঐখোই য়াথং ইঙ্গনি অপাম্না তাকপীম্মু ধর্ম্মরাজানা ইনাওশা ঐদি লোভি থাদোক্লবা ইম্নি লাকশিন্দুনা মীবুম্ম যেক্লদবা ধর্ম্মদা পুম্লিং লেম্মগে। ভীম, অর্জুন, নকুল, সহদেব মরিমক্তা দাদা মহারাজাগী য়াথং ভাক্তনা থোগল তুং ইথবনা মনাও ঐখোইগী পুম্লিগী ধর্ম্ম ওইনা লেপচরগে হায়না ভক্তি তৌজরে মনাও ৪বু কোম্নগা পুমোইগী অমাবা কোকখ্রে। ইতি মূল ভারত বাক্যম্‌।

অমসুং মাগী মহারাজা মনাও ঐখোইবা কৌরব তৌজরি ফজানবু থেঙনবোই বাধিক্রমহু। ধর্মরাজাগা চরুহল্লা, ধর্মবু তাঙ্গা হৈদনা দুংনা শান্তি ওইনা পানখসি, তাকপীরগনী। মথুং অদু মনা ইয়াতুরি কদায়ীদা চেঙ্গমবা মীয়ুম্ভু নিংনা থৌরবা, ধর্মবু চাকপনা পুন্সিগী বাগক ওইনা ইয়াথা লেপ্পগে, মখোইবু তাদি থবথগে অহেন্না অমত্তা লাইবু। ধর্মগী বা অক্ষরঃ মাগী মহারাজাগী বাথং চাকচবনা মনাও ঐখোইগী পুন্সিগী থব ওইহনবগে। মতোং অমুক্তা শক্ত শাউব লম্মুগী বাগক লেপ্লবগে। বাক্যগী পুরোহিত, ভীষ্ম, দ্রোণ, কর্ণমচিংবা বিদাই লৌখিনহুম খরক্ত্র। শ্রীকৃষ্ণ ধর্মরাজাদা বিদায় নিঙকলে, থুক্তাগী থুরুম্মজনা বিদায় লৌরে; পঙকালিনী শ্রীকৃষ্ণবু থুরুম্মজগা বিদায় লৌজরে। পাণ্ডব বিদায় লোইনবগা দ্বারকাবাসী অমমখা লেংখরে। দুর্যোধন, শৌকনি খেবল আতুঙ্গী পাগিবসিনা লম্মী অর, বার, পুমমক শিরগনবগী লৈহৈরে। যুধিষ্ঠিরনা দুম চাম্না মথা তৌকখিনা লাইথুম চিনাব শিরবগা দুমিং হমদি পন্থনা কৈথনা; দুর্যোধন, শৌকনি ইন্দ্রপ্রস্থপুরগী ককবা নমাগী থংং থেংগে থাবনগী, ধর্মরাজাগীনা নকুল, সহদেবনা থাথং শিরগা মী কয়াচু দুংনা থৌগল ইনখ্রি।

ইন্দ্রপ্রস্থগী সভা লেৎনা মখোনা অথু বিত্তাগী সক্রিগা লোইননা থেরবা হুরানবা চংননবা, মখুক চুমদবা মীনা ওমাঙ্গনা উহনা চংঙুরবগী থোকপা ওমদনবা লেপ্পী। মময় অদুনা দুর্যোধন, শৌকনি মথুক লেংদবদগী মক্ষবেদীদু ঈশিং ওইনা উহনা মখি তাথখলগা চোংবদা লৈতুংনা থেংজিন্না থরো থবো ওন্থং, মীয়াম্না নোকই। পুত্রীগী ঈশিং উহগা লৈবুং ওইনা নিংহুনা কাপ তৌরম্না পুত্রীদা দুম্না মীয়াম্না চিংখৎলে। মী পুমমক থুবাক থুহনা নোক্লে, ইকাইখদুনা মপাল থোক্লগে লাকপদা চোকপগু থোং ওইনা উহুনা লাইবকনা দং থেংহুনা লাইবক অদু পোক্লে, দরবার সভাদা হকসংগদবা লপোম্ভু থংগ্রে। মতো অদু উবদ ধর্মরাজানা নকুলবু লোহমুরগা আত্তমণ হোংদোহল্লে। দুর্যোধন সভাদা কপ ইকাথরহনা ধর্মরাজাবু থুরুম্মগা বিদায় লৌহনা শৌবল, শৌকনি লোইনহনা দুর্যোধন হস্তিনাপোমদা হল্লকই। দুর্যোধন থম্মোই দুংওইতকমগী অশা থক থক লিকই, চংপদা মকৈ হায়রে, মরু লুকহুনা থ ঙাংদনা দুমথিম্না চংলি; অঙাওবগী মতৌগুম্মে। মতৌদু উবগা শৌকনিনা হংই, কুরুরাজ কৈদৌরবগে বা ঙাংত্রিবরু? দুর্যোধন ওহাক দুখিন লৈরুরগা হায়রকই—মাথা পাণ্ডবকি বৈভব, শক্তি, মগুণ মরল, ইন্দ্র, যম, কুবেরবু থেল্লে। শিশুপাল হাংপদা কনা অমত্তা বা ঙাংবা ওমদহুনা মরু লুক্লম্রে। ওসি ঐনা সভা য়েংবদা থোকখিবা লপা মখোয়না নোকখিবা, থমুরগা ঐ হিংহুনা লৈনিংঙ্গে। থৈদনা ঈশিংদগী ঐ প্রাণ থাদ্রগে। ঐনা হিংহুনা লৈবা ওমগদবদি, পাণ্ডবকি মরল, বৈভব, শক্তি অসি মাংহনগা ঐগী ইথা পোপহনবা, ওমরগনা ঐ শিংজবা অসি লওনা থাথল অমা থনবা তম্মরোই।

শৌবলনা হায়রকই, কুরুরাজা পাণ্ডবশু থেরগে থম্মগহ্, যুধিষ্ঠির নয়াবা অসি নমাকপু মগর্তগুমা দুনা লিংই, পাণ্ডবনা চাউখংলকপা অসিনা চন্দ্রবংশ মখোয় পুমমক চাউখংপদি, মখোয়বু অমংবা

খাণ্ডবদা লোৎলোৎপিরম্লি, কৃষ্ণনা কোন্দনে থম্মিরকো ? দুর্যোধনগা ইন্দ্রপ্রস্থ, কৌরবগী রা মমি, ঐ, লৌবা অদুদাই পাণ্ডবশিং গী তাবকপগী লেপ্পরকপি, পুথিনী লেপ্পনবদি, পাণ্ডবগী চক পোৱা ঐগা চুরিহেনবা লৈবদি ঙমদোই। খাম্নবা মহোৎসবী মরম অসি লোইননা থারকপা, ঐনা ইবা পোৱা থবা থানবা উপায় অমত্তা তাকপিয়ু, অদু ঙম্লোইদবা ওইরবদি হিংঙম্বা তারক্তে, ঐ অসি থগাই থাদগে, নসাক্তী থবাই কনবিবা মাৰা উপাৰ লৈবদি মায়ামা তাকপিয়ু। লৌকলিনা হায়রকই – দুর্যোধন, পাণ্ডবশিং ভীম, অর্জুনগী শক্তি অসিনা যেক্তব ওইনা মায়োকপনবদি ঙমদোই, উপায় অমদি লৈ। যুধিষ্ঠির অসি চৌথর ওইবদি, শাস্ত্রগী পাশনি। অমুক ঐগা কশিংঙমা পাশকবদি মরম পূরণক লোইনা লোবা ঙমগনি, থাবা দ মায়া বিজয়ী লৌবোম দৈ। অতুদু ঐখোয়না পাশনি হায়রকপদি খন্দাকপা য়াবদোই। ইবাই মহারাজগী কোৎসা পাম্বা ইশন মহোৎসবী কুটৈগী অমুক্তং য়েংগে, মহাবগী কুটৈ ঙেংহনবা হায়রগা লেনবিরবদি, খন্দাকপাদি ইবাই ইন্দ্রপ্রস্থগী মাগনদি হিকতোকলোই, অদু থোক্লবা শিন্দু। অদু ওইরবদি, ইমথাক মিংথোক্না মিংবা মাথামা থুংহনবা ঙমগনি হায়রগা থবাওনবা হক্তিনা কোৎকোৎ য়েবি।

ইন্দ্রপ্রস্থদা লৈরিবা পাণ্ডবশিং মাল মতাবশিং থক্তম চপ্নবা শনা, হিরা, মণি, রত্ন, পুষ্পক মমুন্তা ইরম মশিনা ফিংহুনা থগী থগ. ইথোই, শগোল শাম্মু, মন মন পুশিংদা পোৎপা লৈরক্তু, মাঙহৎশিংদু লেনবপুম্বা লেন কয়াদা থমখি। মহাভারতগী সভাপর্ব রাজসূয় যজ্ঞগী থাবা অসি অমুত্তগী থমখি, মসিগী পুক্নিং চংনা তাকথনা থম সম্পত্তি চাউথোকনি অহুৎনা কৌবনা যুক্তি পনবা কহই হায়রবদি শ্রীব্যাসদেবনা লেংঙম্বা ব্যাসগী মূলগ্রন্থ কবি কয়ান অমুং কানা কানা লেংঙম্বা মহাভারতনি॥ ইতি। হরিবল। হরিবল॥

অধ্যায়ঃ

চৌবর শান্নবগী অা তান্নবা মতাং।

শ্রীবৈশম্পায়ন মুনিনা হায় তারে রাজা জন্মেজয়। যথাগী মায়ী লৌরক্লগে, শকুনি দুর্যোধন হস্তিনা কোক্লুং মায়কুনা অন্ধরাজাগ খুদমজয়গা ননাই ঐখে ই মোজরক্লে হজংচৈ। ধৃতরাষ্ট্রনা হঙ্গকই দুর্যোধ, হনক পাণ্ডবকী রাজসূয় যজ্ঞ কায়কপা কোয় কয়ামুক যাগী; ইচানা নতৈ পানবনিনা থওমগনি অমুক্ত হায়বু, ইপা ত নিংজৌ। অন্ধরাজাগী মাহায় ভাবদা দুর্যোধন মরু মুক্লগা ভুমিন লৈখি। কুরুরাজাগী মতৌ উবদা শকুনিনা হায়রৈ, ইবাই ইবুঙ্গো মহারাজা, ইমাক নিংথৌসি অা ভাংবা ওমগ্রহনা নিক্লনা লৈরে মোংবা মোংমগী মকচাং মখেং তাশিলক্লে চাদ থক্তবগী হ'চাং ঈ থাংগ্রহনা কজবা কুচু মাংখিবনা তাইকেৎ তাইশিল্লে। মরোনম্থু হায়দোক্লে মুমা অমুক্ত হংখিবু, শকুনিগী মাং ভাবদা অন্ধরাজনা ইচা নিংথৌ কয়ম্বা ধুংতাইতবা লৈবগে হায়রু। পিতা নিংথৌগী মা ভাবদা দুর্যোধনা হায়জরকই, পাবুং মহারাজা নচাগী লৈজরিবা সম্পত্তি পদবী অসিদি হেক্লবগী মথাপোম্না লৈবা কাপুরুষগা মান্নরে। অসিগী থমুবদা চাবা থকপা ভুবা মাঝে হিংহনা লৈকবগী শরুকপুদী শিখিবনা কয়গঞ্জা নচা থজরে। পাণ্ডবকী মরনদি লক্মৌনা লেংদনা ভুমিংকী তেজগুম তাক্লে বনদা পোক্লকপা ঐগী হস্তিনাদা চাওখিবা মেক্লবা পাণ্ডবনা নিতিগী ব্রাহ্মণ লিশিং মরিক্থু ব্রহ্ম ভোজন তৌরি; লাইমকপু ওমজনা শনাগী পান্নদা চাবা থকপা সিজিনরি পৃথীবীগী নিংথৌশিংবু বৈশ্য-শূদ্রগুম্না থোংদা চংহনদনা থম্বি শঙ্খধ্বনি তাবদা থমোইসি কাইগদৌই। পাণ্ডবকি মরজি নচানা সিংথাবা ওম্নমোই মেক্লববু খুদুম চন্নবা হোৎনবা হায়বনি কেক্লি নিংথৌ মচাগী ধর্মনী, অদুবু পৃথীবীগী নিংথৌনা পাণ্ডবকি পক্কদা লৈপ্রবনা নচানা লানফমনদি মেক্লবা খুদুমচনবা ওম্নমোই। মামা মক্লি শকুনিদি পাশ খেলাগী বিদ্যা হৈ মরম অসিনা নাদা মহারাজা যুধিষ্ঠিরবু কৌরগা চৌবর অমুক্তা শান্নহনবিয়ু, শান্নবদা লৈপাক লম লৌথোক্লগা মেক্লবা খুদুম চক্লবগে পাবুংনা অমুক্তা শিনবীবু অহ নক্লগদি নচা হিংবগী কামজে হায়জরে। ধৃতরাষ্ট্রনা হায়রকই ঐ বিদুর মক্লি নত্তোনগা অমুক্তা তানখিগে বুদ্ধিলৈবা ঐগী কনবদা তৌরিবা ইনাওগী অা তানবদি, ঐনা শানৌ হায়রবা ওমগে মন্ত্রনাদি ইন্দ্রগী বৃহস্পতিগা মান্নবা ঐগী থবাই ওইরিবা ইনাওনি মানা মান্নবদি কৈ মাদবা থবক্তি তৌরগদু, তুংদা অকায়বা ওইরক্লনি। দুর্যোধনা হায়রজ, পাবুং মহারাজা খুরাতোনদি নচাগী মেক্লবা পাণ্ডবকি কনবদা তৌবনি মারক্লোই, অদু ওইরবদি নচা থবাই থাজরগে ইপানা ঙংশিবা কঙা বিদুরগা লৈবিহোৱো হায়রগা ওথোইনা কপ্পে। অন্ধরাজা মচাবু ঙংশিবা মান্নানা পুনখিদুনা দুর্যোধন ইচানা অহ মোৱবদি, বিদুর থারগা পাণ্ডব কৌরগে শান্নবে। চৌবর শানকম মাওব তাওনা থোং মরি শাইহনা কজনা লেপ্পু

হ্‌নররকলে। দুর্য্যোধন অন্ধরাজাজা কহৎদা শকুনিগা খুরুমজরগা চৎখিরো রুনহ্‌না শ মকম সভা থাগুব কজনা শেম শাবা হৌরে, বিদুর তৌরকইবা থবক্তি প ওন খংবা অন্ধরাজাগী কোহং চংওকলগা খুরুমজরগা হায়খি। দাদা মহারাজা ননাও পাও তাবদা থমোই কাইগদৌরে ইচা মশেল অপোক পোক্তা থাইনা চৌবর শারহল্লবদি, কুরুবংশ মাংবা তারে তৌবাগনু অন্ধরাজান। বিদুর নঃ বাকথহ্‌ হায়গনু ঐগা ইশন ইবুঙো ভীষ্মপনা অচুবা বিচার তৌগনি ইচা মশেল থৎনহল্লোই। নহাক চৎলো যুধিষ্ঠির কৌরু পাশখেলা কুম্মে য়েংসি য়াসি তাবদ। বিদুরনা দাদা মহারাজা রাকখসি অকবদৌ ওইররোই, ওসমগী শাগে মাংনবগী মরু হনবীরবনো ননাও-মচুথো ভীষ্মনা অমুক্তা হজৎচরখিশে হায়রমলগা চংখি।

অন্ধাগী মহার সিমগী অন্ধরাজা বাখল তৌবদা বিদুরনা হায়বা ব সি সোইররোই নিলহনা মনাই থারগা দুর্য্যোধন কৌরল্‌ রহনা হায়রকই বেঃ ইচা নিংথৌ পাশংলোসি তৌগনু বিদুরনা শামাইনবিংদে। অন্তাদি ঐখী ফনবদা পুন্সিমী পন্নিবা বৃদ্ধদনু বৃহস্পতিগুম্বনি ইন্দ্রগী গুরুনা ফনবগা মমনা তৌবগুম ঐগী ফনবদা থল্লবা, মান হায়ব বাংমং সেইবা লৈরব বুদ্ধি লৈবা ইনাওদি বৃষ্ণিবংশগী উধবকুমনৌ চৌবর শাররবদি কৌরব-পাণ্ডব যেথিনরকনৌ। অহদগী লাস্তা-নরক্তমা সর্ববিনাশ ওইরনি হায়না অন্তান থাজ্জৌ, বিদুরনা হায়বা বাদি সেইরোই, থল্লবদা ইপাদি মিপাইরে হাতংলো তৌরগনু ইচানু নবুদ্ধি লৈবনি পাণ্ডব য়েরুগনু ময়াম্বা যুধিষ্ঠিরমা পুকচেল কল্লবদগী ইচানা হস্তিনা নিংথৌ ওইবনি। ঐনা পিবা গ্রাম মখা অমসুং পাণ্ডু মপানা লৈরম্বা হস্তিনাগী লনলৈনি, অদুবু শরুক অনিনা ঐখোইগী শরুক অমা থাইব। অপনবা ওইদুনা পাজরক্পা ইচা মতানি। মখোইগী পুকচেল্লি ঐগী মাথং তাক্লা চৎলি হেজবনু ইচানা অপাম্বা অমা হায়রবদা নয়াম্বা যুধিষ্ঠিরনি 'প কনি, নহাকনু নমা-নপাগী মাথং তাক্লা চৎলু ইচাগীনু অকবা ওইগনি নরলনু-পদনীনু-সনায়নু ইন্দ্রগুম পল্লি। অমসুং নরল মিংচৎ চাওথংপা পাণ্ডবনু পৃথীগী নিংথৌ বার্জুণ তৌরগা রাজসূয় যজ্ঞ তৌরো, অদু ওইরবদ ঐগী নবুথৌগা গুণ য়েংদুনা করু কারকন করিগী নয়াম্বা য়েরুগদৌরিবনো কনাবু য়েরু চবা মীগী উপায় তৌবা অসিনা অখোইবা ধর্মনি। পাণ্ডব কনা নংত, নচিন মনাওনি য়েরুগনু মীবু য়েরুদবনা মিংচৎনু লৈ, পুন্সিগী শান্তি লৈনন্নু পালগনি। মীগী মরল মিহৌরোইদবনি মশাগী ধর্ম তাক্লা চৎপনা অপেনবা উপদবনি জীব উপকার তৌবনা ঐগী ইথৌ ওইগনি অদু ওইরবদি পুন্সিহ্‌ নুঙাইনা লৈগনি অরাব লৈররেই। পিতাগী পাণ্ডুক তাবদা দুর্য্যোধনা হায়রকই ইপানা তাকপীরিবনি পণ্ডিতকৌ মোংতি মত্তে, নঃ রাজনিতী ইতিহাস পুরান করা তাকরে কেরি ধর্মদি য়েরুবনু থুহক চনগনি সম্পাতি চাওথ মবা হোংনগনি অকুনতনা মীগী মপাপোক পকরবদি কাপুরুষনি হায়রি। অদুগী নিঙ্ক তবু সুচি দামক রাজাগা ইন্দ্রগা পিস্তা তিররকস মতম করা চানা লৈবনি; অদুবু তাক্লা

মেহুনা দেবরাজনা নমুচি হা বি নিংথৌ ওইবগী কিবদগী কান্নগদবা থবক্কুগী পাওতাক পিবা উমত্রবদৌ মিং খোগী শুণ লৈত্রবনি হায়রগা নিত্তৌ শাস্ত্রনা লেপ্পী। মন্থুগী পাপ্পমদি অথাবদা হৈনবা জীব। অমুগী রস থংদে. নিংথৌনা মরম্বা-মীচংদা অপেনবা অরেপ্পা থম্মোইদবনি, মেরুবু থাজকদে হায়ব, শাস্ত্রনা লেপ্পী ক্ষেত্রিবংশগী মন্থুংদা থন-জন বলবাল ওইরমল্লরবদি মাহু মেরুবনি হায়থনি থঙনি অসু নিত্তৌ শাস্ত্রনা লেপ্পবনী। অহব পাবুং মহারাজানা পাণ্ডবকী কনবত থনবা ক্ষত্তাগী মন্না লেরগা ছলবাক্যনা ভাকপীবনি, অমসু পাণ্ডুনা লৌনম চাওবদি ঐভোম্বা লক্ষে-পাংবা ইন্ডাও কর্ণদা দান তৌবা শিন্নরিবনি। যুধিষ্ঠিরগী মাংদা দেব, দৈত্য দানব যক্ষ রক্ষ-গন্ধর্ব কিন্নর-নাগ নর সর্ব্বরাজা সভানা থুংলোম্নহুনা লৈরি, কারকইবা কর চিঙদগী কংবা পৃথীদগী কংবা উদগীকংবা জিবগী দেনোদগী কংবা হেরা-মনি-রত্ন স্বর্ণ রৌপ্য পেকপদগী উক্রিবা য়াওরী। মনি-রত্নগী তেজনা মৈগুম ভাল্লি ফিগী জাত্ত লেমজ, কিটজ, পুষ্পজ, বৃক্ষজ-পত্রজ, অমসুং বণ, ইরোই-শগোল-শমু-হাময় য়াও-গাধা উং অমসু সনাগী লুপগী শামু মরগী আসন মাগী ২ দেশদা থোকপা লোং কংবার।

কজরবী কন্যা মচু বয়গী ফিজং লেত্তেলবী দীর্ঘকেশী দাসীনি লিশিং ১না মীয়ামগী সেবা তৌহন্নি, অঙ্গ, বঙ্গ, বৃষ্ণি, ভোজ, যদু, অন্ধক, কুকুর শাগে তরেৎনা কুকপা লোইননা যুধিষ্ঠিরগী য়াথং মতুং ইন্নি। অমসুং ঐগী ইকাইবা কংবদি তাবিয়ু হায়জগে—লনগৈ শিন্নবা লোইরগা বদায় লোইনদুন থোংকপদা। ময়ামগী সভা ওইরমদুনা লিন্নাইগী লৈবুংবু ঔশিং ওইনা উরহনা কি তাথংলগা চোঙবদা দ্রৌপদীনচীংবী সুপী মরানা হোৎনা লোন্নরে। অমুক চৎপদা পুক্রি লৈরম্বু রত্নবেদী ওইনা উরহনা চঙবদা পুক্রিগী ঔশিংদা লুপত্তনা কি চোংলে, যুধিষ্ঠিরনা মনাইশিংনা কি পীরক্লুনা হোংদোক্লে অহদা সভা হোৎনা লোন্নরে মপাল থোংগে লাকপদনা শিন্নাইনা থম্মা চেকপন্নু থেং ওইনা উরহন থেংজিনবদগী হায়থহনা থরো থরো ওলে। অমুক মীয়াম নোক্লে ঐগী ইকৌহ উবদা নকুল-সহদেবনা সুংশিহনা চেন সম্নগা কোনথংতুনা থোংদা পুথোরকই, অহদগী য়োজরকপনি। ক্ষেত্রি নিংথৌ অমনা য়েক্কবগী মকহদা অমুক মাইথিবা কংনা হিংহনা লৈবা তম্মরোই মরল লেথোক্লগা থুহম চম্লগা হিত্তেও অদু য়াবিত্রবদি মচা শিজরগে। ধৃতরাষ্ট্র অকবা য়াহায় কয়াবা থাম্বা য়াত্রবদা দুর্য্যোধন ইচাসি লাইগী নোংদম লয়বোইরে থম্মুনা করে ইচাগী নিংবা থুংজরে. যুধিষ্ঠির কৌহল্লগে হায়রগা মনাই শজমবু বিদুর কৌরু থংল্লে, দুর্য্যোধন থুওজাইরহুনা পিতা থুক্কমগা হনল্লে; শকুনি কর্ণ দুঃশাসন সৌবল তানরগা পাশংলোগী সভা সেমশাবা লোইহনথি। বিদুর য়োরক্লুনা অকরাজা থুক্কমী ধৃতরাষ্ট্রনা যুধিষ্ঠির কৌক্করো চোবর শামহন্নসি। বিদুরনা শাগে মাংভারে থজুবদা থরোই কাইগদৌই। অকন রাজু হায়রদু ভগবানসি লাইগী লোংদম মথা পোনবগী

বিদুর [illegible] বিচোক্লগা [illegible] রথ [illegible] চংশিনবা [illegible], [illegible] রথ [illegible] সভা [illegible] বিদুর [illegible] যুধিষ্ঠির [illegible] [illegible] পুজা [illegible]। ধর্মরাজানা [illegible] হস্তিনা [illegible] কুন্তি [illegible] বিদুরনা [illegible] হৌজিকসু হস্তিনা [illegible]। [illegible] সভা [illegible] সভা [illegible] চৌবর শামহন্নবি [illegible]। [illegible] পুন্নবা [illegible] যুধিষ্ঠিরনা [illegible] বিদুরনা [illegible] খাম্না [illegible] অক-হৃদ, মুম্ম [illegible] চৎলোয় [illegible] ধর্মরাজানা হায়রকই [illegible] ধর্ম [illegible] অমিদি মায় লৈরমোইদবা নাংনি। [illegible] পুন্সিগী ধর্ম ওইরগে [illegible] হৌজিকসু চঙ্গুবগে, ইমা [illegible] রথ [illegible] চৌবর [illegible] হায়রগা রাণী দ্রৌপদী [illegible]। রথ [illegible] বিদুরগা [illegible] হস্তিনা [illegible] ভা হোৎনবগে [illegible] ঈশ্বর [illegible] মনাই [illegible] বিধাতাগী [illegible] ধৃতরাষ্ট্র [illegible] দ্রোণ [illegible] কৃপ ভীষ্ম [illegible] [illegible] রাজনীতি [illegible] শ্রীব্যাসনা [illegible] মহাভারতনি। ইতি [illegible] হরিবোল হরিবোল॥

অধ্যায়

চৌবর শামবা হৌগদবগী সভা [illegible]

গন্ধারীনা বলদেব কৌরবগী থামহনগে ৫ [illegible] বারী মতাং

মহাভারত [illegible] নিংথৌনা [illegible] যুধিষ্ঠির [illegible] [illegible] বৈশম্পায়ন [illegible] সভাদা [illegible] কর্ণ [illegible] শকুনি [illegible] লৈ পানা লেমহন। [illegible] যুধিষ্ঠির [illegible] ইমাক [illegible]

দ্যূত ক্রিয়া হায়বসি রাজবংশগী পামরিবা শাস্ত্রগী মরু ওইবা বিধাননী, অসিদি ইকু ইমাক থীরামগীসু সুখপু ওই বা চৌথর শাস্ত্রনি, মাহাক চৌথার মরু পোনাশুম য়াওরকলে হায়রগা * শৈলনা চৌথর পুথোরকলে। যুধিষ্ঠিরনা মাগী পাশখেলা হায়বসি অরেবা শিনফম অাংবগী মরুনী শাস্ত্রগুসি য়ম্মা, শকুনিনা ইমাক নিংথৌ লান তৌবনে চৌথর শাস্ত্রবনে হসি কেক্ত্রি নিংথৌকচাগী ধর্মনি হায়না মুনশিংনা হায়রি শাস্ত্রসি। ধর্মরাজানা মামা ধর্মনি হায়রিবরু লৌনম তৌবা মাংবগী লমচংনি হায়বসি খংনবা, থমোইদা চঙ্খানা ওঙ্গবা মুনিশিংনা পাংতাক পিরবনি জুবার খেল হায়বসি তুংদা অমাবা ওইরক্লনী। শকুনিনা ইমাক নিংথৌ নিতি শাস্ত্রনা লান্দি কেক্ত্রি ধর্মনি হায়বসিদা হখোক্লা থাইদোকই, খুৎলাইগী লান্দি জাতি বিজাতি থাইদে লোইনা হাই, লৌশিংগী লাম্না শাস্ত্রবনি হায়বসিদসু মথল করনি অমুক শাস্ত্রবা মথক্কগী লম থাবদুনা শাস্ত্রবা পাশখেলা হায়বসিনা নিংথৌমচাগী বুদ্ধিগী লাল্লি লানবু (রনসঙ্কীর্তণ) হায়র সংকেত্রিনা লাম্না মাই ওন্নোইদবনি হায়বসি নিতি শাস্ত্রগী বানি, অদুবু ইমাক্লা লাকইবসি ইবাই ঈবুংঙোগী য়াথংদগী য়ৌরক্লিবনি অদুবু লৌশিংগী লানফমদি মামানা হেনথনিনা চিংনরম্মনি চুম্মি পণ্ডিতকা ২ লাপ্না ওইগদবনী গুরুগী য়াথং ঙাকওইদবা লৈরবদী হনগীবা য়ারনী। যুধিষ্ঠিরনা হায়রকই মামা দ্যূতক্রিয়াদি ঐদি পামজদে লেপ্তনি জগৎনা মাংনরিবসি লন পাম্বা-দগী মরু কংনা মাংনবা ঙাক্লি ধর্ম নত্ত, ঐনা পামজবদি ব্রাহ্মণ, বৈষ্ণব, গুরুজনগী সেবা তৌবজবনি মামানা ইনাওগী বরমন্ত্রিনি মন্ত্রিনা শিনবীরগা য়াবা ঙাকনি অহনা শাস্ত্রবনা কৈ হাঙবনি। † লৌজক্তি মামানা খাকপীরকপা হইদা ভাব তাজরে পাবুংহনগী য়াথং ঙাকচবনা

টীকা * শকুনিগী চৌথর শরু পো অসি, দধিচি মুনিগী শরুনা বিশ্বকর্মানা শাবা নিংবা নিংবা অহ থোকহনবা ইন্দ্রগী দেব মার চৌথরনী। কংশন ইন্দ্রদগী দিগ বিজয়দা লৌরকপনি শকুনিনা কংশ লৈত্রব তুংদা অক্রুরদগী ফওকপনি, অদুগুম্বা চৌথরনি অদুগী হাক্লকতাগী কৌরবংশ তুমথগী মরু অমসুং ভুতর লৈথোক্লবা ভগবানগী লিলাগীম্মক সেমখিবা চৌথরনি হায়বসি শিলকশুটি ককরনা নাংরি।

ব্যাখ্যা † যুধিষ্ঠিরগী শকুনিদ হায়রকইবা বাহায় কয়াসি দুর্যোধন শকুনি কুমন্ত্রনাদগী, পাবুংহনগী পুক্লিং ওনশন্থুনা মচাগী প্রেম কমথনগী অপোক পোক্ত থায়বা পুকচেল্লগী তৌরকপা থুগুমি হায়বগ সভানা খংবিনবগী হায়রকপা য়াফমনি, অমসুং রাজসুয় যজ্ঞ লোইরকপদা হায়খিবা নারদ বাসগী পাণ্ডুকু থেক্লগত্রা ধনদগী, য়ারবদি শাসনদনবনি অদুবু অক্ররাজনসু শাস্ত্রনব শিল্লবনিনা বাহায় অমা থাওনা হায়রক্লবা, ভীষ্ম, দ্রোন, কৃপ, বাহ্লিক, সোমদত্ত তাবন্তি খংলগা অদ্ধ্ৰ ৰই য়েংবদগী বাঙাংদন লৈনথী। বিধাতাগী নোংদম কমথদগী ধর্ম ঙাক্লবগী শাস্ত্রবা লেপথী অদুবু য়য়া চৌথর, শকুনি হায়বসিদী ভগবানগী লিলানিনা ধর্মরাজানা থখিদ ইতি।

গুরু সেবানি, ঐগী পুক্নিংগী ধর্ম ওইরগে লেপচরবা নমাকনি শারগনি অদুগুম লশীনরবা শাজরগা পেমগদবা ওইরবদি ঐগী লম্দি চিংগুমী লৈবা মামাগীদা বদাইদগী লাম্না থাবিগনৌরি। ঐদি কানকবদা অমশুং পাশখেলাদা মাংহোকপ্রবদি ক্ষেত্রি ধর্ম ভাঙ্গনা মাই লৈথোই থাদি ঐগী থাশক্তি, ধর্মরাজগী থাহায়গী তাবদা হুর্যোধনা দাদা মহারাজ মামাগীদি ঐগী হস্তিনাগী লৈনা কুবেরগুম পৈরিবাসিনা থাজগনি চিংনবিরগদবু হাইকরকই।

মতাং অসিদা শকুনিনা হাইরকই ধর্মরাজ হন্দক শাগবগী কাংশ্রবঃ চৌনবনা পাঞ্জন মুরগগী লৌনবা খুংশানা ওইরবদা, মতম কুইনা চংতনি মতম কুইদনবা ত্রি বারে অনিসিগী পোকম খুংশারদা লৌন সি ইমাংক্তা অগীবা পোকম অমা থরো পামদবনা ঐগী পোকম ওইরগে। মিরুংদা ইমাক্ত হন্নে ভবরা, ঐনা হুঙে পোকমহুদা ভারবা অহুদ লৌনবা পোকমহু তোঙান তোঙান ভানরবগী লৌনদবা অমুক হন্না, মসিগী খুংশাগদা মাগী মাগী হৈনবা বিরানী গুণশু থনবা ওইনা মরামা য়েবা কুইমদন্দু সুংভাইগনি অহুনা শাগসি। যুধিষ্ঠিরনা ফরে মাং, নমাকিনা ১২ বারো পোকম ওইরগে মামাগীনা ত্রি পোকম ওইবিরো হায়ত্তুনা য়ানরে, রাজ সভা ফাদে ধৃতরাষ্ট্রনা পাশখেলা হৌরো মরামগী কুশম সুংভাইহনলু হায়রো রজাজ্ঞা কংহবদ শকুনি চৌবোর লঙ্কুম তিংথোক্লে আসন ফজনা থারগা ধর্মরাজা শকুনি মরোক্তুনা ফম্মে। চৌবোর শাগনবা অহরাঙ্গী য়াংনা শিন্দুনা সভা ফমক্ত্রিবহ তবদা রাণী গন্ধারী সভী কৌরব, পাণ্ডব য়েংথিনরকুনা শংগৈ মানরবা ভারে, ঐনা থাবদি রাররোই হুর্যোধনবু থাবা ভমগদবনি বলদেবনা য়াগত্রা হন্দুনা প্রতিকামী কৌশিলে।

বৈশম্পায়না হায় রাজা জন্মেজয় গন্ধারীনা প্রতিকামী মং রথ তোংহুনা দ্বারিক থুনা য়োনবা থৌরগা হলধর য়োবিদবা য়াদে ঐনা হায়জরকই হায়দুনা ভসিমক য়োরক্লবা মবুঙ্গ লেংরে, রাণীগী য়াথং মতুংইনা রথ তোংহুনা সুংশিংকা মাং থানা থৌ চুন দ্বারীকা য়৷রে, কেকেদা রথ থাদম্না বলরামগী মণি মন্দিরদা চঙ্গক্লে রাম আসনদা তানি, প্রতিকামি দণ্ডবত ভক্তি কংলগা গন্ধারীগী বকম হন্নচরে। রাম রেবতী বিদায় তৌরম্মগা রথ তোংলে প্রতিকামীনা সুংশিংকা মাং থানা থৌরকপনা সন্ধ্যা মতুং মথক্তা হস্তিনা কোম্বুদা থুঙ্গরে, রথদগী লেংথরকুনা গন্ধারীগী মাংদা ঈ নমস্কার মরু যৌজরক্লে হায়রুনা খুমখী। রাণীনা কোনখংদি তদক্লীনানা শিতাগী আসন থারগা খুরুমজরে লৈ, হৈ, চন্দন, পানা, হুন্দেছ সেবা কৎলে। গন্ধারীনা ইশাহনা পাণ্ডবগী মরল মিহৌবদা কৃষ্ণনা তৌনহনা থাবা য়াত্রহুনা শিতা রাজাগী য়াথংনা পাণ্ডব কৌরব চৌবর শানকম সভা সেমগা তসি পাশখেলা হৌরে, আসংগী নাকতগী য়েংথিনরকপদি শাগৈ মাংনবা ভারে নমাক হুর্যোধনসি অমুক্তা থাগিজিনবিরু কৌরবনি। ফদে ইনৈনবন পাশখেলা সভা য়েংজিল্লগে হায়রগা প্রতিকামীগ বলরাম দ্রৌপদীক্রমা সভা য়োরক্লে। রাম ধৃতরাষ্ট্রবু শকুনি হুর্যোধন, ধর্মরাজা, ভীষ, দ্রোণচিংবা সভা পুম্মক বলদেবগী পাদদা খুরুম্মী আসন কংলি হুন্দেছ সেবা তৌরে অর্জুন

চৌবম শাস্ত্ৰজগী মওং উবদা ধর্ম রাজাদা সর্ববভূমাপতি মাংনবগী মরু ওইবা থবক। পুকনিং অচুক চংবিবা কৰিগীনা হায়রকই। যুধিষ্ঠিরনা প্রভু ননাইদি পাবুংজনগী য়াথংবু ভাকচবনা গুরু সেবাগী ধর্ম ওইদুনা লজৰনি অহুন শামজবনি, ধর্মগী রসি ভাবদা অন্ধরাজাদা বলদেবনা মাগী মথাংদা পাশখেলাসি য়াম্বদি তোকহন্নবিবনা কৈ, তুংদা অমাংবা ওইরকনি হায়রকই। অন্ধরাজানা ইমাক ইবুংগো। ইচাশিংগী হায়কসিদ কুরুবংশসি চাওথংলে, পাশখেলা হায়বসিসু রাজবংশগী ধর্মনি। ইনা চাম মতাগী কুমৈ অমুক্তং য়েংহল্লিংদুনা তৌবনি মামা লৈ করিগী অরবা ওইগনদে মামনা থাকনি সুংশাগী ক্ষত কুমৈওম য়েংবয়ু ইমাক চৌবিরকপা হুংডাইজরে হায়রকই। অন্ধরাজাগী রহায়সি তাবদা প্রভু ব্যামনাথ মহাবিষ্ণু শঙ্কারন ধ্যানা য়েংঙকপদা শ্রীকৃষ্ণগী অবতার লিলা পৃথীগী অকুপ্পা লোথোকদোরিবা চহি তর মরি শুরকপদা, লাঙ্গাও থোরকগী কৌরব পাণ্ডব য়েংথিরনবগী মরম পাশখেলানি। কৃষ্ণনা শামরকদোরিব লিলা ব্রহ্মাগী সৃষ্টি লোইনা উরে। খাম্বা য়ারারোই খঙদুনা অন্ধরাজবু খুরুম্না মমা নমাক্তি কুমৈ য়েংজররোই অরুবা থবক লৈহৌরে হৌজিকমক চৌজপ্পগে হায়না বিদায় লৌরে মথাম পুম্নমক খুরুমজদুনা লৈহৌরে। বলদেব চোৎবার সভাদগী কোনুংদা লেংলক্লুনা অঙ্কারীবু খুরুম্লগা ইনেমহন নহানা খাম্বা য়াত্র হৌজিকমক চৌজপ্পগে হায়না তৌরমলগা রাম লেংখোররে। রাখন তৌবদা ভারত হুদনগী লাম্বা ভক্ত পাণ্ডবকিদা শ্রীকৃষ্ণনা লেপ্পরনি, দুর্য্যোধনা ঐবু হায়জরনি কৃষ্ণনা অংশিনি ঐনা অংশনি মখোয়রবা ইভিক ওইদে অমনাদি প্রায়শ্চিত্ত অমগী ওইনা তীর্থ চৎপা য়ানবা; ইনাই অমসু লৌনবীরগা মাহুনা ঐগী লিলা ওইরগে হায়দুনা হলধররাম নৈমিষারন্যোসাদা লেংঙকলে।

লৈরোনা চাবা উবং মচি অমা লৈরমহুনা থাজারদা যোক্ননা অদোর মচি ওইরমলে মুপা ৪০০ পীরম্লগা মহাজন অমনা লৌখরে। মগোইন ঐখোইগী উপায় তৌবীরী মং খোংদো ঐ থাউন তেক্লগে অমদান তৌসি বায়রগা চংখিহনা মমখোং খুদিং নিপা অমমম লাকপিহ চাক-কৌজগে থায়রম্মগা নিংথৌ দান তে জন ক্রিয়া লোইরগা ইনছাং শেম্মী। চিন্তানা খোংদে নতী লক্ষ্মী নিংশিংগা মথেল কয়ামুক থাংবা লোইরে. মীয়াম লাক্লরে চাকলুক থাহনা শ্রীবৎস চিন্তানা (পরি-বসন) য়েন্দুনা মীয়াম কংলে চারিবা মীয়ামহু পোকন্নগী অহুক হাওবাসি মাও-থিক্রী। মীয়ামনা মবুক্তা মতুং লৈবা মী ওইরগদ্রে থনাথ হে পানা, দক্ষিনা তৌরে, মরম পেরহনা হনখি। শ্রীবৎস চিন্তা শিং চনবা খুদংদা চহি তরক লৈরে। শ্রীবৎস শিং চন্নুনা লৈবহ শনিনা চিন্তা কাইনহনগে অমুক হন্নে.

শ্রীবৎস শিং চনবা মরামগা চংখিবা মতমদ. (সদাগর ; ললোনবা মহাজন অমা হিদা-মান থমা হাপ্লগা হিহোনবা নিপা ২৫গা থা সমক্রমোম য়োগে নিংহুনা সজাগী ইচেন মথুং ইরা খোক্লকই ; কাঠুর খুনগংগী থাট অকুপা শনিনা চিজোক্ত থরা নমথহনা লৈপাক থর থেংনন হি পজহন্নে। হিহ ইনবা চিংবা মাক্লহনা থানা লৈনবিদেদা শনি পণ্ডিত অমা শাহনা লাইরিক নকান্দা য়েপ্লগা ছত্র দণ্ড লোইনহনা লৈরাই মথক্ত লেপ্লগা করি তৌরগে হংকই। মহাজনহ পণ্ডিতনি খংহনা খুক্লমগা হায়রে। ব্রাহ্মণ পণ্ডিতন ঐগী ডিঙ্গাসি থাং অসিদা পনখ্রে করিন্নো অযুক্তা তাকপীয়ু শনিনা হায় সদাগর নহাকী মুপীনা নবগ্রহ পূজা তৌরে মংনা শওইনদা অতুম বাক্সা তৌহনা লাক্লে অহুনা নক্সি হিসি পংবনী। গ্রাম অসিগী মুপীশিক্ত মহুংদা নতী মাওরমগনি অহুমু ইংখ্রবদী, ঐহুক্ত লোম কোক্তুনা হি নমগংনা পক্লিবসি তাওখকুনা চংকনি থায়রম্মগা শনি চংলে। মহাজন মগী চাক্রেশিং থাদুনা. মুমখোং খুদিংগী মুপী হায়জ মন্নুবদা চিক্তাদী ইপুরেংবা চংখোকপি মাথ মাওদনবী তম্মাই লেংরে অক্তেদী লোইনা লাকলগা হিহ ইনবদ হি লেংখ্রে। মহাজনা মুপী থমান্থু বাবাংগী পেংগী লিক্তোন পীরগা সতী মাওদে পণ্ডিতনা হায়বা লোইরোই থন্দুনা, মনাইশিংদা মুপী অমদী মপুরে ইবা চংখোকপি হায়দুনা লৈহোরে তম্মী। মহাজন মাহু সতীনা খংহনা মনই অমগা চন্তাগী মকম য়োরকই। চিন্তাবু উবদা সক্তানি খংহনা খুকমহনা হায়রে, হে সতী সাধবী ঐগ্ন মান মরাম পুবা হি হিরেন অসিদা হি কমথখিহনা পল্লে! ব্রাহ্মণ পণ্ডিত অমনা তা পীরম্মী সতীনা শোকপীরবদী হি চংকনী হায়দুনা, ঐগী করাবসি অমুক্ত উপায় তৌবীয়ু। মহ জনগী ত জ্ঞনা শনির দৃষ্টিনা রাখল তৌবদা ঐগী মহারাজাদি ধর্ম লৈবনি মগী উপায় তৌরগদে নিক্ত তৌবীরগনা থন্দুনা চিন্তা লাক্তুনা ঈশিংগ তুমহনা হিহ ইক্লবদা তাওখংলেকুনা হি চালে। মহাজন্নুনা মুপীসি মাওরবদী হি অংনবা লৈরমোই হাপকংলো পুরসি হায়রে। মনাইশিংনা চিন্তাবু কারগা

হিথক্তা হাপল্লে। চিন্তানা ক্লং ক্লং চোংহনা বাহয় কয়া কপচুনা হায়বহ নমচুনা হিথকী কা অমদা হায়াগা থোং লোমজিন্দুনা ইরাইদা হি য়াংনা থোল্লগা চৎখি। মৈরাই মথক্তা মুপী য়ায়মা থবদ্ধু চৈরগা লাওহুনা ভাবয়া কংল্লহুনা কপহনা লৈহৌরে। চিন্তা উপায় লৈরহুনা মুখিংগু পুরুক্তনগা সূর্য্যবংশগী মাই মুপীগী সতী ধর্ম্ম তাক্রবা নিপাশিংনা পোক্তাসবনী করবা শকক্য লৌশিনবীরো খেক্তোগনা পুমহনবীরো হায়রকই। সূর্য্যদেবনা সতীগী ধর্ম্ম তাকে হায়রবী আকাশবাণী অতৈ তাহনদে সতী কীরম্ব ঐনা তাকনি নঘুংতোম্ব কংগুখিনী হায়রগা করবা শঙ্কু কুপশিনবীরগা খেক্তোগনা পুমহল্লে, শ্রীবৎসনা ময়ামগা শিং য়োল্লুবগা হল্লকপদা চিন্তা লৈরমল্লে হংবদা মুপী ময়ামা পাওদু কপচুনা ভগে। শ্রীবৎস ময়াম বিদায় তৌরমগা চুরেনী মচুং ইন্দুনা হা চিন্তা হা চিন্তা কৌদুনা কপ্পা কপ্প তাবখি। মতাং অমি মীওইবনা পুকনিং চংবা তাকবদা গ্রহগী লোয়া কোকনি হায়বা শ্রীব্যাস বাক্যনি ব্যাস বাক্যদি লোইবা দেব বাক্যগা মাটৈ ইতি॥ হরিবোল হরিবোল হরিবোল॥

অধ্যায়

শ্রীবৎসনা চিত্তানন্দ বন শুরভী পোমাত্তাপীদা
লৈবা ভক্তা মুহোংবগী বারী মতাং।

বৈশম্পায়ননা হায় মহারাজা শ্রীকৃষ্ণনা ধর্ম্মরাজাদা লিয়রকই তাবিয়ু। দাদা মহারাজ শ্রীবৎস চাদা থক্তনা চিন্তা চিন্তা কৌরগা কপচুনা বন দেশ কয়া গদা থোংবান য়েংহুনা য়েংহুনা চেল্লক-পদা লৈরবা মী থুদিং হংই থংল্লে। খেবা ভাউহনা উপাল, লৈপাল, হৈপাল থুদিং কোল্লনা হংন্দুই পুমক্তবনিদা বাহান্না তাই, অমুক হৌগংলগা চেন্নি সতৌ অমুমা হুমিং কয়ানিদুক চাদ থক্তনা লাকপদা বামনখিবনা প্রাণ পুবা ওমক্তে কজরবা চিত্তানন্দ বন শা উচেক শক্তু শক্তু শামরি অমগা অমগা য়েক্লদে, পুষ্পি থম্বাস শাংপা কজরবা হৈকোল, লৈকোল লৈ। থম্মুদা শ্রীবৎস চৎপা ভমগ্রন্দনা কমন্দনা লৈরে বন অহ্ মক্তখতুনা থৌগাল্লি সুরভী পোমাত্তানা লৈবনি শ্রীবৎস উবদা সুরভী চংচ্ছকলগা ইবুংহো মহাক কনানো হংতি, শ্রীবৎসনা ইমা ঐ পৃথীগী নিংথৌ-রেম্নি শ্রীবৎস কৌই প্রাক দেশদা পাম্ববনি, শনি লক্ষ্মী থংনবগী বিচার তৌক্তবনী ইরাইবক থিহুনা বন লাকপদা চিত্তারাগা অমুক কাইনরে। চিন্তা থিবা লাকচবনী চাদ থক্তবগা চৎপা চমল্লহনা পোংথাজখনি। সুরভীনা হায় ইমাগী থনসিদা লৈরো ইমাগী অমুত দাবা মচোক্তা

পীথকদগে, ঐগী মনদি শনি চংবা তমলোই চিন্তামু কজনি নরৈপাক হজিন্নুনা মুংশাইনা পাম্নবি শনিগী দৃষ্টি মতম থম্‌দা শাইরে ইবাগী মন্দা পোংথাদ্‌না লৈরে। সিমগী চংবদা শনিগী শনিগী দৃষ্টি মতম থমদা শাইরে ইবাগী মন্দা পোংথাদনা লৈরে। সিমগী চংগবদা শনিগী মায়াদা থাজবগনি হায়ম্বা অমুত হৈনবীরে, শ্রীবংস অমুত থকচবদা অরাবা অরাম পৌবাং কোক্লে শ্রীমতী খাংপোক শেন্নবা পোংথাদ্‌না লৈরে। নিতিগী মহুরথ মচা নিপাগা, মন্দৌনি মচা মুপীগা অমুত শিথকপদা মথয়াত্তগী অমুত নিম্নরকপনা লৈপাক তাই, অহুনা চেংপা লৈপাক অহ্ মমা ওনি। মাহু শ্রীবংসনা পেথংলগা মনা থাচেন অনি শাই অমনা শ্রীবংস মাগী মমিং ই অমনা চিন্তাগী মিং ই। তাল বেতাল মমন তৌবগা ইরিথা মমাই অনিম্ ঐনা কক্লমখৈবী অতোপ্পা মীনা কতোকপা ওমহনবীগম্ম হায়রনা ইরবা মমাই অনিম্ চপ মায়ানা মগশিজি। অমুত মায়না শ্রীবংসমা থকচৈ অমুনা নিতিগী মনা শাহুনা পৈহুনা থম্বি শনি অমুবতীগী মম চংবা য়াদম্বা শ্রীবংস মুংশাইনা লৈরে শনিগা মন্দাগী পুথোকপগা অরাবা পিরগে থম্মুনা অমম্বাশিন দৃষ্টি তৌরে।

শ্রীবংস পুক্নিং ওলহুনা চিন্তাদি প্রেম্না লৈবা ওম্মক্‌মনা গঙ্গাগী তোরবাম্বা কম্মুনা নিতিগী হি লাকপা য়েংলি। থোংমদা চিন্তা হাপথিবা হিম্ ঊয়াইনা হোৎকহুনা লাংলে। শ্রীবংসনা হো মহাজন হিম্ লৈরাই মমাদ অমুক্তা হোজিবিরকউ ঐ কক্তিয়ম্বা অমা হাংজগে তৌরকই। মদাগরনা মনাইশিংবু হোজিহন্নুনা লৈরাই মমাদ হি থাংলগা মহাশয় কাৰ হায়রীপদগে হায়রকই, শ্রীবংসনা মহাজন ঐসি মহাবংশমা পোকপনি লাইবক থিবদগী মন্দা লৈবনি ঐগী মনাম্ মামা লৈতৈ হিদা মনাগা ঐপা পুথিম্ মনা য়োনবদা কংবা মমদ্ তংথাই অমা লৌবীম্ ঐ য়াওজগে উপায় তৌবীম্। মহাজনা য়াথং পীরে মনা হোনহন্নুনা মহাশয় কাথংপীরো মাবনি হায়রনা মনা-শ্রীবংস হাপকংলগা ; হি ঊয়াইদা চোনদোকলকই শনিগী মায়াদা মহাজন মনা মম্মাবম্ উবদা নিপানি হাংতোকলগা মনা ঐ লৌরাগ নরে। মনাইশিংদা নিপানি পুম্নগা ঊশিংবা থাম্লো মনি মনা হরাম্বা মীবি, মা য়াওরবদা ঐথোকদি দেশ খুদিং য়োগদোবি যোবা ওইরনি মথোই মনা মরাম য়েনবীনি হায়রে। মহা পাম্বা চাক্রিশিংনা শ্রীবংসবু মথম্বা থোং, খুং পুক্লে, শ্রীবংসনা থরাইদদী কনবীম্ হায়বদা ম প্রভুন থাদগদবগী চিংথোকলকলে। শ্রীবংস তাল বেতালবু তৌই অমুক চিন্তা তৌহুনা কপ্পকই চিন্তা মমুত্তোগী থোনকম তাবদা থোনাও হায়দোক্হুনা য়েংবু মহুত্তো ঊশিংদা থামহম্ ত.র, থমোই কারগদোরনা মানা থাংবা থোম্মু পায়বগা ঐবা মুতী মর্ম কাম্বকতবন। তোজিনা উপায় তাহুন, থরাই হিংবিম্, হায়মগা ঊশিংদা থংথৰি। তাল বেতাল নিবনাম অনিনা শ্রীবংসবু হুনম্মগা চিন্তনা থাদয়কপা থোম্ম্বা লোংবা থোন থাংহনগা পুথিহুনা য়াংর থাংবা লৌতিপুর থাম্-নিংথৌগী তায়া মালিনিগী লৈকোল মপা লৈরাই মথক্তা থাজংলগা থমে পুনিবা থৌবি লোথোকলগা হুপহুনা হুম্মমম তৌথোকহুনা

চাল মেতাল শিবলোক য়ৌথি। শ্রীবৎস মিংকপ খোকলকপদা লৈরাই মথক লৈকোনছদা লৈরে। চৈত্ররথকী গুণনা লৈকোন্‌বু মকথহনা তিন্নরে। লৈ পুম্নমক লৈবা কন্না শাংলে খোইমূনা গুণ গুণ হংতকপদা শিন্নক্নে হৈপান-লৈপাল মগুং কানা পান্নে, শাংলে। কোকিলনা পঞ্চম স্বরনা খোংলে, য়াহোংনা অপোই শারে. মলয়া নুংশিৎনা হুমলকপদা অম্বা মালিনীনা তারে হৈনমগী গন্ধ কংবদা মালিনীনা য়েংশিংলহনা লাক্লে। লৈকোন্‌বু মল্লে হায়দুনা চংদবা নুইরে অহোবা বংলোমদগী শিজিন্নখিবনি ওলি চংছনা য়েংবদা ইনৌ নৌনা কতন্নথাহ উবদা শিনথুংনা য়েংতী শ্রীবৎস লৈবা উহৈ লেপ্তুনা য়েংবদা কলবা রূপগুণ উবদা। কামদেব ওইরিপরা নাইবি মীনি হংতপা থংতুন্নগে অম্বুক কতবনি কিন্নবা হৌনঙ্গে থনছনা তম্না তম্না চংতক্লে। শ্রীবৎসবু ভক্তি তৌরগা খুৎ লোনছনা হায়রকই ঐ বাহ নিংথৌগী মালীনিনি লৈকোন য়েংবা লাকচরি, লৈবী-রম্বীবা মহাশয়গী পরিচয় অমুক্কা তাকপীয়, হে রাজা মালিনী ঐনি বিদা-মাল ময়াম হাপলগা বেপার লাকপনি। সমস্তুনা হি লাকপদগী আন তাদনা তাওরকলগা জাপানিগী লৈরাই ময়াদা আন তারকপদগী কাখৎলতুনা মায়কৈ চৎকম থংত্রহনা হৈকোন লৈকোন্নিদা লৈজবনী; শ্রীবৎসগী বাহার তাবদা মালীনিনা হায় থবাই হিংতিবনি রূপানী লনহদি তান্নগন্‌ কংতক্লি ঐগী য়ুমদা লেংশিন্নসি অতিথী সেবা ওইজরগে। ঐগী জপানী ইচা ইম্ন, মিপা মহা অমত্তা লৈজদে ইবুং ইপ্রাওবা সেবা তৌজগে চিন্না মতম থবা পোথাবীখো, শ্রীবৎস য়ারছনা মালীনীনা পুশিন্নতুনা জায়াদ য়ুমদা পোৎথাছন আসন্দা ফমমে অয়ানা হৈ, লৈ, চন্দোন, জল-ছন্দেছ, পানা সেবা তৌরে।

হৈ, লৈ, পত্র, চন্দোন, জলনা শ্রীন য়ারণী সেবা ধ্যান তৌজহনা মালীনীগী লৈ লেংতী মলীনীগী মখিং অমনা রত্নাবতী কৌই। শ্রীবৎস মতম খর থুম্না লৈরকলে। শ্রীকৃষ্ণনা হায় তাবীয়, ধর্মরাজা লক্ষ্মীগী শক্তিনা বাহ নিংথৌগী মচা ওইহনা। শ্রীবৎসবু শনিনা বাহনগদৌ বিবহ উহনা লমন শিলে হায়বগী পোকথী। মখিংনা ভদ্রাবতী কৌই শককজদা মতা তিলতমাবু হেন্না কন্দে। মর গৌরীবু ভজনা পূজা তৌই। থোংখদি লেখীনা পোম্নহনা ভদ্রাগী বাংদা ভদ্রা নংনা পাহা মর নিরো পিরগে হায়বীরে। ভদ্রানা হে অদ্যাশক্তি শ্রীবৎসবু ইপুরোইবা ওইনা কাংজগে মর পিনবিয়ু লেখীনা ভদ্রা শ্রীবৎস নিংথৌবু মালীনিগী য়ুমদা লাতুনা লৈরবনি। ইশাথরিছনা লৈ হকচরগা মপুরোইবা ওইনা কংজরো হায়না খোর পিরম্মগা দুর্গা কৈলাশ য়ৌথী। ভদ্রা মনাগী পান্নদা খোনশৎচরগা ছন্দেহ হৈ, লৈপান্না মপা নিংথৌদা কৎকে পুমকই বাহ মহারাজদি আসন্দা ফমতুনা লৈ, ভদ্রানা মদম নুতক তৌহনা ছন্দেহ পান্ন বাংদা থারগা থুক্রদে। বাহরাজা হায়কেৎ য়েংবদা ভানুমতী রানী ওইরাবোই নিঙ্গনা খোখোম তৌরগা নংনা ঐগী লেখানি থবাই য়াওদৈদা হায়থি, ভদ্রা ইকায়জহনা মমাগী লাক্তা চৎতুনা কপলগা পাওহ অম্মুরে

রাণী শাত্তমা নিংথৌগী মকমদা লাওনগা হাম-মহারাজা করি থম্মবনো, মচা অমা কনাবু পরিক্ষা তৌবীবগী মোরোকী মশক্তী হায়বা তাকখীরবা! রাণীগী মা তাবদা নিংথৌনা হায় রাণী মহো থোকহনবগী ইচাসি মরম মপুং ফারে নোংমতা ঐহোক্না হায়রে, যুবা রেংকেলবা মহ তাইদবাহ নিংহুবা হারথীবগী মহে ইচাগী থৌমম তৌবগে হায়রগা মরমমদা খোঙকেকা শারা অরিন ইচাগী ইশাবক্সি মমম তৌবগে পৃথিবীগী নিংথৌ মাপ্রতন চিংখদনা তৌরো হায়রে। ভারতকী অঙ্গ, বঙ্গ, কলিঙ্গ, কাশি, পঞ্চাল, কৌশল, মদ্র, চেদি, বৎস, শাবির, বিদর্ভ, অযোধ্যা মগধ, উৎকলনাচিংবা চিংখদনা লোইরবা পৃথীবী নিংথৌ মাপন তৌরে। মমমগী মাতম চাওনা লেপ্লে নিংথৌশিংগী লেখা। লৈকম লৈম শাবা লোইরে নিংথৌ মণ্ডাম লাক্রে, অমদা যুদ্ধিং যেংহুনা মমম যুদ্ধিং লেপ্তুনা অধিবাস তৌরে; নিংথৌ মণ্ডাম লেবাক্তি তান্তি পুজাদি করাবা চানা থবা অতিক চানা লাংহুনা রত্নাদতা লেবা তৌহুনা লেপলক্লি। নিংথৌ মরাখা মাহরাজাবু থাপহনৈ কোশ ১০ গী অমম ঘাইরাবগী রথ, গজেন্দ্র, শাদু, অশ্বতোনবা থম্লে। মালিমিবা শ্রীবৎসনা ভক্তাবক্তি মমম্মগী চঙিইশাবিন্নদৌরী পাত্ত অমী শ্রীবৎস চাখকপা লোইরগা কুইম্বা যেংশিংহুবা চৎলগা মমম সভামণ্ডলবগী হোজং অদম মথোংদা কপ্পগা যেংতি।

রাজাদতা মাঙবতা কমবরে মাহরাজন যোতুন মাজকা পূজা বেদপাঠ অগ্নি পূজা লোইরে, অমা কৈব্য বেদ-পারগ লোইরগা মাসা মদল তৌরহুনা মাঙলতা পুথোকহল্লকলে। অমা কৈব্য সভাভক্তি তৌজে মথ ইবা চংলগা য়েংলবদ শ্রীবৎস মাওয়ে লেবাবু মমম তৌজরকই লেবীনা আকাশবাণিনা অমা মংবা নিজবা শ্রীবৎস হোজং মমা কদম মথোংদা কমংনা লৈরে অমুদা। লৈ হকলগা লেবা করু মা হায়রকই। আকশবানী তাবদা সভা মাঙবতগী থোকখীহুনা শ্রীবৎসদা লৈ হকলগা প্রণ কহুইগা পুক্তকরে, মথোং উবদা রাজা সভা থুবাক খুহনা লোক্লগা॥ মাহা নিংথৌ মরাইবক কৈদা অহাংবা চাকলিবা নিপা অমা মমাক ভাইবা কাঙ্গরে হায়রগদা রাজসভা যৌগৎলহুনা চৎরে। মাহাক্তা ইকাইহনা য়েংলিংদে মপাল্ল পুথোকলগা থম্মু হায়-রগাগা কোন্তুদা চংলগ মলাইশিংনো শ্রীবৎস অমাবু মপাক্কা পুথোকুনা শং অমদা; চায় থকুনা পোং থরগা কপুং কিতোন লাংহুনা মিদ! লৈকো থমম্মগা নিংথৌগী শাজেশিং চৎজে শ্রীবৎস অমা অহুদা লৈরে। মতম থবা লৈরগা শ্রীবৎসনা অমাদা হায় ইবেম্ ইমামা লোমা চৎলগা হায়ক মমুক্তী ঘাটসি অদুক্তা কমাল অক্রু মনোরথগী ইবাদি শামা মমা তারে, অমা মাবং অদুক ইমা লোমা মমা রাণীগী কোমুং চৎখীহনা মথুংছানা শাজকপা রাজমথু হায়জরে রাণী মচাবু কোম্মা ফিকছিক করী ইনাগী লাইবক-থোক্পদি। মং মরম ইমমা লোইমনা পিশরুপে নারহুবা অনা অম্মা পিরগা বিদায় তৌরে, অমা লোমা থম্মুনা মংো মুংমকমা শাত্ত অমকরে অযোধ্যা-কাণ্ডুবক্তিগী নিংথৌবা হাবেককুইহজ্জান ংলমী বিধাতা হোৎনবগী থোকখদি,

য়াম্বা বাবা তাবে, কোন্নুং চংহনবীয়বদু সমুদ্রগী ঘাট পায়বসি অমুক্তা ওইহনবীমু ইচাগী থজুবদা ঐগী খবোয়সি কায়দৌবে। য়াণীগী য়াহায় অমত্থুং মচাগী থজুবগা খ্রিয়ে করে হয়েংদগী ইচা ইমাক ঘাট কমহন্নগে হায়হনা য়াণীবু থেমজিনবীয়ে। নোংজায়গা মগ্নি কৌশিল্লগা ঐগী ইচা ইমাক্ত ওলিদগী সমুদ্রগী ঘাট কমহন্ন হায়বে। নিংথৌগী য়াথং মতুং ইন্দুনা মগ্নিনা শ্রীবৎস ভজায়ু ঘাট কমহল্লে। মতাং অসিবু পুক্কিং চংনা তাজবদা মীওইবগী প্রংগী দোম্বা কোকনি হায়বসি শ্রীব্যাস দেবনা লেংথ্রবা মহাভারতকি কথামৃতসি ইতি॥ হরিবোল হরিবোল হরিবোল॥

অধ্যায়

শ্রীবৎস চিন্তা কংনবা শনিগী দৃষ্টি লোইহ্নুনা

মরৈপাক্তা হন্নক্লগা পানবা বারী মতাং।

বৈশম্পায়ননা হায় জন্মেজয় মহারাজা! শ্রীকৃষ্ণনা ধর্ম্মরাজাদা নিয়কই তাবীয়ু দাদা মহারাজা; শ্রীবৎসনা ঘাট কবা থা মথায় কায়কপদা সনা লৌথৌয়গা শ্রীবৎসবু ঈশিংদা থাদয়কপা চিন্তা পুরিবা হিহু ঘাট অহুদা থুংজরে। বিহুগী মালহু তলাশ তৌহনা য়েংবদা গোমতাগী থোজায়া কংবা সনা ময়ামহু সৌতিপুবদি সনা তাংজি অদোমদা য়োম্ন্রগে থম্মুনা সদাগরনা লোইনা পুরকই; সনাহু শ্রীবৎসনা মনাইবু লোইনা হোনগৎহন্দুনা থম্মে, মহাজন সনাসি নজি অলেংবা নয়ন নত্তে ঐনা কায়বনি পিয়রোই হায়রকই। সদাগরনা বাহুরাজাদা ঐগী সনা লোইনা নমাক ইবুংচোনা কাবীয়ে হায়হনা থুক্রমন্নুনা বাকৎচরে। নিংথৌ শাওহনা পান্ন মগ্নি থারগা সনাহুগা মমাকা লৌথৎহন্নরে। শ্রীবৎস নিংথৌ থুক্রম্মগা কম্মে। নিংথৌনা ঐগী দেশদা বেপায় লাকপবু সনা কারিবা করিগীদো শ্রীবৎসনা হায় সনাসি মাগী নত্তে ঐগীনি, থুদম থংবিগে হায়রবদি সনা মপাক অনি নপনরিবসি তোঙান তাহল্ল বা ওম্মোই ঐদি লাইনা ওয়গনি য়েংবীয়্। শ্রীবৎসগী বাহায় তাবদা নিংথৌনা মহাজনদা থাজেন অনি নপনরিবসি তোঙান ফাহয়, মহাজন ঐনি থুংবং থাহনা হোৎনবদা ককপা ওমত্রে, নিংথৌনা মহাক তৌয়ো য়েজে। শ্রীবৎসনা ঐদি থু-লাই থারোই থুংনা ককক্তে মনাই নপসিন্নিবসি ঐগীগা গুহিনীগী নিংগা য়াওয়মগনি য়েংবীয়্ হায়রগা তাল বেতাল নিংশিংলগা থুংনা কক্লাগা নিংথৌদা লাজিন্নি। বাহুরাজনা য়েংবদা শ্রীবৎস চিন্তাগী মিং থায়বন্ন উবদা ওকপগা লোইননা হোৎপংতুনা ঐনা থংজনবনা লিম্বা তৌররে

ইচা ভদ্রানা দেবী লিংজবগী কোম্না ইমাক ওইনা কংজয়ে ঐগী ইরান চাকপীয়ু হায়রগা শ্রীবৎসগী খাংদা ভক্তি তৌদুনা কপলে। শ্রীবৎসনা কোনথংলগা হৌনদে নমাঙ্গা থুরুমজরি ৱাগী হিদা ঐগী চিন্তা ৱাঙমরপনি লৌথৎপাক্ল হায়রকই। খাহর জা পাজ মন্নিগ: মনা কুম্না দোলাই পুরগা মমুল, খোংবান থাট মৌরক্লে, হিথক্তা কাহনা য়েংঙবদা চিন্তা শেঙভোগনা পুমতোক্তৌদুনা লৈরবন্থু ঊবদা হে সতী সাধবী শ্রীবৎসরাজা ঐদিদ লৈয়ে মাথং মতুং ইন্না লৌথৎচগে লাকচবনি। ভোগশা পুম্নীবনি কন্নিননো চিন্তানা হায় মহাক্তা হি পান্নহনা ভক্তি তৌনা হায়খিরে, ঐনা উপায় তৌগে হায়রবী হি ইন্নুবা চৎলে মখোয়না ঐবু নমহুনা কায়গা হিদা হাপ্নে লিপা মরক্তিনা সতি ধর্ম চান্নবগী কুমিত্তা হায়তহনা লাইথুংনা চাকপনি। হৌজিক কোকনি হায়রগা কুমিংপু থুরুমংদা সূর্য্যদেব সতীগী হায়গী কক্বা শক ওইহল্লে, লাইথুং লোখোকপিয়ে স্নান তৌরে বাহুরাজানা পোয়কপা ৱাগী কিজেৎ লৈতেংঙে বাহুরাজানা দোলাই ভোংবীরো হায়বদা চিন্তা দোলাই ভোংঙে। দন্নিভগা বাহুরাজাগা দোলাইয়েং ওইরগা পোয়ঙুনা হোজং মৌরে, চিন্তান দোলাই থাবীরো হায়বদা থায়ে কুমংনা মরাম থৌগন্নগা চিন্তা খোংনা দরবার সত্তা মৌরে।

ভক্তি তৌরগা কপতুনা চেক্লিলগা মবুংতোপী চরণ কোন্নগা কপ্পে, শ্রীবৎস কুইনা উন্নত্রবা প্রিয়াবু ফংবদা প্রেম্না ঈমুং খোকপঙুম পি শিন্দায়গা কোনথংতুনা লাইপক্তা চুবা তৌরগা আসন ওইনা ফমহল্লে। রাজানা সনাগরবু ফমদোজোগে হায়রকই, শ্রীবৎসনা হায়রকই ইকুনিংখৌ শনি প্রভুগা, লক্ষ্মী ইমাগা বাদ ওইবদগী বিচার তৌবনা ঐগী কর্ম্ম কন দোষা ওইহুনা কংজবনি বদাগরদা সনাম্থ পিপ্রো থাদোকপিপ্রো হায়রকই। বৈক্তবকী পুকচেল শনিবু অমুক্তা শাওনবা চহি ১২ শনি দৃষ্টি লোইয়ে শ্রীবৎসগী পুকচেল ফজবন্নদা, পেন্নহনা বৈকুণ্ঠগী গ্রহলক্তগী হায়থরক্লগা পিজল বর্ণ, পিজল বস্ত্রনা লৈতেংবা কুমিৎকুম ভানবা মুত্তিন সত্তা মরাইদা কাওরয়ে। সত্তা মীয়াম দণ্ডবত তানয়ে শ্রীবৎস শনিগী স্তুতি তৌরগা চন্নদা চিন্তাগা থুরুমজয়ে, শনি ঠাকুরনা হায়রকই মীয়াম ভাও জগৎ মীস্থ-লাইস্থ শনি ক্লাকপু কিহনা পুজা তৌবৈ শ্রীবৎসনি ঐবু কিদে ঐবু পূজা তৌদে। নহাক্তা পুকচেল উবগা ঐ পেল্লে ৱাগী অনিগী গর্ভদা মচানিপা ১০০ মুপী ২ ফংঙু, চহি ১০০০ মুংঙাইনা পান্নগা অন্তগী মতমদা ৱাগী অনিপা বৈকুণ্ঠ ফংঙু ঐবু পূজা তৌ হায়রমগা বৈকুণ্ঠ মৌখি। শ্রীবৎস মহাক্তা সনা মর মহ পিবগা বিদায় পিয়ে। সনাগর নিংখৌ ৱাগীবু লাইঙম নিংজহুনা ঐখোই অমুক পোকপীরবনী থুরুমজরগা হল্লখি। শ্রীবৎস চিন্তা ভদ্রানা সেবা তৌহনা কুমিৎ ১০০মুক লৈরগা মকু নিংখৌদা বিদায় লিয়ে, বাহুরাজা অউমপোৎ শগোন, শামু, মাস, দাসী, তেজোল শাজল লাংডি। অহ উবদা শ্রীবৎসনা ইকু মহারাজ তেজোল দাস, দাসী যৌতুক অমত্তা পুজরোই অমুক্ত ৱাংমনী, রথ অমত্তা পিরীয়

থারুদা লাকল হৌরে, অদুগা মাতা পিতা ভক্তি বিদায় তৌরে। শ্রীবৎস তাল বেতাল কৌরগে চিন্তা তৌরগা রথ তোংলে। খুদক্তা তাল বেতাল থুংরকুনা অনিমা সারথী ওইদুনা অতিবেগা শাত্রুন লাকপা সমুদ্র লানরে। সুবর্ণ বন থাকই অমদগী কাঠুরিয়া গ্রাম তাকুনা উবদ্রী অহনগী ও অরোবা চেংথিবা তাকই, শনিনা মরাবদী লেপ্পা বন মৌরকই। অদুদগী গ্রাম দেশ তৌরে কোম্বংদি লোংপোকি হোজংবা রথ থারে শ্রীবৎস রাণী অনি বিদায় তৌনরগা তাল বেতাল কৈলাশ চৌথি। নিংথৌ রাণী অনিগা কোম্বং চংওরে রজা রাণী উবদা সেনাপতি মন্ত্রি রাজসভা প্রাজলক বর্গ থুংনা লাম্বা কংবগুম মুংতাই-নরে।

শ্রীবৎস লক্ষ্মীগী থৌজাল্দা প্রজা সুংতাইহন্নি, অশ্বমেধ যজ্ঞ, রাজসূয় যজ্ঞ তৌই, বেদ পুরাণ শ্রবণ তৌই, দান করা তৌই, হরি ভক্তিদা পরায়ণ ওইবা রাণী অনিনা মচানিপা যাথৌ যাথৌ নিংতৌন অমমমগা পোকই। চহি মিশিং অমা পাল্লি, মচাশিং সেবা লোইরমগা অন্তগী মর্তমদা যোগ তৌদুনা রাণী অনিগা বৈকুণ্ঠ কংথি। মতাং অনিদা শ্রীবৎসনী থারো লোইরে, শনিগী দৃষ্টিনি চহি ১২দী বগা লৈরনী অদুবু শ্রীবৎস শনিগী থারি অসি খাওইবনা তাকখদা গ্রহগী দোষা কোকই শনি দৃষ্টিগী অবাবা লৈরোই হায়বা শাস্ত্রদা লেপ্লবনি। বন্দা লৈরবদু থারোই দাদা মহারাজা ননাও দ্বারিকাদা হজরগে ভক্তি বিদায় লোইনরগা সুভদ্রা অভিমন্যু পুরগা দ্বারিকা চৌথি। ধৃষ্টদ্যুম্ন বিদায় লোইনরগা দ্রৌপদীগী মচা মচা পুরগা পঞ্চাল লৈপাক চৌথি। কাশিরাজা, কৌশল, চেদি, মত্স্য, পাণ্ডবকি ভার্য্যা-পুত্র পুরগা মরৈপাক চৌনরে। পঞ্চ পাণ্ডবদু ক.ম্যক বন্দগী অমুক লাকপনা দ্বৈত্য বন্দ ব্রহ্মসভাসু লৈরে। দ্রৌপদীনা মরুক সুংশিবগী থাহায়না ধর্ম্মরাজাদা করামুক হেংথাবি। অমম্ভুং ভীম্মা শাওনিংবগী থাহায় করামুক যুধিষ্ঠিরদা হায়রবী অদু ধর্ম্মরাজানা তত্ত্বগী ওইরবা থাহায় করা তাম্রগা মরুক কাতিন্নি। মতম করানিমুক দ্বৈত্য বন্দা লৈবত্ত হে-লৈ মতিক চানা কংওক্লে থাদি ব্যাসনা উবদুনা দ্বৈতা বন্দা লৈবদ আবিভূর্ত লেংওক্লে। ব্যাসনা অশীর্ব্বাদ তৌরবই পাণ্ডব ভক্তি তৌবৈ ব্রাহ্মণ মরাবদু ভক্তি প্রেম তৌনরে। ব্যাসনা ধর্ম্মরাজা বন অমদা কুইনা লৈবসি হে লৈ মতিক চানা কংক্লোই ব্রহ্মন সেবা থাংলগনি হে-লৈ ভত্তনা কজ্জনবা শ্রীবৃন্দাবনগী মখুং কাম্য বন্দা থাস ওইবু ঐগা চংবি হায়রুনা ব্রাহ্মণ মরাবগা পাণ্ডব পুরগা অরণ্যভোগী থোংবান মখুং ইমা ল কুনা শ্রীরাম বৃন্দাবনগী কাম্য বন্দা থুংলরে। দ্রৌপদীনা সূর্য্যগী কৃপানা কংবা কোতিগী চরু ইবান অনিদা অকংবা থাস্ত্র হাপ্লগা থোংকুনা মুক কংলগা পরিবেশন তৌদুনা ব্রাহ্মণভা মীয়াম শাকান্ন চক্কা সেবা ওইদুনা পেনহন্নি, ব্যাসনা ধর্ম্মরাজাদা হায় নহাক্তা মরুক ঐগা থংতি মরম্মশিনা ননাও অর্জ্জুন ওইনা পোকপনি। মেরুবদু জয় তৌগদবনি দেব কৃপ

লৈরবা ভবনি ঐ মন্ত্র অবা নহোৎনা পিরগে লেপ্পা শিবগী কৃপা কনদি হায়কুনা প্রতি স্তুতি তৌবা অদা ব্যাসনা যুধিষ্ঠিরদা অস্ত্রবিদ্যা ব্যাস হন্নবে অনিশুবা বনপর্ব্বগী বারীগী তাববদা মীতইবদা অহানবা হরিবোল কতি হায়বদি লোইরবা বেদবাকাদি ইতি॥ হরিবোল হরিবোল হরিবোল।

অধ্যায়

পাণ্ডবনা কাম্য বন্দা বাস ওইবা
ময়না পাণ্ডবকি বাস তৌকনা শারবা
অর্জ্জুনা হেমালয়দা শিবা নিংবাগী বারী মতাং।

বৈশম্পায়ন মুনিনা হায় রাজা জন্মেজয় নমুথৌ পাণ্ডব মচানা নবোমো পকালিনিপা, শলনা চৌবোরদা থাইথিবা পিরগা দুর্য্যোধননা বন্দা তান্নকুনা কাম্য বন্দা বাস ওইরে হায়বা পাও তাবদা মনাদানবরাজা ময়াই মরামগা কুথদা মচাক পোং পুরমক হাপ্পগা পাণ্ডবকি উপায় তৌগে হায়কুনা, বাক্ত ময়না লাকপনা খুদক অচুদা কাম্য বন্দা থুংজরে। মম ধর্ম্মরাজাবু খুরুমজরে ভীম অর্জ্জুন নকুল, সহদেবপা প্রেম আলিঙ্গন তৌনরে। ব্রহ্মসভা ভক্তি তৌরে ঐ বন বাস সভা অমতং সে অরমগে হায়কুনা (চৌরা স স্তম্ভ) মখোং ৮৪ হোৎপংকুনা সভা অমা শাব লোইরপা ধর্ম্মরাজ-দ কংলে। নিতিগী সূর্য্যনা পীবা কোরিগী কুম্ভ অনিদা দ্রৌপদীনা কংজবা বস্তুনা থোংজদ পাকার. থেংজন থোকহন্নুনা ব্রাহ্মণ, বৈষ্ণব ব.গ্রাম পুরমকপু মতৌম্ভ গুণনা সেবা তৌহনা পেনহনি। ধর্ম্মরাজা ভক্তি বিদায় তৌজবগা মনাদানবরাজা ময়াইশিদা হনখি। ধর্ম্মরাজা ব্রহ্মভাগ ময়না শারবা সভা মাওবতা বেদ, পুরাণ শ্রবণ তৌবগা শ্রীকৃষ্ণগী ভক্তি ভস্ত্র নৈনহনা কুংজাইনা পোংবকুনা লৈরে। মোংব যুধিষ্ঠিরনা অর্জ্জুনদা হায়রকই মখোম মংনা মেন্নাবু জয় তৌনিংলবদি দেব কৃপা লৈরগ জয় তৌগনি মরম অসনা দাইবু নিংজবা খুদক্তা ক.বা ওববা মন্ত্র গ্রহোংগ, শ্রীকৃষ্ণ ব্যাসনা শিবোরম্মী ঐন. নচোংবা পিরগে মংবা হেমালয়দা চৎলগা ল.ই নিংঙু হায়কুনা মরাই পিরে। অর্জ্জুন ধর্ম্মরাজগী থৌজাপাগী প্রতি স্তুতি মন্ত্র ক.জবদা ধর্ম্মবু খুরুমজরদুনা বিদায় লৌজরে. ভীমবু খুরুমজরগা অম্মগী সেবা রক্ষাপালন পুর-মকী দাই পুবীরম্মু ন ।ওদি যেক্কবা জয় তৌনবা দাদা মহারাজাগী মাথং মচুং ইনা লাইবী নিংজরগে

হায়রৈ। ভীম মহাক্না কোল্লগা ইয়াম্বা লাই শুমবক শুপনি চিংনকুম্ব ইনাওনি মহাক ওইরকই হায়দুনা প্রেম থিজায় পীরে অর্জুন মমালতা থুকমকরে আকাশ ময়াম মহাক ফাকিবা পিরে অহুমগী পার্থ মতামগী মপাক থোকলকই। দ্রৌপদীনা অর্জুনবু মতাম মপাম্বা মহাক কংলগা হায়রৈ প্রাণনাথ ঐ পোকপা মতংদা লাইনা হাবখিবা যাথং অহু লোইরবা শিববু থিংলোমু। দুর্য্যোধনগী কংক্রবা খ কয় কয়াজুনা থৈতাক ওইদুনা ঐগী থমোই চাকইবনি কংক্রবাশিংবু থজিনা চানা কংহল্লগা ঐগী থমোইনি ইংহলবোমু। অকাঙবা তৈজনা দেব কৃপা কাংজগা হনবিরকই হায়দুনা মতী ভক্তি থিজায় তৌজরে। অর্জুন গাণ্ডিব লিক্লং তেংদোং থাং চুমগাই লোইনদা মাম পোম্মুনা অলাং পাংনা থাম্বা তৌরে। পকাশিনি অর্জুনবু মতম কুইনা উনবোইদবগী থম্মুলগা অবাবা ওইরম্বী। অর্জুন মুথিং ভাগাকিনা হিমালয় থুথি অমুদগী হিমালয় লাক্লোকশিংনা গন্ধমাদন য়োরকই কিরাট পর্ব্ব উনরে। কিরাট রাজা অর্জুনবু প্রজা পুথমকা থুকমকদুনা লৈহৌরে অলাং পাংনা লাকপনি ময়া থানা ইন্দ্র কেংলপিরী য়োরকই, চিংলাং য়োরকপদা দেব অকাশবানি তৌরকই হে অর্জুন শুভমা লৈরো। অমুদগী মীওইবনা চংপা য়াবা লম্বী লৈরে হায়রকপদা অর্জুন চিংথাংবা পোংথাজনা লৈরে, মতমমুদা অকৌ লৈথংদুনা পুনবা লাইনিংবা মতৌ অমা চংজকদুনা অর্জুনদা হায়রকই মহাশয় মহাক খুংলাই য়াওনা লাকইবা নত্তিক মতুপ লৈদম্বু উই। মকম অসিদা নিষ্কাম ওইরবা পুন্যগী মকমদা আশ্চর্য্য য়াদে মীওইবনা কংজাম্বা মকমস নংগা পুন্য তৌরদুনা কংজরিবনি খুংহু খুংলায় থাদোক্লো হায়রকই। মাহু ভাবদা অর্জুন থা ভাংদনা মরু লুজুনা লৈরে মতৌমু উবদা পোল্লহনা ইন্দ্রনা রূপদোগী মুর্ত্তি থাদোকদুনা হে পার্থ নবুক য়েংগে তৌবনি ঐ ইন্দ্রনি নংনা পাম্বা শিম্বু পিরগে হায়রকই।

অর্জুন দণ্ডবত ভক্তি কংলগা য়েক্রব জয় তৌনবা খুংলায় শিবগীম্বু নিজরে ইন্দ্রনা যোন-থীরগা খুংলাইনা কহিলোনী লাইখী শুভম ওইদুনা ইপাগী দেবলোকতা লৈরো হায়রকই, অর্জুননা হায়রৈ ইন্দ্রপদবী পিবিরবসু নমাই লৌজবা ভয়োই শয়াম্বা কলাও থবিনা থম্বা লৈহৌদ্রি অহুবু থাদোকদুনা দেব ভুপ পাণ্ডুরবদী ইচিন ইনাওনা পুক্তিগী ঐবু অসন্তোষ ওইদুনা লৈরবী মরম অসিনা বন চংরকইবা য়েক্রুমবু তুমনা হাংপা ওমনবা খুংলাই পিদোয়ু ইন্দ্রনা অর্জুন নংসাবগী মপুক্তি শিবনি ইবু ভোগানা পেনবীরবদী লাই পুমনমকনসু পেনবিনী অহু ওইরবদী নংনা নিংবা খুংগনি হায়রবগা ইন্দ্র মাংথোকরে। ইন্দ্রগী পাওতাক কংলবদা অর্জুন হেমালয়দা মক্লগা শিব মুর্ত্তি লিংখংদুনা মহেশ্বরবু পুজা ধ্যান জপ তৌরে। থাথাম অসিদা উমা অনৌবা অমুক্তং চায় থা অসিওরকপদা অমুক্তং চারে, থা অহমমু চারে, থা মরি ওরকপদা অমুক্তং চারে, থা মতামগীদি য়েংবি থোংথীদুনা পৃথীদা লেপগা থোং ওইনা খংজিদুনা থম্মগা পাথোম অদি থাংনা থাজংলগা লেলেনা থিংদু অসিদগী শিবনা অমংপা লৈতনা শিবহুনা শিবহু ধ্যান জপ

তৌহনা লৈরে। অর্জুনগী লাইনিং অকনবহ উবদা চিংদা লৈবা গন্ধর্ব কিনপুর, সিদ্ধ ঋষি পুমনমক কিনয়হুন মহাদেবগী মতাংদা লাকপা কয়গি চহন্দা থুরমজরে; প্রভু হেক্তালয়দা অর্জুনগী লাইনিংগি উবদা কনা মাকংথাই কিবনা লৈবা ঙমজে প্রভুগী খোঙালবিদু হায়রকই (গীরিশ) চিং পুম্মক্কী মপু ওইবিরিবা শিবনা হায়রকই মখোই কিরপদু লৈরক্কো ঐনা হক শিবগা অর্জুনগী শান্তি ওইহল্লুবগে। শিবগী কুপা মাথং খোঙাগ নংঙবদা শিরিবাসি পুমমক শঙ্করগী থুরমজরগা হয়খি, মহাদেব অর্জুনগী পরিক্ষা যেক্লে নিংদুনা মরা তৌদুনা টাংখুম শারে. দুর্গানা কিরাত মূগী শারে দেবীগী মায়ানা টাংখুম মূগী কয়ামুকম মাওবে। তন-লাবা মরা করবা অমদা মাংদা চেলগা লিকং তেক্লোং শাইদুনা ভাররকপগী মতংদা অর্জুনগী লাইনিংকমদ তৌরক্কে। ওক্না অর্জুনগোবদা কিত্তী কামকুন চেক্লিররকই. ওকি শব্দ তাবদ ধ্যান কাইদুনা য়েংলকপদদি ওকি মক্তৌ উবদা পার্থ লিকং শাররগা তেন নিশল থাররকই। মাগী কিরাতনা লাওনা হায়রকই হে তপস্বি ওক্তু ঐনা কাপে তররকইবনি তেম্বাগদু কিরাতকি মাহ থওইদনা ওংদুনা কুজিল্লকইবা ওক্ন তেমা থারে, মায়া কিরাতন্দু তেন কাপশিল্লক্নুনা ওক্তা থাই তেন অনিদুনা থাবদা চিংগোন নিংথাইবল্লুব ওক্ন, কায়থদুনা তারে শিবন্দু অকিবগী মতৌ ওইবা মীওইনা অর্জুনগী মংদা চপ লেপ্পরে মূগী ময়ামপু মাগুরে। অর্জুনগা নিপা মহাক কনানো মূগী কয়া লোইনয়গী ঐগী ইমাংদা থওইদনা লেপ্পরিবা ঐনা তেম্বারবা ওকশিদা নংবা তেম্বাবদী মহু হৌনবা ধর্ম থংদবা নং মথরাই লোবা তারে হায়রকই, ভগবান শিংনা লোক্লগ থুদ্রকই ব্রহ্মচারী ংং কদাইদগী লাকপনো মকমসিগী (মৃগ) শা তানবগী মপু ঐদা ওইরি ঐমা তাংরকইবা ওকনী তেম্বাক্নদু হায়দা লাওগু তাঞ্জা, করিগী তেম্বাক্রুর। ওকি ময়াদা মথরাই মংঙরনি কনবীগে হায়দুনা ঐগী তেমা থাদুনা ওক্ন তুহনবনি নত্তি তেমা কুবগী থনহ্রা মূংদা তেমপাক্লা থাবদা মুং কাইবা হৌর্দনবদী থংদু. অমুঙ্গবনি নত্তি তেনগী হৈথাদুনা ভাংক্তি ভাদনা ঐ হাংকে হায়জবা শাদি নত্তি লৈজবা তেন্দুনা কাপ্পগা থাক্তৌ ঐ চেংদুনা লৈবীগে কাপচরো ব্রহ্মাস্ত্রি অমবা।

ময়া শকরগী বাহায়দু তাবদা থনঞ্জয় শাওনা তেন কাপদুনা থারে। কিরাতনা হায়রকই তপস্বী নত্তি তেন্দু চৈনা কাওদে থর মকশিল্লগা থাক্তৌ ঐ হুম লৈবীগে। কাল্গুনি উমিল্লগী মতৌদু উবদা চিংদা উপতুনা চুপরকপ দো গুপ্তা অরুপা লৈতনা কাপতুনা থায় থারুবা তেন্দু তেজিন তেক্ত্নুনা তার। তেন্দোংদা তেল কৈরে শাস্তির লিকং লিরী থাদোক্নুনা খোংজিদা য়েংশিল্লগা পায়দুনা কনবা ঝিকচন্ন তেক্কোং লিকং মুনথে পার্থ চিংদগী মুং কনুক্লগা থায় মুং কাইদুনা তাই। শাওথিবনা অর্জুন হোংন্দুনা থুংঙুমদা খার মুর্জটি মপাকল য়েংলগে থন্দুনা শাওনা থুংঙুমনা থারে। থুংঙুম থানবগী শঙ্কর পুমনিল নিরে শাথোপ পাথোবগী পায়দরে খুউগা খুউগা থেকৈ থবাক্তা থবাক্তা থেক্তিলবদা বৈরিক ক্লং ক্লং হৌই। মমুঙ্গবদা

থেংনরকপসি হুম্বিৎ তাংনি হুরে জয় পরাজয় * লৈবদরে শিব পাওরকুনা সংহারগী শক্তি পুথোরকুনা অর্জ্জুনগী থবাক্তা খুৎতুমদা থাবদা পার্থ বাম্বুনা লোংনা তারে শিব হক্লোক্লগা শোংখাহনা লৈরে ধনঞ্জয় জান লাকুনা হৌগৎলক্লগা নিপানি ওমবা হরি হরবু পূজা তৌথিগে খঙ্গুনা কিরাটনা শোংখাবিরিভেদা থুনা ইরুমথোকখুবে লৈ পরেং অমা লেংওগা, শ্রীকৃষ্ণদা কংলে অহংগা শিব মূর্ত্তিগী শলদা ছুকলগা য়েংবদু ওম্বা কুপা শিনবীগু হায়হনা থুক্লমজে। হর পেরুহনা টাংখুলগী মূর্ত্তিহনা লৈ পরেংহ ওক্তা শিজিল্লগা অর্জ্জুনগী মাংদা লেপ্তুনা লৈরে। ফাল্গুনি হৌগৎলকপদা টাংখুলগী মখোয় উবদা মহাদেবনি খংওহনা চরন্দা দণ্ডবত কৎলগা † স্তুতি পাঠ তৌরকই। প্রভু ননাইনা খংজদবদগী লাংগুব্রিবা ইরান কয়াবু ভাকপীয়ু হায়রকই। শিবনা [illegible] থম্মীবু থবকসি লাই, হিংচাবা, মীনম্ম ওম্মোরোই, হুম্বিৎ থরেংনৌবু ঐগা মান্না মল্লযুদ্ধ তৌবগিবু ঐগা নঙসি শক্তি মায়রিবসি ঐ দিব্য চক্ষু পিগে য়েংও উগনী হায়রগ দিবা চক্ষু কুপা উমানাথনা অর্জ্জুনদা হাপ্লে। দিব্য চক্ষু লাইগী মিৎয়েংনা য়েংওকপদা দুর্গাগা লোইননা পঞ্চিক য়েংবগী শায়রম্মীবা ময়াম্ব লোইনা উরে। ওকয় মুগী ময়ামম্ব অমত্তা লৈখীদ্রে মহাদেবগা মমাংদা থৌজানাবিগে ভাববীরীবা ইবুংঙো মহাক্তা মহাইরে শ্রীকৃষ্ণগী কৃপানা শিবগী মল্লযুদ্ধ খাংবা ওমবা অসি কাওবা অর্জ্জুন উখি। ঈশ্বরগী গুণ থংলকলবদা শিববু স্তুতি তৌজখি হে শিব জয় মহেশ্বর ত্রিপুরারি ত্রিলোচন ত্রিগুণ ধারি, নমবিষ্ণুরূপ, ধূর্জ্জটি, ধর্ম্ম, অর্থ, কাম মোক্ষ্য, চতুর্বর্গ দাতা, বিধাতার, ধাতা, ত্রিভুবন নাথ, জয় মৃত্যুঞ্জয় হে উমানাথ চরন্দা থুক্লমজরি ননাইনা খংজদবগী অপরাধ লাংগুব্রিবা অহংগী দোষ পুমনমক কোকপিয়ু, ননাইনা চরন্দা চংজরি হে বিশ্বনাথ প্রভু স্তুতি কয়া তৌজরগা অর্জ্জুন থুক্লমজরে। শিব মোমোন নোকলহনা অর্জ্জুনবু চেক্লেং কোম্লগা হে পার্থ নহাক্তি কাওরব্রা! ঋষি নরায়ণ শক্তি অসিনা থর্ম্মগী

---

* ব্যাখ্যা — শিবগা মল্লযুদ্ধ সুমং তরেংলী তৌবদা অর্জ্জুন পরাজয় ওইবসি শ্রীকৃষ্ণগী শক্তি লৈবনা অর্জ্জুনা সংহারগী মপু মহাদেবগা লাম্বা পাবা ওবনি ব্যাদ বাকানি ইতি। অহুনা শিবনা সংহারগী শক্তি পুথোক্তুনা পানরগা অর্জ্জুনবু খুৎতুমনা থাবদা মূর্বা শিবা ওমবীবনি হায়বা অসিম্ম শঙ্কর ভারতকি মোতম্ম অম্মুমনা হায়রি মরম অমনা উমানাথনা কৃষ্ণ শক্তি লৈবগী মকমদদা মিনম্বা হৌনবনা দিব্য চক্ষু পিরগা লোইনা শিবনা পরিদ্দা য়েংহনা তৌরুবা পুমনমক লোইনা উবনি হায়বা মোত অসিনা শিব সংহিতানম্ম অম্মুমনা হায়রি হরি-হরদি মিনম্বা মানদে হায়বগী মোত কোংদোকইবনী। ইতি

† স্তুতি :— মূল। নমস্তুভ্যং সদাশিব লক রক্ষ জগৎ গুরু। জোদয়ে চরনাম্বুজোজৌ ভক্তিযুক্ত নমানিত্যং ॥ দেব দেব মহাদেব ভক্তি মুক্তি প্রদা প্রভু। প্রণতি পূর্ব্বক দৌমি দেহি ভক্তি মুহুর্ম্মুহু ॥ শিবস বিতা। ইতি

মচা ওইনা পোক্লগা বদরিকাশ্রমদা থ্যান তপ তৌদুনা জগৎ জীবগী কননবা লাইনিং থাবীরগা নমাল্লা কৃষ্ণ অবতার ওইরে। নর ঋষিগী শক্তিনা অর্জুন ওইনা ভুতায় লোথোক্লবা লিমাগীদমক পৃথীদা পোকপনি। অসিগুম্বা গাণ্ডিব লিরুংসি মহাক্না ফুবা ঙমগী অছুর যোগমায়াগী শক্তিনা ঐখা মুনবনি যুগ্মতুন তেমা থম্মা নৈ লিরুং তেন্দোং লোয়োঁ হায়দুনা পুথোক্নুনা অর্জুনদা পিরে। শিব শক্তি থাং চুংজোই পিরে। হৌজিক্তি ঐ শেক্ত অপাম্বা বরদু মিয়ো পিরগে, শিবগী থৌজাল ফংগবদা অর্জুন খুৎ অনি লোময়গা প্রভুগী পশুপাত জগত সংসার ঙম্বা তেন্দু মনাইদা পিনবিয়ো হে গদাধর, শঙ্করনা হে অর্জুন নক্তি তক্লিনা ঐবু খুত্তুম চন্দুনা পেরে তেন অসি পিরগে নং কংজরো অতগা তেন অসিদী ইন্দ্র, যম বরুণমক্লা থাংবা ঙমল্লবা পৃথীগী মত্তবা মাংহন্নবগীদমক ঐগী ইকমদা নৈবা তেন্নি। মাসিবু সন্ধান থাবদা শক্তি-শেল লক্ষ্মণগদা, অস্ত্র কোটি কোটি পাইথোক্লকদবনি ব্রহ্মামক্লা তেন অসিদী শংল্লবা মীবু সংসার ওই-হল্লগা পৃথীবীগী ধর্ম্ম য়োকথংগীবু হায়রববনি, তেন অসিনা লাইবু য়েক্লবা ধর্ম্মবু থওইদবাশিংবু মাংহল্লগা লাইগী পেন্নববু শেমগৎনুরো হায়রগা মন্ত্রুপ তৌরকপদা শিবগী দেবেদগী তেনগী মপক ওইনা চোংথে রকই। মন্ত্রগা কোন্নবা অর্জুনদা পীরে অমুক হায়রকই তেন্তি মতিক চাদবা মকমদা থাংবু ভগৎসি প্রলয় ওইরকনি, মতিক চায়বা মফমদা কাপকদবনি, অর্জুনা অমুক হায়জরকই প্রভু ভারতকী মাঙ্গাওদি লোইদনা থোকলগি মতমদুদা নখাইবু থৌজাল বিয়ৎকো, শিবনা হায়রকই। মতমদুদা কৃষ্ণনা নহাক্কী মথায় তৌরনি কৌরব, পাণ্ডবকি লান্দুদ ঐখু ইশক্তিনা উদ্ধ্রনা অতনা উপায় তৌগনি। অহুবু নংনা থবজিদ হরি হর একই স্বরূপ হায়না বেদদা লেপ্পীবদুনি শ্রীকৃষ্ণ নৈরবদি ঐস্থ নৈ হায়রবনি, নংনা থংগু হায়রগা হর অন্তর্ধান ওইরে।

অর্জুন পশুপাত তেন কংগবদা য়েক্নববু লেপ্পা জয় তৌরনি খল্লুবদা মুংঙাইবকী ঔপাক্তা তাওজরে। মতম অহুনা মাইগৈ ঙাকপা লাই লোইনা খুংঙরে অতিয়াদগীদু নৈননা নোং চুবগুম লাইয়াম্বা চাইথরক্রে, থারোমংগী থমনা হায়রকই. হে পার্থ লাই পুন্নমক বর পিগে লাকই য়েক্নববু লেপ্পা জয় তৌরনি অমসুং দেব, দৈত্য, যক্ষ, গন্ধর্ব্ব কিন্নর, নাগ, নর নক্তি নখুৎতা লোইনা মারথিবা ওইরগী। নক্ত য়েক্নগা লিরুংতেন হৈখ্রবা শক্তি নৈবা বর্ণছ নমাক্তি নখুৎতা যুদ্ধ ওইরগনি, ঐগী অমাং অস্ত্রা নৈরবা দণ্ড অস্ত্রসি পিরগে নং কংজরো হায়রগা মন্ত্রগা কোন্নবা অর্জুনদা পিরে। নোংচুপলোমদগী বরুনা হে কুন্তিপুত্র ঐগী নাগ পাশা অসি যমদুং ঙাকপা ঙমল্লবা তেংনী, নঙোম্বা পিরগে হায়রগা মন্ত্রগা কোন্না অর্জুনদা পিরে আকাশদগী লাইরামদা কুবের য়েংঙৌবা লাইরামদা নৈ চইথরকই। অথাংলেম্মদগী কুবেরনা অর্জুন ঐগী অতিয়াদগী অন্তর্দ্ধান অস্ত্রসি নঙোম্বা পিরগে তেন অসিগী শাক্তনা শিবনা ত্রিপুর থাংগাল অহুদগী ত্রিপুরাসি হাবনা নামনা নৈতেং ওইথিবনি। থবপতি মন্ত্রগা কোননা থনঞ্জয়দা অন্তর্দ্ধান অস্ত্র পিরে দেব গন্ধর্ব্বনা থন্যবাদ তৌরকই, ঐপান দেবনা ঐসিকপন মন্ত্রগা কোন্নদা অর্জুনদা পিরে।

অগ্নিদেবনা আগ্নেয়াস্ত্র মন্ত্র চৎ-থক্তুনা মাংহনবা ওবা তেন মন্ত্রগা কোরনা কাল্লবিদা পিরে, নৈঋত দেবনা সম্মুহন অস্ত্র মন্ত্রগা কোননা মত্য শাচিনা পিরে, বায়ুদেবনা আকর্ষণ অস্ত্র মী লাই, গন্ধর্ব দৈত্যনচিংবা জিব পুম্নমক থরাই চিংখোক্তুনা হাংপা ওবা তেন মন্ত্রগা কোরনা পাক্তুনলদা পিরে। অতিথাদা কুমৈ যোংলিবা পুম্নমক্তা কিংশিন্দুনা মুতী থাজন তৌরে অপথরি শং তগোই শানরকই. খুদম অদুদা ইন্দ্র অর্জুনবু মাংদা লেপ্তরে হে অর্জুন নংসি কুন্তীগী গর্ভদা পোকপা ঐগী ইচানি। অস্ত্রশিংবু হাৎনবা ঐনা তেন কথামুক পিগনী মথ ঠারক্তে মথ তোং-লগা মাত্তুলিগা অমরাপুর সর্গ চৌরক্তুগা সর্ব বিদ্যা লোইনা হৈকদনি, মহাক কাম্যবনা মরম কনা লৈরি বাবার্স হায়রগা দেববাজা দেৎসত্তা পুম্না সর্গ চৌরগা মাতলি ইন্দ্র মথগা থারকই খুদক্তা মাতুলি মথ থুংওবে। অসিওগা বন পর্বগী বারী অসি তাকবদা মীওইবনা এৎগী দযানা লংবা কয়া কোক্লগা অকব মঙ্গল কই হেক্লবা চংবা ওবদে হারবসি বেদনা হায়বা লোইক্লবা রাকগী ইতি। হরিবোল হরিবোল হরিবোল॥

অধ্যায়

অর্জুনা কালকেয় নিপাত কপচ হাৎপা উর্ব্বশীগী শাপ ফংবা মতাং।

বৈশম্পায়ন মুনিনা হায় মহারাজা ভাংতকি কথাসি অমৃতগী মশক্তি ওক্তা শ্রবণ ওইদু ব্রহ্মবধগী পাপ শৃঙ্গমুনিদা অপারাধ লাংন্ডুবগী দোষনা লেপ্তোগ পকইবা লোইনা কোক্লগা নচা থারা অহম নিংতোন অমগা কল্পনি অগোইবা মতমদা বৈকুণ্ঠ কল্পনি। জন্মেজয়না হংজরকই মহামুনী কৈবুখো অর্জুননা সর্গদা চৎলগা ওইরকপা মথাগী বারী লিবিরো তাকরগে হায়রকই মুনিনা হায় নিংখো মাতুলিনা হে ইন্দ্রনন্দন মথ তোংখৎপিরো ইন্দ্রলক চৌরসি, মাতুলিনা খুদক্তা কৈলাশয়োমদা মথ থৌরক্তুনা কোনা লমদা হায়নৎলকপনা চিংয়াং চৌরে শিবলকন রূপন তৌরে নোংপোক পাংনা লাকপনা গন্ধর্বলক চৌরে। কিনন্নর লোক চৌক্লিত্তে অমাং পাংবা চিংয়াংদা অমরপুরবু ওবজনা কজরবা কোপুং অমা উরে। অর্জুননা কনাই কোপুংনো হংই, মাতুলিনা হায় * কালকেয় নিপাত কপচগী কোপুংনি মকন অসি পনবা মাবা তাপা নত্তে। লাওথোংবনু য়াদে। দেব গন্ধর্ব, কিনন্নরনা কিমরিবা কাংবুনি, নিপাতকপচ কোবা

* অনুবাদ। কালকেয়গন হায়বা কাংবুসি হিরৈমাক্পী মচানুপী, পুলমা কালকা কোবা অনিদা মপানু নরায়ণা হাৎপবদা দেব বর্ষদা চহি লিশিং অমা ব্রহ্মাবু নিংতৌ ব্রহ্মানা মথাংদা

নিংথৌজাগি মরক্তা থাবন অম্বাগী মথক্তা ইন্দ্রগী মচেকথনা চহি পুরিং মাই তৌথোক্লগা থোক মতোনা কাপি মচুক্ত পিজখ্রিদা থাগী থাবা থোবা থাজবদি ম্বায়রকই। অর্জুনগী থাহানগী ভাবনা অর্জুননা হে দেৱতাশিংগী দেৱকী মেহুরা ইন্দ্র ইপানা মহাক পোকখিবনি থাহানবা অর্জুনগী অশাংদবা, নঙগী মৈফি শিংবাইপা মরেনবা থাদোই লৌগনি থা হনগে থাহুনিনা হে পাণ্ডু থাবল কেরগল অদি কোতি মহুংদি কাপকা মপুরোবা কাংবুদি নাবা তৌগে থাদবা অমুবগী মৌশাংগী মেখং মনা শাকক তোত্নবা ইন্দ্রগী লৌইরবা নাক্রগ লাবা তৌবনা কগাদ হায়বা থাহুনিবা থায়রকই। থাহুনিগী থাহাক থাবদা অর্জুননা হায়রকই নাইবা কিনরিবা থাবুনিগী থুকিমক লেইগে থৌজিন্নু হায়বগী মখোন নিংদি হাপগা পাওগী লিংখাবা তৌরকই। থাহুনিগী মক তৌথোক্লগা অর্জুনগী মিরনক তামদা কাপকেরবনী কাংবু কেঠী অহৌ দিপাত কপচ নিংথৌগী অগোল, বায়ু, মথক তোংগনা পোক্নবকপদা অর্জুনবু উরক হনগদা লানহনা লোং চুবগী মতোগ্না তেন কাপশিন্নকই। অর্জুনমা থেদিক তোজা অকুনা থাদে পুংকাপ লোংশিন্নকপনা অগোন, বায়ু, লোনাই কম কতুনা থাদে, গ্রহগী মতোগুম অকনবা লালোংবা লম্বা তৌনখরে অতিথাদা লাইমাম যক্ষ রক্ষ, গন্ধর্ব, কিন্নর, সিদ্ধ ঋষি কুপৈ লেংত ম পুথাম

লেপ্তুরগা হায়রকই, হে দৈত্য কন্যা মথাংনীনা পাথ মরু নিংবু ঐ পিরগে হায়রকই। কন্যা অনিমা হায়রৈ মনাই ঐখোইনা কাল কৌবা লাইবু ইংগুরোবা ওইনা কংজরগা ঐখে ইনা পোকবা ইচানা মীনা লাইনা অকক্রবা জয় যুদ্ধ দৈত্যবা মরু পিনবীবু নিরে। ব্রহ্মানা মখোইনা নিংবদু লেপ্পা থুংলো মরু পিরগা কালবু থাবহন তৌই ; কাল ব্রহ্মাগি মাংদা থুংদ্ধরগা কবি তেক্তোগে ভাকপিবু থুরুমজরে : ব্রহ্মানা হে কাল পুলমা কালকা অনি অসি নহাক্তী থার্যা ওইবু মখোইগী গর্ভদা পোকপা মচানা ভোগ, শোক, পিড়া দৈত্যবা থুংকন পাংগনবা ওইনহু। মচা নিপিং অমমম পোকনহু মরু পিরগা ব্রহ্মা হংখি। কাল কৌবা লাইগী মেবা মৌহুনা মচা নিপাং অনি পোকখী পতালদা পাম্বি। (লোকাল, ওকাল, বিকাল, মহাকাল ব্রজবিকাল) মচা অনিমা লাইথুং ১০৮গী মপু ওইডুনা কলি কৌবা যুগ লাইগী লোইনবা ওইনা থবক তৌখি। নিপাত কৌবা মচাগী মং অনিমা ব্রহ্মানিংহনা অকয় কপচ কংখি ঐদি মর্গনা পাজগে ইন্দ্রপুরবু ওয়জনা কজবা কোমুং অমত্তা মকমগা কোমনা পিবীয় নিরৈ। লাইনিং কনবা নিপাতপি ভক্তিগী মথা পোক্নুনা বিশ্বকর্মা কৌনা, গন্ধর্বগা কিন্নরগা অনৌগী মবক অমাং পাংনা চিংয়াংনা কোমুং শাকক্লগা শিনা পাক্তৌ পিখীবনি। লেপাক কোমুংচুগী মখিংনা হিরনা পুৱ কৌই নিপা অসি থুংলাই চংদব, মুখিং লিংলি হায়বদগী নিপাত কপচ কৌবী পতালগী মচা মনাও পুখংকুনা অমনি কলগী থাম্মানি হায়বগী কালকেম মক থায়বী মসি দৈত্যলিংদি পাক্তি ইতি।

অগ্নিবান, বরুনবান, ঘূর্ণবান, বজ্রবান, মূষল, মুর্গরনচিংবা খুদাই কয়া কাপরকপসি অর্জুননা লেনিক শরনা কক্তুনা থাদরগা; খুৎকাপ মোংশিন্নকপ্না কনাগী লিকং কই, কনাগী রথ শগোল শামু কক্তুনা থাদৈ, কনাগী মতক কই কনাগী পাবোম কক্তুই কনাগী মখাং কক্তুই কনাগী শুরিনা থাই। কালকেয় তেজোন কাইদুনা চেংঙে নিপাত কপচন তেজোন চেংগসু হায়দুনা অর্জুনগী মঙান রথ থোজিন্নকতুনা অকনবা লাঙ্গা পানথরে. কালকেয়না অমুক ওলিন্নরে নিপাতনি খুৎলাই চংলে অর্জুনগী দেবেদো তেজা থাবগী ঈতনা ক্রি ক্রি কাপ্পকলে নিপাতগী তেজা হেজিন্নকতুনা থাবদা পার্থ দেবে থক থক নিকলে। অর্জুনগী মতৌ উবদা মাতুলিনা হায় হে পার্থ ভ্রম ওইরবরা খুৎলাই অতৈনা জয় তৌবা য়ারোই শিবগী কৃপা পশুপত তেজসু তেজেংবা য়াওরি অস্ত্র কাপলো অদুগনা জয় তৌগনবনী, মাতলিগী বায়া তাবদা অর্জুন পশুপাত তেজ শৎলগা শিববু নিংশিংলগা তেজিন্দা মন্ত্র পোন্নগা গাণ্ডিব ধনুগুণদা জুরিরগা লিরি মাকোং য়োনা চিংদুনা কাপ্পকই। পশুপত অস্ত্রনা তংদুনা কাপ্পকপা মৈনা প্রলয়গী মতমদা শুমিৎ অমানিথোইগী মতাংদা পৃথী চাকথেংবগী হৌরকপা মৈগী মতৌগুম ওইরকপদুদা কাপশিনবা অর্জুনসু কিরকলে কালকেয় নিপত কপচগী কোমুং মৈপাক্তুম দুম মাল চাং লিব পুম্নমক চাকথেক্তুনা উৎ ওইনা ভারক্লে। কালকেয় চেনথোকলকপা দৈত্য দানব কাংবুদু অর্জুননা রথদগী চোংথদুনা শিব ধর্গ থাংশাংনা কক্তুনা থাদৈ।

কালকেয়গা নিপাত কপচসু লোইনা উৎ ওইনা তুপ্পে অভিমানা কুশৈ য়েংলিবা ইন্দ্রনচিংবা লাইয়ামনা ধন্য ধন্য হে পার্থ তেজসু প্রলয় তম্বা ব্রহ্মান্ড সংহারগীদমক শেমশ্রবনী মন্ত্রগী শক্তিনা হজিন্ন সর্গ মর্ত চাকথেকপা তারে তক্তবা দানবপু জয় তৌনবা শিবনা মতৌঙ্গা শিবনী মদু মীওইবদগী কাপুম্ব হায়না আকাশদগী লাংথরকই। অর্জুন অকাশবানি তাবদা শিববু অরণ তৌরগা নমস্কার মস্ত্রনা কৌবদা শিবগী সংহার শক্তি হজিনখিদুনা তেজোংদা চংঙে, অভিমানগী লাইনা পরিজাৎ লোং চুনগুম চাইথরকই। * ধনঞ্জয় মৈনম মংবদা দানগী অমাবা কেংক্লে. ইন্দ্রনা লাইয়ামদা অর্জুন ইচাসি মংংদা অপম্বরীশিংবু জগোই থোগন তৌহন্নগা দেব সভা নথোইনা অমরাপুর সভা য়োনা পোরকই হায়রম্মগা দেবরাজা ইন্দ্রপুর য়োথরে। অর্জুন রথ তোংলে মাতুলিনা রথ থোরকপনা কিন্নরপুর লাম্বোক্তুনা বৈতরনি ঘাট পার তৌবদা ইন্দ্রগী য়াথং মতুং ইন্দুনা লাইয়ামগা জগোই শাবীশিংগা তাইদুনা লৈরম্মা। মাতুলিনা রথ, তপ্পা তপ্পা চৎলি ঘৃতাচীম নাদা ঈশৈ শকলগা জগোই শাদুনা অর্জুনবু শুমহৎনবা হোৎনৈ কজমনবদুনা মাক য়েং ওইদপি লাইয়ামা অালো ভালো লাওনদুনা লৈ চাইনরকই। অমসুং থিবা বদু হা-হা হু-হু গন্ধর্ব কয়ানা পুং দৈ বন্ত্র থোংই, চিত্রশেন তুম্বুর অলিনা ইশৈ হজিন তাবদা য়োবদা পুসিং শুমহৎনবগী মতৌ ওইরবা জগোই ঈশৈনি. অদুবু অর্জুননি সত্যবাদি জিতেন্দ্রিয়নি য়েংবা জয় তৌনবা খুৎলাই বিদ্যা কংনবগী লাইনিংগী ব্রহ্মচারি ধর্মনা লেপ্তুনা

লাকপা ওইরব খৰ্ব ভাকুনা অসোই শাবীবু হেৎলনা মথংকি অমত্তা লুকখত্নুনা মাখগি ময়মবু আখাঙন তৌই। কাঞ্চবীনা মৃতাচীগী অসোই যেংলবদা চিত্রলেখা লিপ্পুনা চিত্রলেখা, আলমুবো গৌরী, বিচিত্রা সুবাকৃতা, ধন্যা, বুদবুদা সুবক্তী, চিত্ররেখা কদম্ব, তন্তু, তিলতমা অমসুং মখোই লৈতেংলি। শিখীবী পলা খবনা মুংশীরবী থাক্কিনুনা শাইরু মথক মতৌ কনরবী কিত্তেং লৈতেংলি। শাইতিংবা মুনিশিংবু অবকতুনা ধ্যান তপ মখোইনা যোয়োম তৌহনা যেংথোককপা মিয়েংনি। লাইনিংবা মুনিশিংবু অবকতুনা পার্থবা অমত্তা কাযহনবা মহলোইবা অচুম্বা অসোই শাবীশিংনা অর্জুনবু শেনকাগে হোৎনরকইবদু পার্থবা অমত্তা কায়হনবা চহলোবা অচুম্বা অসোই শাবীশিংনা অর্জুনবু লেনকাগে হোৎনরকইবদু উর্বশীনা অমুক অসোই শাই যেংবীদে, চিত্রলেখা অসোই হওবী উর্বশী খোংলো লায়রক উর্বশীনা অমুক অসোই শাই ইশৈ শকনা মথৌ মাংলা অর্জুনগী যৌগৌ ইন্দ্রপুত্রনা অসোই শাবীশংবু যেংলবদা মাই ইশৈ শকনা মথৌ মাংলা অর্জুনগী যৌগৌ ইন্দ্রপুত্রনা অসোই শাবীশংবু যেংলবদা মাই পুক্কিং হবগে খন্নুনা শক্তকপা ইশৈ শারকপা অসোই অহদা লাই পুখমক শুমহৎতুনা লাইখাদা উর্বশীবু খাগৎনানা লৈ গাইনরকপা ধন্য ধন্য উর্বশী হায়বা খোকম অসিনা ইন্দ্রলেকে পুথকিল লিন্নে; অর্জুন উর্বশীবু খাগৎনংকপা শুর খে লেল ৌনা কজবিবহ তারগা চন্দ্রবংশগী পুরুষবা নিংথৌনা রাগী ওইরগা মতম পোকলবা মমাংগী মহী নিংশিংবগা তক্না মীওই কমদোনা লৈবিবনো খংনিংহনা অর্জুন মাংখোং ওলিলকতুনা চিংনা যেংতি তরুণী মমনা লৈরম্মী তক্তুনা পার্থ মুকখবি, উর্বশী এবু যেংলে মাই পুক্কিং হবগে খন্নুনা অংকপগী মতৌ ওইবা অসোই শারকলে। মাই মতৌ উবদা লাইরামহ শুৎহৎথিহনা মূর্খ ওইবা মাওনগে লাইরামনা লিংকপহনা অর্জুন অমুকহু যেংতি কজবিবা অসোইনি শাখেকতু উবগা অমুক কুক লেন্নুনা মুকখবি, উর্বশীনা মাসি ভাওহরগে খন্নুনা পুক্কিং হবা শর মিৱবা খোঙ্গো ইশৈ শকনা অমুক শারকপহু লাইরাং নিত্তা পি. শিনখৈ প্রেমনা মূর্খ ওইনৈ লৈ চাই অংকপগী মতৌ ওইরে।

অর্জুন অমুকহু মদন লৈথওতুনা উর্বশীবু খোং তোমাচিংখ যেংদনা ছত্র অমত্তা লৈতবা নোবা কজবিবহ উবগা অংকপা বালগা কোইনবা মদন মুকখথরে, মতাং অদুদা ইন্দ্রগী হোজং থৈরে, মথদগী কুমথরবা দেব, গন্ধর্ব অপসরাগা লোইননা অর্জুন তক্লিলা চংক্লকপদা ইন্দ্রগী সভা য়োৱকপদা তক্তা কি যেংলগা দেবরাজবু দণ্ডবত তৈত্তু তাবগুম খুরুমজ্জে। ইন্দ্রনা আসনদগী কুমথরকতুন মচাবু কোক্কগা হয়া লাইপক্তা চুপথি ইন্দ্র আসনদা অর্জুনবু ফম্মাক্তা পক্ষপা কন্থে, দেবতাসা ধন্য ধন্য খমখম হায়রকই; ইন্দ্র চিত্রসেনবু কৌশিল্পগা মৰাম লিংলো লিন্নে দেব-গন্ধর্ব, অপসরা মাগী মাগী মমুমদা হমথার চিত্রসেনা অর্জুন ইংগী লিংবাখোৱদা লৈথশাক্তা পোংথাক্লুবো হাপ্পৃলা লিম্নরে। চিত্রসেনা অর্জুনবু পু শক্তহুনা ... মসাগী মুম অমদা রথ আসন থারে পুক্কিং হনা কজবা শয্যা শেন্দগা লেমায়ী কয়াদা অর্জুনগী লেবা শিরংখগা চিত্রসেন ইন্দ্রগী নাক্তা থুংলে দেবরাজদা চিত্রসেন তমি অসোই শাবী মরাধনগী ইচানা পুক্কিং লৈতানা যেংবগী কমানো হায়রু। চিত্রসেনা দেবরাজ অর্জুনগি অমসুং মথং লাইহন শাবনবু অসোই, যেংদে মক লুকতুনা লৈ. অসোই হওবীবু শাহনবগী ...

য়েংতি অহুপা তোকং য়ৌরকপা কাও শাহনবসি ঘথকি মথক্তা মরু লুকথহনা অহুম য়ৌরকই। ইন্দ্রন অহুপী ইচাগী পেম্বা ওন্নিগী অহিংস উর্বশীবু সেবা অমত্তং জগোই থৌগল তৌহন্নু হায়রকই. চিত্রসেন উর্বশীগী মকমদা অমুক য়ৌরকপা অর্জুনগি মতিক মগুণ শিংথারগা ইন্দ্রগী য়াথংশি ওন্নি অহিংগি সেবা থৌগল তৌদুনা ইচাবু পেলহন্নু হায়রকই। উর্বশীনা হায়রকই ঐ অর্জুনগী গুণ থংই মাগী মতিক মগুণ শককম উবদগী ঐগী থমোইস্থ জগোই থৌগলদাংবগী থৌরাংনা লৈরম্মবনী. হয়ো ঐ ইন্দ্রগী য়াথং ছাকপুরগে চিত্রসেন হনখ্রে উর্বশী স্নান তৌরে কসতুরি চন্দননা লৈতংলে মন্ত্র শাকহনা মশাগী লৈতেংঙৌ থেমৌদ পারিজাত পরেংনা লৈতেংলে উর্বশীনা কককপী মানা নিংথৌনা য়েংলবদী মুনিকাও থমোইদ নত্তনা থরাই য়াওনা ছুবা ওগী অহিং পুং তরাগী মতুংদা অর্জুনগী লৈকম যুংগী য়োকং য়ৌরকই, উর্বশীনা থারোদা থোং হাংহন্নু ঐ অর্জুন উনংগে হায়রকই থায়শাল চংবিদুনা উর্বশী থোংদা লৈহোরে কুরু মথাবু উনগে হায়রী থাজিকরমগে হায়রকই অর্জুননা ঐ থোক্লগে হায়রন থোং তারা লাক্লে উর্বশীবু খুরুমজরগা করি নিমক অহিংদা লেংবীরকইবনো করি থবক তৌজো হায়বগে ডাকপীবু নোমুকপা মহায়না হায়রৈ। অর্জুনগী অনোংবা মতৌবু উবদা উবদা উর্বশী পুক্নিংগী অপাম্বা অহুপা ওয়রকপহুদা ওক্রহনা চিনা য়েংলগা. ইন্দ্রগী য়াথংদগী চিত্রসেনা হায়রকপা থাকমন্থ ওমগা হায়ারকই অপ্সরা মমমা শাবা জগোই য়েংব্রগা ঐনা শাবদী মনা মনা য়েংবতুদা নহাক্তী পেম্বা ওসি অহিংগী সেবা থৌগল তৌগে লাক্লবনি, ঐগী অনিংবনিস্থ কাইরক্কবনা ঐগী অংপনবা ওসি অহিংসি ওইহনবীদু ঐ মহাক্তী সেবা থৌগল তৌগে। উর্বশীগী থাহাদরু তাবদা পার্থ মাকোং অনিমা খুংন য়েন্নগা মরু লুকথহনা বিস্তু শোক্নি. খুৎ কোম্নগা নোম্নুকনা হায়রকই হে ইমা অহুগুম্বা থাহাম্নু করিগী ঐঙোন্দা হায়থোরীবনো কপা লৈবনা যুবতীগী মীওইদা অহুম লৈবহুদা থাথন তৌবীক্রমাক্লে ঐনা য়েংজবদী মুনিশিংনা তাকপীহনা তাধৈ চন্দ্রবংশগী থক্তা হৌরবা নহুষ পোকপীহনা কুরুবংশ ছন্দোকলকপনী ইবুধৌশিং কয়া সর্গাক্ত ওইরে, অহুবু নবিম বয়লদা অহুম লেপতুনা লৈবহুদা ঐনা কপা লৈদকো হায়বগি মনা মনা য়েংজবমী ঐগীদি (প্রপিতামহী) জবেংথৌনী ইমা কুন্তী, মাদ্রী, শচী, ইন্দ্রানীনগীস্থ থেক্লবা ইমানী।

উর্বশীনা হায়রকই ঐদী কনাগীস্থ মনাই নত্তে ঐনা ইনিং তম্মা মতম মতমগী শায়বনী কুরুবংশগী নিংথৌ পুন্য তৌরকুন সর্গ কংওবা কয়া ঐগা লোইনমুনা শান্নে কনা অমত্তা মথক্তি থিরদে নংনা মমথ্নিন হায়দুনা থংনবা হৌরগা ঐবু থাহনগদু ঐদী পুন্য লৈবগী সেবা তৌবগা পেক্কবনী ঐগী নিংবসি খুবমু। অর্জুনা হায় ঐগীদী অথোইবা ঠাকুমনি ইমানি খুরুমজরী য়ুমদা হনখীরো নচাবু মুংশথীনু নচা পোৎথাজরগে, থাহায়থ তাবদ নিংথৌ কায়বগী থৈচাকা শাওরদুনা হে অর্জুন নংসি মুগী মমামগী মরক্তা নিপাগী নথৌ পাংথোকপা ওবদনা মপুংফব

ওইহনা লৈরম্বা মায়না শাপ পীরম্বগা উর্ব্বশীনা মখুমদা হনখ্রে। উর্ব্বশী শাপ কংলবদা অর্জ্জুন অহিংবা মায়মগী তুমদনা লেখ্রে। মোংফমবগা প্রাতক্রিয়া স্নান তিলক ভোজন লোইরগা আত্তবন লেপচিনে, খুদংলাই লোইরদুনা চিত্রসেন হোৎন্নবা ইন্দ্রগী মফমদা চংলক্লগা খুদমকচুনা হুংবাংগী মায়কৈ লোইনা তমকরে। মাদু তাবদা ইন্দ্র মহাক্না কোন্নগা অহৌবা কংদুনা ধন্য ধন্য হে কুন্তী নঙা গর্ভদা অমসু পোকচবা হে পার্থ নহাক থকগী কুরুবংশ পবিত্র ওইরে; যোগিন্দ্র তপস্বি ঋষিশিংনা হেক্না ইচানি উর্ব্বশীগী শাপ কংলে মাঙিবগী মশাক্তি কৃষ্ণগী কৃপা লৈবনা শাপ কংলিবনি। অদুগী মরমনা মায়গী তাহে চহি ১২গী চহি অমা মেঙবনা থিবদা খংনবা লোংকপোতিবনি, মসি কুচু কৃষ্ণগা মান্নবা পাংথোম আতংসুমহিং ওইনা তেজ বির্য্যবি ওই অসিনা কপা লেপ শাদুনা সিজেং পোংথোকলবগী অর্জ্জুনবু মাঙবা লোইরনা থংবি। শাপ্তুনা উপায় ওইরগনি অদুগী মরমদু ঐনা বর ওইনা লেপ্তরগে চিত্রসেনগী পুং ঈশৈ তংগোই তম্বা চহিগী কালিবগী ওইদুনা তেজ বির্য্য শক্তি পূর্ব্বক মাংদুনা খুগী মমাং কংগোই তম্বীদুনা লৈরো অর্জ্জুনগী থংনবা ওইরমগ।

চহিগী তমদা নপুংশক শাপকু কোকলগা অর্জ্জুননজি শক্তি হজিদুনা মেক্রবদু অমা তৌরো ইন্দ্রগী পৌজান কমলবদা অর্জ্জুন পুংতাইনরে, অসিগুম্বা অর্জ্জুনগী চরিত্র মাসি অসিদু লোকেব তাজবদা মীওইবশিংগী মেহেগী পাপ পূর্ব্বজন্মগী লৈবগী পাপ কাওবা উৎকুদা তুগী মসি মেম মাকাসি ইত। হরিবোল হরিবোল হরিবোল।

অধ্যায়

অর্জ্জুননা ইন্দ্রলকতা বিদ্যা তমবা।

বৈশম্পায়ন মুনিনা হায় তাহে রাজা জন্মেজয় ইন্দ্রগী মচা মনুংদা অর্জ্জুন ইন্দ্রনা খুদংলাই তম্বী, চিত্রসেন পুং, তংগোই ঈশৈ তম্বী দেবরাজনা আসনদা পুথংতুনা ইন্দ্রাসনদা মচা অর্জ্জুনগা হেক কন্দিরে লোংনদি লোমশমুনি ইন্দ্র উমদি হুনা ইন্দ্রলক মোরকুনা ইন্দ্রগি সভাদা থুংহে। ইন্দ্রনা মুনি রত্নাসন থারিবগীদা কণীহ হাংনা মুনিদু বনংলে মুনিনা মেংহেকগদা অর্জ্জুননা ইন্দ্র আসনদা কণীবদু উবদা মুনিনা রাখন তোই, দেবরাজগী আসন তলিদি লাইনা ব্রহ্ম ঋষি মকা কপা ওয়খ্রিবা আসনী কেন্দ্র ওইবা অর্জ্জুননা কণীবহ উবদা তকলদুনা মুনি অর্জ্জুনবু চিংনা মেংচি। ইন্দ্র

মুনিনা খল্লিবদু উরমুনা হায়রকই মুনি ইচা অর্জুননা ঐগী আনন্দা কয়নি উনবা চিংখংলে, মুনি কাওবরা খম্মগী মচা ওইনা পোকপীরগা অংতা ধ্যান_তপ পাবিরগা নরায়ণগী শক্তিনা বাসুদেব কৃষ্ণ ওইনা অংতার তৌরে। খাবিগী শক্তিনা অর্জুন ওইনা ভুতার লৌখোকুবা ভুতাগী শক্তিনা ঐগী অংশনা মীওইনা ভিজয় অসি পোকপনি, লাইগী কননবা তৌবা মীওইবগী মপোক্তঃ পৃথীবীগী অকনবা পুন্যকর্ম অখোইবনি। লাইগী যেরুবা ওবকমবা কালকেয় নিপাত কপচবু হাংদুনা লাইগী যেরুবু মাংহনবা অর্জুন ইচাসি নর্গদা থিজা কবগে লাকপনি, মরম অসিনা ধবলোকতা মকোম থবা লৈবিপনি অদুগা নরলোকতা হনগদবনি, মসিদ ঐনা হায়রিংবা বাকয অদু লেরে থাসি মুনিনা হাবিয়ু মুনিবু খর্জ্জ্বাকপী মকমদা হুন্দোপ ওইনা থারগা উপায় অংতং তৌহনবিংং মহাকি দুর্য্যোধনা পাণ্ডবপু বন তাদ্রকইবনি, ভীষ্ম, দ্রোণা থাগী পক্ষা লৈবদগী কিবহনা দুখহনা তৌবগা লৈপাক-নম মুজগা বন তাদ্রকপনি ভীষ্ম, দ্রোনদি তীর্থ স্নান তৌবগা পুন্য তাজ্রাদি অর তৌবা ওবলোই। মরম অসিনা মুনিনা উপায় তৌবীরগা তীর্থ পুষ্কক স্নান দান তর্পণ তৌহল্লু অর্জ্জুনগীদমকতি চিন্ত তৌহল্লুসমু ইন্দ্রগী বাকযসি মুনি উপায় তৌরমগে হায়রে। অর্জ্জুননা মুনিগী মকমদা হায়জরকই গুরুজি কাযা বন্দা লোৎবীরবাদ ঐনা দুরুযজরকই মতম থরাং বিদ্য। ওমজরকথিগে হায়বীয়ু। অদুগা তীর্থ মকম খুদিংসি হিংচাবা মাখা লৈগনি মুনিনা চেক্সিনা তাকপী লেনবীয়ু, মুনিনা থমজুয় বাকপনু ঐনা শোইদনা তাকপেন্দুংংগা তীর্থ পুংলযক স্নান তৌহনগনি অমসুং নহাক্না বিদ্য। তথা লোইদুনা হস্তিনাওবা লেয়গে হায়রকই।

মতাং অসিদা থারী তারীবা ভগ্নেয়না হংজরকই মুনিদেব ইবুংগো মাইথানা লাইনিংবা

---

* টীপ্পনী। অর্জুননা কালকেয়গন নিপাত কপচ হাংপা উর্বশীগী শাপ কংবসি ব্যসগী মত কাশীগী মতসু স্বর্গদা খুলাই ওবা লোইরগা মপুমর্গ যেংহনবদা কালকেয়গন নিপাত কপচ হাংনি। উর্বশীগী শাপ কংবদা মাকুসিনা অর্জ্জুনবু লৌখংলুরগা ইন্দ্রগী সভাদা ভগোই শাহনবা তুমিংতা উর্বশী শাপ কংবা মতা লেংই। অদুগা শক্তম অমসুং জৈমিনি ভারতকি মতনা মাকুসিনা অর্জ্জুনবু স্বর্গদা পুখংলকপদা কালকেয়গন নিপাত কপচ হাংপদা ইন্দ্রনা লেন্দুনা ইচাবু লাইরাবগা ভগোই শাথৌ ময়াবগা রথ মাংদা উৈশে ভগোই থৌগত্রগা ঐগী মত তৌবা পোত্রকউ হায়রদগী ভগোই উৈশে থৌগন্নুনা পোয়কপা তুমিংশিনা অর্জ্জুননা উর্বশীগী শাপ কংবা মততা লেতি। মরম অসিদগী ইযালোপ্পা থারীগী শৈরেং লোংজবসিদা শুরুজনশিংনা থারী লিবীরবদসু মত অসিদা লিবীরম্মী। মরম অসিদগী পৌ হাসিক পরিষদনা লোংজবদু জৈমিনি শক্তমগী মত শৈরেং অসিদা লোংজরে কাশীগী মোতা লিখীবা ওবাসিং তাবীবসু তিংকদবা ব্যাথ অদুবাতদা তৌজরিবনি। ইতি জৈমিনি বাক্য ভারত অনুবাদ ইতি।

হেমাঙ্গরদা চংশ্রবদা কাধা বুদা ইবুঙোশিংনা কমদৌরিবগে মহ অমুক্তা লিখীখে মনাই তাখানিংই। বৈশম্পায়ননা হায় তাঙো মহারাজা মাহ অমুক লৈরগে যুধিষ্ঠির, ভীম, নকুল, সহদেব মরিদা মাইগৈ ঋষি মৃগয়া চত্তুন হৈ নৈ খিক্কপগ পোরকপা বত্তহ দ্রৌপদীদা শিন্নবগা সতীনা থোংতুনা পাকপ্র বাজন ভুমিংকি কুপাদা অহাংপা লৈতনা থোকজদুনা ব্রাহ্মণ লিশিং লিশিং ব্রহ্মভুজন সেবা তৌবি ব্রহ্মভুজন সেবা মধুকশিংগী সেবা লোইরগা দ্রৌপদীনা কোয়া কচৈ। বেদ পুরাণ শ্রবণ তৌই শ্রীকৃষ্ণগী ভক্তিতবু ততনা থম হৈমদুনা লৈ, মতম অসদা লাইরৈপাক মীরৈপাক শিজ্জনা অর্জুন শিবগী কৃপা পশুপাত অস্ত্র কথা শিব থর্গ কাহ্নদা মাতুশিনা ইন্দ্র রথদা পার্থবু লৌথংলুরদ কালকেয় নিপা কপচ হাংপা পাণ্ড অর্জুনগী গুণশি ত মথে, হস্তিনাপ ধৃতরাষ্ট্র ব্যাসনা তাকশিন্নদুনা পাণ্ডসি তবদা অহ্নরাজ শঞ্জয় কোইংং মগুংদা কৌশিনখি শঞ্জয় অন্তঃপুরদা চংজরকপা অন্ধবু থু মতৈ। ধৃতরাষ্ট্রন শঞ্জয় অর্জুনগা পশুপতি অস্ত্র মংবা কালকেয়গস অয় তৌব ইন্দ্রলোক বিদ্যা তথা তমখিবগী পাণ্ড গুরুদেব ব্যাসনা তাকপীরখি, মংবা থালংদি অর্জুনগি গুণলি অমুক্তা হাইত্র ঐ তানিংদি। শঞ্জয়না হায়কি মহারাজ অর্জুনগী মতিক মগুণ গুরুনা তকপীহুনা ঐ থংতে হায়রগে।

অর্জুনগী শক্তিদি অচকপনি হেমাংরদা শিবনা পরিক্ষা য়েংবগী মলযুদ্ধ হুমিং তয়েং পাসবদা শিবনা লাকচবা ভবাদ অহুনা শিবনা পেন্দুনা পশুপাত শিবনি, শিবনা পেনবদ মাইগৈ তাকপা লাইশিংমু অর্জুনদা থুংলাই শিবে ইন্দ্রনা রথ মাতুলি থারকুনা পার্থবু দেবলোকতা লৌথংকহুবদা লমথাংদা দৈত্যগন বধ তৌবে ইন্দ্রনা পেন্দুনা ইন্দ্রাসনদা কমহমখী। মতম কয়মুক বিদ্যা তথা লোইথখা মমকনি অর্জুনবু য়েক্রগদবদি অগংতা লৈরয়াই শঞ্জয়গী বা তাবদা অন্ধ থখোইহ অমাংবগী মমক্রন্দ বুপলে, শঞ্জয়দা হায়রকই কণ্ডবা ইচা দুর্য্যোধনদা কালগী মপক ওইদুনা ঐদি অমাং মমক্রগা মুখা তারে য়েন গুরুনা অক্রবা থুংলাই তনা পঞ্জবা অহুনগী মখক্তা লাইগী বিদ্যা অস্ত্র থম কংলবদা হায়নগী শকক চানা হেক্লবতরমী। দ্রৌপদীবু অমাংবা শিখীবগী হৈহুনা কৌরব তুম্না চাকথেক্রবগী শঞ্জয়না হায়রৈ মহারাজা পাণ্ডব থম চংখ্রে তাবনা, মহবংশগা শ্রীকৃষ্ণ হেংগুরক পঞ্চাল, কৌশল, কেকয়, কাশী, চেদী, মগধ লিংথী পুরমক লোইন থম্না লাইক পাণ্ডবকি দ্রৌপদীগী মতৌ উবদা শিংথো পুংনমথবনা থর্ম্মরাজদ মাথং শিরো হোজকখক কৌরব হাংলগা মথোইগী তোংশাক্রু হুই, রথহুই, লাংজা পেন্না শিজবগে। দ্রৌপদীবু ইকাইখদ পেন্না য়েংব করেহুগী মখিং অনিহু তেন কোংখো কহাররকই। ভীম অর্জুন ধৃষ্টদ্যুম্ন, সাত্যকিস অকন অথী পুরমক মথং মথং হায়নরকলে অদু থুংলাই পায়দুনা হৌগ মরকই যুধিষ্ঠিরনা মরাথবু থাম্বাগা হায়রকই চহি তরাকমলোইদং ও ইহিংনো পাদুংহনগী য়াথং চাকখিংগে, চহি ১০ তরগা লেপ্রবা থংরেপকি মহুংইনা মরাগি অপাম্ব তোবীর অসমদী ঐ থংজেরোই হায়বি।

ধর্ম্মগী মাথং তাবদা চহি ১৩নি তাইরগা কৌরব হাংদনি বাণক্লবগা লিংথৌ মচাম মাণক্লদুনা থিমায় লৌরগা হন্‌থি। পাণ্ডবনা শান্তি ওইরগা কৌরবকি মঙল ওইগদবনি থাদিগী মহৰদি মহারাজাগী মাথক্তা কাওবগদু অহরাজনা শকুন মহাক্কি মাং অরেপ্নি, অতএব বিধাতানা ইদিং তাংহল্লে অদনগা ওইরে, ইচানা ঐগী মাচাদু লৌরোই দ্রৌপদীগী শম শাবক্লবগী দোথনা কংরো দুর্য্যোধন দুঃশাসন অদিগী মাচকতগী কৌরব বংশ মুংলগদবনি। লোইরোই বিধাতানা ঐগী লায়বক্তা থাও হায়বসি তম্বরবনী হায়রগা অক মা তাংদনা লৈথরে। * শকুন ধৃতরাষ্ট্র অদিগী থম্বা মাকপা মতাঃ অসিনা লোইরে। জগতনা মাংবদি শাধুজনগী মা লৌদবা বেদ-শাস্ত্রগী মত থু ইবা ঈশ্বরদু থুজৈদবদগী মওইবনা মাজবনী।

বৈশম্পায়ননা হায়রকই রাজা জন্মেজয় লৌকিক কাম্য থম্বা অর্জ্জুনগী তুংদা ওইরকপা মায়ী অমুক লিবগে। পাণ্ডব মরিনা মায়কৈ মরিদা মুগম্বা থৈ লৈথিবা চৎথুরগা পোয়কপা মতুঙ দ্রৌপদীদা শিরৈ, শতীনা থোংলগা শাকাম্বা ব্যজন ওইহনুনা ব্রাহ্মণ লিশিং লিশিং ব্রহ্মভুজন কংলি অহুগা মথুংতো মখি চাবা লোইরগা শভী কোয়া কংজবে অহুমনা অর্জ্জুননা হেথালয়দা চৎথিবা চহি অমি হায়রকপা মতম ওইরক্লে। নোংমগী ধর্ম্মরাজা, ভীম, নকুল, সহদেব, অর্জ্জুনগী প্রেমনা পাণ্ডু কংক্রবদা মায়াহনা কপ্পরকই, পঞ্চালিনী কপ্লে, হে ধনঞ্জয় কনথা মম্মা লৈতিগদগে মীওইবনা কংবা ভঙবা দেবলক্তা মানা চৎলমিগদ্রা কহিত্থা থম্মা অমাথা তাবদি হেক তাবদা ঐগী প্রাণ শাগদবনী কৃষ্ণদু মদুবংশদু পঞ্চালদু লোইনা থবাই থারগনী, হে পার্থ ইনাওদু উত্তরথিসিদঃ কমদৌনা থবাইনি পুছুনা লৈগদগে। অমি থোকহল্লিবনি অহরাজাগী মচাশিংনা থোকহনবনি তভে অমা ওইরমলবদা থুংকুদা মথবাই লোপদবনী, ইমাওগী শকুনিদি ইহ্রনচিংবা

---

* ব্যাখ্যা। শকুনসি ভোজবংশগী গন্ধারগী ভাদু কাংথ হোৎনবা পাণ্ডলনা মচাযুগী অমা পোকই মথিংনা শোরক্তা কৌই। মানা চহি ১২ ওবদা মমা মপা শিরে। গন্ধারদা ঐগী কাংথা লেমহুনা লৈজগে পাণ্ডব মরক্ত ভিজরবোই মুমশু পাণ্ডরোই ঐদু তাক শেথীহুনা থিনাই ওইহুনা থম্বায়ু কায়হনা লৈ মানা চহি ৩৫ ওবা মতমদ গন্ধারদা ঐদু ইচা অমত্তা পোকচগে মম নিজবনা গন্ধারনা মম শিনহুনা গর্ভ লক্ষণ ওইহুনা চহি ৩৬ ওবদা মচা লিপা অমা পোকই মথিংনা শকুন কৌই। মমা শোরক্তা চহি ৪৩তা শিরে। শকুন মদাগী মহুৎ তাদু লেমহুনা লৈ মতমহুগী লিংথৌ মচা ব্রাহ্মণ তা চাদে কাংথ মরুম অমমুং মপ মাংশদি চাই। অহুগা গন্ধারি মুহোংবদা গন্ধারনা কাংথ হোৎনবা অউনমাই ওইনা পিরকপানি। মাগী মদুক কনা লৌশিং লৈবা কৃষ্ণ ভক্তি শাবাহুদা ধৃতরাষ্ট্রনা শ্রীব্যাসদা হায়জহুনা সংস্কার তৌরীহুনা দিক্ষা পিহনা লাইরিক লাইশু তমী। ব্রহ্ম গায়ত্রি জপ তৌবা ব্রহ্মসাধনা প্রসিদ্ধ ওইহুনা শকুন মুনি হায়থি তারত লেংথি। ইতি তৈনিনি বাক্যম।

মাইপিংদু থেৱনা ইনাওবি অহুম্ দোৱাক পুৱনককপু মিসইক্তুৱ শিক্ষিবিৱসি হায়না মহাভারতা থোইবার শাস্ত্রকনা সোফিগমো। কেদ্রিদী ধর্মসি পাণ্ডুঙণী য়াথংবু চহি ১৩ থাঙলি ৷ হায়দুনা লৈপাক মনা থাংখোক্নগা ইন্দ্রা ইনাওবি থাবুনা কৌরৱপু চাকশৌবিরনি চহি ১৩ শুৱদনী লেখা হায়খনি। মদু অমুক হান্দংগা শমকপুসি হাংদোকলগা শাটৈ হাংশীগী পাণ্ডৱা মচা, মামনা কৌরৱদো খায় সোনবা থৌবনা ভাইকপাদিমা হাংপশি শাণ লৈতোই য়াথং পিবীদু মুত থাদুনা শীদুকপু কৌকনা ইনাওনা থমগা কৌরৱ হান্দগে, কৃষ্ণ লৈবদী ধর্ম লৈরবা মহ ওই হায়বসিদ্ শাস্ত্রদী বিধীসি হায়না ভৌবনা থাংনকই। ভীমদী মাথোইদু অমদা ধর্মহাকা মমাওদু কৌরৱগা লাইবকা চুপ্পান কৌরৱগা শাপ্ত ওইখ্রবা কনদবা মাথোইনা হায়রকই হে মুকোদর ইনাওনী হায়মদু অচুবনি। ধর্ম লৈব, মহৱনা কৃষ্ণ লৈ কৃষ্ণ লৈরবদী জয় ওই হায়বসি থেৱনা লেপথরবসি হায়বসি মুনি ঋষিশিংমচু হায়রি. ধর্ম লৈরব মহমদ কৃষ্ণনা সহায় ওইবসু থোকহন. হাগে-ডাই ইপা ইকা ভাই মচু হায়বম লৌরবী মতুং ইনবসি শিষ্কী লোংবরা মদ ওইবা য়াগে। জীবনী লেংবা মমী ধর্মকা ওইগদবসি অহুম্ রাম ভাগ্যবা * ধর্মহ্ন অপাওবনা পুথকা মাঙহনি লাবসি শাস্ত্রনা লেপ্পী মাসি লোইরবা য়াকঙি। ইনাওসি থেকবদু পুথকা মাংহনবা ওসি থাড়ি অহুম্ ইন্দ্রাজা সত্যদু পালন লৌনি চহি ১৩ সুরগা থেকবদু মুখা হাংনদ্রগসি মতৌ অহুমদ ধর্মহাকা, জীৱগা হায়ৌ শাস্ত্রদৈ মহমদা মুদনথ মুনি খুংলবে। মুনিদু ভক্তি পূজা কনদে অসেংব কৃষ্ণগী অমম থাবে পাণ্ডবকি ভক্ত সেবাদা পোকহনা মুনি পুক্নিং দুংথাইনা কয়ে। কলিযুগদা বন পর্ব্বগী হায়ৌ অসি কজুঙদী মশকনি পুক্নিং চংনা ভাবদনা মীওইবশী থিবগী পাপ কোকলগা ওয়োইবা মতমদা হরিগী চরণ কমলদা শীব্যামনা জীবদী উপায় ওইরবা থেৱগী অর্থনা লেংরবসি। ইতি হরিবোল হরিবোল হরিবোল॥

---

* মূল। সত্যং উৎপাদিং বৰ্দ্ধি দয়া ধর্মং প্রবর্দ্ধতে। ক্ষমায়াং ধর্ম স্থাপয়েত্‌ ক্রোধং ধর্ম বিনশ্যতে॥ ইতি॥

অধ্যায়

নল মহারাজগী বারী বৃহদশ্ব মুনিনা লিবা মতাং।

বৈশম্পায়ন মুনিনা হায় মহারাজ জন্মেজয় ধর্ম্মরাজনা মুনিগী মকথা হায়জরকই। মহামুনি ঐগী অবাবগী মরমদি শিংথানিংঙাই লৈরবোটে, লৈপাক লম লেনখা চৌথরদা লোইনা লৌহৌরগা জটা পুহনা উকু সেংহনগা বন্দা তানবিরকুনা অবাবা কয়া মংহনা লৈজরিবদিনী ঐগুম্বা বাবা নিংথৌ মচাদা লৈরমলোই। যুধিষ্ঠিরগী বাহায়দি তাবদা মুনি মোথোম তৌরগা হায়রকই ধর্ম্মরাজ বন্দা লৈবগী বাদিংঙাই লৈতে ইন্দ্রগুম্বা মনাওশিংবা থোৗগদি ব্রহ্মাগী সৃষ্টি থংলবা ব্রহ্মসন্তানা লোয়া লাকদবা তাকসেজি, সতীগী গুণম ব্রাহ্মণ সতায়ু বনজুম্বা তম্বা লেবা তৌরি মহারাজদি কবিম্ব বাদিংঙাই ওইদে, মথাংদৈদা নল নিংথৌনা বাথিবদি ধর্ম্মরাজগী শক্রক তয়া হেয়া অর্বাবা নংথি হায়রকই। মুনিগী বাহায়দি তাবদা যুধিষ্ঠিরনা হায়জরকই, মহামুনি নল নিংথৌ হায়বহ কনাগী মচানো কয়বা লৈপাক্তা পানবনো করি মমনদগী বাবা নংথিবনো বাহ অমুক্তা লিথিমু নপাই তাজগে হায়জরকই।

বৃহদশ্বনা হায়জরকই নলরাজদি চিত্রসেন নিংথৌগী মচানি, গুণ চেনবদা ইন্দ্রগুম্বনি, মশক কজবদা কামগুম্বি, ইন্দ্রিয় খুমুম চম্লি পাশ খেলা য়াম্বা দৈহ, বিদ্যা গুণ চেজি, নিংচৎ কচৈ পুণ্য শ্লোকি বাগুম্বা গুণ চেনবা বিদর্ভ দেশদা ভীম কৌবা নিংথৌ অমা পাম্লি মহাকদি মচা পোকজহনা দমন কৌবা মুনি অমা ব্রহ্মতুজন কৎলগা কিরোই হোংহুনা বর নিথৈ। মুনিনা পেন্দুনা মহারাজা বিধাতানা থাবা পান্নু, তম্মমক্রে মচা মুগী কজরবী সতী সাধ্বী অমা পোকচরগা নমাক পুণ্যশ্লোক ওইবা অমা কংজো বর পিরমদগী কজরবী কন্যা অমা পোকচৈ দময়গী বরদগী পোকই হায়হুনা মমিং দময়ন্তী কৌই, মশক কজবদা কঙ্ক গুম্বী সথী চাম্বদা লেবা থোগলহজি। মথীশিংনা দময়ন্তীগী মকথদা নল রাজগী মশক মগুণ শিংথাহুনা থাগৎলি, নলগী গুণদি লোকো মহিন্দায়ু তারে দময়ন্তী নলরাজবু মবুও ওইহুনা লেবা কংনিংবগী প্রেমগী সমুদ্রদা থবোইদু ঊৈরাগ্রাহুনা লৈরে। নল নিংথৌগু দময়ন্তীগী পাও তাবদা য়াগী হাপদিংবগী দময়ন্তীদবু নিংহুনা লৈরী বোর্দ অন্তপুরগী লৈকোল পুক্রিগী মনাক্তা কম্পা দময়ন্তীগী বাথম তৌহুনা কম্প, মতমু মর্গগী কাংও অমনা উরহুনা পাইথরগা মলদি পুক্রিহুনা তাথাবে কাংওহু উবদা নলনা জালপর কাম্রগা উপহুনা কাংওহু কাবে। কাংওনা হায়রকই মহারাজা ঐবু থাদোকউ নিংথৌগী বাথম্মু উহুনা দময়ন্তীবু কংনবা শিন্নবগে লাকলদি হায়রকই, কাংওগী বাহায় তাবদা নলনা থাদোক্লগা শজোম পিথরগা বংবা অমুক্তা পাও পুথীম ঐগী নিংথদি পুংহন্

হায়রকই লোইরোই হায়ু মহারাজ হায়রম্বগা কাংও বিদর্ভ দেশদা পাইথরে। লৈকোলগী পুক্রিদা তাপ্পনা লৈরে, মতমচুদা দময়ন্তী সখিসিংগা লৈ হেকপা থোরকই। সখী ময়ামগা কোইনিম্মুনা কাংচাবু কাৰে। কাংবনা হায়রকই হে বৈদভী নৈষধপি নল সিংথৌ পুকচেল ফজরবা মপক্রা অপিনী কুমারবু ওমহনা কচৈ নহাক্কী কজরবী মপকপি মলরাজ মপুরোইবা ওইনা কাংজরকপি মপোক অসি মতৈ মাখবা ওইবগী নলরাজাদা থৌরিয়ু। কাংতগী বাসি তাবদা দময়ন্তীনা নাকথিরগা কাংজনা হায়রকই নলরাজাসি বিধাতাগী ঐশীমক শেম্পীরকপগী ঐগী প্রাণগী মচোক্পা ফজরবগে, সখী নহাক্কা অদুক্তা হায়খিক্লু হায়দুনা কাংবু থাদোক্লে কাংথা অমুক নৈষধ দেশদা পাইরকপা মলদা পাও তম্মগা মর্গদা চনথরে কাংতগী পাও কংখদা নলগী থৌরাংদা চাইথি বিদর্ভদা দময়ন্তী নলগী প্রেমগী মৈচাক ওইদুনা চাদ থক্তা তুমদনা শক-চু ওনদুনা মপাল থাকনা লৈরে। রাজকন্যাগী অমাম মতৌ উবদা সখীশিংনা রাণীদা সিংথোনা হঙ্গৎলুরে নিংথৌনা রাণীগা হায়ই। ইচানা চিন্তা তৌদুনা লৈরে চায়থনীবু মরম করিগীনো? রাণা মচাগী পুকনিংদী মরম না খংতবা থোকপনী হায়দু হায়রকই। রাণীনা, মহারাজা ইচাগী যৌবন মপুং থারে লোংবা কাংতা অমগী পাওতাক্তগী চিন্তা তৌখিবা ওইরমাগে মরোম্বী হায়রে মরম অসিনা ইচাগী ইচ্ছাম্বরী স্বয়ম্বর তৌবীবগা কপবরা নিংথৌ রাণীগী বাহায় তাবদা তীমরাজ মচাগী ইচ্ছাম্বরী স্বয়ম্বর মুখিং লেপতুনা পৃথীগী সিংথৌ লোইনা বার্তন থাগে মহম্মরগী মতা মাতম লেখা লোইথরে।

বার্তন কংখদা সিংথৌ ময়াম বিদর্ভ দেশদা লাক্লরে নলরাজা বার্তন কংবগা মগোল, শারু, রথ, তেঙ্গান সাজন তৌদুনা লাকই। মতম অদুদা নরাদ ইন্দ্রগী সভাদা থুংলরে দেবসভানা নরাদবু ভক্তি লেখা লাংদুনা আসন থারে। নারদ আনন্দা কপ্পে ইন্দ্রনা নরাদবু কদোমদা লেংথোক্লবগে ঐগী সভা চৌথোকপাসি কনি তাকপীগদবা লৈবগে হায়রকই। নারাদনা দেবরাজ পাও অমা তমগে লাকপসি বিদর্ভ রাজগী মচা কন্যা দময়ন্তী হাসি ইচ্ছাম্বরি স্বয়ম্বর তৌগদৌরি দময়ন্তীনা কজবা শক অসিদী দেব, দানব, যক্ষ রক্ষ, গন্ধর্ব্ব, কিন্নরগী কন্যা অসিওম্বগী মাওরে। দেবরাগী ওইবদা থোইদোক্লবী কন্যাসি ঐনা শাইরৈপাক তানহন্নিংদুনা পাও পিগে লাকপসি হৌজিকমক চেতুম স্বয়ম্বর মাংখানিংই হায়রম্মগা ব্রহ্মলোক হায়গংখারে, দময়ন্তীগ পাও কংখদা লাইরাম লোইনা কানিংবগী চংনিংলে মাগু ইন্দ্রন, উবদুনা লাইরাবগা লোইননা, বিদর্ভ দেশদা খুনথা খুংলে লাইরাম নলরাজবু উবদা ইন্দ্রনা বৈরে, বকনে, কুংশিংনে ময়মে অসিদা মাংখা লেপ্লগা লাইরামশিং চুংবা মীগী মপক ওইদুনা নলরাজবু হাইদুনা লৌরে, ময়ম্বী মলগী মপক ফজরিব, মতৌ মীওই মওক মপুং কাংকতা লাক্লা লৈব্রবা নলদা লোইদনা থৌরিক্লি, ঐথোইনা কৰিগুমদা কন্যা কংথোই অদুমদি পূর্ণাংরাক ওইবা নলগী মবুকতেন থেংতনি হায়দুনা

ভাইবনি; নলরাজা থৌখংগী ইন্দ্রনা নলদা অনুগ্রহকী থৌজম ওইরগা নাধু মহারাজা এবোইগী উর্গায় অমতা থৌখিবু হাপজগে অমুগী ভাইজখিবনি হায়রকই। নলনা থুং পোন্নখুনা হায়রকই। হায়খিখিনা মহাশয়শিংবু থংগৎ লৈরা উৎথ শকতি থংজেগী পরিচয় অমুক্তা তাকপীবু করি উপায়নো থোকহগে হায়রকই। ইন্দ্রনা এবোই অগ্নি, বরুণ, বায়ু, যম ইত্যাদি এবোই দময়ন্তীবু কংখিংখনা ধরম লাকপনি হুক ওইহনা অমুকং কোয়রো চংনগা লাই এবোই মহারগী থুজিংবা তাবা অমদা থোখিবু, লেখাগী হাপকে হায়রকই হায়তগা দময়ন্তীগী অমক্তা থংনগা থুনা লাকই এবোই চাইহনা লৈরনগে বাদি তাবদা নলনা হায়রকই কোথংদি থুংনাই পায়বা মরাখা ত্থুনা লৈরমশিং চংবা যাবদি নিংবে। ইন্দ্রনা অমুকৌদি চিংনমগী চংশিনবা মখোইনা উৎপা ওইরমগী লাইগী বর কংনবদা নলরাজা চংলে কনা অমম্তামা নলবু উথিবে কোন্থং চংথকপা দময়ন্তীগী লাকা থংথবে, মখো মখোয়গী মরাইবা দময়ন্তী লৈরগী কপরবা মলথু উবনা বল পুখিং তমহংখিহনা থৌখ যখৌত্থ লেপখুনা অমা তাহংবে অমা তারকপনা কাংথনা হায়রকই অবেপাজি থরক্লে। লেপখুনা যেংখিবা নলবু দময়ন্তীনা উবনা পুখিং অতকপা কংদি ইন্দ্র কামদেব, অশ্বিনী-কুমার ওইগনা হে বিধাতা কননা শেমখইবা মন্যদি, অমম্ব থাগে মখুনো মস্তাদম পায়খশা মাংনা থারগা দিন কখোয়, হায়লগদগী চাংখোকপা ওহল্লুনা ওহাক লৈবে। অমা তারকপনা যেখোম থৌরগা মহাশয় মহাকদি কনানো দিবা লাকলগা এনী থখোইনা রূপ-রস, গন্ধ, স্পর্শ, শব্দ থেম মতামা থাখিবা কখিনীনো। নলনা হায়রকই, কন্যা এজি লৈথবগী মল নিংথৌদি বাহু তাবদা ভক্তি থেংগা অমম্ব লেংশিনবীবু, ইশা নিংথৌদা অকম অবো লক অমবু এনী জগাসি কোইনা চাকহনি, লাইমরূপ চংবা হুনরিবা মকমশিনা কমদোমা লেংখিন্নকইবনো হায়মগা পাশা লৈ ছন্দেশ লেখা কখনি।

নলনা ইবেশ্বা এ লাইগী দূত ওইনা লাকপনি ছন্দেহ লোইবেবোই ইন্দ্র, যম, বরুণ, অগ্নি, বায়ু, লাইমচামা মহাকপু দেবাগী হাপখিংগুনা মখম লাকই, লাই মতাদিগী মদুংগী পুকনিংমা তাবা অমদা থোখিবুকো হায়রু হায়নগী মরগা লোইমনা লাকপনা কনা অমতনা এবু উহোদনা থৌরকনি মাকমদগী ক্রিয়া তামমগা কোমা ছন্দেহ থৌগে। মাবাময় তাবদা দময়ন্তীনা লাই মহাবু পুকমরকনা-নাবজরকই মহারাজা এনী কাংথোগী মচিন্মগী মহারাজগী পাও কংখবা থুরিংজগী এগী প্রাণদি কংছেবা লেপথবে। কমদোমা এবু থাদোকপাগদৌরিবনো এগী ইপুরোইদী মহারাজদী প্রাণনাথনা লগী ধর্ম তাকপীরবদি লৈথরা ইশিংনবা, হুনবা, মরাই থাগদি লৌখিব পাপ কাখোইবু হায়রকই। নলনা হে কন্যা লাই হায়বদি মীওইবনা অমুক্তা উবগে নিংবদা কংখিরবদি ইন্দ্রনা থোখিজরবগী শচীগুনা ওইগনবদি লৈ লৌশিং-হংশিং, যম, বায়ুবদি অমং নিংবা থোকদিবা অহুনা এমবগী মপুম ওইবিবনি; লাইবু থাদোকলগা কমদোমা থোখিগদৌরিবনো?

কন্যা দময়ন্তীনা মহারাজদা এগী ইবুংগোদি এনা ইবুংগোগী মনাই হুগীদি নংকম্বনি, কনা

থাংখোকখবগী হায়বদি নিত্তি পাত্রনা লেপ্পী। হাবং পিবীরো খৌন্তিকম লৈ হকচাংনা খোম্বিজয়বে দমনা হায়বকই কন্যা হুক ওইদুনা লাক্লগা মাতমু ঐনা থাংখোকখবা ধর্ম থোক্কে, মাহাক্তি ভাবনা দময়ন্তী মাইথোং লাংশিনদুনা বিত্তা দি শিন্দুনা বিক বিক কপ্পা ঐগদি লেপচবা পতিগী ধর্মগী মতিকই থোব লৈতে প্রাণনাথগী চক্ক মতম্গী থোকনে হায়রম্লিনা মতাদা মাইনা লোইননা করীদ্ মাইদি ধর্মবু ভাকপিবান মনাবগী মরাইনা নমাইনা কন্তিদুনে হায়জরকে। মাহাক ক্রিয়া ভানমবন হুদেহ লেখাই খৌরদা নল হুদুনা মাইনা হায়রকপা মাকমদু লোইনা তবজরে। লাইশাবগা নলগা মতাদা চঙদুনা লাই মতাদি মকল চপ মানবা যেম মত্রা তৌদুনা লোংপোকপোমদা মতোইগী পরিক্ষা যেক্তবগী কম্ভনথরে। দময়ন্তীসু অন্তর লৈথোংবা লোইদুনা মাইথীংনা খোঙলুনা মাকাঙ্গা চাইদুনা লৈবে, মাকা মুনা কমনে। ভীমরাজনা মতা ভক্তি তৌরগা কন্যা পুখোৎকপা হায়দি হাবং পিবে। মাকাঙ্গা কংলবদা দময়ন্তী মমাংনা খোঙ্গম তৌদুনা বমবম মত মাইথকা পুখোৎক? । মাক ক ।। মতা ভক্তি খোঙলগা মাতম মমাইদা লেঙলগা মলমাক্সু কোইনা মেকতই মাকাঙ্তা দময়ন্তীগী মপক কতম্লু উবদা পুক্নিং শুমহৎপিরুনা চেনা যেকপগুম চপ চপ লেপতুনা মী ভাংদনা মেংহনা লৈনথরে। দময়ন্তীনা মেৎতকপদা লাই মতা নলগা চপ মানবা লৈরিবদু যেম মরাদিনা মল ভাক্তা তক্ক পরেং কন্দীবম মপুংথো মল থংবা তমজে, যেম মায়াদি থংবনা মখুৎতা দধিমাল্য পাক্তু থমগা খুৎ লোয়রবা * ইন্দ্র, যম, বরুণ, অগ্নি, বায়ু লাইমতা খুমমজরগা মমাইগী লেপপ্লবা মতো ধর্ম অনি ভাকপীদুনা প্রাণপতি নলবু পিনবীদু মমাইনা ভিক্তা ওইনা নিজদি হায়জরকই।

দময়ন্তীগী মতাঙ্গী পুংচেল লেপ্পা মানা খোনজব ভক্তিনা শেঙ্গদুনা মীয়ামগী থংকনদে কন্যাগী মকমনা লাইগী খুদম উংখরে, মিংখুপ লৈতবা মাইনা তম্ং কাংবা, অমকপা লৈতবা হকচাংনা লৈতবা খৌনা কতবা, লেপ্পেপ মায়া ভাংবা, খোং লৈপাক লোক্কবা খুদম পুমনমক উদবদি! মলগা খোং লৈপাক শমনদি হকচাংগী মখি ভাঁপ মলান থংজরদুনা দধিমাল্য পাত্র পায়রগা চংজরকলদুনা পাক্ত থমগা লৈ-পাক্তং নলগী ভক্তা হকলে। মতম মুংশিনবা চন্দন খোঙ্গরনা প্রাণ পাম্পা কংকুনা খুমমজরে। যেম দানব-গন্ধর্ব্ব অমম্পুং মাকা মত থন্যা থন্যা নল থন্যা দময়ন্তী থাংবলরকই, নলনা লৈতো ঐগী পুন্নি লৈবিমবৈদি মহাকপু ঐগী থবাইনি হায়দুনা কেপ্পগে হায়না কোংথংপিখরে। ইন্দ্রনা অলক্ষিত মরুপ মমগা লোইনা কদম পিরে,

---

* ব্যাখ্যা। ব্যাসগী মত কাশীগী মতম ইন্দ্র, যম, বরুণ, অগ্নি, ওই মতম লেংই। পক্ষ অমম্পুং থৈবদি ভাতমক্তি মতমা পরম যেথম ওই মথা লেংই। মতম অগ্নিনা পক লেপ্পী মথা ইন্দ্রে অনুন ইন্দ্রনা শিব অলক্ষিত বিদ্যামা খুদম্বা থংলিমদু থংবা ওবই। মতমনা অনুভবম মতমা পাত্রা কৌশিং লৈহনবা অমুনা থোংবা থকপগা অনুভব মল লৈ। অগ্নিদেবনা

বরুণ অমৃতাসব বরু পিরে, অদনা প্রাপ্তি বথ বরু পিরে, নৈনা অর্থি মরু পিরে, পবন দেবনা বাউ মিন্যা পিরে। ইন্দ্রগী মখিংকা পবন দেবনা অকক বন্ধু, অস্ত্র মূল বর্ম চার্মহ পিরগা মিনাই তৌরকে। ইন্দ্র লাইরাব লোইনফুনা হনখি। রাজাসত্তা নহুবি নলনাকা নত্তাই মিকাপ চোংলগা মিনাই পিরগা নহক্ত কুলাচার্যনা মা'নিজুক প্রাক পোক্লগা তৌনবাক মা; কর্তা অইদুনা মরাম্ লাক তৌরে. নবকুন্তীনা অবরংবক কোইজনা নৈ হুরুদুনা খুৎমনহনগা অইবা তৌরকরে নগরগা নিবাপ্রি নাপা পি কে মিনাই লোইনগী দান যাজনা। তৌরগা অহিংহ অন্তঃপুরগা নবরাজী লেকা তৌরদুনা পান্ন লোইনদুনগা মীরামচু নতিক চাবা মরমনা পোপ্বাহনদুনা লেবারাতিনবা পেনহনখী। লোংজাবগা স্নান ক্রিয়া চাবা থকপা লোইদুনা নরবার সভা নপেক, নলনা মহু তৌনবাক মিনাই তৌরে; নবকুন্তীন্দু পিন; মালা খুৎমনদুনা মিনাই লোইনকে; তৌনবাকনা পৌবুক চান চানবা খুংঅন ওই দান দবীপা লে ইনদুনা হেক্তোলপা নলরাকা মথৈপাক্তা নরুকই। ইন্দ্রনা লাইরাবগা মরমনগী হন'খিবদনা নরবাংদা কলিনে বাপুরনে অনিমু মরক মাংনিংহনা লাকপহ নেমারে কলি. বাপুরনে অনিনা ইন্দ্রনু খুরুম্বী মথোই অনি কনাইদনো হৈই? কলিনা এবোই অনি'দ নৈদমীগী মরক চংচরিবনি নদক নকৈ তানদা কংনিদুনা এথোই তৌরকখিনে হাপ্তকরকই। ইন্দ্রনা লে'ক্রগা এথোইন্দু কনবা মাত্র হেংগে চৎথুবনি নংমে মমরু লোইদুনা হরুকনবনি মথোই অনিমু হরো হাপ্তকই। কলিযুগনা কননা কংখিদগে হৈই, ইন্দ্রনা এথোইগী নককী নবক রাজদা কন্যা বরিম্বে হৌজিক মুহোংগনবনী তৌরৌখি।

বাহ তাংবদা কলি শাওদুনা লাইনদা বরিনদা করিন্দু নৈজ্রবা মীদা বরিবনি হে নত্তা মথেই অনিসি কাইনহনগে হাপ্তকই। ইন্দ্রনা হায় কলি তৌনবু মথোই লোম নৈতে কন্যানা লেপচখিবনী মতুং ইমা এথোইগী মাথংদগী বরিখিবনি। দর্ম নৈবা নলনি মীওইবনগী অথোইবু মত্যবাদী চিত্তেন্দ্রনি এথোই পুখমক পেংদুনা লাকলবনি অতুত্তা নলনু একনকবনি খুংদা অরাব। কাংককনি হায়রপগা দেব মরাম চংখ বাপুরনে, কলিনে মূপ লাই অনিক্ত মরবদা বাপুরনা কলিদগী পুককবা মরু হেনবনিদা কলিদা হাপ্তরকই নলগী কজবা শুণ করামুক ইন্দ্রনা হায়রপ্মী অতুদা অর বা পিতরগা এথোইবু পুক কত্তবগী দত্ত কলেনি। কলিনা এপী মাপকথরে

পিকা অমি নরনা পিং মাঞ্জমচু পাম থাজংলগা নৈ থাগংঙনা থোংবা হাই। কংম্ম পিন্না প্রাপ্তি বথ মরুনা থরাইবু চেংবনা থবা চবা অমমুং খুৎলাই মাঞ্জমচু নিম খুদিং মথকাই মাংবনা চবা নিন্যানি। পবন দেবনা পিবা বাউ মরুনা হথকা অইরবচু মথ তৌরগনা খুৎপা লাইদুনা তৌবা চবা বিন্যানি। অমমুং বরুনা প্রাপ্তিক মরু পিখ'দবী খুদ্য তোক অইনা নৈকনবী থথোইনি মাপি কাজনবাপিনবক নিম হিংলো তৌরকপনা নৈকনবনি থথোইনি মাপি লোতি কেংবা মর্মনু লোকনবা পরিক্ত হেংগে পিবনি। ইতি। অমুনা নৈরিনি ভারতনি টীকানা হায়নি ইন্দ্র

মরাক্তি অমুক্তং কাইরকপগী মতমদা চৌথর শাবনা পাবলি। মহাক্না ঐগী ভপায় অমুক্তা তোবীদু পাশ খেলাগী দৈলপাক নল লোইনা মাংখনদ্রি, মমদা চংখক্তনা ক্ষত্রকপগী মাসুদি ঐগী নাম ভাইরপে বারমনা কপুক কলি দৈবর লেপদা লাকলে নল দময়ন্তীগী পৌরভুদা দময়ন্তীদু পাটেশ্বরী হায়ো। অতি, দৈবক অতিনা মঙ, মল, ধনধা পুক্তিংচংদা ঈশ্বরদা ভক্তি দৈলা পাটেশ্বরী হায়ো। মতি, দৈবক অনিদা মঙ, মল, মশকা পুত্রিংচংবা উপবাস অতি নৈবা মণ্ড তোবদা রুপুন্ন করি মনিদ সেবা তোই। মলদাকপী চিঙ লেংতুনা কলিনা লোয়রিবদি হিঙ কংলহনা করবা ভবলকপী চহি ১২ সুমকনে। নল দময়ন্তী অর্জনগি মচা মুপী মনা নিপা অমাদা মচা অনি গুবে মচেদা চহি তরুক, মোপুবানা চহি মরি তুরে লোংমদি নল নঙা তোকর মনিম পনিকনাগী পুং হেলমলোবে মন্নুনা খুকউ মোইনা পুরুং মখেদা হাক্পা লেবা চইখবে, চিঙহ কংবিহনা কলি মলপী লেকেদা লোংশিন্নাখইনা থাঅল চোইহনবা হৌখরে লোংতারুকপদা চলি মলগী মনাও পুষ্করাক পুষ্করগী মাংদা লেপ্পগা হায়রকই। পুষ্কর ঐগ কলি যুগ লাইনি নখু মুংশিহুন নিংদোপকবী লেশীগে লাকপলি ভদি মরাক্না নলপা চৌবর শামো লল খানবা কৌরশ্ব মযাখাগী দৈলপাক নল লোইনা লোকহনগে, মংনা রাজাসন কংলো কিরুছ মলদি ঐ মন চংখনবিগে হারক্নগা কলি উহনা চংশিহুনা মলগী লেকেদা চংখরে খাপুরনা পুষ্করগী থবোইদা চংহনা কলিগী মহায় তৌরমলবা পুষ্করদু পুংচং ভনহন্নুনা কোমুংদা পুরকই। পুষ্কর মরাখাদু খুরমগা দানা মহারাজা মলাওগা ভনিদী চৌবর শমনি হায়রকই। কলিনা পুক্তিং পুক্কংতুনা করে লল খাংহনুনা শাবনি, করে হায়হনা চৌবর লাইরুম পো পুথোকতুনা মরবারদা লাইরুক ভিংথোকলগা মাযোকনবা আসন কল্লবগা কাচা ম চৌরহুনা শাবমী। পাশ খেলা চৌথরে পাক মরি অমশাঙা কুইস্ম খেংনৈ। ঐগী স্বর্ণ ভাণ্ডার শনা লোইনা থারে, পুষ্করনা মলাওগী মলাগী লৈজ থাঙরে, পুষ্করগিনা খাপুরনা পোকম চাংং থোকবদি, মলগীনা কলিনা পোকম ভরহেনবা পোকহন্নুনা পুষ্করনা পাঞ্জল অহান্নবগী মনা লাজ লোকথবে পুষ্করনা বলহা করি থাবিংনি হায়রকই।

মল কলিনা বুদ্ধি ভরহনবিহুনা রুপা লৈজ অমুক থারুনা শাকথবে, মলগি মতৌ উবদা পাক্ক মরি লোয়ুংদা লেংকুনা থাগীদা হায়রবদা, তেগী শাক্তুনা কয়ামুক মথা মরা কারবিরম হায়জবদা থাংবিরে অঙগ অমুক থাংলে নল মণিগী পুতৈ অমুক থাহনা শাবাম লেপ থবে চাবা থকপা ভুখা নাম শোনব কাথক্র। মতৌ উবদা মতী কাপদা প্রাণ তৌথরে লোইনদা দৈলপাক লং থাবা লোইরদ মরি চংলবলি খংতুনা কোমুংদা মপিতরগ, বুংংলোনা খাক্তিনা থাকের শারথী কোইহুরে, শারথীনা দময়ন্তীনা চমরকই মথ শাজল তৌকরো ঐগী ইংা অনিগি মথদা হারগা খুদা ইপাবদা পুহনা ঐনা ইপাদা শিকমগগা মহাক খুদা মঙকউ হায়রকই শাবথী মথ শাজং তোইদ্রু তিমলেন-চিত্রালেনদু মথদা হারগা পুহনা বিদর্ভ তৌরমগা তিংলে মহারাণী ভক্তি তৌদদা দৈবরদা ভীষ্মকোইবর ভবকরে। অমগা অতাং অতি শিরকপদা শাক

মথ পুংশিংবদি মা থানা থৌরকপনা নৈষধ য়োরকই রাণীবা পাও তমজরে, দময়ন্তী কোম্পুংবা কপতুনা লৈরে পাত্র মখি ব্রাহ্মণ সিডা নলরাজা অদু মাংলে থংহুন য়েংব তমদনা মথুম মহুমদা লোইনা চংলকরে সুদিং কর্কোটক থৌগংবদনা পাম্বদা নলরাজ লৈপাক লম মাংবা লোইরে। বন পর্ব নলকাহিনী য়ারী অসি মীওইবনা তাকপা কলিগী প্রভাবদা থুহুম চনবা ওমদে পাপ লোক্লুনা অঙকাক হরি-ধাম কংতি। ইতি হরি হরি হরি॥

অধ্যায়

নলনা বন চংপা দময়ন্তী কাইনবা

ভৈমীনা চেদীরাজ্যদ লৈবা য়ারী মতাং।

বৈশম্পায়ন মুনিনা হায় জন্মেজয় মিংথৌ পুক্নিং চংলা তাবো মখা তিনবগে, পুকনিং লোক্লগা দাদ' মহারাজা থাদিংডাই মাল লৈরবদি দময়ন্তি রাণী থাবো হায়রকই। য়াম্ন তাবদা নল মেরেম থক থক নিজুনা য়াজ'-বেস হোংদোক্লগা কিজম লেপতুনা মপালদোমদা কদিনা পুমনা চংথরে, মাহুমু দময়ন্তিনা উরমনা কপতুনা চেক্লগা নলগী তুং-ইন্নকই পুকনিং মনাইনিংবা নলমু উপাম তৌদনা থমগা মীহ পাটৈ তুম্না হাংকনি হায়দুনা নৈষধদোন থুংনা পাউজেল তৌরমখি। প্রজা পুমথক কিমহুন' চংনরে থোং লোম্নুনা লৈনমে, মতৌম উংদা নল তীর্থ তান্না লাক্তুনা চাদ থক্তবগী অরাম থোরাংবনা প্রাণ পুবা তমজাবনা তীর্থদা কুমথতুনা তৌপিং থকলগা তহাক পোংথারে দময়ন্তী য়োরকতুনা, নলমু খুক্ননত্রগা হায়জরকই প্রাণপতি নমাইমু থাদোকীগনু ইচা অনি ইপানদা থৈরম্ন' তুংইনজরকপনি মেথদি য়েরকমা থুহুম চংথরে লৈবা য়ারাবোই তদি হরি থুরে চাদ থক তুরদনা কোইরকপসি কায়রোই মী কমা অ-তা উপার তমলোইবোই বিদর্ভ দেশদা লৈক্লদি ইচাম্নু তমুদা থম্মুরবনি, নলনা হায়রকই প্রিয়ে অথাবা তাবিদৈদ: মীপীদা লৈক্লবদী কনানমু উমিংলমোই অহুনা দোবা লোইক্লিকাওবনি বন্দা লাই নিংতু হায়রগা দময়ন্তীগা নলরাজাগা বনলোমদা লাকলে।

হুদিং কর্কোটক চাদ থকুনা লাকপসি থাবনথিবনা চাবা য়াবা উহৈ পানবা য়েংতকই মতম অমুদা কদিনা অনিহ কায়নবজগে থন্নুনা, (স্বর্ণপক্ষী) মনাগী মচু ওইবা ককরবা উচেক ওইরদা নলমু ময়বংহনবা য়েংলগা মাংবা তমা তমা চংদি নলনা উচেকমু উথদা মদি কায়না

পন্থশালাদা যোলপুরগী মচল থাজা লিংলনি। চামথা পোৎ থাজা কংলগী কারণে থম্বে সেৎলিবা কৈকোম অহুনা উন্নুবে অহনা থাজাগী উচেক অহু কিছু পুরপা অতিথানা শারঙ্গপা লাওথরকই, হে লল খংজে বরবরদা লাই ঐখোইনগী মরীরসা মরম্মীদা মতোন্ন থরীখীবা লাক্লগে তৌবগী ঐখোই থাপুর কলিনি !! পাশবেলাদা লৈপাক লন থাংবগী মন্না থাবা লাকইবনি ঐখোইগী খুলিদা মতিক চানা লাক্লগে তৌবনি খংজো। থাঙ থাক্কষ্ণপা থাংখোকখক্কে থাহু তাবদা নলনা হায়রকই, পৃবে মনাগী উরেক্কা হায়বহু মহাক তাবেদনা ঐবু অ্যান থুমহৎতুনা তৌবরদা লৈপাক লন থাংহন্নিবা সেৎলিবা কিকাও পুরিবর্নিনি, যেহেতু পৃবে থাংলোমদা মী চৎলিবা অনি থবক্তী মনরপী লমীদি, লমী অনি কৌরব দেশ তাবনি লমী অনিদা চংজো বিদর্ভ দেশ করুনী ঐদি উকু শেংলগা লাই লিংরুনা লৈরগে। তৈমীনা হায়রক্ক থাহবীরিবা থাহু ঐঙ্গী থবোইতি কাইগদৈরে লৈপাক লনহু থাংলে বিপত্তিহু ওইরে অবাথা থৌরাংবগা অবাবঙ্গী মমক্রগা থুম্রগনি। অহুবু ঐগ লোইনবনা লৈরগা অবাবহু কাওশনবনি করিগী ঐবু থাদোকপিগে খনবিরিবমো লিতি শাস্ত্রনা (গৃহিনি গহবূচ্যতে) হুমদা লৈমবহু হুপী মাওরুনবী থনগা থাটৈ। হুপী মাওরুবদী থন্না লৈরবগু হুমগা থাটৈ হায়বনি কাওথিরনা ঐ থাওরুবনি থাবা থরবী মলনা থায়রকই চুমী পৃবে হুপীগা থারবা মরুপতি পৃথীদা লৈতে ঐ থবাই থাবনি ওমগনি মহাকপুদী পুক্নিংগী থাদোক্লোই। বৈদভীনা থায়ইজ অহ ওইরবনি করিনী লমী তাকপী; মা চৎলো থায়বিবিবকো ঐবু থাদোকপীরবদী ঐ কেয়া শিগনি ঐ থাকথ অমা হায়রগে বিদর্ভর নবাইগা লোইনবা লেংঙলি ইপাওয়ু হবাওবিরমগনী; ননা ইবেম্মা শিতম অনিদা ইকুশি মকমদা চৎপা মতিক চাদে মীনা থোকগনী থেরুবন হয়াওগনি ঐখাইবু হুংশিবনা থাগনি মরুপ কাওবা * থেরুবকনি অবাবা তাবৰা মওমগা মরুপ মপানি মকমদা লৈবোইদবনী। মলনা থায়রবদা মবুতোনা থাদোকপিরমগত্র চিনবহুন শেংলিবা ছাড়িহুনা মবুতাবু লৈজেংলপ থামদনা পুয়া থবাং লাকহিন্নরে, থব চৎলগ কজরবা মকব অমা লৈরম্মী অহনা নল নিংখো থামহুনা ওহাক পোৎথাবিদ হায়হুনা উখোং অমগ্গী মমরাভী থামলুনা মবুতোম্বী তৈগন্না যোন থাংলগা তুমথখরে।

কলিনা কায়রক্লবে থম্বুনা মলশি পুক্নিং ওমংৎতুনা নল থাথল তৌরকই মমলিদা ইংনি পুয়া লৈনিঙ্গবনি থাদী হুপীমি থামনা থাবা তারে মানা তুম্মীডুনা ঐ চেনখ্রগে, ঐ লৈরবদী কনাওবগী মকুং ইন্নগা বিদর্ভ থোংগহু অহহু হাড়ী থনি মতুপ অমা লেংনা কপা থামবা থাং মচা অখোবা অংতং কৈরবদী থক্কপদা কলিবা থং ওইহুনা মামা তাবা উহন্নি। থাহু

* কথা কিম্নোক। স্বপন্তিং মহমমানি ভূমিং বিপ্তজ্কারণ। জিরন্নাপি থবপাম্মং তাজুন হতি তৎকণাৎ ইতি স্মৃতঃ॥ ইতি প্রাপ্ত বার্তক॥

ঠৈজমী মমাবগী ভুংইন্দুনা লাকই মুখিং ভাবনদাইদা করববা মকম পুখ্রি অমম্ন লৈ মমামহ রাকহুনা জিদা অহিংদি লেক্লদি হায়নহুনা পোৎথানয়ে পুন্থ পুথা থাজনরকপমু চাবে ঐশিং থক্লবগা মমামহ ভুমনরে। দময়ন্তীদী থবা লাগুক্লা উপাল অমদা কাথংলগা লৈয়ে অহিংহ মনগী শামু মমাম পুখ্রিহুদা ঐশিং থকপা লাকপদা ভুম্মীবা মীরামগী পোৎতু চৈথানবগা মীরামহ মনাতোমা কোংকুনা লংথোকই মথোংনা ইনথোকই মীরাম কিহুনা কাইহুনা চেরবি শামু মমাম ঐশিং থক্লগা অজন্মা চংথবে ঠৈজমী উবক্তা কমী, হে বিধাতা! ঐগী ইমাইবক থম্লোক্লা থিনা ভগীবশীদকো মমবরগী কান্দা লাই মমামনা চিংমবীথিবগী ভগা কমামকুইনা থাহনবীগদৌরিবদো হায়দা তেংথাথী। নোংঙালগা মীরামহ মপোৎ লোইশিন্নবগা লাক্লবে মথোয়গী ভুংইন্দুনা লাকপনা মুমিং মঙানিদা চেদিরাজাদা থুংহবে, বেপারিশিংদো থাজাবদা চংবদি দময়ন্তীনা কোদুংংলোমদা চৎখি বংদা চাদ থক্ক-ভুমমনা লাকপগী মায় মকশিংগে মাং বংলে ছাড়ি মতেক্লা হকচাংগী লৈতেং ঙাইরগা লাকলমখি। দুংশালোর মগী মুইদা হোজ্বগা কোদুংলোমদা লাকইবহ উবদা অমম নহা মুপী অচাং মমাম চেহোরকুনা পুংকোই কোইশিন্নি, ভাল লৈতবা অচাংনা উমুল চাইশিন্নি মিথুংশি থংদবা মমাই কাথা কাংবুনা লৈথোম চাইশিন্দুনা অঙাওবিমী মমাম হৌহনা লোকই।

রাজমাতানা দলাব চেতো বন্দা থোং হাংবোক্লগা হকচিক লাংহুনা লৈবদা উয়ে মমাই থাত্রী কৌশল্যা মমাম কোইশিন্নবী মুপী অসি ঐগীদী য়োগে লাকপা থাজি নং থুনা চংলগা ঐ ঙৗদিদা পুশিন্নকউ। থাত্রী চেনবিহুনা নথোয় দঙী কংবা পামজ্জা হন্দোকউ কবিগী মী লক্ষ্মী হন্দোকহল্লগা বিদর্ভী কোদুংবা পুদিল্লকই রাজ মাতা দলান্দগী মুমথক্লগা ইবেম্মা চংলকউ নংগী পরিচয় ইমাদা হায়রো, ঠৈজমী চংজুনা ভক্তি তৌরগা খুৎ লোমহুনা ইমা ঐদি মীনা লৈবিন্ধ লৌনবে ইপুরোইগনা পাপথেলাদা লোইনা মাংখিহুনা মমদা লাকপদা ভুং ইক্কবকপদি ঐনা থাহুনা পোৎথাবদগী ভুম্মুবে ঐনা মীকপ থোকলকপদা প্রাণ মাথ লৈরমরে। ইপুরোইব খিজরকপনি ঐগী ইবুংঙোদি মহিক মগুণ লৈ ধর্ম লৈবনি অহবু মাংখিবসিদা প্রাণনাথবু খিজবদা চাদ থক্কবনা রাবনগী অঙাংবগী মতৌ ওইরে হায়রগা কপপকই। রাজামতানা ইবেম্মা কপকহু নংগী মতৌ উবদা ইমাগী থথোয়বসি পুথা হমরে ইমাগীদা লৈরো ঐনা মী থারগা মথুংতো কংবা খিহনগে হায়রকই দময়ন্তীনা চানবীহুনা থোংখু দুথাকপু লোকমনবিদবা নিপাগী মকমদা পাথোন শিংদবা, মাগে কংহনবীদবা পতি লেবা কংবগী হায়জবীথান নমাইগী বাশক্কি থাশকদি ওংকপীগদবা ওয়বগী লৈতংগ, থাথায়দিগা মশক মতৌ অহগা, রাজা-মাতানা মগী মতীন অহুগা থাগীগী গুণ চেদি মথুংঙোদি নিংথৌ ওইরমমদি উপায় তৌরগে থন্মুনা ইমা নহাক্কী থাশক জাককে লৈরো হায়হনা রাজামাতানা মচানুপী সুনন্দা কৌবী মচা কন্যাগা মতা শাজরক্লে

বৈদর্ভী কোনুংদা লৈরে, ইমা ঐগী ইবুংঙোদি শাস্ত্রগী খিৎনবীবু বায়থুনা ব্রাহ্মণ খায়দগীদা নলগী থংনবা খুবম অহু লৌনা ভানগা হুত থারে। অনিশুবা নল পর্ব্ব মনগি ৱারি অসি ভাৰবদা কলিগী পাপা খুবম চনবা ভবদে অরোইবা মতমদা খীওইবদা হরি-নাম কৎই হায়নসি শ্রীব্যাসনা লেংলবা মহাভারতকী ৱারিসি ব্যাস বাক্যসি বেদ বাক্যসি। ইতি॥ হরিবোল হরিবোল হরিবোল॥

অধ্যায়

কর্কট লিননা চিক্লগা নলগি শকফম ওন্দুনা অযোধ্যাদা লৈবা দময়ন্তীনা পিত্রালয় য়োরক্লগা নলবু থিহন্দুনা নলবু ফংবা ৱারী মতাং।

বৈশম্পায়ন মুনিনা হায় বৃহদশ্বনা ধর্ম্মরাজ নলগী অমুক লিয়রুগে ছাড়ী মতুপ্ত লেংলগা তুংলোবদা হয়া য়েংদনা মুংশিংমুক য়াংনা চেন্নরকলে, মধারোমদা মৈ চাকলকপা উরে মতমদুদা অকনবা খোল্লেমা চাইখো চাইখো নল মহারাজা হে পুন্যশ্লোক ঐদী চৎপগু তমজত্রে মৈনা চাকুনা লিব ভারে। ঐগী থবাইসী অমুক্তা কনবীয় হায়রকই। বাহু ভাবদা নলনা ঐবু কৌরিবা মহাশয় কনানো পরিচয় অমুক্তা হাইরকউ, বাহু ভাবদা খৌজাল মৈয়ব হে নিংথৌ ঐ'স লিনগী লিংথৌ অনন্তগী মনাও কর্কটনি মায়দনা ঐবু উবদা থংবিদুনা শাপ পীখ্রদগী ঐ য়াম্বা য়ানা লেংঙমদনা লৈরে শাপ মৎতমদি ধর্ম্ম লৈবা কহাকি মায়থোং উবগা কোকচৌ হায়বীরম্মী। ঐবু মৈনা চাকুনা লিব ভারে নহাক্না শোকপিয়গা মীনা কিনয়বা হকচাজি মওংসি হজিন্দুনা অৱাবা কোকনি, বাহু ভাবদা খৌজাল হৈংবা নল ভজলদা চংলগা কর্কটবু লেংবাম্বা খোংলগা মৈ চাকংবা অশোংবদগী অকোকপা মকমদা পুখোরকলগা থারে কর্কট শাপ কোক্লুনা অকিবা মতৌ ওইরবা মওংদু হজিন্দুনা অৱাবদু কোকলে। মতিক চাওরবা কর্কটনা নলবাজগী উপায় তৌগে থমুনা হায়রকই পুন্যশ্লোক মহারুক ঐনা মরূপ ওইরসি ঐবু থংবীদা কোয়গা খোংকোপ মশিং থিয়গা অমুক্তা চৎলু উপায় তৌগে, বাহু ভাবদ নল কর্কটবু কোয়গা খোংকোপ মশিং থিয়গা চৎলে খোংকোপ তরা শুরুকপদা কর্কটনা নলবু চিকলগা হ কারদিন্দুনা মংক মতৌ ওনহল্লি হুপী মৈচাকনা নলগী মপাদা লৈরিবা কলি যুগক কংহল্লি অহুপা লাগ্রা হন্থোকনুনা লৈরে। নলনা কলি থম্মদো মথ নজি উপায় তৌবা মরূপগী ওইনরবা অহবু চিকলগা হ কারদিন্দুনা

ঐবু হাংকে তৌরিব মাহ্র অাশিগী হৌমমায়, বর্কটনা হায়রকই মথা মহাক্কী উপায়, তৌবনি মহাকসি মলনি থংলবদি চংকম লৈরবোই অমুনা ঐনা মশক মগুণ লোংশিনবগী হগী থৈচাক্তি মতি থবোইদা লৈরিব * কলিনা কজদর্বনি রাকম, নমিং সুবাহ্ন কৌরগা থগ্ন লৈবা ঋতুপর্ণ চতুর্ব্বর্ণবু পালন তৌরিবনী মাগী সারথী ওইদুনা লেকরা অদু ওইরবদী মতৌরাগী মচা অনিগা কাংমনি। মতৌগী উপায়না নৈরপাক মরন থজিনদুনা খুংগোইনা পাম্নগী ঐবু নিংশিংবদা হায়গী শককম হংখুনগনী থাম্বগা লেংব-ইনব কি আন পীরম্মগা বর্কটনাগ মাংখোবথরে। নলরাজ লিনগী পওংক্ত মতুং ইমা অমে থ্য রে মদ লাকপহ মুমিৎ ১০নিদা খুংগয়ে রাজসভাদ চংগকলগা ভক্তি তৌরনা হায়রকই, মহারাজ ঐসি ইমিং বাহুক কৌই মলগী সারথী ওইরম্মী পাশখেলাদা মাইথিরনা বন চংরে মরম অদুনা নলগুম গুণ চেম্মব মহারাজগী মকথদা লাকচর নী। ঐসি মহা বিদা মৈ থাংগৎতনা চাক থোংবা ভগ্নী ঈশিং শোরুদনা পাম্নদা ঈশিং লৈহনবা অমুনা খোংবা চাব থকপদ অমৃতগুন মহাও লেমনব ওস্মী অশ্ববিদ্যাগ্ন হৈরে, ঐবু য়োকপীহনা, থগীবু ঐ মহারাজগী উপায় তৌজগে। ঋতুপর্ণ খুংগোইথনা বাহুক সারথী হনবা অমসুং শগোল হৌবম্ব ওইহম্নুনা থম্বগ্র।

নল অমিং খুংথিল চাদ থক্কা ভূমদ দময়ন্তীবী থম্নুবদা বাখিবনা বপুনা লেম্রে, দময়ন্তীবু চেদি লৈপাক্তা লৈরীবগু রাজমাতানা শুভ থাহুনা থিনবদা মলদি শককম তথোকপ্পবনা থিবদা থাখিদহুনা সত্তীপ্ন অমিং খুংথিন কপুনা লেম্মী। নল-দময়ন্তীনা বন চংরে তাবদা বিদর্ভ রাজনা ব্রাহ্মণ লিশিং অমা মনা, মুপা, পিয়গা অমসুং ইচা-ইমাক অনিনী মসুংদগী অমতংবু কাংতকপা শুভ অদনী, মগবী চানা হৌভিক, শকোম শুমজিবস্ত মমা ওইনা পিগনী হায়দুনা দেশ থুদিং ব্রাহ্মণ শুভ থাহুনা থিরম্মী শুদেব কৌবা ব্রাহ্মণ অমনা চেদিরাজ্যদা তাবদুনা সুবাহু নিংথৌগী কোম্বংদা মন্তানি তরনি লৈরগা রাণীগী রাজমাতাগী জাগা থুজিং কুগ্না য়েংঙৌ রাজমাতাগীদা লৈরীবি শৈবিক্রীবু কুপ্না য়েংবদা দময়ন্তীনি থংলদুনা সুদেবনা হায়রকই, ইবেম্মা মতৌ ঐবু অমুক্তা য়েংঙ, ঐ মসোতম যুবারাজগী মচা অমসনগা মরুপ ওইবা সুদেবহ ঐনি পিতা ভীমরাজনা ব্রাহ্মণ লিশিং অমা মহকপু থিবা থাম্নী মচা অনি মজল ওইরি। মাতা পিতাগী মনাকীদথক কপুনা লৈরে হায়রকপা বাহায়হ তাবদা তৈম্নী মদন লৈথৎতুনা য়েংবদা

* টিকা। মরাল লৈতবা মতৌ-বৈকবপু অমাব পিরিবা কলিবু অমাখা পিগে মলবু উপায় তৌগে হায়বগী চিকমা হ কাম্বনা কলিদা অমাখা পীবনী। কলিগী শক্তি চহি ১০ কাওবা লৈ অমুনা মাবু কোয়গ বানা চংহংবা খোংগাপ ১০দা চহি ১০হু শরুবম্নগা মলরাজ কর্কটনা চিকপগী হায়বসি লৈশিনি তায়তকী মতনি। ইতি॥

সুদেব ব্রাহ্মণ উ'দা তেংথাহনা কপলকই সুদেবন্ দময়ন্তীগী মতৌ উবদা কপদীদবে সুদেবগী মাহারনগী থংহনা সুপী মরাম রাজমাতাদা তম্বু রাজমাতানা সুদেবদা হংলকই, কনাগী মচানো করিগী মরুব কাইন্নকপনো ব্রাহ্মণ পরিচয় অমুক্তা হায়বিয়ু ? সুদেবনা হে রাজমাতা বিদর্ভ দেশগি ভীমরাজগি মচানি পুণ্যশ্লোক নলরাজান মপুরোইবী পাংথোকপা রাইবিহনা কনা অমত্তা থংহোদনা বন চৎখিবগী তীনরাজনা ব্রাহ্মণ লিশিং অমা থাহনা থিদনবনি, এগী লাইবক কহনা ঈমাগী মকমদা ক হয়ে এনা থাবদী পিশুব অদিগী মরাইদা থোইদিং অমুবকম শাক্র লৈবা থুদমশিদা থংবনি পৃথিবী চাংদমনিংতাই লৈরবা মশক মতৌ মগুণদা নল-দময়ন্তী অদিদি মাঠৈ হায়রৈ। সুদেবগী বা তাবদা সুগন্ধা রাজমাতা দময়ন্তীবু কোল্লগা কপ্পুনা হায়রকই। দময়ন্তী মহাক্কী পরিচয় তাক্তনা অমক কুইনা লৈরবদী করিনো, নংবু পোকপী মুনানৈহু এগা পোকমীনবী ইমাগনি এগী ইপুরোইবনা থিরবাহনি ঈমাগী মপু রাইন ভীম নংবু পোকপহনি মপম্বী সর্গতি ওইখ্রনা সুবাহু ইচামা নিংথৌ নোনা ওইরিবগিনি। নংদী ইচাগী নংনা তাক্ত-বনা ইমানা থংদবনী হায়রগা কমী বৈদভী মন্না-নী ধ নবহনা খুরুমজরগা কপহুনা হাংজরকই, ইমা ইচা কাইদরীবদী চহি ৪ সুয়ে বিদায় পিনবিরো মচা ঈমা-ইচা উনজকরগে ; রাজমাতানা য়াথং পিহনা রথ শাজোল তৌরগে য়ত রাণীগী আভরণ সেংহল্লে নাবথী নং থিল্লুরো য়াথং পিরে। সুদেবনে দময়ন্তীনে লোনাই তোংলে সারথী রথ থৌরক্লুনা বিদর্ভ য়ৌরক্লুনা রাজধানীদা রথ থারে, মাতৌ চেল্লিনবিহনা মাজা মানীদা হজংথি, মচা নাক্কে তাবদা মাণী চেল্লোবক্লুনা মচাবু কোল্লগা পুশিল্লী পিতা থুকমকৈ মচা অনি কোল্লে মবুং মরুপ মপাং লোইনা উনরে চাথিন থকথিরবা লোয়রগা দময়ন্তী ওহাক হিপকুনা পোংথারে।

নিংথৌনা সুদেবদা মপবী চামা রাজপ্রসাদ দান পিরে সারথী মভিক চানা মণি রত্ন পিরগা হনহনবী, বৈদভী হৌগংলক্লগা মমাদা কপহুনা হায়রকই ঈমা প্রাণনাথ নলবু কংরবদী মচা নৈমুংদা চোংথহনা থরাই থাজগনি। মাগী মাহার তাবদা রাণী নিংথৌনা অমুক হজংলি ইচাদি নলবু কংরবদী থারাই থাংদৌরি ইচা শিরবদী এনু শিগনি, মরম অদিনা ব্রাহ্মণ মরাম অমুক থারগা নলবু কংনবা থিহনবীয়ু হায়রৈ। তীনরাজানা ব্রাহ্মণ মরাম নলরাজবু ইচাগা তানরগা কংনবা অমুক থিবীয়ু হায়দুনা সনা খুপা য়েনথরে। ব্রাহ্মণশিং হুনা চৎলমদাইদা দময়ন্তীদা হই, দময়ন্তীনা সাধুনা তুংইন্নবী লোথর্মীগীয়ু হাক্তী মরুপ অমগা ঘুর বন্দা থম্বীরগা চৎখিবদি ধর্মগী ওইবা করি অর্থ লৈবগে, অমুক্তা তাকপীয়ু হায়দুনা গুণ চেনবা মী উনবা খুদিংনা হংবীয়ু অহনা খুমককপা মাওবদি হংবীরকলগা এতোম্বা পাত পিবীরে হায়রগা ব্রাহ্মণ খুদিং চৎখরবি। দেশ খুদিং নাগি নাগি শহর শিজোরগা ব্রাহ্মণ মরাম নলরাজা থিবা চৎলথরে।

বন, গ্রাম, নহর, দেশ খুদিং থিরকপদা পূর্ণাদি কৌবা মুত ব্রাহ্মণদু অর্ঙ্খাদা তাবদি অদুবা বন গ্রাম খুদিং থিরগা ঋতুপর্ণ নিংথৌগী মতাদা খুংহল্লে মতা তঙ্গী তৌই ব্রাহ্মণদু মতিক চাবা অমঙ্ক অমম্প কৌহনবী। পূর্ণাদি ব্রাহ্মণনা দময়ন্তীনা হায়রকপা বাহারহনী অর্থ হাংবদা নিংথৌ পাও মঙ্গ নজদাতা অর্থ পাওখুম পিবা ওননাহনা লৈবরে, ব্রাহ্মণনা অমুকন্তু হংলকই বাহুক মাইথৌনা হায়রকই ব্রাহ্মণনা কয়া কয়া হংখিবা মতামা পাউখুমদু পিনরে মাহ ঐ হায়জগে থমোইদা। প্রেরণী ঐথক হৌরকুনা হায়রকই। বাহুকনী পাওখুমদা কুলবধূ সতী সাধ্বী ওইবীনা লেপকদবা পুকচেলদি মপুরোইবনা কত্তব থবক তৌরবদু মরোমদা কন্নামুক অরাংবা ওইরবসু মচোন্দা কোংদোকওইদবনি, মপুরোইবন পংবদগী লাইরবগী ধর্ম নত্তুবা থবক নিত্তিমী তৌরবা দোষনু মচোন্দা কোংদোক্কনা অথবা অশঙ্কুনু মরোম্বা রাগী লাংদবদা মহৎনা সতীগী ধর্ম ওইদনি। অমসুং পতিগী দোষাদগী অরাবা কয়া নংডুহনা ওইরবসু পতিবু নিঙ্গা তৌদনা ঐগী কর্ম কোলগী হায়না মথাবু নিঙ্গা তৌবনা সতীগী ধর্মনী হায়না বাহুকনী অর্থনী অদুবা কোংলীরু, ব্রাহ্মণনা কনাগুম্বী ম্যাইরবীনা সতীকুনী অয়ুম্না চরিত্র হংলকপা বাহুকনি হায়না শুনহু মাইথৌনা হায়রকপদা রাজসভাদা সুবাহু ধন্যবাদ তৌনরুই ঋতুপর্ণ নিংথৌনা পূর্ণাদিবু তুজল লেবা তৌহনখি। ব্রাহ্মণনাসু মাহুবু লক্ষণ মুজ রেংবদা ঐ থাগৎতা ঐশিং গোকউদনা পাক্ত থাংগৎলে চাক খোংবশু উই, শকমদি কুরূপ ওই মতম্ভু উবদা পূর্ণাদি হকখি, নিংথৌবু বিদায় তৌনরগা ব্রাহ্মণ বিংঙ্কদা হল্লকলগা দময়ন্তীগী মকতদা পাও পুরক মুখা তম্রে।

বৈদর্ভী শুংঙ্কাইজরকুনা ব্রাহ্মণবু সনা শুপা কংহুনা খুরুমজরগা অঙ্কা পোংথাবিরুয়ো প্রাণনাথ কংলগা লেব, তৌবীনি হায়না বিদায় তৌর ব্রাহ্মণ চুংগাইনা মমদা পোংথাংবরে, দময়ন্তীনা ঐমা মনেব ব্রক্ষণ কৌবিয়, হায়জৈ মাণীমা মরাই থাহনা মনেব কৌহনুরে, দময়ন্তীগা উংবে। সতীনা অঙ্ক অযোধ্যাদা ওদিমক মন্ত্র তৌবীরে পূর্ণাদি অক্তাগী পাওজগী পতি নলরাজা ঋতুপর্ণ নিংথৌগী সারথী ওইরগা লক ওহোক্কুনা লৈরমাদে, ঐনা সোইরে নিংঙ্ক মাহনা খুদক্তা নি তৌরক্কনা উপায় অজ্ঞাতো তৌবীরু মরমদি পিতাগী শত্র ওইনা ইথিরু মযোলদি নলরাজা থিবা কংলে মম্বস অমুগী ইচাকুপী দময়ন্তী স্বয়ম্বর অমুক তৌরগে অযোধ্যা রাজাবু ঐনা প্রেম লৈহনুরা পঙ্কা বার্তন থাজখিবদী সোইবনা লৌবীরকউ ইশাথিবিগলোথিবকী খুবিদাং-বাইরবদা অতুপর্ণদি শক্তিগিকগা হুংহক খেংক্লে সোইদনা লৌবিরকউ হায়বিরু, সারথী সুবাহুনু বাউ নয়া লৈবগী লোইদনা যৌরকুনি প্রাণনাথ নলগী থিনক্ত অমদা মুথক চানগী লগী খুদনা পাইহনা থৌবা [illegible] নপাক্কী ঐনী ইথুংগো কংজগে হায়হনা প্রোম ওইমুবা সনা শুপা পিরক্ত মুখেন রথ তোজ্জনা খুরুক্ত সারথীনা সুংশিক্কো থাংগানা থৌমুনা চংখে। থুমিং হমিদা থুংক্ত বাজার কনক্তা রথ থাহনা সারথী রথ থনক্তে অদুবা মুদেব থুমিং তাগুববা দত্ত মরি [illegible] নাজা সতোমা থুংরে, সত্তা খুরুমজলগা নিংথৌদা পক্ষ অদলে সুদেবগী অমুন [illegible]

লেখা কৌরম্নুনা পোংথাহনখে, পত্রদি মরোম্বা মহারাজা অযোধ্যাপতি নলরাজা মেনুবদা লৈপাক লম মুমুপা বন তানবি। ইচ রূপীনা ঐদীদা চেকদুনা ঐনা চহি ৰবি অনি থিবদা কত্তে পিখে, হিংতি হায়রম থংরে অদুনা মমজাই ইচাগী নিংবা মতুংইনা ঈচ্ছাবতি ময়মক তোখা তারে, নিংথৌবুরা থংদুরে তৌর ঐন মেংবা মহারাজা অযোধ্যা পতি বাওরে নিময়পম থাবদা চতলিংবা যৌরনাভে অদুনা থুমদা মুনেন ব্রাহ্মণ থাখি বনি। ঐনা প্রেম লৈতন্দুনা বাঙ্গরিংই হয়েংদি ঈচ্ছাবতিগী মথক্তি মংবদা যৌবিংকনউ হায়বা পত্র মরোম পাবগা যৌবিংঙনা দ্বুবাহ মাওবী কৌবগা হায়রকই, মাওবী নহাক্তী অথবিদা লৈবনি। চ ম অহিং চংপনা পোংতারকপদা থিমর্জ লেপদা থংবা চমগদ্রা? ঐবু যৌরকউ বৈদর্ভী হয়েংদি ঈচ্ছা-স্বয়ম্বর তৌরমী হায়বগী হৌজিক্তা পত্র থংদুরে ঐ যৌবিংঙি উপায় অদুদা তৌ। ঋতুপর্ণগী বাহায়দু তাবদা নলরাজা পুক্নিংদা চকুনা চহাক বাথন তৌই মময়ত্তী মচা অনিত লৈবিরম্বী মত্তী মাথবীগী ঐবু ভক্তি লৈবীবী, জগৎত্তম মাসিক্ষতি থোকখিনি বাকমদি মীংবা ঐবু কংমকবা হায়রকপা তইরমগনি; তাইরমবা বাবু ইমাদা তাবিবদি ঐনা মত্তীবু মদা থমথগী দোমদা কয়বা বাকম মাংকাংবা তাবিবনী ঋতুপর্ণনদি থাজদি। অদুক্ত মতা তইরবত্ত মিথ্যা তইরবদ্র যৌরগা অমেগা থংলগে নিংদুনা হায়রকই, মহারাজা তঁদ অহিংদা থংবা চমগদি বাত্র তাবপা নিংথৌ মুংতাইদুনা অপাম্বা অমা হায়রু ঐ মদা পিগে হায়রকই, নলনা মহারাজা থবক পাংথোক্নগা কোমা পাম্বদ মিজংগে হায়রগা অশ্বশালাদা চংখি। পোমদনা নিংথৌ পাত্র-মন্ত্রিগা তেংজেংল সাজোল লোইদুনা লৈরি নলরাজা অশ্বশালা থুনিং মেংবদা উচৈশ্রবাগী থাবা শগোল মক্তা ম তরম্বী, চাব থকপদ মশুং চাকপগী লৈসাপিংবা থ মবদুনা মরাংদি কংলে, নল শগোল মদি পুথোরকুনা মথদা জুবিরে নিংথৌ মরাং কংবা শগোলদু উবদা শাওরকই। পার্বতী ঘোড়া সিন্ধু দেশী অশ্ব লিশিং অনি লৈরিবগী অহুদী থকগা মরাং কংলবা শগোন্দুনা মথ পুথা তমংদোহিরম; ঐবু মোরখিবদা হায়রকই।

নলরাজনা হায় মহারাজা রথ কাখৎপিমোই অশ্ব অনোইবশিংদি চবোই, মথোইগী উচৈশ্রবাগী থারাগী মথোইতবা চমগশী বাহকগী রাহায়দু তাবদা ঋতুপর্ণ রথ তোংলে নলনা মরুপী শক্তিনা অশ্বাদা পাংদুনা থৌখিবদু উবদা তেজোল মত্রা চক্ষুনা লৈরোরে, মন অমা যৌরকপদা নিংথৌ উত্তরী তাংলোরে। ঋতুপর্ণনা মাওবী রথ অমুক্তা থাম্বোম ঐগী উত্তরী তারে অমুক্তা পুন থপে হায়রকই নলনা মহারাজা উত্তরীদি পক মরুনী যমদা লৈরোরে হায়রে, ঋতুপর্ণ চকুনা বাহকগী রথ থুথো লৈবিদা শক্তি উবদা মাতলিব, পুরন্দর, দারুকব মরুপা অনাগী কুমারবা, মারুতব মথা ঐগী ইবাক্তা লৈবদা। মীতইবদা মানুমন তামি টেকথবাদা মলত্রদি তক্বা শক্তিদা শাওবা বাতাং করবা বিদ্যাগুণদুদ নলগা মাইক কুরূপ তইবা অনিমং থেংবৈ, মক ওজোকনা ঐগী সারথী তইদুগা দোম অহুনী লেঙবা লৈবরা মচুরগা হায়রকই বাহুক মহাপ্রাজ্ঞ লম মকপ লাক্ত মেক হায়রা তবা অদুগুমবা পেনব বিদ্যাই ঐগা মায়বা লৈতে

হেক হেংঙদা হায়বা ওন্মী যাংদ হৌরিবা খোংনাংদি মহাক্না কোতি ওম্রী মচৈনা কোতি হম্রী, ঋতুপর্ণনি মহারাজগী ফাবদা নল থুনকা রথ হাপথকুনা খাদে মহারাজা অমুক্তা ঐ মশিং য়েংজকগে থুজিদি অমুক্তা শ্যাইশিন্নু হায়রকই। ঋতুপর্ণনা হে বাহুক খরখর মন্ত্রকনা ফিহুনা য়েংঙ, হৌজিক পন্নবদি নমনা অংলনিবা খরখর মংহুরোই চৎলসি, বাহুকনা মহারাজা চিংনবিন্নু ঐনা দিমিব অমদা মৌনবা বিদর্ভ দেশদা পুজগে শতল্যাগ্রু অপ অমদা লোইখনী হায়রুনা; নল কুমথরুনা খোংনাং মখোংদা লেপ্লগা অলক্ষিত বিদ্যাগী শক্তিনা য়েংবদা অমতা শোইনদে। নল চংথরগা মহারাজা শোইনদ্রে বিদ্যা অদি চানবীরুনা ঐহোক্না পিনবীয়ু হায়রে, ঋতুপর্ণ রাথম হৌরগা হাপ্নরকই অদু ওইরবদী নহাক্কী অশ্ববিদ্যাও ঐহোক্না তম্বীরো ঐহী বিদ্যাদি নহোক্না পিরগে। নলরাজনা অশ্ববিদ্যা পিরে ঋতুপর্ণনা অক্ষ বিদ্যা মন্ত্র পিরে, নল বিদ্যা অক্ষ মন্ত্রদি পাপ লৈবা য়াদে অক্ষ মন্ত্রগী তেজনা চাকথেকই, অদুনা নলগী মেহেদা লৈরিবা কলিযুগ লাইরু থেনা চাকশঙ্গ শাবুনা খারব ওনথরুনা চোংথোরকলে ঋতুপর্ণবুদি কলিনা উবনদে। নলরাজা কলিবু উবদা শাওরুনা খাং শৎলগা মশাগ শাপরে মতক কক্লগে খন্দুনা খাং হায়গংলকই, কলি থক থক নিক্কুনা খুৎ লোপ্পগা মহারাজা প্রাণ কনবু দময়ন্তীগী শাপনে কর্কটনা চিকপগী হুদে ঐনা রাজিবনিদি নহাক্না রাবদগী শরুক খরা হেনা রাবরনী। ঐহী ইরাবদু তৈবর নহাক্না চাকপীয়ু লিনগী ওনা কুপ্তুনা ঐ নহাক্কী মেহেদগী থোকপনু ওমদনা লৈহবনি মহা মহাগী তেজকুনা শোকপদা ঐদি নহাক্কী স্তুতিদগী চোংথোরকপা ওবনি মরম অসিনা নহাক্কী মিংচৎ লৌপ অমা ঐ হায়রবগে নহাক্কী চরিত্র শোকপ তাজবদা মীওইখত্নু ঐগী দুষ্টি চংদবা ওইরসনু। অমসুং কর্কট, ঋতুপর্ণ, দময়ন্তী, নল মখোই মরিগী নাংদি লোংবগী নিংশিংবা শোকহানবিবা মকপ্নু কলি ঐ চংথরোই। কলিগী বাহাল ফাবদা পেন্নহনা নল, কলিবু খাদোমদ্রে রথ তোংখৎলে *বিদর্ভ দেশ থুনা য়ৌনবা অভিলাষ ফুক্‌লকুনা শাইরকই। অদিতকা মহাভারত বন পর্বগী বারী অদি অমুতগী ইচেনতবনী মীওইবশিংদক শ্রীব্যাসদেবনা লেংলহনবনী, পুক্নিং চংনা য়োমদ লৌরুনা তাবদা অতগী কান্না শিব আত্মানা যাবা লাখোক্কুনা হরিধাম কংবী হায়বগী লোইকলব: বেদ বাক্যনি। ইতি॥ হরিবোল হরিবোল হরিবোল॥

* (বিদর্ভ দেশসী) থাপুর রুক্না চক্রবাল থৈকথনা শাবযদি কৌন্ডিল দেশ কৌরগী। কলিগী মতম হৌজিক্কা মত্রাজ কৌথরে, মথাংবা (কলিকা কৌরকুনা) হৌজিক্কা ভাদ্রিল-নাহ কৌরে খাদি মতমগী মতুং ইনা মমিং হোংখকপনু খরা য়াওই। ইতি।

অধ্যায়

নল, ঋতুপর্ণ বিদর্ভ য়োরকপা; নল-দময়ন্তী উনবা

ঋতুপর্ণ হনখিবা নল মরৈপাক অমুক কংবা থারী মতাং।

বৃহদশ্বনা হায় ধর্মরাজা নলনা অতিরাদা পাইরকইব। কুথঙ্ মিচিঙ্ অমদা বিদর্ভ য়োরকই, আকাশদা নথনা পাইরকপগী কুলকপা মকোম্ বিদর্ভগী মীয়াম তক্লাদুনা য়েংলৈ, লোং-থাক্লকপনী থক্মুনা থাহোংশিংনা মরৈ কন্মুনা কপোই শানবী। খোরাংনা লৈরবী লোংলোইশিংনা হ্রাওনা খোংলৈ, ঐশিং পাম্বা তাদুনা মথকলোমদা অনথংদুনা য়োনরে রথ শব্দ তাবদা তৈবী লোইরে নল অহনা অনগা অহুৱা রথ খোবা খা মীওইবনা হৌজিক মতম্লিদাদি থাওরি ঐগী প্রাণনাথ কংজরনী হায়বগী মূখোইওয়ে। দময়ন্তীনা মথক চোংবা য়োম অরাংবংবা খোং হায়খোক্লগা য়েংলগা থাথন অমুক তৌই ঐ পোকপদগী অতৈবা মীওয়া বা তাঃজি. থাব কংজনিঙ্গনা নিবা থাক্য হায়বীবগী প্রাণনাথগী লিপ্লাবা লেবা কংজবদি ঐ হলি তৈমুংদা থরাই থান্নগে থন্নুনা য়েংজিংইনা অরাংগী খোংদা মম্লা মতুং মত চনা পুংথুনা রথ থারে শতমোতন লাক্লা নমদি বুথক অমদা য়োরকপানি, ইক্ষাকুগী মচা ঋতুপর্ণ তীবরাজগী সভাদা থারো অমগা লোইনমা চাথি থারো অমনা সারথীগী রথ লমদা রথ থম্ম অমসাদাদা পাগোল পুশিন্নগা ধর্মশালাদা থাহুক্নু পোংখ্রাহনবী। তীবরাজা ঋতুপর্ণ উবদা আনন থাবগা প্রেম থাজিজোন তৌরে আনন থম্নাং কমনরে তীমনা মহারাজা ইথং থংখোলনা ঐগী সভাদা লেংশিনবীরকপসি কবি হায়রীগদবা লৈবগে হায়রকই, ঋতুপর্ণন অমগী মতংনু লৈতবা নিংখোলিঙ্নু কমনহুনা নিমবা পদনি থাংহনা হায়রকই. ঐ থবক অমা চৎনুবনি মহারাজনু কুইনা উনরহুনা থারো সাবালিংহনা চংশকপনি। তীমনা মহারাজা ঐগী লাইবক কহনা লেংশিনবীরকপনি থাহরিবী লেংশিক্লদি হায়হুনা অন্তঃপুরদা পুশিন্নুনা থাজা নিশান ঘরদা মথিক চানা লেবা তৌহুনা পোংখ্রাহনরে।

দময়ন্তীনা নলান মথক্তা য়েংবংদা ঋতুপর্ণগী বাহুক মরমীগা উই। নলবু অপি শককুমরি থাওরে কবিওবা শক্তি অমনা শককমমু হোংলোকলবগা পরিক্রম খংলগে থন্নুনা কেনীদি হৌরা পাতকীক লিরগা রবী পাক্ক সারথীগী থাতাং তাবগা ঐহোনা পাও অমুক লিখো হায়গা থারমে, কেনীমা সারথীগী মনাক য়োরকলগা মহাশয় থাজকন্যা দময়ন্তীনা থারকপনী মাম কবি কোরগে কবি মমগী লাকপীবনো হংলগে লাকহনবী তাকপীর। মনা থাজাকই ইরেম্মা ঐগী ইবিনো বাহুক অযোধ্যাপতিগী সারথী ওইরী, হৌরিক তারগদাইদা ব্রাহ্মণ অমা পক্সুহনা

মৌদকই ঙৈরম্মী লোংথোক্লকপা বিভিন্ন শব্দবু তৌরগা অন্যাশাবী বহিগনি রোহিতকই হায়বগী হৌজিক মৌরকপনি। এসি পুণ্যশ্লোক নলগি মাখবী ওইরম্মী ঙৈরম্মী মশক থংদি থরম ২বক ওলক লোংবনিরী কহি ওইরমলোমিবনো লাটগী মোনেম যান্নবা এ রাখা অঙকপা ওইরি? কেশীনিমা মহাশয় মাখবী ওইরমকবনি পুণ্যশ্লোকনা কমাইনা তৈনেৱ ফুংইরবী মুশীবু হাড়ি অতুপ অমসা খরা থাদোক্লকপগা কমাদৌনা চৎখিবরা। হৌজিক কাওবা মদুংদোনা থমোইনা মিহু লেংলগা অমরদো চান থকুবা হা নাথ পুণ্যশ্লোক হায়রবা লোন্দুনা অহিং সুংথিন কপফুনা লৈরো হায়রকই। কেশীনীগী বাহ তাবদা রিতুপর্ণগী পিশ্বরগা নলনা হায়রকই ইবেম্মা কুলবধু ওইবিনা অপুরোইবু থাজবগী বাকপনী থুপদ নবগফী। স্বামীগী মরমদই শিবগা মাখবা যোখা কংলবা কাওবনা মতৌ ওইবীনা পতীবু শিন্দা তৌরোইবননী. লৈপাক ললনা মাং অমা মাং অত্তারদ থাওবনা বন চৎলবনি, লাইবক থখিত্তঃ লৈথবা থবাইদং থিংদরা লৈবতনী হায়রগা কপখি। কেশীনী মন্দা কপলীতৈনা হেক্কুনা মতীনা পাও পুংলনক তৎখরে। পাওম্ম কংথরা হৈথীনা, অংতোপনি ওইরদোই থ্বা অযুক চৎলো মজী থবক লমচৎ ওইথোকপা থরম তৌবগে ঝুনা মেংদু অহগা পাও অযুক পিরো, মাদী অযুক চৎপগা যুথা মেংতগা অযুক হায়রে কেশীনি হায়রৈ যে বাক কমা মায়বীনা তৌরিব থবক্কুবি লাইরকনস্থ তৌরিবা থবক থবা তোরোগি। তৌম পিতামাতনা অতুপর্ণদি থাহকনা থোংবা চাম হায়রক্কা মথেদ কযাযুক্ত তাওতিহিনংনা পাক্কগা যোত্রবা লালিনবহ থাহ্ংনা থিংবা ঙেংখন কন পাত্রগী লিং থরা লৈহদি কলনা চীপগা লৈরং ফুদিং পাক্ত ভনা থাংগংলগা লৈঙ্গ থাগংতে থিংবা মেংথদা যে হৌদনগা ফোংহোরে অঙকপা মতৌনি! দময়ন্তীনা অহদি অযুক চৎলে ইনহাং থজা পিরগা পোরকই, কে ... চৎলগা ইনহাং নিজুনা পোরকলগা পিররে, মতৌ চাহনা বস যেংবরা মদুংদো মলানি থংলে. অতাং অনিগি পুরগা অযুকা উঙ্গ করি হায়রগে যুথা মতৌ থংলগা থ্বা হন্নকই কেশীনী অতাং অনিগা ... মনাকগা পোরকই।' অতাংবু উবদা যোগংলগা হেক্কেৎ কেন্নগা তেংথোক্লা কপলগা মচা অনিগী লাইবক্কা থজা হন্ন চুম্মী ওখাক লৈরগা কেশিনিদা হায়রকই, এগী ঈচা অনি লৈ মতম কুইরে উবথ। অনিগা অনিগা লেংবা মাবৈ শক চুপ্পু মাথৈ থংনা হংশিন্দা তৌখিনি অতাং অনিগি পুখয়ো কীনা উবগা কাইরো থরগী যে হুতী হায়রকই। হুতী অতাং অনিত্থগা হন্নকই দময়ন্তীনা বাহুকগী মতৌ থাতাং চিংদনা লোইনা তস্মী, কেশীনীগী বাখাবহু তাবদা নলরাজা লোইরে থংতহনা বৈদর্ভী মনা বাপীগী মকবদা খুকংফরে ইনা ঋতুপর্ণগী মাখবী ওইরমলীবনি মরা লৈমখরাজা ওইরে, মহাবু প্রাণনাথ উ-অক্রুরগে চিংনবীলগ্ন মাথং পি থীবু। ফুলচনা বাপীনা ইবেম্মা ইচাগী মতী দর্শনা পুণ্যশ্লোককি কনিগী দৃষ্টিবুক্তা ওইহন্না ঙমজরবো মাথং পিরে মতী মমাগী মাথং কাওবদা মচা অনিগা লাকপহু নল চাবা থকপা লোইরগা কমফুনা মাম লোনবা মতমদা দময়ন্তী খুংগবে মলিন চাতী, মলিন বসন, মলিন জটাকেশ, পতি বিরেহগী যোখা পুক্ষ্না লৈরীবী মতীহু মগৌ

ওইরবীবা শককময় উবদা মিং অমিদা খেৎপা মায়া শিরহনা মমুত্তোগী শায়দা ভক্তি কৎলগা হায়জবা তৌরকই, হে প্রাণনাথ পুষ্পাহ তৌগদা কক তু অতোম্বুনা লোৎখুনা লৈবিবিবা পাম্বা লৌবাংবদা হায়গী মুৱাকং ফুম্বীনৈদা মমম্বা লোমা চেৎবীবা মচাগীম মদা অমানবদু তেংবাবা ইন্দ্র, যম, বৈ, ঈশিং, ফুংলিং লাইরকপু থাদোক্লগ মণিজরিবা লায়গী থাং মতামা ঐগী থবাইনা লৈবীমথেমদি থাদোক্লোই, মত্য তৌবীবিবা ঐনা (পতিব্রেকর গুরুত্তীবাং) থাক্লগি থিবী ভাক্রা তত্না লোক্লবিবা মল হায়বা মাথনি মতমা অমমদি ফুংইরুবীবু মনা মতেকলবাক কনাগুম্বা কনাগুম্বা মিপা থাওয়নগরমে হায়রগা মতৌ তেংবাহনা কপথরে। দময়ন্তীগী থাহায় ভাবদা মলনা হায়রকই কংবয়রককলিদা থাদোকলগে মিংলমবা রাজ্যভ্রষ্ট, লক্ষ্মীভ্রষ্ট কংবদা থবক নহাক্তা ঐগা কায়রবিবনি. অদুম থাংবুদুনা থবাই হিংলিবা মবাকপু মিক্তয় ওইবদগী মকুমা উদা খুজ্ঞদনা থবাইদং হিংলিবা মীওইমিনি কলিনা থাদোকলরমগী নং য়াক উবদা কংবনি থাওগদু প্রিবে। ব্রাহ্মণ অমনা পত্র পাইরে মমবম তৌগগা অতোপ্পা মম অমদা মণিয়গী অদুগী লাকপুমি কনাদ মবিগে থরিবনে। থাজবংশগীদ ধর্মশ কাবয়ে ঐবু কমদৌগে হায়রং মতৌ খুং লোয়রগা হায়রকই অতানবদা ব্রাহ্মণ মরাম থিবা থায় অযোধ্যাদা তাথা ব্রাহ্মণহনা থাহেকগী পাও পিরবদা পোইরবোই থংগ্রুদা ইকাইবা অমিবা থাদোকলগা প্রাণপতিবু কংনিংবগী ঐনা লোমা থাবগী. ঐবু পাপ লৈবে মদবীরবদী চন্দ্র, সূর্য্য, বায়ু মথোইম। পাক্তী ওইবীবু পুণ্যশ্লোকি থাদো থাপ থাকথরগে হায়দা থোতেম থাংবা তৌরকই, মতৌ পাম্বীগী থাহায়হু ভাবদা লাইনা লে চাইথরকই খুংলিবদা থাকাদ গনি লাওরকই হে পুণ্যশ্লোক বৈরতী পাপ লৈতে মতৌ ধর্ম তাকুনা লৈথনী। মহাক্তা থাদোকলরগী ঐনা তাক লেপ্পিবা মবাক্তবু মিংদুনা লৈবদনী।

অক:শবানি হুম্পুক্তি থাকম থ'ন ত বে, লৈ চাইথরকপা তাবকলে অদুদা নলগী চিংমথ অদুকপা তোক্তুনা কর্কট নাগরাজবু মিলিংবদা নলগী হাংগী শকরম মতিক্রপা; প্রিবে থাওগদু মদী পুরুৎতেল থংলে হায়রগা পাম্বোম অনি পায়রগা চিংবংলী ওইগী কৈগম্বা কমহক্রগা অহাং অনিবুদ্ধ অম্পাক লেংলি কৈথোমদা কমহক্তগা পাম্বোম পাম্বা নখানা তোক্তুনা মুখ চুখোম তৌই। দময়ন্তী, নল অনিক অযানগী থাকী শায়বদা লোংথোক্লে প্রাতক্রিয়া স্নান লোইরগা মতৌ পুণ্যশ্লোক অনিরক মচা অনিগা ভীম রাজগী কোংং য়োথকহুনা পুক্রমরে, বিদর্ভরাজা লমবু উবদা হুংহাইরহনা প্রেম অনিতোল তৌরগা হায়রকই হে পুণ্যশ্লোক ইথাক্তী লেংথনা লৈগাক মল থাংহনা ৫হি মরি ইক্ত ইক্তা কাবমহনা রাজথনি লাইনী নাপমথনা থোকথরনি। তৌভিক্তি থাক্তবদু ইতুগি লৈগাক পাক্ত ইথাকতিনি ঐনা লোইনা পিন্নবগে থাওরকই, থাবক মাবথী মলথাক্তা ওইরবহনা দময়ন্তীনা কংবথি পাওদু ভাবদা মতৌবা ৫লনি থংহুনা য়োরকলবা অযোধ্যা থাবকগা পত্র অই থংহনা অদুগৈ ভীমরাজগী মমদা থুনা য়োরকলনা নলগী শকক্রম ওইবদু অমবা প্রেমগী থাহায়দা হায়রকই। হে পুণ্যশ্লোক ঐগী ইত্রাইবক কমলগী মতৌ যৌবন অনি

কমেবা মি মুংভাইজ়র এৌনা শংলবগী লাইবা'ন থল্লবি লোব হৈবিক তাকপিম্ হায়রক্‌ই। নললা মহারাজা এৌই রাজবা অতকপা কংলবা মতিংনা লাক্তি ওইদনুনা মনারাজ'না লৈকায়গী নাথা পূরবক লেকেন ঐ হংলাক্তবা লৈবদে হায়নুনা মিংথৌ থবি ইথোম থাগিলোল তৌমিরে। মুথিং অমু তীবরাজনা থাম কয়া তৌরে ব্রজ-ভূষন হংলি হৈথম বাজনা লাইবী অম্। পিরাগা প্রাণ নবা হৌখিক লেশনা হৌবীবরে মঙ্গাপি মিংচং পৃথীবা লৈরমগু ইথবগু পেংবীবা ওইমম্ হায়দুনা বিদাই তৌরে। ঋতুপর্ণ, জীব, নল মিংথৌ অমি থ্রেম বিদাই তৌনরগা অবোবাবা হর্ষিনি নল বাকাই মমু মিংথোলগী বিদাই লিদুনা রথ অমা, শাম্ব ১৬, শগোল ৫০, শগাঙ্গি ৬০০কা দময়ন্তী মচা অনিগা লোইনদুনা লাকপনা * হৈথম তৌরক্লে।

পূকর মতাংদা চংত্তকলগা হায়রকই, পুকর চৌংথদা থাইখিদুনা এৌ চহি হুম চংথুরে পাশখেলা অমুক হয়রলি, নংনা চন্না এৌই অখাখাদি পুখিগী নংগি ওইগরো মহ হংথকগা লিকুং লেন শাহরো মনাতন হর্ষিন য়োবয়দি। পুকর মলমু পূরবকনা পাসম থারে, যাদা মহারাজগা পাটেশ্বরীগা অতাং থনিংগা কাইনদুনা হন চংনথীবগী মনাতম্ অথোবা ওইদুনা লৈরম্ হায়রগ। তৌবর নামু্ব পুখোবক্‌মা মূল ক্রিয়া তৌরকই, মলরাজাদি পাশখেলাদা যানা হৈবী পাজদ খুদিং নগম। থোইদুনা লৈপাক নল লোইনা লোকথরে থাগী লৈরবা মুখরাজগী মরম হৈতব পূরবক পুকর লোইনা মাংলে, মগা হবাং কী লে মলমু বিরাকপবা মগা এক থক লিরে। ধর্ম লৈবা খোশালনা সমুদ্রগী পারমতবা তাকপিহৈবা মলনা হায়রকই। পুকর ইনাওদি ইয়াম্‌মু কিপরু, নং-যাক থোরাংবা পূরবক কলিনা থোকহনবিখবি নংগী লোয় মতে এৌনা নংমু শাওদে মৃত্‌ মনং লোইনা হনবিরগ ইমাওদা হায়গী মুখরাজগী থেংবা কায়দনা শারো। পুকর অরাবগী শাদংা খুরবরগ হাথরকই মালা মহারাজগী পুকলৈগওনি লাই থৌ পূরবক-তমু লৈরমোই, মনংগী লোযাদ শংবগী কলদা হায়বা খ্রীকথুন থোকপিবা ইয়াম পূরবক তাকপীয় রাজাসন লোথংপরো মথাও থৌগল কংজরগে। মলরাজা থাগম কমথে পাজ মাহ প্রজা পূরবক মুংতাইমগী কলগী মিংচংবা মথোন অতম শিংথুংনা লোথ, যজ্ঞ, দান কয়া তৌই ব্রাহ্মণদা দান তৌই, লাইবগা তোম্মম্ যোরখদি মচাংগী মিপা মতম থতিক চানা বিবাহ তৌই। ধর্ম মতম তৌদুনা দময়ন্তী নল চহি কয়ামুক পানবগা ইন্দ্রসেন মচাদা থাজপগী শিরগপা মতী হৈকথ থনিংক চংনা তোজাবিদুনা হরিথাম কৈথি, যুধিষ্ঠির মতোমগী হেনা মলরাজানা থাথি। থনিংবা মলগী থামী অংম থীবাবিনা পুকিং চংনা তাজবগা শাহৈ চাওথংলি কলিগী

* টিং:— হৈথম লেশ মলরাজনা শাজত্তবা থনিনা কৌশল লেশ হায়না কেকা থাগুবগী মলমনা কৌশরকই। ই:ত।

মুহি চংবে মীওইবগী মোবা কমা কোক্কুই। ধর্মরাজা বাকপদু বাবা খুংঙাইবা মাংখলি লাইগী লোয়েনবা মতম ধর মৈরপা অরাবা কোকুনকনি শ্রীহরিগী চরণ কাওদনবা মীওইবগী অথোইবা লমি হায়বনি কাওদনু। মুহনখনুনি ধর্মরাজনা অমক মন্ত্র পিংখ্রাগ বিদায় তৌনখ্রনা চুপি হনখি। অনিথবা নল চরিত্র বন পর্বগী বারী অসি অমুক্তগী মপকনি মীওইবনা তাজবদা অহুগী মতমদা হরিনাম কদনি। ইতি। হরিবোল হরিবোল হরিবোল ॥

